মহর্ষি দেবেন্দ্রনাথ ঠাকুর



মতম্গি লোন্মীংলোন্ অহান্ব
(A First Course in Modern Linguistics)

এন্, সরত্চন্দ্র সিংহ

সবাতানি পাব্লিকেসনস, ইম্ফাল্।

মতম্গি লোন্মীৎলোন্ অহান্ব
(A First Course in Modern Linguistics)

অহান্ব ফোঙ্ব - জানুবারি, ২০০৩

সবাতানি পাব্লিকেসন্স, ইম্ফাল্ - ৭৯৫ ০০১

মমল : লুপা ৩৭৫/-

নম্ফম্ : সি.তি. ওপ্সেৎ প্রিন্তিং প্রেস, বাবুপাবা, ইম্ফাল্ ৭৯৫ ০০১,
মনিপুর (ইন্দিয়া)।

ৱাহৌদোক্

হৌজিক্কি মতম্দ লোন্মীৎলোন্ (linguistics) হাযব অসিগি হাযনীংঙাই লৈতন খুমাঙ্ চাওসিল্লব মসক্ অম লৈব উনবে। অতোপ্প দিসিপ্লিন্ কযাদসু মসিগি সউম্ পাক চাউন তাদুন লৈস্রে। ইসত্রুকচবেলিজমদ চাউবক্খিব লোনমীৎলোনন ঙসিদি জেনেৰেতিভিজম্গি তাইবংদ অনৌব মপোক অম ফংখিব অদুন হাননন খন্নবম্ব বাখল্ মীৎযেং কযাগ তাযোন্নবমখৈ মসক্ ওনখ্রে। নুমীৎন প্রিথিবীব্ কোযবনি খন্নবম্বদু প্রিথিবীনা নুমীৎপু কোযবনি খল্হন্বগুম্স্রে। অসুম্ন থিঙিনবগি লম্বেল্দ লাক্খিব অ ওন্ব অসিবু সাইন্তিফিক্ কমমুনিতিদ *পৰাদাইম্ চেঞ্জ* (paradigm change) তৌব হাযবগ খঙনৈ। হান্নগি পৰাদাইম্সিংন সিথবক্তুনা অনৌব পৰাদাইম্সংদ লাক্পগি খোঙ্চৎ অসিগি নীংথিব (beauty) অম পনব ভাববদি মী ওইবগি ৱাখল্ লৌসিংগি অঙকপসিং অদু মসিদ উব ফংব আসনি। পানিনি, ব্লুম্ফিল্ অমদি চোম্স্কিন তাইবংদ পীবিব অঙক্পসিং অদু ঐখোযন ঙসি উবিব অমদি লেপ্তন যেংনবি। আস যৌন যাঙ্সিন্খ্রব মতম্ অসিদ মনিপুরি লোন্দদি মতম্গি বাখল্ পুবব লোন্মীৎলোন্গি লাইবিক্ অমতং উগে হাযবদ ফংদ্রি। অমবোম্দ চোম্সকিযান পৰাদাইমগি নীংথিব অদু উদন লৈথোক্লবদি মী ওইবগি বাখল্ লৌসংদ মযেং তান লৈবগুম্ কন্ন ফাওনবকাল। মীৎযেং অসিদ মনিপুরি লোনদসু মতম্গি বাখল্ পুবব লোন্মীৎলোন্গি লাইবিক্ ফংতনব, অনৌব পৰাদাইম্ অমগি মঙাল ফাওহন্বব হাযনসি তঙাইফদব অম ওইবে। অসিগুম্ব হোংলক্লিব মীৎযেং অসিগ চান্নন অন্দব গ্রেজুযেৎ অমসুং পোসগ্রেজুযেৎকি মানপুরি সিল্লেবসত মবু ওইন অসাম ইউনিভর্সিতিগি অনৌব সিল্লেবসত লোন্মীৎলোন্গি অনৌব মসক্ কযা যাওবসু উবে। মসিন ভাবত্কি অতৈ ইউনিভর্সিতিসিংগি নৌন লাক্লিব সিল্লেবসসিংগ থোং মান্নবক্পগি মওং অমসু ওইবি। অসুম্ন সিল্লেবসত অহোংব লাক্পসিং অসিনসু সাত্রসংন লোন্মীৎলোন্গি লাইবিক্ ফংদবগি খুদোংচাদব অম মাযযোক্নদুন লাক্লিব অদু অমুক্ক হেনন সোক্চিল্হল্লে। অসিগুম্ব ৱাফম কযা অসিন লাইবিক্ অসি

থোবক্নবগি মবু ওইব পান্দম্ অম ওইখি। JRF, NET, SLET নচিংব অচৌব পবিখ্রাসিংগি পাক্সন্ন পাবক্কদব মতাংদ সাত্রসিংন থেংনবম্গদব লাইবিক্ ফংদবাগ অবাব অদু কাব ওইবম্গনি হাযব অদুস অইবগি ইমাজিনেসন্দ লৈখি। ইংগ্রাজি লোন্দ ইবন যাদে। মনিপুরি লোন্দ ইদুন মনিপুরিসিংগি সাইকিদ চঙ্হনব হায়বসিন মনিপুরি লোন্গি ভাইতালিতি অদু হেন্গৎহন্গদৌরিবনি। মসিনসু লাইবিক্ অসি মনিপুরি লোন্দ ইননবগি অতোপ্প পান্দম্ অম ওইখি।

লাইবিক্ অসি পাবকপ মতম্দ নীংসিংবিগদব অমদি লাইবিক্ অসি অপান্নব লোন্ অমগি মবম্দ নৈনব নংতে, লোন্মীৎলোন্ হাযবিব সাইন্স অসিগি মসক্ অদু খঙ্ননব নৈনব অমনি হাযব অসিনি। মবু ওইন ২০সুব চহীচা অসিগি লোইবম্দাই অমসুং অনৌব মিলেনিযম্ অম লাক্প অনীগি লংদাইদ লৈখিব মতমগি লোন্মীৎলোন্গি মবু ওইব মসক অমদি মর্দুগি ব্রাখল্, মীৎযেংসিং অদু লাযন খঙ্হন্নব হোৎনর্বানি। মবম্ অদুন তোঙান তোঙানব লোন্ কযাদগি মতাং মতাংগি ওইন খুদম্ পীব থেংনবিগনি। অদুবু ইংলিস অমসুং মনিপুরি লোন্গি খুদম্সিংন মপুং ওইবগি মওং অদুম্দি লৈরে।

মথংদ লাইবিক আসাগি থোইদোকপ অম ওইন পন্দব যাদবদি বনানগি মতাং অসিনি। মানপুরি লোনদ বনানগি অবেপপ চংনবা হাযব অম ৬াস ফাওন লৈত্রে। মবম অদুন মখল মখাগি বনান্ ইনব অসিন চৎনবা ওইদুন লৈবি। মাসিদাগি কোক্ননবগিদমক লোন্ অসিবু মুন্না খঙব লোনমাৎলোন্ সূব (linguist) সিংগি মতেং চঙ্ঙা হাযব বাফম অসি তোঙান্ন থমখ্রগ মানপুরি লোন্ অসিগি ওইফম থোবপ বনানগি মওং অম পানব লাইবিক আসদ হোৎনবি। মাসাগিদমক অহানবদ ছ, ঞ, ট, ঠ, ঢ, ণ, য, শ, ষ, ক্ষ, ঢ়, ৎ, ঃ, , ঋ, ৯ হাযব মযেকাসং অসি ইবদ সাজিন্নদে। মখেব ওপাসিননবাগ মতাংদদি তোঙান্ তোঙানব সিল্লেবল্দ লৈব খোনথোকসিং খক উপাসিন্নন ইদে। খুদম ওইন *কোন্থোঙ, কোকত, চেক্লা, খুনজং, কান্চপ্প* হাযবাসং অসি *কোংথোঙ, কোকা, চেক্ক, খুঙ্গা, অমদি কাঙ্গপ্প* হাযন মযেক তপাসিন্নদুন ইদে। বাইগি অবোইবদ অনা লোম্ন মফমদ / খক্ সাজিন্নদে। খুদম ওইনা *চাবা, চেৎপা, খা* হাযবাসং অসি *চাব,*

য়াওফম্

চৎপ্, পাব হায়ন ই। তোন্গি মতাং অসিদি লোন্ অসিদ ভাৱল্ তরুক্ - অ, আ, ই, এ, উ, ও লৈরিব অসি অনী অনী থোক্ন ইফম্ থোক্পনি। মসিগিদমক্ ঐখোয়ন দাইয়ক্রিতিক্ মাক্ অম তৈরবদি মখোয় তরুক অসি চপ্ মান্নন অনী অনী থোক্ন পাব য়াগনি। অদুবু মসিগি মহুৎত এৎহোক্ সোলুসন্ অম ওইন *ই* অমসুং *উ* গি অরূম্ব খোন্থোক্ ওইন ঈ, *য়* অমসুং *ঊ, ওন* সিন্দুন সীজিন্নরি। খুদম্ ওইন *ই* (য়ূম্ কূপ্ননব পোৎ), *ঈ* (হক্চাংদগি থোরক্প ঈ), *পাইব* (উচেক্ন পাইব), *পায়ব* (পোৎ পায়ব), *উন্* (ঈসিংগি মপং ওইব মওং অম), *ঊন্* (হক্চাংগি ঊন্সা), *পুব* (থাংব), *পূব* (মীঙোন্দগি পৈসা পূব), *কাউব* (নীংসিংদ্রব), *কাওব* (বোল্ কাওব) হায়ন *ই অমসুং উ* গি অরূম্ অয়াং খায়ন ইরি। অদুবু *চেন্ব* (সান্নবদ বোলগ্নম্ব চেন্ব), *চেন্ব* (লম্জেল্ চেন্ব), *কোন্ব* (মরুম্ কোন্বগুম্ব), *কোন্ব* (খোয়ব), *চাব* (ঈসিংদ ঙা চাবগুম্ব), *চাব* (চাক্কুম্ব চাব), *পন্ব* (য়ানুংদ পোৎ পন্ব), *পন্ব* (চৎথরম্ব থৌওং অম লেপ্প) হায়বনাচিংব ৱাহৈসিং অসিদদি *এ, ও, আ, অমসুং অ* গি অরূম্ অয়াং মান্নন অদুম্মক্ লৈরি। করিগুম্ব ৱাহৈসিংদ *এ, ও, আ, অমসুং অ* গা থংনব ঙ ন অসম্ব খোন্থোক্ ওইন লৈরবাদ *ং অমসুং ঙ্ন এ, ও, আ অমসুং অ* গি অরূম্ অয়াং অসি তাকই। খুদম্ ওইন *লেংব* (পূক্ লেংব), *লেঙ্ব* (মফম্ হোংব), *লোংব* (উপ্তব), *লোঙ্ব* (খূৎ লোঙ্ব), *তাংব* (মীগি য়ূম্দ তাংব), *তাঙ্ব* (পোৎ তাঙ্ব), *নংব* (লায়বব), *নঙ্ব* (মহী নঙ্ব) ৱাহৈসিং অসিদ ভাৱল্গি অরূম্ অয়াং অদু *ং অমসুং ঙ* সীজিন্নদনা তাক্লি। পূম্নমক্ অসি হেংলগা তোন্গি মতাং অসিদি দাইয়ক্রিতিক্ মাক্ সীজিন্নবন খ্বাইদাগা সাইন্তিফিক্ ওইনা ইব য়াগনি হায়বদু উব ফংঙি। তোন্গি মথংদ খ্বাইদগি মরু ওইব অমদি অপূব ৱাহৈগি মতাং অসিনি। মসিগি মতাংদ পন্ব য়াবদি অপূব ৱাহৈসিং অসি পূরিব লোন্ অদুগি খোন্থোক্ক চান্নব বনান্দ ইন্নব অসি প্রিথিবীগি ওইনা চংনৈ অমসুং অচুম্ব ওইনা লৌনৈ। মরম্সিং অসিদাগি *consonant, diphthong, cleft, government, complement, paradigm,* নচিংব ৱাহৈসিং অসি মথংসিংদ *কোন্সোনেন্, দিপ্থোঙ্, ক্লেপ্, গোরমেন্, কম্প্লিমেন্ অমসুং পরাদাইম্* হায়ন মনিপুরি লোন্গি ওইফম্ থোক্প বনান্দ ইরি।

মঙ্গলেশ্বরদ হায়রেনা ঐদ লাইরিক অসি ইবা মতমদ ঐঙোন পল্লিনা দ্রব খুদোংচাদনা কয়া লৈখি। মদুগা ঐঙোন ঙমনবা লোইসিনখিবা মরমনা মসোয় অঙাম কয়া লৈবমনা য়াবি। অসিগুম্বা অসোয় অঙাম, চাংথ নান্থবা অমদি তেনন ফগৎলবা ওকপিবকপ পম্নমক তাবামন ওক্চবি। মসিগ লোযনন অসাম্ ইউনিভর্সিটি, সিলচরগী মপু' ফান সেমগৎত্রিব নৌবিব লাইব্রেরি অসিগি খুদোংচাব অদুমদি তংতন ফংখিব অদুক্তু কাউজ্জদব অম ওইন পনজনাংঙি। ইউনিভর্সিতি অসিগি মণিপুরি দিপার্টমেন্টগি ওজাসিং অমসুং সাত্রাসিংবুস মখোযগ লোযনদুন লাইরিক অসি ইব ভরখিবগিদমক থাগৎপ ফোংদোক্চরি। লাইরিক অসি লোইসিনবগিদমক্ দীলিপ নমেংবমন এ আই আর. সিলচরদ লৈরিবৈদ ঐঙোনদ থৌন হাপ্পখিব অদুগিদমক্সু ইনাউ আসিগ মফমদ থাগৎপ ফোংদোক্লি।

জানুৱারি, ২০০৩ — ড. শরৎচন্দ্র সিংহ

ইম্ফাল

১ লোন্ অমসুং মসিগি থোইদোক্পা মগুন্সিং

১.১ লোন্ অমসুং পূক্নীং (language and mind)

লোনমীৎলোন্ (linguistics) হায়বা অসিদ লৈনবদৌরিবা পোৎ (subject matter) অসি মীওইবা [illegible] লোন হায়বা অসিনি। মসিগি চানবা [illegible] [illegible] অমদি পূক্নীংদা [illegible] অমা [illegible] হাকই। পূক্নীংদা লৈবা লোন্গি মসক্ [illegible] মেন্তেল কেপাসিতি (mental capacity) [illegible] টেসিৎ নোলেজ (tacit knowledge) হায়না [illegible] মসিগি [illegible] পূক্নীংদা লৈবা লোন [illegible] পূক্নীংদা লৈবা লোন (I language) হায়না [illegible] ইন্তর্নেলাইজ্ড লেংগুএজ (internalized language) [illegible] এক্সতর্নেলাইজ্ড লেংগুএজ (externalized language) [illegible] লোন হায়না [illegible] [illegible] কম্পিতেন্স (competence) অমসুং পারফোমান্স (performance) হায়না [illegible] অমা ওইনা খেন্দোকই। কম্পিতেন্স হায়বসি [illegible] পূক্নীংদা লৈবা লোন [illegible] লোনমীৎলোনগি [illegible] (linguistic ability) অদুনি। [illegible] কম্পিতেন্স অদু লৈবনি। অমরোম্দা পারফোমান্স হায়বসি [illegible] চানবা [illegible] খেন্দোকপা অদুবুনি। কম্পিতেন্সন পারফোমান্সকি অহৌবা [illegible] ওইবা মসক অদু ওইরিবাদা পারফোমানসন কম্পিতেনসকি সুপরফিসিয়েল মেনিফেসতেসন অদু ওইগনি। অযামবা মতম্দা ঙাঙ্ঙিঙৈদা সোয়খিবা, পূক্নীং চোইবা, চোক্থবা, তন্থবা, ইদাকাক মযায়নচিংবা পারফোমান্স ফেক্তবা কয়ানা কম্পিতেন্সকি মপং ফাদবা মতৌ অদু উৎলি। মতাং অসিদ যাম্না মরু ওইবা ৱাফম অমদি অঙাং অমনা লোন অমা খঙ্ঙক্পা মতম্দা লৈবিবা পূক্নীংগি থোইদোক্পা মতৌ অসিনি। মপান্দগি অপাননবা মবম অমতগা মরী লৈনদনা ইসপিসিজ ইউনিফোম্ (species uniform) ওইবা মওংদা, মদুসু অঙঙ্পা ফংনা তেল্লবা মতম্গি মনুংদা, থোইদোক্না হোৎনবুবসু যাওদনা,

ফেল্ ওইব হায়বসু লৈতন অঙাং খুদিংগ প্রিথিবীগি লোন্ খুদিংগি নোলেজ অসি ইন্তরনেলাইজ তৌব ঙম্মি। মসিদগি মীগি মসাদ UG (= Universal Grammar) হায়ব লোন্ খুদিংগি ওইব রুল্ অমদি প্রিন্সিপল্ ময়াম্ অদুগি সিসতেম্ অম পোক্পদগি য়াওজরক্লে হায়ন লৌরী। ইউ জি হায়ব অসিদ য়াম্‌ন মরু ওইরিবদি এপ্সুলুৎ ইউনিভরসেল্ (absolute universal) হায়ন খঙনব লোন্ খুদিংগি ওইব মান্নব মগুন্ অম য়াওরিব অসিনি। এপ্সুলুৎ ইউনিভরসেল্গি মথক্ত লোন্ লোন্গি ওইব মান্নদব মওং কয়া লৈব অদুসু ইউ জি দ ওপ্সন্গি মওংদ য়াওদুনা লৈ হায়ন লৌনৈ। মসিবু *পেরামেত্রিক ভেরিএসন্* (parametric variation) হায়ন খঙ্‌নৈ। অসুম্‌ন লোন্ লোন্গি ওইব মগুনসিং অদুসু ইউ জি দ পেরামিতরগি রেন্জ (range) ওইনা য়াওদুনা লৈরবন লোন্ তম্খৎলক্প অঙাংসিংদ অবূর অমত ওইদে। হেন্‌ন লায়ন অমদি মহৌসাগি ওইব মওং অমদ খঙ্‌ব ঙম্‌নবগি লম্বেল্ অম ওইখি। মসিদগি ইউ জি হায়ব অসি পোক্পদ য়াওজরক্লক্ব লোন্মীৎলোন্গি সক্তি (innate linguistic endowment) অমনি হায়ব য়াই। অসুম্‌ন লৌব অসিবু লোন্মীৎলোন্গি বাহৈদ *ইনেৎনেস হাইপোথেসিস* (innateness hypothesis) অমসুং খঙ্‌নৈ। মসিনা খঙ্‌হন্লিবদি অঙাং অম পোক্লক্প মতম্দ প্রিথিবীগি লোন্ অম তেক্ত ঙাঙ্‌ব ঙম্‌নবগি হায়্‌নবা প্রি -প্রোগ্রাম্ তৌরক্লে হায়ব অসিনি। মরম্ অসিদগি ইউ জি হায়ব অসি প্রিথিবীগি লোন্ খুদিংগি ব্লু-প্রিন্ (blue-print) অমগুম্ য়াম্‌ন সোফিসতিকেতেৎ ওইরব ইন্তেরনেল্ গ্রামার (internal grammar) অমনি হায়নৈ। মতীক চাব ঈসিং নুংসিংত তারব মনুং পোক্খায়দুনা হৌরক্পগুম্ অঙাং অমনা অকক্নব লোন্ অমগি মতীক চাব ইন্‌ভত্রিবন্মেন্ অদু ফংবগা মাগি মখোঙ্, মখুৎ, মমীৎ, মনা, সীজিন্নবা ঙম্‌লক্পগুম্ অকক্নব লোন্ অদ সীজিন্নব ঙম্‌লক্কৈ। অসুম্‌ন অমুক সীজিন্নবগি মীংয়েংদগি লোন্ অম হায়ব অসি অঙাঙ্‌ব (speaker) অমসুং অতাব (hearer) অনীগি ঈ-পাউ ফাওনব মগুন্ লৈরব অমদি অরুব মতৌ চেল্লব কোৎ (code) নত্রগা সিসতেম্ ওপ্ রুল্স (system of rules) অম ওইনা য়াম্‌ন মরু ওইনা লৈ। মসিগি অরুব মতৌ (complexity) অমসুং থবক্ কয়া পাঙ্‌ব ঙম্বগি সক্তি (versatility) অসিন মরম্ ওইদুনা অতৈ অতোপ্প

কোৎসিং খুদম্ ওইন খুৎ সা হাইদুনা খঙ্ঙনবা, লাই যেক্তুন নত্তগা মুবাত্ত সাদনা খঙ্ঙনবা কয়া অসিগ চাংদম্নবা যাদে। মীওইবা মবক্ত পূক্নীং হোদোক্নবা অমসুং পাটফাওনবগী খ্বাইদগী ফবা, লামবা লৈত্রবা কোৎ সিসতেম অম হায়বা তাববদি মাওইবনা ঙাঙনবিবা লোন্ হায়বা অসিনি। মীওইবাগী মর্সাং লাকচমদ্রবা বাখল্, এক্সপরেয়েন্স, পাক চাউবা ইভলূশন অসিগী পোৎলম্ কয়া মীওইবগী লোনন মপাল নাইদনা হেক্ দোকপ যাই। অসুমনা লোন হায়বসিনা মীওইবগী পকপ দা লাকপিবা মখৈ মপাল নাইদনা ফোং দোকপ যাবগী মতৌ অসিবু ইফেক্টেবিলিটি (ellability) হায়না খঙ্লি। লোন হায়বাসিনা মপাল নাইদনা ফোং দোকপ যাবিবা অসি কাব কবমনা মগুনসিং লৈবদাগনো অমদ অমা অতোপপ কম্মুনিকেশন সিসতেমসিংদগী মখিল কাবদা খননবগী হায়না বাফমসিং অসি মখাগী সেকসনদা দনগনি।

১.২ লোন্'গ থোইদোক্প মগুন্সিং

[illegible]

[illegible]

…সিং অমদ [illegible] হায়বদি মীওইবা [illegible] …তবা লোনগী সন্দ্রবা (morpheme or word) সং [illegible] খুদম ওইনা [illegible] কয়া অসি মৈতৈলোনগী আবথ লৈবা [illegible] অসুমনা [illegible] লোন অমদ মবোল অনা অনী লৈবাসি উবা [illegible] অমদ মসাগ আবথ লৈজদবা হোন্থোকাস (প, ত, ক, চ নচিং) লৈ। অতোপপ মবোল হম্মদনা খোনথোকসিং অদুন পনাসললগা ওইবা আবথ লৈবা সন্দ্র (morpheme)

সিং লৈ। অসুমন আবথ লৈব লোন্‌গি মবোল অসিব্ প্রাইমারি নক্রা হাযাব লযাব নক্রা ফাবস আর্বতিকুলেসন (primary or higher layer or first articulation) হাযন খঙ্ই। অদুগা আবথ লেওব খোনথোক্‌কি মবোল অসিন সেকেন্দারি নক্রা নযাব লযাব নক্রা সেকেন্দ আর্তিকুলেসন হায়না খঙই। দযাজাতি হাযবসি [illegible] ওইবনা [illegible] লোন হাযবসিগি খ্রাইদগি [illegible] অমদি হাগন লৌনৈ। মসি লৈবনা লোন [illegible] অককনা খোনথোক হবদন [illegible] আবথ লাম্বা লাম্বা [illegible] যাবিবনি। [illegible] লোন [illegible] যাবগি [illegible] অসি [illegible] অকফনা লৈবমগা। খুদম ওইনা [illegible] খোনথোক [illegible] মসা মসাগ আবথ লৈবনা [illegible] অসিন [illegible] আবথ [illegible] অমাদি [illegible] ওইনা [illegible] লৈলমমোই। হবাইআন (Hawaiian) [illegible] লোনদান [illegible] অমক্‌ক [illegible] অদুগা [illegible] অকক্ল [illegible] আবথগা লৈনা [illegible] অপনা [illegible] মসিংগি মতুং সিনতি অদগা [illegible] লৈবা আসন প্রাথমিক [illegible] [illegible] লৈবদসু লোনসিং মসিনা আবথ লাম [illegible] যাবিবনি। দিকসনারি [illegible] লোন [illegible] মসিন ওইগনি। অমসুং [illegible] ওইদুনা মা ওইবগি লোন হায়বসিং [illegible] চাউবব মাগী অম ঊব [illegible]।

খ) আর্বাবত্রেবনেস। মসিন খঙ্হল্লিবদা লোন অমগা আবথ লৈব, খোনথোক্‌কি মথং মনাউ খুদম ওইন রাতৈ নক্রা মোর্বফিম হাযবাসগ মদুন খঙ্হল্লিব আবথ অদুগ তৎন থানব যাদব মবী (fixed relationship) অম লৈতে হায়ব অসিনি। অচেৎপ মবী হাযবদি মৈগ মৈখুগ লৈনাবিব মবী নক্রা ফাতো অমসুং অযেক্‌প লাইগ মখোযন মতুং সিল্লিব পোৎসিং অদুগ লৈনবিব মবীসিং অসিনি। অসিগুম্ব অচেৎপ মবীসিং অসি লৈতবর্দাগ প্রিথিবীগি লোন্‌সিং

[illegible] ় [illegible] লৈব বাহৈ [illegible] [illegible] মচুং [illegible] [illegible] মা। মনাউদি [illegible] অসি অমত [illegible]। খুদম ওইনা ঈচংথোমবা পোৎ তসি ঙিনদদ পান্না, [illegible] অমাদি পাইতেদ তুই হায়দুনা খোনথোক্ অমাদ [illegible] সিগি মথং মনাউ অমত মান্নদে। মসিনা তাক্পদি মসাগি আনথ লৈতবা খোনথোক্পিংনা পুন্সিললগা ওইবব বাহৈ হায়বাসগা মসিনা খঙ্হনলিবা পোৎ (referent) অদুগা অনীগি মরক্তা তংনা থানা যাদবা মরী (inherent, logical or natural relationship) অম লৈতে হায়বা অসিনি। লোনগি আববিত্রেরি ওইবা মগুন্ তঙ্গবদু মাসানে। মসি লৈবাক পৃথিবীগি লোন্সিং আসা অমগা অমগা মান্নদবগি [illegible] মরম অমনি। [illegible] লোন্ অমগি মসাদ অতোংবা লাকপ যাবাগা মরম্সু [illegible]। খুদম ওইনা মৈতৈলোন্ অবিবদ কাংলয়, চায়নৌ, কোংহাং হায়বদু [illegible] হায়বা অমুক [illegible] যাববাসনা বাহৈ অমসুং মখোয়গি বিফরেন [illegible]। [illegible] মরক্তা অচেৎপা মরী অম লৈতে হায়বা অদু মঙেক্ সেংনা উৎলি। [illegible] [illegible] খুৎসেমদ [illegible] অতোংবা কথা লাকহনবা যাবিবা অসিসু লোনগি আববিত্রেরি হায়বা মগুন অসি লৈবনি হায়না লৌগনি। অদুবা অসি হায় হায়দুনাসু [illegible] মীওই [illegible] মনি। তমনা [illegible] ছাপ্চবাদি যাদে। মরমদি লোন অমগি আবথ হায়বসি চৎনবা অমদি যান্নখিবগি মথা পোনলি। লোন অম [illegible] হায়বাসি লোন্ অদুগা চৎনবা অদু ইনর্বা।

(গ) দিসপ্লেসমেন্ট মসিনা খঙ্হনলিবাদ লোন্ হায়বা অসিদ পোৎ-চৈ, থৌদোক বাথোক কয়াগি মরমদ ছাঙ্বা যাবিনাসি মফম নত্ত্রা মতম্না পুনবা লৈতে হায়বা আসনা। হৌখ্রবা মতম্দ থোক্খ্রবা নত্ত্রা লাককদৌরিবা মতম্দ থোরকপা যাবা থৌদোক্ বাথোক্ কয়াগি মরমদ ঐখোয়না ছাঙবা যাই। অনাপ্পা মফমদ নত্ত্রা অনক্পদ থোকপা থৌদোক্ বাথোক্কি মরমদসু চপ্ মান্নানা হায়দোক্পা যাই। অসিদসু নৎতনা ঐখোয়না মফম মরাং খঙ্ত্রিবা পোৎ নত্ত্রা মফম্গি মরম্দসু ছাঙবা যাই। মরম্ অসিদগি ভাপ্না সাবা মীওই, লাই ঙীনা, হেলোয়নাচ ব কয়াগি মরম্দ ঐখোয়না ছাঙবা যাবিবানা। তুংগি পুন্সিগি মরম্দ লামদুনা ছাঙবা যাবিবা অসিসু দিসপ্লেসমেন হায়বা লোনগি গুন্ অসনানি।

(ঘ) প্রদক্তিভিতি - মসিবু ক্রিয়েতিভিতি হায়রগসু খঙনৈ। মসিন খঙ্হল্লিবদি লোন্ অম ঙাঙ্ব হায়বসি অরেপ্প লৈতন অনৌব পুথোক্প (constant innovation) গি থবক্ অমনি হায়ব অসিনি। নুংতিগি পুন্সিদ ঐখোয়ন ঙাঙ্ঙিব ৱাহৈ পরেংসিং অসি অকক্নব ৱাহৈ-ৱাতা থর নংতন ঐখোয়ন অমুক্ত তাখিদ্রিব অমাদি ঙাঙ্খিদ্রিব অনৌব ৱাহৈ পরেং (novel sentence) ঙাক্তনি। অসুম্ন মীওইবগি পুন্সিদ অনৌব ৱাহৈ পরেংসিং পুথোক্প অসি অরোইব লৈতে। মীংকুপ্ খুদিংগি অনৌব ৱাহৈ পরেং ঙাঙ্ব হায়ব অসি মীওইবন লোন্ সীজিন্নবগি মহৌসাগি ওইব মওং অমনি। ক্রিয়েতিভিতিন পল্লিব অনৌব (novelty) হায়বসিন লোন্ তম্ব (language learning) গি থবক্ অসি মতৌ তম্ব নত্রগ মীন ঙাঙ্খিবদু অমুক্ হন্ন হায়ব (imitation or repeatation) ওইন উবদু চুম্দে হায়ব খঙ্হল্লি। খুদম্ ওইন লোন্ তম্লকপ অঙাংসিংন ওভরজেনেরেলাইজেসন্ তৌদুন অরানব মযাম্ ঙাঙ্ঙিবসি অঙাংসিংন অরানব মযাম্ ঙাঙ্খিবদু তারগ অমুক্ হায়রক্প নংতে। অঙাংসিংন থুনা জেনেরেলাইজ তৌরকপগি ময়েক্ লারব খুদমনি। মরম্ অসিদগি অরানব (error) হায়বসি পাপ্ নংতে, লোন্ হৈরকপগি খুদম্ (sign) অমনি হায়না লৌনংকলিবনি। মসিন লোন্ তম্ব হায়বসি হৈনবী ওইহন্ব (habit formation) গ মান্নন লৌব যাদে হায়বদু খঙ্হল্লি। মসাগি মরম্ হায়ববু হৈনবি হায়বসিদি অনৌব পুথোক্প (innovation) গি থবক্ নংতে হায়ব অসিনি। মপান্ নাইদ্রবা অমাদি মসিং মিংঙুম্দ্রব অনৌ অনৌব ৱাহৈ পরেং কয়া ঙাঙ্ঙিব অসি লোন্ তম্বদা অসিদ হৈনবীগি, সক্লোন্ (habit-structure) অম ওইন উরবা য়াদে।

(ঙ) কল্চরেল্ ট্রেন্সমিসন্ - লোন হায়বসি ঐখোয়না ইমা-ইপাগি জিন্ (gene) দগি মথং মথং চংথরক্তুন ফংঙকপ পোং (inherited entity) অম নংতে, মসিদি অকক্নব কলচর অমগি মনুংদ মীওই ফুরুপ্ অমগা মান্নব মওং অমদ কল্চর অদুগি সরুক্ অম ওইন ফংলক্প পোংনি। মসিন মীরোল্ অমদগি মীরোল্ অমদ থঙ্থবক্প অদু খঙ্হল্লি। অদুগ থঙ্থরক্পগি প্রোসেস অদুবুন কল্চরেল্ ট্রেন্সমিসন্ হায়ন খঙ্ঙি। মসিন খঙ্হল্লিবদি ঐখোয়গি হক্চাংগি কুচ,

... সমাজ ... (physical characteristics) ... [illegible]

[illegible]

১.৩ হিউমেন্ অমসুং নন্-হিউমেন্ কম্মুনিকেসন্

মীওইবন লোন্গি মতেংন পাউ ফাওনব অসিগুম্না অতৈ জিবসিংগা মরক্তসু অমগা অমগা পাউ ফাওনৈ। খ্বাইদগি পীক্লবা জিব অমিবা (amoeba) ফাওব সেল্লসিং পুন্সিন্নদুনা (cellular aggregation তৌদুনা) মখোয়গি মসিং হেনগৎনবগিদমক্ কেমিকেল দিসচারজ (chemical discharge) অমগি মতেংনা অতোপ্পা অমিবাসিংদা ফাওহনব ঙম্মী। অসুম্না নোংলবা রাকম্ শগাদা মনুংদা মি (spider)না কেমিকেল স্টিমুলাই (chemical stimuli) শাজোকদুনা অমাদি অতৈ মওংদা মসা লেঙ-থংদুনা মিনাপা ভাইব্রেসনগা পাউ [illegible] ঙম্মী। মি নাপা (male spider)না মিবাগি মনুংদা লৈবা [illegible], করম্না মখল্গী মিনে। অমাদি অতোম্ ওইরবা মাগী সেক্সুয়েল রেদিনেস (sexual readiness) লৈবনা [illegible] খঙ্নোকপা ঙম্মী। [illegible] কাপ্থোকদুনা চৎনিনবগী পাউ [illegible] কম্মুনিকেসন্ মখল অমনি। [illegible] লৈবাগী মতম চানা [illegible] [illegible]। অতোপ্পা অমনা [illegible] মচানি মচাক্ চানা ফাওব [illegible] ঙম্মী। [illegible] য়াম্না [illegible] মিন্নো (minnow) [illegible] (substance) [illegible] [illegible] (humpbacked whale) [illegible] লৈবনা [illegible] ঙম্মী। [illegible] য়াম্না চাউনা কোনল্লী। [illegible] পাউ ফাওনৈ অমাদি মথং মথং [illegible] য়োনখিবা ঙম্মী। মসু ওইনা [illegible] লাক্পা, মচানাচা [illegible] চৎনিন্নবনাচংবগী পাউ কয়া ফাওনব অসি মখোয়গী মহৈসাগী ওইবা থৌওং (normal activity) অমনি। হয়িংখোইনা পাউবগী মওং কয়া সীজিন্নদুনা লৈতাদ

লৈফম্, অরাপ্প, মাইগৈ অমাদি চাং অতৈ তয়িংখোইশিংদ তাক্প ঙম্মী। গিবোন (gibbon) শিংন য়াম্দ্রবদ মখোল্ ৯ থোক্ন খোংদুনা খুদোংথীবা লাক্প, মচীনজাক্ লৈফম্নাচিংবগী পাউ পীব ঙম্মী। অসুমন সা-ডা, উচেক্-রায়া, তীন্-কাণ্ডশিংন পাউ পীনবাগা মওং অসিদ মী ওইবন সীজিন্নরিব লোন্ হায়বশিগ মাননব মওং অমদি লৈরি। পুম্নমক্ অসিদ মসা মসাগি ওইবা মওংদ কারিগুম্ব পাউ খরদি ফাওনরি। মীৎয়েং অসিদ মেকানিকেল কম্যুনিকেসন্ সিসতেম্ খুদম ওইন ত্রফিক্ লাইত্ কুম্বনসু লোন্গুম্ন মঙাল্ন খুদম্ পীদুনা পাউ ফাওহনব ঙম্মী। অদুবু মী ওইবন ঙাঙনরিব লোন্ হায়বসিন অতৈ কম্যুনিকেসন্ সিসতেম্সিং-সা-ডাগী মরোল্ অমদি ত্রফিক লাইত্কি খুদম্নাচিংব অসিগ মানন্ন লৌবা য়াদব মওং কয়ামুক্ লৈরি। রাফম্ অসি মখাদ সম্লপ্ন লৈনদুনা য়েংসি।

লোন্ নৎত্রব অতৈ কম্যুনিকেসন্ সিসতেম্সিং অসিদি য়াম্ন প্রীমিতিপ্ ওইব অমদি অকক্নব মওংগি পাউ ফাওনবনি। খুদম্ ওইনা মথক্ত লৈনরিব সা-ডাগি মরোলসিং অদুদাগী ঐখোয়না খঙবদি ঙাউজাক্ ঙাইহাকাক ওইব অপাম্ব অমদি মসাদ ফাওবাকপা খরদা ফোংদোক্পনি। মরম্ অদুনা সা-ডাগি মরোল্সিং অসিদি অকক্নব মফম্ ওৎমিন পুনব য়াম্ন অকক্নব মখলগী কম্যুনিকেসন্ সিসতেম্ অমনি। অকক্নব মখলগী পাউ খর অদুদাগী রাংমদ তাব মখোয়না ঙম্দে। নরাক্ অদুনা গিবোনা অমন চহী লীসিং কয়া খোংজাংসু মখোল্ মাপল্ অদুনা পীব পাউ খর অদুদাগী হেনগৎপা য়াদে। ত্রফিক্ লাইত্ অসি লেপ্প চৎনবু খঙহনবনা মায়গী অকক্নব পাউ ওইদুনা লৈরি। অমরোম্দ মী ওইবনা ঙাঙনরিব লোন্ হায়বসিদি য়াম্না ওপেনএন্দেদ্ ওইব কম্যুনিকেসন্ সিসতেম্ অমনি অমদি মসিনা ফোংদোক্পদ মপাঙ্ লাইদবাগী মতৌ অমা লৈ হায়বসি মথক্তসু পনখ্রে। দুর্খেলিতি নত্রগা মদল্ আরাতকুলেসন্দাগী মতোংদ ঐখোয়না নিংখ্রে মদাদ লোন্ অমগী অকক্নব খোন্থোক্ অসি ৩০ দাগী ৪০ থোক্নগী মরক্ত লৈনরবসু তোঙান্ তোঙানব আরথ লীসিং কয়া ফোংদোক্প য়াই। অসিদসু নৎত্রগা পোলিসেমি (polysemy) হায়না খঙনব হেন্দোক্প আরথ অমসুং মথৌ কয়া তৌব ঙম্বাগী মগুন্ অমসু লোন্ হায়বসিদ লৈরি। দুর্খেলিতি অমসুং পোলিসেমিন রাহৈগী আরথ লীসিং কয়া ফোংদোক্প য়াবদু ইসত্রক্চরিং (structuring) হায়ব লোন্গী মগুন্ অসিন অমুক্ লোন্ অমগী লোইনাইনদ্রব, মসীং থীঙমদ্রব রাহৈপরেংসিং পুথোক্প য়াহল্লি। দিক্সনারিদ

লোন্ অমগি চাউরাক্‌প ৱাহৈ মসীং পীব ঙম্‌লবসু লোন্ অমগি ফ্রেজ, ক্লোজ অমদি ৱাহৈপরেংগি মসীংদি কনানসু পীব ঙম্‌নদে। ইসত্রক্‌চরিংগি অঙকপ অমদি লোন্ অমগি ৱাহৈপরেংগি অসাংব অসি অরোইব লৈতন উইহল্লিব অসিনি। মরম্ অসিদগি লোন্ অমগি খ্বাইদগী সাংব ৱাহৈপরেং হায়ব অম লৈতে হায়নরিবনি। কনাগুম্বব অমন সাংঙে হায়দুনা পীরক্‌প ৱাহৈপরেং অদু অতোপ্‌প অমন মদুদগি তেন্‌না সাংনা অমুক্ হায়ব য়াই। কনাগুম্বব অমন লোন্ অমগি ৱাহৈপরেং অম লেপ্‌তনা ঙাঙ্‌ব তারবদি ৱাহৈপরেং অদু লোইদ্রিঙৈদ মহাক্ সিবন হান্‌গনি। অদুবু ঐখোয় মীওইবগি নীংসিংবগী ঙম্‌খৈ (memory limitation) লৈবনা ঐখোয়না ৱাহৈপরেং অমগি অসাংবসি ক্লোজ অম অনীদ লোয়সিন্‌নৈ। নত্রবদি ৱাহৈপরেং অমগি ময়ায় য়ৌরক্‌পদ অহৌবদু কাউখিৎ য়াই। ইব মতম্‌দদি খর সাংনা ইব য়াই। অইব লোন্‌দদি ৱাহৈপরেংগি অহৌব অদু পারক্‌পদ কাউশ্রবসু অমুক্ হন্‌না পাদুনা আরথ লৌব য়াই। অসুম্‌না ইসত্রক্‌চরিংনা লোন্ অমগি ফোংদোক্‌পগি মতৌ অসি অঙকপ ফংনা হেন্‌গৎহন্‌বগা লোননা মেতাফোরিকেল্ এক্‌সতেন্‌সন্ (metaphorical extension) অমদি য়াওরনা ওইরক্‌প আরথগি অওনব কয়াসিনসু লোন্‌না ফোংদোকপ য়ানবগি মওং হাসি অমুক্‌ক হেন্‌গৎহল্লী। অসিদসু নৎতনা লোন্ হায়বসিদ রিদনদেন্সি রুল (redundency rule) কয়া অম লৈবনা অমদি নন-লিংগুইসতিক্ ফেক্‌তর কয়া অমসু ঙাঙ্‌ব মতম্‌দ য়াওব য়াব অসিনা অতাব মীনা কমপ্লেক্‌স ওইবব লোনগি মতৌ অসিদ চমম্‌নব লৈতে। অদুগিসু মথক্‌ত চমম্‌নব আরথ পাকপ মতম্‌দ অতোপ্‌প পেরাফ্রেজ অমদ ওন্‌থোক্‌তুনা অপাম্বা আরথ অদু মরেক সেংনা অমুক্ হায়ব য়াই।

অসুম্‌না লোন্ হায়বসিগি য়াম্‌না অরুব মতৌ অম লৈরিব অসি অতৈ নন্-হিউমেন্ কমমুনিকেসন্ সিসতেম্‌সিংদ উব ফংদে। মখোয় অদু নৈনরগা মীওইবগি লোন্ হায়ব অসিগি মরম্‌দ করিসু খঙব ঙম্‌দে। অহোয়নন মীওইবনা সা-ঙাদগি খেন্‌নরিব অসি লোন্ হায়ব অসিননি হায়বসিদং ময়েক্ সেংনা খঙ্‌হল্লী। মীওইবগি লোন্‌গি পূক্‌নীং চিংসিন্‌ব মতৌ অসিদি লোন্‌গি কমপ্লেক্‌স ওইব মগুন্‌সিং অসিতেদ উব ফংঙ্গী। অসুম্‌ন লোন্ হায়বসিগি অরুব মতৌ চেন্‌ব অমদি

ফোংদোক্পদ মপাল্নাইদবাগ মতৌ অম লৈবিব আসদাগ মীওইবন ছাড়্নাবন লোন্সিং অসিদ খবন লাযবব খবন ইনাক্খুন্নে নত্রা লোন্ খবন চা ওখৎপ অতোপপ লোন্সিংন চা ওখৎ তন হায়বনাচৎব মওংদ লোন্ন্ লৌব য়াদে। লোন খুদিংগি মসাং থাওনদ্রব বাহৈপবেংসিং মপান্ নাইদনা লৈবন লোন্ খুদং না ফোংদোক্প ওমবগি মতৌ আসসু চপ মানন অবোইব লৈতে। অসিগুম্ন লোন খুদিংগ চপ্ মানবব মগুনাসিং অসি সা ছাগা মবোর্লসিংদ ৎব ফংদে। মীওইবন ছাড়্নবিব লোন্ হায়বসিগি থোইদোকপ মগুন্ কয়া অসি লৈবন মচিব্ লৈনবগি পৃকনাং চিংসিনব ওবন পোৎ (fascinating object of enquiry) অম ওইহল্লি। হৌজিক্ এক্সোয়ন লৈনগদৌনিব লোন হায়বগী মীওইবন ছাড়্নবিব লোনা আমাতনি। মশিদ মসিং অতোপপ মখলগা কমমুনিকেসন সিসটেম অম ওইনা সিন্নবা য়াদে।

২

খোনথোক্লোন্ (study of speech sound)

২.১ ফোনেতিক্স অমসুং ফোনোলোজি

লোন খোনোক লোনা হায়বা অসি [illegible] লৈনগদৌনিব, আসা মীওইবনা বা মাচৎবা সাজিনবিবা [illegible] (speech sound) হায়বা হায়সগা মরুপনি। মতাং অসিদ য়ামনা মন [illegible] হকচা কয়াং (speech organ) শি হৃদম ওইনা লৈ (tongue), চাম্বাল (lip), যাবা (alveolar ridge), খী (palate) ... অসিন খেনবা খোনথোকসিং অসি থোকই। হায়ব ওইবা অদুগা মককনাব লোন্ অমদাদ হায়বিব খোনথোকাসিং অসিদাগ শবদমক্ সাজিনলৈ হায়বসিনি। মবম অসিদাগ খোনথোকলোন্ হায়ব অসিদ খোনথোক লৈনবাগা লমবেল (approach) অনী থোনকই। অহানবা মীওইবনা বা ছাড়্বদ সাজিন্নবিব হকচা কয়াৎসিংনা মপান্ নাইদব খোনথোক্ কং মখুম্ খোনবা খননবা হায়দোকপ ওমবাগ জেনেরেল্ কেপোবালিটি অদু খোনদুনা খোনথোক্সিং অদাগা জেনেরেল্ ইসতদি তৌব আসানা। মখোইসবদ ওডান

তোঙানব লোন্সিংদ অককনব খোনথোক্ খবদংগ চংসানন্দন লৈবাগ মথ অমদি মখোযবু কবমন সাজিনবগে হাযব অদু [illegible] অসান [illegible] মখল্গী খোনথোক নৈনবাগী মওং অসিবু ফোনেতিক্স হায়বনি [illegible] [illegible] মওং অসিবুন ফোনোলোজি হায়বনি [illegible]। অসুমনা ফোনেতিক্স হাযব অসিদা খোনথোকাসং অসিগী কোনক্রিট লেভেল (concrete level) দা লৈবা মওং অদু নৈনবনি। অদুগা ফোনোলোজিদুনা লোন অমগী খোনথোকসিংগী রেগুলারিটি (regularity) সিং অদু ক্যাপচর (capture) তৌনবা হোৎনবনি।

২.২ ফোনেতিক্সকি মসা (branch) অহুম্

মাওইবনা না থাড়বদ সংজননবন খোনথোকাসং অসিগী মতম [illegible] নৈনবাগী মওং অসি অহুম থোকনলৈ। মসিবু [illegible] [illegible] খঙনৈ। [illegible] (vocal tract) [illegible] [illegible] [illegible] আর্টিকুলেটোরি ফোনেতিক্স (articulatory phonetics) [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ফোনেতিক্স (acoustic phonetics) [illegible] [illegible] [illegible] (auditory phonetics) [illegible] (production) অমসুং [illegible] (perception) [illegible] [illegible] (transmission) [illegible] মবম্ অসিদাগী ফোনেতিক্স হাযব অসি খোনথোকসিং [illegible] অমদি একোস্টিক [illegible] [illegible] অদ নৈনবান হায়ন [illegible] যাই। মসা অহুম্ আসিগি মনুংদ অহানবগী মসা আর্টিকুলেটোরি ফোনেতিক্স হাযব অসি লোন্ নৈনবাগি থাক্ কযাদ যামন মবুওইব মও [illegible] [illegible]

থেংনৈ অমদি লোন্ অমগি খোন্থোক্লোন্ নৈনবদ তঙায ফদব অম ওইন লৌনৈ। মখাদ লাক্লিব নৈনবগি ম ওংসিং অাস মসিগ মবা লৈনব বাফম্সিং অদুনি।

২.৩ ইয়ারইসট্রিম্ মেকানিজম্ (airstream mechanism)

কবিগুম্ব খোন্থোক্ অম হায়দোকপ মতম্দ যান্দ নুংশিংক অচেল অম লাক্তনব (production of a flow of air) হায়ব অাস চঙ্ঙী। মাস থোবকনবাগিদমক এগ্রান তোঙানব ফিজিওলোজিকেল প্রোসেসসিং অদুবু ইয়াবইসট্রিম মেকানিজম হায়ন খঙনৈ। মসিদ মখাদ পাবব মেকানিজম অহুম্ অসি লৈ

(ক) পলমোনিক ইয়ারফ্লো মেকানিজম্ (pulmonic airflow mechanism)

(খ) গ্লটেলিক ইয়ারফ্লো মেকানিজম (glottalic airflow mechanism)

[illegible]

(গ) [illegible] (velaric airflow mechanism)

(ক) [illegible] মসিদ [illegible] কি [illegible] (lung airflow) [illegible] (egressive pulmonic airflow) [illegible] সোন পমনমক [illegible] অমদোমদ মপানদা [illegible] ইনগ্রেসিপ পলমোনিক ইয়ারফ্লো (ingressive pulmonic airflow) হায়ব [illegible] খোবাগি [illegible] লৈতে।

(খ) গ্লটেলিক ইয়ারফ্লো মেকানিজম্ [illegible] মসিদা [illegible] গ্লটিস ওইনি। গ্লটিস অসি থিংজিনলগ লেবংস (larynx) [illegible] মখক লোমদ থুন হাইগাংলকপ মতম্দ যান্দ লৈব নুংসাং অদু [illegible] চপ্সিল্লকই। অসুমন

চপ্সিল্লক্প নুংসিৎ (compressed air) অসি সাজন্নদুনা মপান্লোম্দ হায়দোবক্প খোন্থোক্ অদুবু ইজেক্তিপ্ (ejective) কৌবী। অসুম্না হাযব খোনথোক্সিং অসিগ থবোম্বীর্দাগী হৌবকপ নুংসিৎ সাদেন্নদুনা হাযব খোনথোক (pulmonic sound) সিংগ যাম্না খেননন তাই। মসি খণ্ডগী হাযববদি ঐখোযন সোব থিংগ [p], [t], [k] অমদি [s] খোনথোক্সিং অসি হাযদুনা সান্নগদবনি। ইজেক্তিপ্ খোন্থোক্সিং অসি মবু ওইনা ভোইসলেস ইসতোপ্ (প, ত, ক) সিংদ ফংই। ইজেক্তিপ্ ইসতোপ সীজিন্নব লোন্সিংদি ককেসস লমদম (Caucasus area) দ লৈব জোবজিযান্ (Georgian) নচিংব লোনসি, আফ্রিকাগি অমহারিক অমদি অমেরিকাগি লোনসিং অসিনি। মসিগী সিমবোলদি মথক্ত কোমা অম থাংগৎতুনা মখাগি অসুম্না ইনে

t', p' k'

অমরোম্দ গ্লোতিস অসি থিংজিললগা লেবিংই মখাদা থুনা হাযবক্প [illegible] মপান্দোগী যানুংদ চেন্সিললকপ নুংসিৎ অদবু ইনগ্রেসিপ গ্লোত্তালিক [illegible] (ingressive glottalic airstream) হাযনা খৌ। [illegible] খোন্থোকপু ইমপ্লোসিপ (implosive) কৌবী। ইমপ্লোসিপ খোনথোক্সি [illegible] সিমবোলদি মাগী ইংগ্রেসিপ শব্দ মানব কার্নেলপাংদ [illegible] (hook) অম কোইথাব অসিনা ওই। মসিদি খুদম [illegible]

[b], [d], [g]

ইমপ্লোসিপসিং অসি আফ্রিকা [illegible] লোন্সিংদ [illegible] প্যাকিসতানদ [illegible] লোনদা ইমপ্লোসিপ [illegible]। ইজেক্তিপ অমসুং ইমপ্লোসিপ্ খোনথোকসিং অসি মিরর ইমেজ (mirror-image) গী মওদ [illegible]। গ্লোতিস থিংজিললগা লেবিংই [illegible] হাইগৎলগা হাযব অসিনা ইজেক্তিপ অদুগা গ্লোতিস থিংজিললগা [illegible] থুনা হাইথবগা হাযব অসিনা ইমপ্লোসিপনি।

(গ) *ভেলরিক ইযারস্ত্রেম মেকানিজম্* - মসিদদি নুংসিৎকি [illegible] হৌবক্ফম্ অসি ভেলবদ ওইবনি। মেকানিজম অসিদ মপানদগী [illegible] সিললগা

হায়ব খোনথোক্ মখল্ অম লৈ। মদুবু ক্লিক্ (click) হায়না খঙনৈ। মসি হায়দোক্পা মতমদ [k], [g] হায়বদৌন লৈনীংঙ হাইগৎতুনা ভেলবদ থিংই অদুগা মাসাগ মমাঙদা চীমবান অনীন নক্লা লৈতোন্না হাইগৎতুনা প্রাইমারি ক্লোজর অমগা সেম্মী। মতম্ আসদ লৈন চিংসনদুনা মানুংদা অহাঙ্ব (vaccum) অমা সেমই। প্রাইমারি ক্লোজর অসি থাদোবক্পা মতমদ মানংগি অহাঙ্ব অসিদা মপান্দগি নুংশিং চেন্সনলক্লুনা ক্লিক খোনথোক থোকহনলি। চীম্বান অনী অসিনা প্রাইমারি ক্লোজর ওইবগা হায়ব ক্লিক খোনথোক অসি ঐখোয়না পোৎ অমা তপনা চুপ্পদা থোকপা খোনথোক অদুগি মওংনি। ক্লিক খোনথোকসিং অসি পৃথিবীগি লোনসিংদা যামনা তাঙনা ফংবা খোনথোকসিংনি। পৃথিবীগি লোন চাম্মগি মনুংদা অমরোমতমক ক্লিক খোনথোক সীজিননৈ। খা থংবা আফ্রিকাগি কালাহারি লমদমদা ঙাউনবিব খোইসান লোন্ (Khoisan language) সিং মবুওইনা হোতেনতোৎ (Hottentot), জুলু (Zulu) অমসুং খোসা (Xhosa)[2] গুম্বা বানা লোনসিংদা ক্লিক অসি মবু ওইবা কোনসোনেন্ট খোনথোক ওইনা সীজিননৈ।[3]

২.৪ ব্রা ঙাঙবদা সীজিননবা হকচাং কয়াৎসিং (organs of speech)

ঐখোয়না বা ঙাঙবা মতমদা সীজিননবা নুংসিৎকি খোঙচৎ (airflow) অসি থাবোমবাদগা চৈবকপনা মপু ওইবা হায়বাসা মথক্তা লৈনরে। মানপুবি লোনগা খোনথোকসিং অসিসু থবোম্বাদগি মপান্লোমদা থোবক্পা নুংসিৎকি খোঙচৎ সীজিনদুনা হায়দোক্পা খোনথোক্ (egressive pulmonic sound) ঙাকতনা। অসিগুম্বা খোনথোকসিং অসি ব্রা ঙাঙবাগা লম্বেল্ (vocal tract) কি তেঙ্গান্ তোঙানবা মফমদা লৈবা হকচাং কয়াৎসিং (organs of speech) না মওং কয়াম্বুমদা নুংসিৎকি খোঙচৎ অসি মোদিফাই (modify) তৌদুনা থোকহন্লিবনি। খোনথোককি

---

1 See Maddiesan 1986, 115

2. Xhosa দা যাওবিব [X^h] অসি aspirated lateral click নি।

3 See Westermann and Ward, 1933 and Ladefoged, 1971

লম্বেল্ হায়বসি থবোম্বীদগি চীনবাল ফাওব আগান। মসিদ নুংসিৎ উতোং (trachea), খৌবী উতোং (larynx), খনাউ মবাল (pharyngeal cavity) যাগী লম্বেল্ (oral cavity) অমসুং নাতোনগি লম্বেল (nasal cavity) সিং অসি যাওই। ফিগব ২.৪.১দ উৎলিব অসি য়েংসি।




FIGURE 2 4 1 The organs of speech from Clark and Yallop

ফিগব ২.৪.১

মখৌ অমসুং সুগাইন তাকপ নুংঙাইনবগি য়েংদুনা বা ঙাঙবগি লম্বেল্ অসি খৌবী উতোং (larynx) কি মথক্ অমসুং মখাথংব সবুক হায়ন অনী থোক্ন খাযদোক্ই। খৌবী উতোং অসি নুংসিৎ উতোং (trachea or wind pipe) কি হেক্ মথক্ত লৈব মসল্ অমসুং সবূ অথোৎপ (muscle and cartilage) গি ইসত্রুক্চব অমনি। মসিগি মনুংদ ভোকেল্ কোৎ (vocal cord or vaocl fold) হায়ব তিসু (tissue) ন তাসিনদুন সেম্ব সমু মনাগুম্ব মসলগি মপাক (muscular band) অনীখক্ য়াওবি। ভোকেল্ কোৎকি মবক্কি অহাঙব (space) অদুবুন খৌবী চগো (glottis) হায়ন খঙনৈ। গ্লোতিসকি মথক্ থংব লম্বেল (tract)

অসিবুন সুপ্রাগ্লোতেল্ ভোকেল্ ত্রেক্ (supraglottal vocal tract) অদুগ মসিগি মখাদ লৈব অসিবুন সপ্‌গ্লোতেল্ ভোকেল্ ত্রেক্ (subglottal vaocal tract) হায়ন খঙ্‌নৈ। মসিবু রেসপিরেতরি সিসতেম্ (respiratory system) হায়নসু খঙ্‌নৈ। ৱা ঙাঙ্‌বদ সীজিন্‌নব মরুওইবা ইনরজিগি হৌরকফম্ অদু মসিন ওই। গ্লোতিসকি মথক্ থংব লম্‌বেল্ অসিন খেন্‌ন-খেন্‌নব খোন্‌থোক্‌সিং থোক্‌হন্‌বদ সীজিন্‌নৈ। মরম্ অদুন খোন্‌থোক্‌সিংগি মসক্ তাক্‌পদ সুপ্রাগ্লোতেল্ এক্‌তিভিতি (supraglotal activity) সিংগ মরী লৈনৈ। ভোকেল্ কোৎ নীক্‌প নীক্‌তব হায়বসিসু খোন্‌থোক্‌সিং খেন্‌নন হায়দোক্‌পদ য়াম্‌ন মরু ওই। ভোকেল্ কোৎসিংন থবোম্‌বীদগি থোরক্‌প নুংসিৎ অদুদ অপন্‌ব পীদ্রবদি ভোকেল্ কোৎসিং অদু নীক্‌তে। ভোকেল্ কোৎ নীক্‌তব খোন্‌থোক্ অদুবু ঙংদব খোন্‌থোক্ (voiceless sound) হায়ন খঙ্‌নৈ। অদুগ খোন্‌থোক্ অদু হায়দোক্‌প মতম্‌দ ভোকেল্ কোৎসিং অদু নক্‌সিন্‌নরগ নুংসিৎকি খোঙ্‌চৎ অদুন নম্‌থেক্‌তুন থোরক্‌লবদি ভোকেল কোৎসিং অদু ফর ফর খপ্‌তুন নীক্‌ই। ভোকেল্ কোৎ নীক্‌প খোন্‌থোক্‌পু অঙংব খোন্‌থোক্ (voiced sound) হায়ন খঙ্‌নৈ। ভোকেল কোৎ নীক্‌প অসিবু ভোইসিং (voicing) নত্রগা ফোনেসন্ (phonation) কৌৱী। মসিন নীক্‌পগি চাং (frequency of vibration) অদুবু পীৎস (pitch) হায়রগা খঙ্‌নৈ। পীৎস ৱাংব খোন্‌থোক্‌তি য়াক্‌ই। নুপী অমসুং অঙাংগি ভোকেল্ কোৎ অসি অহল্ ওইরব নুপীসিংদগি পীক্‌প মরম্‌ন ৱা ঙাঙ্‌ব মতম্‌দ ভোকেল্ কোৎ নীক্‌পগি চাং য়াম্‌ন ৱাংই। মরম্ অসিন নুপী অমসুং অঙাংগি মখোল্‌ন য়াক্‌ন তারিবনি। ভোকেল্ কোৎত নৎতন ঙৌনীং (velum or soft palate) হায়বসিসু খেন্‌ন-খেন্‌নব খোন্‌থোক্‌সিং থোক্‌হন্‌বদ য়াম্‌ন মরু ওই। ঙৌনীংগি তুংথংব সরুক্ অসি হাইগৎ-হাইথ য়াই। হাইগৎপ মতম্‌দ নাতোন্‌গি লম্‌বেল্ থিংজিন্‌খিদুন নুংসিৎকি খোঙ্‌চৎ অসি যাগি লম্‌বেল্ (oral cavity) দ লাক্‌ই। অসুম্‌ন হায়ব খোন্‌থোক্‌সিং অসিবু ওরেল্ সাউন্ (oral sound) হায়ন খঙ্‌নৈ। ভেলম্ (velum) হাইথরক্‌প মতম্‌দ নুংসিৎকি খোঙ্‌চৎ অসি য়া অমসুং নাতোন্‌গি লম্‌বেল্ অনীদ ফাংন লাকই। মসিন নেজেল্ অমসুং নেজেলাইজ খোন্‌থোক্ (nasal and nasalized sound) সিং থোক্‌হল্লি। মথংদ লৈ (tongue) হায়বসিন খ্বাইদগি হেন্‌ন লেং-ওৎপ য়াব ৱা

ঙাঙ্‌বদ সীজিন্নব হক্‌চাং কযাৎনি। ভাৱল্ খোন্থোক্সিং হায্দোক্পদ লৈন যাগি লম্বেল্গি মওং (configuration) কথা সেম্দুনা খেননা . . . ভাৱল্ খোন্থোক্সিং থোক্হল্লি। অযাম্বা কোন্সোনেন্ট খোন্থোক হায্দোক্পদস্ লৈগি সবুক্সিং সীজিন্নৈ। লৈণি সবুক্সিং . . . লৈতেন্ (tip or apex) সীজিন্নদুনা হায়বা . . . blade or fornt) . . . লৈনাং (dorsum) সীজিন্নদুনা . . . (laminal) অমসুং দোর্সল (dorsal) হায়না . . . অমসুং দোর্সেলগী . . . অসি লৈনা . . . alveolar ridge) গি মপাদ লৈবা লৈগি সবুক অদুনা। . . . hayba অসিনা লৈমাং (blade) কা মপাদ লৈবা লৈখা (under . . . tongue) . . . যানুংগি মখাক্ . . . অমসুং কোন্সোনেন্ট খোন্থোক হায্দোক্পদ সীজিন্নৈ . . . মখাথংবা অমসুং মখা কথংবা চীনবান অনী . . . খোন্থোক্ হায্দোক্পদা সীজিন্নৈ। মখাগি . . . হক্চাং কযাৎসিং অদু পাবি।




FIGURE 2.4.2 Mid-sagittal oral . . . showing major areas of articulation adapted from Minifie, Hixon and Williams . . .

২.৫ কোন্সোনেন্

কোন্সোনেন্ হায়বসি হায়দোক্প মতম্দ ৱা ঙাঙ্বগি লম্বেল্ (vocal tract) ত লাক্লিব নুংসিৎকি খোঙ্চৎ (airflow) অদু নাকন্দ থৈব, চপ্সিন্ব নত্রা পুংখিং খিংবনচিংব মওং কয়াদ য়ানুং (oral cavity) গি মফম্ অমদ অপন্ব পীব খোন্থোক্সিং অদুনি। মখোয়বু মসক্ তাক্ননব অমসুং মখল্ খায়ননবগিদমক্ মখাগি পাম্বৈ (criteria) মঙা অসি সীজিন্নৈ।

(ক) পোইন্ ওপ্ আরতিকুলেসন্ (point of articulation) (খ) আরতিকুলেতর (articulator), (গ) মেন্নর ওপ্ আরতিকুলেসন্ (manner of articulation), (ঘ) ভোকেল্ কোৎসিংগি ফীভম্ (state of vocal cords) (ঙ) নুংসিৎকি খোঙ্চৎকি হৌরকফম্ (source of airstream)। পাম্বৈসিং অসি মখাগি সেক্সন্সিংদ মথং মথং নৈনরি।

২.৬ পোইন্ ওপ্ আরতিকুলেসন্

পোইন্ ওপ্ আরতিকুলেসন্ হায়রগ খঙ্নরিব অসি খোন্থোক্সিং অদু হায়দোক্প মতম্দ খ্বাইদগী হেন্ন খুজিন্ফম্ (point of greatest constriction) অদুবুনি। মখোয়সিং অদুদি - মথক্ থংব চীন্বান্ (upper lip), মথক্ থংব য়া (upper tith), য়ারী পারিং (alveolar ridge), য়ারী মনুং (postalveolar), ঙৌ (hard palate), ঙৌনীং (velum), তেঙ্খল্ (uvula), খনাউ মরীল্ (pharynx) অমসুং খৌরী চগো (glottis) অসিনি। মফম্সিং অসিদ হায়ব খোন্থোক্সিংবু মথংসিংদ লেবিয়েল্ (labial), দেন্তেল্ (dental), অল্ভিওলর (alveolar), পোসঅল্ভিওলর (postalveolar), পেলেতেল্ (palatal), ভিলর (velar), ইউভুলর (uvular), ফেরিংজিয়েল (pharynxgeal) অমসুং গ্লোতেল্ হায়ন খঙ্নৈ।

২.৭ আরতিকুলেতরসিং

আরতিকুলেতরসিং হায়রগ খঙ্নরিব অসিন নুংসিৎকি খোঙ্চৎ অদুবু অপন্ব পীরিব হক্চাং কয়াৎসিং (organs empeding the airflow) অদুবুনি। মরুওইব আরতিকুলেতরসিংদি মখাথংব চীন্বান্ (lower lip), লৈতোন্ (tip or apex of


the tongue), লৈমাঙ্ (blade or front of the tongue), লৈনীঙ্ (dorsum or body of the tongue) অসিনি। মখোয়সিং অসি কোন্সোনেন্ মসক্ তাক্প মতম্দ পোইন্ ওপ্ আরতিকুলেসন্গি তাম্ (term) অমগ লোয়নন সীজিন্নৈ। খুদম্ ওইন মখাথংব চীন্বান্ন আরতিকুলেতর ওইরগ মথক্থংব য়ান পোইন্ ওপ্ আরতিকুলেসন্ ওইদুন হায়রবদি লেবিওদেন্তেল্ (labiodental) হায়ন খঙ্নৈ। ইংলিসকি [f] অমসুং [v] অসি লেবিওদেন্তেল্নি। মৈতৈলোন্দদি লেবিওদেন্তল্ খোন্থোক্ সীজিন্নদে। মখাথংব চীম্বান্ন আরতিকুলেতর ওইরগ মথকথংব চীম্বান্ন পোইন্ ওপ্ আরতিকুলেসন্ ওইদুন হায়রবদি বাইলেবিয়েল্ (bilalbial) হায়ব তাম্ (term) অসি সীজিন্নৈ। অদুগ লৈখা (underside of the tongue) ন আরতিকুলেতর ওইরগ পোসঅল্ভিওলর (postalveolar) ন পোইন্ ওপ্ আরতিকুলেসন্ ওইদুন হায়দোক্প খোন্থোক্ অদুবু রিত্রোফ্লেক্স (retroflex) হায়ন খঙ্নৈ। মখাদ আরতিকুলেতর অমসুং পোইন্ ওপ্ আরতিকুলেসন্সিংন কোন্সোনেন্ খোন্থোক্ মখল্ খায়বদ সীজিন্নব তাম্সিং অদু পীরি।

আরতিকুলেতর অমসুং পোইন্ ওপ্ আরতিকুলেসন্	*তাম্সিং*
মখাথংব চীম্বান্ অমসুং মথক্থংব চীম্বান্	বাইলেবিয়েল (bilalbial)
মখাথংব চীম্বান্ অমসুং মথক্থংব য়াতোন	লেবিও-দেন্তেল্ (labiodental)
লৈতোন্ অমসুং মথক্থংব য়াতোন্ নত্রগ য়ানিং	এপিকো-দেন্তেল্ (apico-dental)
লৈমাঙ্ অমসুং মথক্থংব য়াতোন্ নত্রগ য়ানিং	লেমিনো-দেন্তেল্ (lamino-dental)
লৈতোন্ অমসুং য়ারী পরিং	এপিকো অল্ভিওলর (apico-alveolar)
লৈমাঙ্ অমসুং য়ারী পরিং	লেমিনো-অল্ভিওলর(lamino-alveolar)
তোন্ অমসুং য়ারী মনুং	এপিকো-পোসঅল্ভিওলর (apico-postalveolar)

লৈমাঙ্ অমসুং যাবী মনুং	লেমিনো পোসঅল্ভিওলব (lamino-postalveolar)
লৈখা অমসুং যাবী মনুং	সপ্লেমিনো পোসঅল্ভিওলব (sublamino-postalveolar or retroflex)
লৈতোন্ অমসুং ঙৌ	এপিকো-পেলেতেল্ (apico-palatal)
লৈমাঙ্ অমসুং ঙৌ	লেমিনো-পেলেতেল্ (lamino-palatal)
তংবোদি অমসুং ঙৌনীং	ভিলব (velar)
তংবোদি অমসুং তেংখল্	ইউভুলব (uvulaı)
ফেবিংজ ৱাল্স	ফেবিংজিযেল্ (pharyngeal)
খৌবী চগো (glottıs)	গ্লোতেল্ (glottal)

২.৮ মেন্নর ওপ্ আরতিকুলেসন্

মেন্নব ওপ্ আবতিকুলেসন্ হাযবদি খোন্থোক্ অদু হাযদোক্পদ যানুংদ লৈবিব নুংসিৎকি খোঙ্চৎ অদুদ অপন্ব পীবগি মওং অদুনি। মর্সিগি মখল্সিং অদু মখাদ উৎলিব অর্সিনি।



২.৯ অথিংবা

মাসিগী মখাদ থাংবাগী মওং অহুম লৈ। [illegible] হায়না [illegible]
মসি অমুক্ মখল অহুম থোকই

ইসতোপ্ - যানুংগা মফম অমদ [illegible] খোঙচৎ অদু পুংথৌ [illegible]
ওমখংলকপ নুংসিৎ অদু পোকখাযবগুম্না হায়দোকপ খোনথোক [illegible] ইস [illegible]
হায়বগে খঙ্নৈ। খুদম ওইনা [প] হায়বাস, হায়দোকপদ চা [illegible] [illegible]
খোঙচৎ অদু পুংথৌ থিংজললগা যানুংদ ওমখৎতুনা থমই। চাম্বনা [illegible]
থাদোবক্পদ পোক্খাযবগুম্না [প] [illegible] খোনথোক, মানিপ্পা [illegible]
[ত] অমসুং [ক] আস ইসতোপ্সিনা।

নেজেল্ যানুংগা মফম অমদ [illegible] খোঙচৎ অদু [illegible]
তেলম আস হায়থাদ্না [illegible] লমবী থাবগ যানু [illegible]
মতমদ নেজেল খোনথোক থোকই। ইসতোপক নেজেলগা [illegible] অসিনা [illegible]
লম্বেল্ থাব নত্তা থাদনা আসদান। মানপ্পাবদ [ম], [ন] [illegible] [illegible]
খোন্থোক অহুম লৈ।

এক্রিকেৎ যানুংগা মফম্ অমদ নুংসিৎক খোঙচৎ অদু পুংথৌ থিংদুনা থমমগ
যাম্না তপ্না ফ্রিক্সন্ অমগ লোয়নান হায়দোকপ খোনথোক অদুব এক্রিকেৎ কৌবা।
বাঠৈ অমবোমদ হাযবগ ইসতোপ্ খোন্থোক্ ওইন ভৌবগ ফ্রিকেতিপ্ (হাযদোক্পদ
স, হ গুম্ন ফ্রিক্সন্ থোক্প খোন্থোক) ওইন হাযদোক্প অদু এক্রিকেৎনা।
ইসতোপ্ খুদিংমক্ হাযদোক্পদ ফ্রিক্সন্ থবদি থোক্ই। অদুবু এক্রিকেৎতন ফ্রিক্সন্
অদু মযেক্ সেংন তাব তেল্লি। এক্রিকেৎত যাওবিব ফ্রিকেতিপ্ অসি তোঙান্ব
ফ্রিকেতিপ্ খোন্থোক্ অম হাযদোক্পদ চঙ্শিব মতম্ অদু যৌন সাংবদি নৎতে।
এক্রিকেৎকি সিম্বোল্ অসি ইসতোপ্ অমগ ফ্রিকেতিপ্ অমগন ওই। খুদম্ ওইন

[ts], [tz], [tʃ], [tʒ][১] অসিদ অহান্‌বগি অনী অসি অল্‌ভিওলব এফ্রিকেৎ (alveolar affricate) নি অদুগ অকোন্‌বগি অনী অসিন পোসঅল্‌ভিওলব (postalveolar) এফ্রিকেৎনি। অল্‌ভিওলব এফ্রিকেৎসিং অসিবু [c], [ɟ] ওইন অদুগ পোসঅল্‌ভিওলব এফ্রিকেৎসিং অসিবুন [č], [ǰ] ওইনসু ইনৈ। মনিপুরিদ [চ], [জ] অমসুং [ঝ] হায়ব পেলেতেল্‌ এফ্রিকেৎ অহুম্‌[২] লৈ। মখোয় অহুম্‌ অসি হাযদোক্‌প মতম্‌দ [প], [ত] নচিংব ইসতোপ্‌সিং হাযদোক্‌পদা যাওবিব ফ্রিক্‌সন্‌ অদুদাগি হেন্‌ন মযেক্‌ সেংন তাব ফ্রিক্‌সন্‌ অম (an audible friction) যাওরী।

অনীসুবদ - মতৎ ওইন থিংবাগ মওং অসিসু নুংসিৎকি খোঙ্‌চৎ অদু অমুক্‌তং নত্ত্রা অমুক্‌তগি হেন্‌ন অপন্‌ব পীব (one or more momentary interruption) হাযবসিদ যুমফম্‌ ওইবগ মখল অনী থোক্‌ই। মখোয অদুদি ফ্লেপ্‌ (flap) অমসুং ত্রিল্‌ (trill) হাযব অসিনি। যাম্‌ন থুন লৈতোন্‌ন অমুক্‌তং প্লেস ওপ আৰ্‌তিকুলেসন্‌ অদুদ থেংঙুবগ হাযদোবক্‌প অদুন ফ্লেপ্‌নি অদুগ অমুক্‌তগি হেনন থুন খপতুন থেংঙগ হাযব অদুন ত্রিল্‌নি। ত্রিল্‌ হাযবসি সম্‌বন্‌গি বেলিং (raling) সিংদ চৈ অমন যাম্‌ন থুন চিংবদ থোক্‌প খোন্‌থোক্‌ অদুগুম্‌বনি। মসিবু রোল্‌ (roll) হাযবগসু খঙনৈ। খোন্‌থোক্‌ অসি ইসপেনিস (Spanish) অমসুং স্বেদিস (Swedish) লোন্‌দ ফংঙি। মনিপুরিগি [র] অসিদি ফ্লেপ্‌নি। ফ্লেপ্‌ হাযবসি অমুক্‌ তেপ্‌ (tap) হাযবগসু খেননৈ। ফ্লেপ্‌ হাযবসিদি হাইবদ থেংখিবগি মওংনি। তসেংন থিংব নৎতে। তেপ্‌ হাযবসিদি অথুব ইসতোপ্‌ (rapid or short stop) অমগুম্‌ন মযেক্‌ সেংন অথিংব অম অমুক্‌তং পীবম্‌বনি।

Note ইসতোপ্‌, নেজেল্‌ অমসুং এফ্রিকেৎ অহুম্‌ অসিবু পূন্‌ন obstruent কৌরী।

১ Postalveolar fricatives ([ʃ], [ʒ]) অসি [š] (s-wedge) অমসুং [ž] (z-wedge) ওইন ইনবসু যাওবন postalveolar affricate সিং ([tʃ], [tʒ]) অসি [t s], [t ž] ওইন ইনবসু যাওরি (see ২.১০) ।

২ [চ], [জ] অমসুং [ঝ] অসি মথংসিংন [c], [ɟ] অমসুং [ɟʰ] ওইন ইবি।

অহুমসুবদ - মচেৎ ওইন থিংব হাযবসিদ নুংসিংকি ঈচেল্ অদু যানুংগি মযায থংব সবুক্‌তগি নাকল্ নাম্মু নত্ত্রা অনীদ থৈবগ লাক্‌পবু খঙনে। মসিবু লেতবেল (lateral) হাযন কৌরী। মসি হাযদোক্‌প মতমদ লৈতোন্‌ন অল্‌ভিওলব বিজদ থেংঙগ নুংসিংকি খোঙ্‌চৎ অদু থিংবদগি লৈগি নাকল্ নাম্মু নত্ত্রা অনীদ থিংগৎপ নুংসিৎ অদু হাইদোবক্‌ই। মনিপুরিগি [ল] অসি লৈগি নাকল অনীদ নুংসিৎ হাইদোবক্‌প লেতবেল্ খোন্‌থোক্‌নি।

২.১০ খূজিন্‌ব

খূজিনব হাযব অসিদন আৱাতকুলে তৱাসিংনা থিংবাগা মগুং অসি কাং হেনা নকসিনদুনা চিল্‌হন্‌ব অদুবুনি। অচিনব অদন মৱম ওইদনা নুংসিংবাক খোঙচৎ অদু পুংথিং থিংবাগা মহূৎত তকনবগা নমথেকতনা চৎপ যাংলি। অসি [illegible] খোন্‌থোক অসিবু ফ্রিকেতিপ (fricative) কৌরী। মনিপুরিগী [স] অসি [illegible] ফ্রিকেতিপনি। মসি হাযদোকপ মতমদ লৈমাঙনা [illegible] লৈবগা মবকতদ নুংসিৎবাক খোঙচৎ অদন তকনবগা [illegible]। [illegible] অসি গ্লোতিস তকনবগা হাযদোকপ গ্লোতেল ফ্রিকেতিপনি। [illegible] ফ্রিকেতিপ [illegible]। [illegible] অদাদ [illegible] ফ্রিকেতিপ [f, v] (fish, vine দা যাওরিবা), দেন্টেল ফ্রিকেতিপ [θ, ð] (thin, this [illegible] অলভিওলর ফ্রিকেতিপ [s, z] (sit, zoo [illegible] ফ্রিকেতিপ [ʃ, ʒ] (ship, vision দা যাওরিবা), গ্লোতেল ফ্রিকেতিপ [h] (hit, head [illegible] যাওরিবা) অসিনি।

Note trill, flap অমসুং r-sound সিংগ lateral খোন্‌থোকসিংগা পুনা liquid হাযবগ খঙনে।

১ মনিপুরিদ ছ, স, শ অমসুং ষ হাযব মযেক্ মাং অসি হন্‌দ কনা কনাগুম্‌বন সীজিন্‌নববস ঙাঙ্‌ব মতম্‌দাদি পোসঅলা ওলব নত্ত্রগ পেলেতেল্ ফ্রিকেতিপ খোন্‌থোক্ ওইন চপ্ মানন হাযদোকই। এদম আসদগি খোন্‌থোক্ অমগ মযেক্ মবি ইব অসি হোকনবকএ।

২.১১ কোম্থোক্‌প

মসিদদি খূজিন্‌ব (constriction) গি মওং অসি ভাৰল্ খোন্‌থোক্ হায়বদগি খর হেন্‌ন খূজিন্‌ব অদুগা কা হেন্‌ন খূজিন্‌দুন নুংসিৎকি খোঙচৎ অদুদ ফ্রিক্‌সন্ থোক্‌পসু য়াদব অদুনি। অসুম্‌ন হায়ব খোন্‌থোক্‌সিংবু এপ্রোক্‌সিমেন্ (approximant) হায়ন খঙনৈ। সেমিভাৰল্ (semivowel), গ্লাইৎ (glide) অমদি ফ্রিক্‌সন্‌লেস কন্‌তিনুয়েন্ (frictionless continuent) হায়বসিং অসি এপ্রোক্‌সিমেন্ খোন্‌থোক্‌সিংগি মনুংচন্‌ব খোন্‌থোক্ মখল্‌সিংনি। মখোয়সিং অসি ভাৰল্‌গ হায়দোক্‌পদ যাম্‌ন নক্‌নরবসু মথৌ (function) দদি কোন্‌সোনেন্ খোন্‌থোক্‌সিংগ মান্‌নৈ। মখোয় অসি মখল্ খায়বদ কোন্‌সোনেন্‌গি মনুং চল্‌হল্‌বগি মবম্ অমদি ভাৰল্ খোন্‌থোক্‌সিংগিদি অকক্‌নব ইসত্রিক্‌চর (specific stricture)[২] অম লৈতে। অদুগ সেমিভাৰল্ নত্ত্রা গ্লাইৎ হায়বসিদি হায়দোক্‌পদ ইসত্রিক্‌চর মখল্ অম ওইন লৈ। মনিপুরিদ সেমিভাৰল্ অনী লৈ। মখোয় অদুদি পেলেতেল্ সেমিভাৰল্ [য়] অমসুং ভিলর সেমিভাৰল্ [ৱ][৩] অসিনি। [য়] অসি লৈমাঙ্গন পেলেত্ মপাদ হাইগৎলগ ভাৰল্ [ই] হায়বগি চাংদগি খর খূজিল্‌লগ হায়দোক্‌পনি। [ৱ] অসিন লৈনিঙ্ (tongue body) ন ভেলম্ মপাদ ৱাংখৎলগ ভাৰল্ [উ] হায়বগি চাংদগি খর খূজিল্‌লগ হায়দোক্‌পনি।

---

১ পোসঅলভিওলর ফ্রেকেতিপ্ [ʃ ʒ] অসি transcribe তৌবদ [ˇ] (inverted circumflex, wedge হায়ন কৌব) অম সীজিন্‌নদুন [š, ž] (s-wedge, z-wedge) হায়নসু ইনৈ।

২. stricture হায়বসি য়ানুংদ খূজিন্‌ব (constriction) গি মওং (shape) অমনি।

৩. ভিলর সেমিভাৰল্ [ৱ] অসি হায়দোক্‌পদ চীম্‌বান্ কোয়ব অসি য়েংঙগ বাইলেবিয়েল্ সেমিভাৰল্ হায়নসু খঙনৈ।

মথক্ত পন্থ্রিব খোন্থোক্সিং অসিগি মনুংদ মবু ওইন ইসতোপ্ খোন্থোক্সিংগি মতাংদ এসপিরেসন্ (aspiration) হাযব অম লৈবি। খোন্থোক্ অদু হাযদোক্প (release তৌবব) মতুংদ চোন্থন লৈবগ ভোইসিং (voicing) থোক্প হৌববদি খোন্থোক্ অদুদ নুংসিৎকি সাফু অম (a puff of air) লোযনৈ। মদুবু এসপিরেসন্ কৌব্রী। মনিপুরিগি ইসতোপ্ খোন্থোক্ [ফ], [থ], [খ] অসি হাযদোক্পদ ভোইসিং তৌবগি মতম্ (voice onset timing-VOT) অসি বিলিজ তৌবব মতুং য়াম্ন চোন্থন (with considerable delay) ভোইসিং থোবক্ই। অদুন লোয়নবিব নুংসিৎকি সাফু অসি কল্লি। অসিগুম্ব খোন্থোক্ অসিবু সাফু কন্ব খোন্থোক্ (strongly aspirated sound) কৌবা। মসি খঙননবগদমক চীম্বান্ মপাদ ইন্চি অনীমুক্ লাপ্ন খুবাক্ অসি থম্মগ [ফ], [থ], [খ] নাচ'ব খোন্থোক্সিং অসি অনীবক্ অনীবক্ হাযববদি নুংসিৎকি সাফু অদু খুবাক ও ফাওগনি। মনিপুরিগি [ফ], [থ], [খ] অসি সাফু কন্ব এসপিরেতেড খোন্থোক ওইগনি। মসি নৎতব মওংদ ভোইসিং অদুন খোন্থোক্ অদু বিলিজ তৌবব মতুংদ ইচোন্ চোন্থদন (with moderate delay) থোবক্প হৌববদি লোযনবিব নুংসিৎকি সাফু অসি খোইন কন্দে। অসিগুম্ব খোন্থোক্ অদুবু সাফু সোন্ব খোন্থোক্ (weakly aspirated sound) কৌবা। কোবিযা লোন্দ অসিগুম্ব সাফু সোন্ব অমসুং সাফু কন্ব এসপিরেসন্ মখল্সিং লৈ।[২] কবিগুম্ব ভোইসিং অসি খোন্থোক্ অদু বিলিজ তৌবগ লোযনন হাযদোক্মিন্নববদি নুংসিৎকি সাফু লোযনদে। মসিবু অন্এসপিরেতেড খোন্থোক্ কৌবী। মনিপুরিগি [প], [ত], [ক] অসি অন্এসপিরেতেড ইসতোপ্সিংনি। মনিপুরি, হিন্দি, কোবিযানচিংব লোন্সিং অসিদদি এসপিরেসন্ হায়বসি য়াম্ন মবু ওইব ইসতোপ্ খোন্থোক্সিংগি ফোনেসন্ প্রোসেস (phonation precess) কি মওং অমনি।[৩] মসিন লোন্সিং অসিগি ইসতোপ্ খোন্থোক্ মসিং হেন্গৎহল্লি।

ট্রেন্সক্রাইপ্ তৌব মতম্দ এসপিরেসন্ অসি অপীক্প [h] অমন সিম্বোল্ ওইদুন খোন্থোক্ অদুগি অন্এসপিরেতেৎ কাউন্তরপাৎসিং অদুগি মথক্ত মখাগি অসুম্ন থম্মী।

[p], [t], [k] : [pʰ], [tʰ], [kʰ]

২.১২ ভোকেল্ কোৎসিংগি ফিভম্ (state of vocal cords)

মসিন কোন্সোনেন্ মসক্ তাক্নবগি মরিসুব পাম্বৈনি। মথক্ (২.৪) দ নৈনখিব অঙংব (voiced) অমসুং ঙংদব (voiceless) হায়ব অসিসু কোন্সোনেন্ মসক্ তাক্পদ তঙায়ফদন চঙ্ঙী। মনিপুরিগি [ব], [দ], [গ] হায়ব ইসতোপ্সিং অসি ভোইসনি। অদুগ [প], [ত], [ক] অসিন ভোইসলেসনি। ইসতোপ্ অমসুং ফ্রিকেতিপ্ সিংগি মরক্তদি ভোইসলেসন ভোইসতগি হেন্ন মপূং (basic) ওইব হেল্লি। অদুগ নেজেল্, লেতরেল্, ফ্লেপ্, সেমিভাৱল্ অমসুং ভাৱল্সিংগি মনুংদদি ভোইসনা ভোইসলেসতগি মপূং ওইব হেল্লি। খুদম্ ওইন ইসতোপ্সিংগি মনুংদ [p], [t], [k] ন [b], [d], [g] দগি মপূং ওইব হেল্লি। মরম্ অদুন করিগুম্ব লোন্ অমদ [p], [t], [k] লৈরবদি লোন্ অদুদ [b], [d], [g] লৈব নত্ত্রা লৈতব য়াই অদুগ [b], [d], [g] লৈরবদি [p], [t], [k] সোয়দন লৈগনি। অদুগিসু মথক্ত [p], [t], [k] ন [b], [d], [g] হায়দোক্পদগি কোম্ন অমদি অহেন্ব ইনরজি চঙ্দন হায়দোক্প য়াই।

২.১৩ নুংসিৎকি খোঙ্চৎকি হৌরক্ফম্ (source of airstream)

মসিন কোন্সোনেন্ খোন্থোক্ মসক্ তাক্ননবগি মঙাসুব পাম্বৈনি। মথক্ (২.৩) দ নৈনখিব পল্মোনিক্, গ্লোতেলিক্ অমদি ভেলরিক্ হায়ব মেকানিজম্ অহুম্ অদুগি মনুংদগি করম্ব মেকানিজম্ সীজিন্নদুন খোন্থোক্ অদু হায়দোক্পগে হায়বসি মতাং অসিদ য়েংঙী। প্রিথিবীগি লোন্সিংগি খোন্থোক্ অয়াম্ব পল্মোনিক্ ইগ্রেসিপ্ ইয়ারইসত্রিম্ মেকামিজম্ সীজিন্নদুন হায়বনি হায়বসি মথক্ত পনখ্রে।

২.১৪ মনিপুরি কোন্‌সোনেন্‌সিংগি মখল্ খায়ব (classification of Manipuri consonants)

মনিপুরি কোন্‌সোনেন্‌সিংগি মখল্ খাযবগি মওং অসি মখাগি তেবল্ অসিদ উৎলি।

	বাইলেবিয়েল্	অলভিওলর	পেলেতেল্	ভিলর	গ্লোতেল্
ইসতোপ্	প(p) ব(b)	ত(t) দ(d)		ক(k) গ(g)	
	ফ(p^h) ভ(b^h)	থ(t^h) ধ(d^h)		খ(k^h) ঘ(g^h)	
এফ্রিকেৎ			চ(c) জ(j)		
			ঝ(j^h)		
ফ্রিকেতিপ্			স(s)		হ(h)
নেজেল্	ম(m)	ন(n)		ঙ(ŋ)	
লেতবেল্		ল(l)			
ফ্লেপ্		র(r)			
সেমিভাৱল্			য(y)	ৱ(w)	

মথক্কি তেবল্ অসিদগি হৌজিক্ ঐখোযন মনিপুরি কোন্‌সোনেন্ ২৪ অসিগি মসক্ (articulatory description) সিং অদু মখাদ পীবি।

প - বাইলেবিয়েল্, ভোইসলেস, অন্‌এসপিরেতেৎ, ইসতোপ্
ত - অলভিওলর, ভোইসলেস, অন্‌এসপিরেতেৎ, ইসতোপ্
ক - ভিলর, ভোইসলেস, অন্‌এসপিরেতেৎ, ইসতোপ্
ফ - বাইলেবিয়েল্, ভোইসলেস, এসপিরেতেৎ, ইসতোপ্
থ - অলভিওলর, ভোইসলেস, এসপিরেতেৎ, ইসতোপ্
খ - ভিলর, ভোইসলেস, এসপিরেতেৎ, ইসতোপ্

ব - বাইলেবিয়েল্, ভোইস, অন্‌এসপিরেতেৎ, ইসতোপ্

দ - অল্‌ভিওলর, ভোইস, অন্‌এসপিরেতেৎ, ইসতোপ্

গ - ভিলর, ভোইস, অন্‌এসপিরেতেৎ, ইসতোপ্

ভ - বাইলেবিয়েল্, ভোইস, এসপিরেতেৎ, ইসতোপ্

ধ - অল্‌ভিওলর, ভোইস. এসপিরেতেৎ, ইসতোপ্

ঘ - ভিলর, ভোইস, এসপিরেতেৎ, ইসতোপ্

ম - বাইলেবিয়েল্, নেজেল্

ন - অল্‌ভিওলর, নেজেল্

ঙ - ভিলর, নেজেল্

চ - পেলেতেল্, ভোইসলেস, অন্‌এসপিরেতেৎ, এফ্রিকেৎ

জ পেলেতেল্, ভোইস, অন্‌এসপিরেতেৎ, এফ্রিকেৎ

ঝ - পেলেতেল, ভোইস, এসপিরেতেৎ, এফ্রিকেৎ

শ পেলেতেল্, ফ্রিকেতিপ্

হ গ্লটেল, ফ্রিকেতিপ

ল - অল্‌ভিওলর, লেতরেল্

র - অলভিওলর. ফ্লেপ্

ৱ (লোবয়েলাইজ) ভিলর, সেমিভাৱল্

য় - পেলেতেল্, সেমিভাৱল

২.১৫ ভাৱল্

ভাৱল্ হায়রগা খঙনবিবসি য়ানুংদ লাক্‌লিব নুংসিৎকি খোঙ্‌চৎ অদু অপন্‌ব অমত পীদনা লৈগি মতেংন য়াগি লম্‌বেল্ (oral cavity) গি তোঙান্ তোঙানব মওং (configuration) সিং সেম্‌দুন হায়দোক্‌প খোন্‌থোক্‌সিং অদুবুনি। মখোয়গ


কোন্‌সোনেন্‌ খোন্‌থোক্‌সিংগ খেন্‌নবিবসি মওং অহুম্‌দনি। কোন্‌সোনেন্‌সিংদি অকক্‌নব ইসাত্রিক্‌চব অমমম্‌ লৈবগ হাযদোক্‌প খোন্‌থোক্‌নি। ভাবল্‌সিংগীদ অসিগুম্‌বসিং অসি লৈতে। কোন্‌সোনেন্‌সিংগিদি তসেংব আবতিকুলেতবি ভেলুসিং খঙ্‌ব ৬মর্মী। অদুন মখোযবু মসক্‌ তাক্‌ননবগি বাবোল্‌ অসি আবতিকুলেতবি বেসিস৩ ওই। ভাবল্‌সিংগিদি তসেংব আবতিকুলেতবি ভেলুসিং খঙ্‌ব লুবন মখোযগি মবম্‌দ বাবোল্‌ পীব অসি তাব (auditory or perceptual basis) ত পীনৈ। ভাবলসিং আসদি অপনব পীদব (unobstructed), হেন্‌ন ওপন্‌ ওইব অমদি মথন্‌ত কোম্‌ন হাযব খোন্‌থোক্‌ (nucleus sound) নি। মবম্‌ অসিন মবৈ ৩৫প (stutterer) গুম্‌ব বা ভাঙ্‌বদ প্রোব্লেম লৈব মীসিংন ভাবল্‌ খোন্‌থোকসিংদাগ কোন্‌সোনেন খোনথোক হাযবনা তেনন অবাব ওই। ভাবলসিংব্‌ মখল খাযননবাগদমক্‌ লৈ অমসা চিং বান্‌গি মওং অসি যে ... ওইব পামবে অহুম্‌খক পীনৈ। মখোযসিং অদুবু ভাবল ক্লাসায কেসনাগ ক্লাং চবি অহুম হাযবগা খঙনৈ। মখোয অদুদি (১) লৈনা যা গৎপাগি চা (২) থাংগৎলন লৈগি সবুক অমসুং (৩) চামবান্‌গি মওং অসিনি।

অহান্‌বগি পামবৈ অসিনা খঙহল্লিলবাদ যাং দ লৈনা কযাম্‌ বাংনা থাংগৎপগ হাযব অসিনি। লৈন খ্বাহদাগ বাংনা থাংগৎলগ হাযব ভাবল্‌ অদুবু ক্লোজ নত্রা হায ভাবল্‌ (close or high vowel) কৌবা। অদুগ লৈন যানুংবা মথকৎ সবুক (roof of the mouth) তগি খ্বাইদাগ লাপ্‌ন হাযথবগ হাযব ভাবল অদুবুন ওপন্‌ নত্রা লো ভাবল (open or low vowel) কৌব্রী। হায অমসুং লো অনাগি মযায ওইবপন থাংগৎলগা হাযব অদুবন মিৎ ভাবল (mid vowel) হাযন খঙ্‌নৈ। মনিপুর্বিগি [ই] অমসুং [উ] অনী অসি হায ভাব্রল্‌নি [এ] [অ] অমসুং [ও] ন মিৎ অদুগ [আ] ন লো ভাব্রল্‌নি।

অনীসুব পাম্‌বৈ অসিন খঙ্‌হল্লিনদি লৈগি কবমব সবুক্‌ন থাংগৎপগে হাযব অসিনি। মসিগি মতুং ইন্‌ন লৈসি সবুক্‌ অহুম্‌ থোক্‌ন খাযদোক্‌ই। মমাঙ্‌ থংব

সরুক্ অসিন লৈমাঙ্ (front or blade), মনীং থংব সরুক্পুন লৈনীং (back or dorsum) অদুগ ময়ায় থংব মপূং ওইব সরুক্ (tongue body) অসিবুন লৈয়ায় হায়ন খঙ্নৈ। লৈমাঙ্ন থাংগৎলগ হায়ব ভাৱল্বু ফ্রন্, লৈনীংন থাংগৎলগ হায়ববুন বেক্ অদুগ লৈয়ায়ন থাংগৎলগ হায়ব ওইরগন সেন্ত্রেল্ ভাৱল্ কৌৱী। মনিপুরিবগি [ই] অমসুং [এ] অনী অসি ফ্রন্ ভাৱল্নি, [অ] অমসুং [আ] ন সেন্ত্রেল্ ভাৱল্নি। অদুগ [উ] অমসুং [ও] ন বেক্ ভাৱল্নি।

অচুম্সুব পাম্বৈ অসিদি ভাৱল্ অদু হায়দোক্প মতম্দ চীম্বান্ অসি কোয়ব নত্রা কোয়দবগি মওং অদু য়েংঙগ মসক্ লেপ্পনি। খ্বাইদগি লায়ন মহৌসাগি মওংদ চীম্বান্ কোয়ব ভাৱল্দি লৈনীংন থাংগৎলগ হায়ব হায় অমসুং মিৎ ভাৱল্ [উ] অমসুং [ও] অনী অসিনি। মখোয়বু রাউন্দেৎ ভাৱল্ (rounded vowel) কৌৱী। অতৈ লেম্হৌনিবসিং অদুন চীম্বান্ কোয়দব ভাৱল্ (unrounded vowel) কৌৱী। মনিপুরি ভাৱল্ ৬ অদুগি মখল্সিং অদু মখাগি তেবল্ অসিদ উৎলে।



ফিগর ২.১৫.১

মখাদ মনিপুরি ভাৱল্সিং অদুগি হায়দোক্পগি মওং (articulatory description) সিং পীরি।

ই - হায়, ফ্রন্, অন্রাউন্দেৎ ভাৱল্

এ - মিৎ, ফ্রন্, অন্রাউন্দেৎ ভাৱল্

অ - মিৎ, সেন্ট্রেল্, অন্‌বাউন্‌দেৎ ভারল্

আ - লো, সেন্ট্রেল্, অন্‌বাউন্‌দেৎ ভাবল্

উ - হায, বেক্, বাউন্‌দেৎ ভারল

ও - মিৎ, বেক্, বাউন্‌দেৎ ভারল্

মথক্তু নৈনখ্রিব ভাবল্‌সি, অসি হাযদোক্‌প মতম্‌দ ভেলম্ অসি মথক্তু হাযগৎতুন নাতোন্‌গি লম্‌বেল থিংট্রা অদুগ ভোকেল্ কোংসিং অসি নীক্‌ই। মবম্ অদুন ভাবলসিং অসি মসান ওবেল ভোইস খোন্‌থোক (oral, voiced sound) সিংনি। অদুব ফ্রেনচ (French) কুম্‌ব লোন্‌দ ভেলম্ হাযথবগ নাতোন্‌গি লম্‌বী থাদুনা হাযদোক্‌প ভারলস্ সাতেংনৈ। মসিগুম্‌ব ভাবলসিংব নেজেলাইজ্‌ড ভাবল (nasalized vowel) কৌনা, মসিগী সিম্বোলদি [~] (tilde) হাযব খুদম অসি সীজিন্নদুনা মথাগি অসুম্‌না ইনৈ

[ẽ], [ã], [ũ] আসনা চংবা।

অমবোম্‌দ পর্তুগাল (Portuguise) জপানীজ (Japanese) [illegible] ভোকেল কোং নীকতনা হাযদোকপ ভাবলসি [illegible]। মসিগুম্‌ব ভাবলসি [illegible] ভোইসলেস ভাবল্ (voiceless vowel) [illegible] সিম্বোলদি [illegible] অসাগা মথাগ [ ] (small circle) [illegible]

[e̥], [ḁ], [u̥] [illegible]

[illegible]

[illegible] (tense) অমসুং লেক্‌স (lax) [illegible] [ই], [এ], [অ], [উ] অমসুং [ও] [illegible] ভাবল্ [illegible] অসি হাযদোকপ [illegible] (vocal tract) [illegible] ওইন লৈ (tongue) [illegible] (muscle) [illegible] যাম্‌না লিংনা লৈ। অদুগ [অ] অসি হাযদোক্‌প মতম্‌দদি মসিগুম্‌ব মসকুলর ইফৎ (muscular effort) আস যাম্‌না হনহনা কোননা সাজিননে। মসকুলর ইফৎ যাম্‌না চংব অহানব

ভাৱল্ মঙা অসিবু তেন্স অদুগ মসল্সিং অসি ইকোম্ কোম্ন হায়দোক্প অকোন্ব ভাৱল্ [অ] অসিবুন লেক্স কৌৱী।

২.১৬ দিপ্থোঙ্ (diphthong)

মথক্ত নৈনখ্রিব ভাৱল্সিং অসি হায়দোক্প মতম্দ য়ানুংদ লৈরিব লৈগি ফীভম্ (tongue position) অসি মফম্ অমদ লেঙ্দন লৈব ঙাক্তনি। অসিগুম্ব ভাৱল্সিং অসিবু মোনোপ্থোঙ্ (monophthong) কৌৱী। মসি নৎতব মওংদ ভাৱল্ অদু হায়রিঙৈদ লৈগি ফীভম্ হোংবসু য়াই। খুদম্ ওইন মনিপুরিগি [ঐ] অমসুং [ঔ] হায়বসি হায়দোক্পদ লৈগি ফীভম্ অসি [অ] হায়দোক্পদ লৈরিব ফীভম্ অদুদগি হৌবগ মথংসিংন [ই] অমসুং [উ] হায়দোক্পদ লৈরিব ফীভম্ অদু তান্ন লেঙ্খি। অসুম্ন ভাৱল্ অদু হায়দোক্প মতম্দ লৈগি ফীভম্দ অহোংব লৈরবদি দিপথোঙ্ হায়ন খঙ্নৈ। দিপথোঙ্সিং অসি ত্রন্সক্রাইপ্ (transcribe) তৌব মতম্দ অহৌব অমসুং অরোইব পোইন্ (point) সিংদ লৈবিব ভাৱল্ অনী অদু ইরগ সপ্সক্রাইপ্ আক্ (subscribed arc) অমন মখাদ পীবিব মওং অসুম্ন সম্নহল্লি -

ঐ[ɔi̯], ঔ[ɔu̯], আই[ai̯] অসিনচিংব।

মসি নৎতব মওংদ ভৱল্ অনী অদুগী অরোইব ভৱল্ অদুগ মখাদ ইন্ভরতেং সপ্সক্রাইপ্ আক্ (inverted subscribed arc) অম থম্দুন মখাগি অসুম্নসু ইনৈ -

ঐ[ɔɪ̯], ঔ[əu], আই[ai̯] অসিনচিংব।


দিপ্থোঙ্গি অহান্ব ইলিমেন্ (beginning point) অসিনা অনীসুব ইলিমেন্ (motion away from the beginning point) তগি হৌব হেল্লি। মসিদগি অনীসুব ইলিমেন্ অসি সেমিভাৱল্ অমগুম্ লৌদুন মখাগি অসুম্নসু ইনৈ -

ঐ[ɔy], ঔ[ɔw], আই[ay][১] অসিনচিংব।

---

১. লাইরিক্ অসিদ মতুংদ লাক্প দিপ্থোঙ্ খুদিংমক্ semi-vowel সীজিন্নদুন ত্রান্সক্রাইপ্ তৌবি।

দিপ্থোঙ্সিং অসি লৈন লেঙ্বগি মায়গৈ অদু য়েংঙগ মখল্ খায়দুন পীনৈ। লৈন মথক্লোম্দ চুম্ব্রিং হাইগৎতুন হায়রবদি ভরতিকেল্ দিপ্থোঙ্ (vertical diphthong); নাকল্লোম্দ হাইদোক্তুন হায়রবদি দাইগোনেল্ দিপ্থোঙ্ (diagonal diphthong) অদুগ মিৎ সেন্ত্রেল্ ভাৱল্ [ɔ] তম্ন লেঙ্ঙগ হায়ব ওইরবদি সেন্তরিং দিপ্থোঙ্ (centering diphthong) কৌৱী। মনিপুরিদা ঐ [ɔy], ঔ[əw], আই[ay], আউ[aw], ওই[oy] অমসুং উই[uy] হায়ব দিপ্থোঙ্ ৬ লৈ। মখোয়সিং অসি হায়দোক্প মতম্দ লৈন অহান্ব ভাৱল্ (beginning point) অদুদগি নাকল্লোমদ লৈব ভাৱল্সিং তম্ন লেঙ্ব মরম্ন দাইগোনেল্ দিপ্থোঙ্ ঙাক্তনি। ভরতিকেল্ অমদি সেন্তরিং দিপ্থোঙ্সিংদি মনিপুরিদ সীজিন্নদে। মখাগি ভাবল্ ক্বাদ্রিলেতরেল্ (quadrilateral) অসিদ মনিপুরি দিপ্থোঙসিং অসি দাইগোনেল্ ওই হায়বদু উৎলি।



ফিগর ২.১৬.১

(১) ঐ(ɔy), (২)ঔ(ɔw), (৩) আই(ay), (৪)আউ(aw), (৫)ওই(oy) অমসুং (৬)উই(uy) হায়ব দিপ্থোঙ্সিং অসিগি ইলিমেন্ নত্রা কম্পোনেন্ অনী অনী য়াওব অসি য়েংঙগ এফ্রিকেৎ কোন্সোনেন্সিংগ কম্প্লেক্স ওইবগি ম ওং অসি য়াম্ন মান্নৈ। দিপ্থোঙ্ খুদিংমক্ কম্প্লেক্স ওইব ভাৱল্ খোন্থোক্ অমমম্নি।

২.১৭ দিপ্থোঙ্ ওন্ব অমসুং মরক্কি গ্লাইৎ (diphthongization and intrusive glide)

মনিপুরিদ ভারল্ খোন্থোক্ অনী তাইনবক্প মতম্দ মখোয় অনীগি তাইনব (sequence) অদু মওং অনী থোক্ন হোংব থেংনৈ। অহানবদ ভারল্ অনী অদু পুন্সিন্নদুন দিপ্থোঙ্গেল্ ভারল্ (diphthongal vowel) ওন্খিব অদুগ অনীসুবদ ভারল অনী অদুগি মরক্ত ইন্ত্রুসিপ্ গ্লাইৎ (intrusive glide) অমা থোরক্প অসিনি। অহান্বগি মওং অসিবু দিপ্থোঙ্ ওন্ব (diphthongization) হায়ন খঙ্নৈ। দিপ্থোঙ্ ওন্ব অসি মথক্ত পন্খিব দিপ্থোঙ্ ৬ অদুগি মনুংদ অমদ ওন্বনি। মখাগি খুদম্সিং অসি যেংসি

চা + ই	চাই
ca + i	cay
eat + non-fut	'(Somebody) eats (something)'
চা + উ	চাউ
ca + u	caw
eat + imp	'Eat (something)'
মু + ই	মুই
mu + i	muy
black + non-fut	'It is black'
পো + ই	পোই
po + i	poy
carry on back + non-fut	'(Somebody) carries (on his/her back)'
পা + উ	পাউ
pa + u	paw
read + imp	'Read (something)'

মরক্কি গ্লাইড় (intrusive glide) অসিদি মরু ওইনা ই[i], ও[o] অমসুং উ[u] ন ৱাহোগ মরু (root) ত লেব মতম্দ লাক্কল্লে। মখাগ খুদম্সিং অসি লেৱা –

অ + উব	অৱুব
ə + ubə	əwubə
prefix + to see	' One who sees'
অ + ওন্ব	অৱোন্ব
ə + onbə	əwonbə
prefix + to change	'change (noun)'
অ + ইব	অয়িব
ə + ibə	əyib ə
prefix + to write	'writer'
অ + ঈংব	অয়ীংব
ə+ iŋbə	əyiŋb ə
prefix + to be cold	'cold (adjective)'
চ + উম্ব	চৱুম্ব
cə + umbə	cəwumbə
rice + to keep inside the mouth	' a ceremony for first feeding of rice'
মী + ওৎপ	মীৱোৎপ
mi + otpə	miwotpə
man + to torment	'tormentor'

২.১৮ ফোনিম্, ফোন্ অমসুং এল্লোফোন্

ফোনিম্ হায়বসি ঐখোয়না মরু ওইব মীৎয়েং অনীদগি য়েংনৈ। অহান্বদ লেংগোইজ সিসতেম্ হায়বসিদগি য়েংঙগ মসিন লোন্ অমগি সিগ্নিফিকেন্ ওইব নত্রা আরথ খেন্নহন্ব খোন্থোক্সিং অদুবু খঙ্হল্লি। ৱাহৈসিংবু খেন্নহন্ব খোন্থোক্সিং অদু ফোনিম্নি। মসিবু কন্সেপ্চুয়েল্ নত্রা ইন্তর-ইউনিৎ দিফিনিসন্ (conceptual or inter-unit definition) কৌৱী। মীৎয়েং অসিদদি খোন্থোক্ অদু করম্না হায়দোক্পগে হায়ব অসি মরু ওইদে। মসিন অতোপ্প

ফোনিম্‌সিংগ খেন্নব অদুদ হেন্ন মীৎযেং থম্মী। মবম্‌ অসিদগি ফোনিম্‌ হায়বসি খঙ্ননবগিদমক্‌ খোন্‌থোক্‌ অমতদ খেন্নব বাহৈ পুংবাসিং থিদুন যেংঙী। মখাগি বাহৈ পুংবাসিং অসি যেংসি।

(ক) পাব 'to read'　　　(খ) কন্‌ব 'to be strong'
　　তাব 'to fall'　　　　　খন্‌ব 'to think'

মথক্কি (ক) অমসুং (খ) দ পীরিবা খোন্‌থোক্‌ অমতদ খেন্নবন আনথ তোঙান্‌ তোঙান ওইহল্লিব বাহৈ পুংবাসিং অসিবু মিনিমেল্‌ পিয়ার (minimal pair) হায়রগা খঙ্গনৈ। মিনিমেল্‌ পিয়ার অমদ লৈরিবা খোন্‌থোক্‌কি খেন্নব অসিবু কন্‌ট্রেস্‌তিপ্‌ নত্রগা দিসতিংতিপ্‌ (contrastive or distinctive) ওইব কৌবী। খেন্নরিবা খোন্‌থোক অনী অদুন তোঙান্‌ তোঙানব ফোনিমসিংনি। বাহৈসিংবু খেন্নহল্লি হায়দুনা মখোয়বু কন্‌ট্রেস্‌তিপ নত্রগা দিসতিংতিপ সাউন্ড হায়নসু খঙ্গনৈ। মথক্কি মিনিমেল পিয়ার অসিদগি কন্‌ট্রেসতিপ্‌ সাউন্ড নত্রগা ফোনিম্‌ মরি ফঙ্গী। ফোনিম হায়বসি অপৈব চৈথৈ (diagonal line) অসিগা মনুংদ ইনৈ। মখাদ ফোনিম মরি অদু পীরি

　　/প/, /ত/, /ক/ অমসুং /খ/

মিনিমেল পিয়ারদগী ফোনিমসিং [illegible] অসি চপ মান্নৈ। খুদম ওইনা মথক্কি মিনিমেল পিয়ার অনা অসিদা /প/ অমসুং /ত/ অদুগা /ক/ অমসুং /খ/ [illegible] অসি চপ মান্নৈ। [illegible] (identical environment) [illegible]। [illegible] কন্‌ট্রেস্‌ [illegible]। কন্‌ট্রেসপ [illegible] বাহৈ পুংবাসিং অসিদ মিনিমেল পিয়ারনি হায়না [illegible]। [illegible] মিনিমেল পিয়ারসিং অসিবু সপ মিনিমেল পিয়ার কৌবী। মখাদ [illegible] পীরি

(গ)　উ [u]　　　'tree'
　　উৎ [ut]　　'camel'

(খ)	ই [i]	'blood'
	ইন্ [in]	'net'
(গ)	ক্বাক্ [kwak]	'crow'
	ক্বা [kwa]	'bettel nut'

মথক্কি সপ্-মিনিমেল্ পেয়ারসিং অসিদগি মথংসিংদা মখাদ পীবিব ফোনিম্ অহুম্ অসি ফংঙ্ভী -

/ত/, /ন/ অমসুং /ক/

মথকত নৈনবিব অসিদগি ঐখোয়না খণ্ডবদি ফোনিম্ হায়বসি লোন্ অমা খণ্ডবগি খ্বাইদগি পীক্পা ইউনিৎ (minimal unit of perception) অদুনি হায়বা অসিনি। খুদম্ ওইনা /প/, /ত/, /ক/ অমদি /খ/ নচিংবা ফোনিমসিং অসি মৈতৈলোনবু পৰাসপ্ তৌনবগি খ্বাইদগি পীকপা ইউনিৎসিংনি। মখোয়গি মনক্তা অমগা অমগা ওপোজিৎ ওইনবগি মওং অসিদগি তোঙান্ তোঙানবা বাহৈসিং খণ্ডবা ঙমলিবনি। মখোয়না অতৈ ফোনিমসিংগা লোয়ননা হেননা চাউবা ইউনিৎসিং (বাহৈ নত্রগা মোর্ফিম্) দা যাওদুনা তোঙান্ তোঙানবা বাহৈসিংবু খেন্না খেননবা খোনথোক্সিংদা ফোংদোকপা যাহল্লি। অসুমনা বাহৈ নত্রগা ৱাৰথাগী ইউনিৎ অমগা ফোনেতিক্ ফোম্ (phonetic form) অমগা নৈনবিবা মৰী অসিদা লোনা হায়বসিনা হিংদুনা লৌববনি।

অনীসুবদ ফোনিম্ হায়বসি ঐখোয়না ঙাওলিবা খোনথোক (actual speech sound or pronunciation) সিং অসিগী মায়েংদগীসু মসক তাক্নৈ। মসিদদি খোনথোকসিংগি ফিজিকেল্ লেভেল্দগি মথক্লোম্দ য়েংখৎপ তাই। অসুমনা ফিজেকেল্ লেভেল্দ লৈবিব খোনথোক্সিংগি ইউনিৎ অমমম্বু ফোন্ (phone) কৌরী। ৱাহৈ অমবোম্দ হায়বগা ওপজাবভেসনগি থাক্ত লৈবিব খোনথোক্সিংগি মরকতগি অমমম্বু ফোন্ হায়বনি। ফোন্ হায়বসি মখাগি অসুমন ইসকোয়ার ব্রেকেৎ (square bracket) অমগি মনুংদ ইনৈ

[প], [ত] অমসুং [ক]

ফোন্সিং অসিগি ফংসনেল্ জেনেরেলাইজেসন্ নত্ৰা কেতেগোরাইজেসন্ অদু

ফোনিম্নি। ফোন্সিংবু কেতেগোরাইজ তৌরগ ফোনিম্ ফংঙী হায়বনি। মসিগিদমক্ ফোনেতিকেল্লি মরী লৈনব অমদি নন্-কন্ত্রসতিপ্ ওইব ফোন্সিংগি সেৎ (set) পীব তাই। মীৎয়েং অসিদগি ফোনিম্ অম হায়বসি ফোনেতিকেল্লি মরী লৈনব অমদি নন্-কন্ত্রসতিপ্ ওইব ফোন্সিং অদুগি সেৎ অমনি। মসিদ নন্ কন্ত্রসতিপ্ ওইব হায়বসি কম্প্লিমেন্তরি দিসত্রিবিয়ুসন্ (complementary distribution) অমসুং ফ্রি ভেরিএসন্ (free variation) দ লৈব খোন্থোক্ অদুবুনি। কম্প্লিমেন্তরি দিসত্রিবিয়ুসন্ হায়বসি খোন্থোক্সিং অদু অমন লৈব মফম্দ অমন লৈব ঙম্দব হায়বনি। অসিগুম্ব খোন্থোক্সিং অসি তোঙান্ তোঙান্ব মফম্দ য়াওব অসিন মতম্ পূম্নমক্ত নন্কন্ত্রাসতিপ্ ওই। খোন্থোক্সিং অদুন অমন লৈব মফম্দ অমন য়াওব ঙম্দবগি ফিভম্ অসিবু মিউচুয়েল্লি এক্সক্লুসিপ্ ইন্ভাইরন্মেন্ (mutually exclusive environment) হায়নসু খঙ্নৈ। মখাগি খুদম্সিং অসি য়েংসি -

নাপন্ [napon] 'arrogance'
নাতোন্ [naton] 'nose'

মথক্কি খুদম্ অসিদ ব্রাহৈগি অহৌব অমসুং অরোইবদ লৈরিব [ন] সিং অসি মান্নদে। বাহৈগি অহৌবদ লৈরিব অসিন চম্দব [ন] (released [n]) নি অদুগ অরোইবদ লৈরিব অসিন অচম্ব [ন্] (unreleased [n]) নি। [ন] অনী অসি অমন লৈব মফম্দ অমন লৈব ঙম্দে। অমন অমবু কম্প্লিমেন্ তৌনদুন লৈ। মরম অদুন [ন] অনী অসি কম্প্লিমেন্তরি দিসত্রিবিয়ুসনদ লৈব ফোন্সিংনি। অল্ভিওলর নেজেল্ ঙাক্ত ওইব অসিদগি মখোয় অনী অসি ফোনেতিকেল্লি সিমিলাব ওইব খোন্থোক্সু ওইরে। অসিগুম্ব ফোনেতিকেল্লি সিমিলার অমদি নন্কন্ত্রসতিপ্ ওইব ফোন্সিংগি সেৎ অসি ফোনিম্ অমনি। মরম্ অদুন মথক্কি [ন] অমসুং [ন্] অনী অসিদগি মখাগি ফোনিম্ অসি ফংঙী -

/ন/

মথক্কি ব্রাফম্ অসি মখোয়গি ফংসনেল্ জেনেরেলাইজেসন্দগি ফংবনি। করম্ করম্ব ফোন্সিংবু সেৎ অমনি হায়ন লৌগদগে হায়ব মেথদোলোজি অমগি মখাদ ফোন্সিংবু কেতেগোরাইজ তৌরক্পনি। ফোনিম্ অমদ কেতেগোরাইজ

তৌরব ফোন্ অদুবু ফোনিম্ অদুগি এল্লোফোন্ (allophone) কৌরী। মথক্কি খুদম্দ [ন] অমসুং [ন্] অনীসি ন গি এল্লোফোন্সিংনি। মসি মখাগি অসুম্ন ইনৈ -

/ন/ [ন্] ৱাহৈগি অরোইবদ।

[ন] অতৈ মফম্দ।

মসিন খঙ্ঙহল্লিবদি [ন] অমসুং [ন্] অনীসি /ন/ গি এল্লোফোন্সিংনি হায়ব অসিনি। [ন্] ৱাহৈগি অরোইবদ যাওরী অদুগা [ন] ন অতৈ মফম্দা যাওরী। মফম্ অযাম্বদ যাওব ঙমব এল্লোফোন্ অদুন ফোনিম্গি সিম্বোল্ ওইন ইনৈ। মরম্ অদুন [ন] হায়ব এল্লোফোন অসি লৌদুন ফোনিম্গি সিম্বোল্ ওইবিবনি।

মথংদ ফোনসিংগি নন্‌কনত্ৰসতিপ্ ওইব অতোপ্প মওং অমদি ফ্রি ভেরিয়েসন্ হায়ব অসিনি। মসিন খঙ্ঙহল্লিনদি খোনথোক অমন অমগি মহুৎ সিন্বদ আবথ তোংদব অদুবনি। মখাগি খুদমসি [illegible] যে সি

লাল ‘war’

লান ‘war’

লোল ‘language’

লোন্ ‘language

মথক্কি খুদমসি, হাসিদ [ন] অমসু [ল] [illegible] আবথ তোংদ্রে। মরম অদুন ফোন [illegible] ফোনসি, অসিন ‘ফ্রি ভেরিয়েসনদ লৈব [illegible] অসুমন ইনৈ

[ন্] [ল]

ফ্রি ভেরিয়েসনদ লৈব ফোনসিং অসিসু ফোনিম অমাগি এল্লোফোনসিংনি। মথক্ত পীখিব /ন/ গি এল্লোফোন্ অদু মখাগি অসুমনা অমুক্ হনন ইথোকপ যাবে

/ন/ [ন্] ~ [ল্] ৱাহৈগি অরোইবদ।

[ন] অতৈ মফম্দ।

মতাং অসিদ মরুওইব ৱাফম্ অমদি [ন্] [ল্] হায়ব এল্লোফোন্সিং অসি মখাগি অসুমন ইথোক্পসু যাই -

/ল/ [ল্] ~ [ন্] ৱাহৈগি অরোইবদ।

[ল] অতৈ মফম্দ।

মথক্কি এললোফোন্গি পেতন্ (allophonic pattern) অনী অসিদগি ঐখোয়ন উরে মদুদি ল গী এল্লোফোন্ অম ন গি এল্লোফোন্সু ওই অদুগ ন গি এল্লোফোন্ অম ল গি এল্লোফোন্সু ওই। অসিগুম্ব মওং অসিবু ফোনেমিক্ ওভরলাপ্পিং (phonemic overlapping) ওইব কৌৱী। অসিগুম্ব মওং অসি নৎতবদ ফোনিম্সিংগি কন্ত্রসতিপ্ ওইব মথৌ অসি মাঙ্খিব মতাংসু লৈ। মদুবু নিউত্রেলাইজেসন্ (neutralization) হায়ন খঙ্নৈ। নিউত্রেলাইজেসন্দ ফংব ফোনিম্ অদুবু আরকিফোনিম্ (archiphoneme) কৌৱী। মখাগি দৎচ (Dutch) লোন্গি দাতা অসি য়েংসি -

toen 'to do'	teken 'sign'	bond 'association'
doen 'then'	deken 'blanket'	bont 'fur'

(data from Clark and Yallop, 1995 : 15)

মথক্কি দাতা অসিদ ৱাহৈগি অহৌব অমসুং মরক্ত ভোইস অমসুং ভোইসলেস ইসতোপ্ (t, d) গি কন্ত্রস ফংঙে। অদুবু ৱাহৈগি অরোইবদ লৈরিব [d] অসি পাব মতম্দদি [t] ওইন পাব মরম্ন bond 'association' হায়বসি bont 'fur' হায়বগ মান্নন লৈরে। মরম্ অদুন [t] অমসুং [d] গি ভোইসিং কন্ত্রস অদু মতাং অসিদ ওপবেত্ তৌদ্রে, নিউত্রেলাইজ তৌবে। মীৎয়েং অসিদগি [t] অমসুং [d] অনী অসি করিগুম্ব মতম্দ খেন্নফম্ খঙ্দন [t] ওইন লৈ হায়বসু য়াদে। মবম্দি ৱাফম্ অসিন ফোনিম্ অমসুং মাগি এল্লোফোন্গি মরক্ত অমগ অমগ উব ফংনবগি ৱাফম্ *বাইইউনিক্নেস* (biuniqueness)[১] হায়ব

১. A phonemic description is said to be *biunique* if phonemes and allophones are unambiguously mapped onto each other. For any particular system, then, biuniqueness is a requirement that phonemes and allophones can be unambiguously asigned to each other. (Clark, J. and Yallop, C., 1995 : 110.)

প্রিন্‌সিপল্ অদু কায়হল্লি। মরম্ অসিন মতাং অসিদ ফংঙিব [t] অসি মাঙ্‌খ্রিব কন্‌ত্রস অদুগি মহুৎসিন্‌ব তোপ্ তোপ্‌প ফোনিম্, আবকিফোনিম্ অমনি। মসি কন্‌ত্রসত ফংব ফোনিম্‌গ খেন্‌নন ময়েক্ অচৌবন মখাগি অসুম্‌ন ইনৈ -

/t/ কন্‌ত্রসত ফংব ফোনিম্।

/T/ আবকিফোনিম্।

আবকিফোনিম্ হায়বসি ময়েক্‌সেংনা মসক তাক্‌তব খোন্‌থোক্‌কি মমিংনি। মরম্ অদুন মথক্‌কি T অসি ভোইসিংলচিংব যাওদব চুমর্‌গি অলভিওলব ইসতোপ্ অমগি মহুৎ সিন্‌বর্তানি। বাহৈ অমবোম্‌দ হায়বগ T অসি [d] গি মহুৎসিন্‌বসু নৎতে অদুগ [t] গি মহুৎ সিন্‌বসু নৎতে। অনীমক্‌ত যাওঁবব অলভিওলব ইসতোপ্ অদুগি মহুৎ সিন্‌বর্তানি।

২.১৯ দিসতিংতিপ্ ফিচরসিং অমসুং নেচরেল্ ক্লাস (distinctive features and natural class)

দিসাদংতিপ্ ফিচর থিওরিনা ইসাপস সাউন্‌সিং অসি অমত্তক হন্না খানা [illegible] পোৎলম্‌সিং (indivisible entities) ওইনা লৌবসি যাদে। মদুগী [illegible] খোন্‌থোক্ খুদিংমক্ ফিচর কয়ামবুম্‌ন তাসিনলব মপুন মপন ওইনা লৌবী। অসিগুম্‌ব ফিচরসিং অসি খোন্‌থোক্ অমগি [illegible] লৈবা মচল (simultaneous component) সিংনি। মখোয়গি ভেল্যুগি আস বাইনারি (binary) [illegible]। মরম্ অদুন কানগুম্‌ব ফিচর অমগ ভেল্যু মাস (+) [illegible] ( ) [illegible] অমদ তাকনৈ। খুদম্ ওইনা কানগুম্‌ব খোন্‌থোক অমগি ফিচর আস [illegible] ওই হায়না লেপ্‌পবাদ মদুন (+ nasal) [illegible]। অদুগ খোন্‌থোক্ অদুনা [illegible] নেজেল্‌গি ফিচর অসি লৌদুনা (- nasal) হায়বসি খোন্‌থোক অদুগি ফিচর অম ওইনা পীনৈ। অসিগুম্‌ব ফিচর অসিগি কান্‌নবাদ কনিগুম্‌ব ফোনোলোজিকেল্ প্রোসেস (phonological process) অম তাকপ মতমদ মনীলৈনব ফিচরসিং অদুদং পনদুন ফোনোলোজিকেল্ রুল্ সেম্‌বা যাব অসিনি। খুদম্ ওইনা কানগুম্‌ব ফোনোলোজিকেল্ প্রোসেস অমদ ভাবল্‌সিং, গ্লাইৎসিং, নেজেল কোন্‌সোনেল্‌সিং অমদি লিক্কিৎসিং অসিন মরীলৈনব খোন্‌থোক্‌সিং ওইব তাববদি মখোয়

ময়াম্ অসি হায়বগি মহুৎত [+ সোনোরেন্] হায়ব ফিচর অসিতমক্ পল্লগ ফোনোলোজিকেল্ রুল্ সেম্ব য়াই। অয়াম্ব মতম্দসু ফোনোলোজিকেল্ প্রোসেস অমদ খোন্থোক্ কাঙ্বু অমগ মরীলৈনব খোন্থোক্সিং চঙ্ব ঙাক্তনি। হায়রিব অসিদ নেতিপ্ ইসপিকরসিংগি পূক্নীংদ ফোনোলোজিকেল্ রুল্ অমগি অকক্নব পাউ (particular information) ওইন ইসতোর তৌব মতম্দসু মিনিমম্ ইন্ফোরমেসন্ অদুতং ইসতোর তৌবগি মওং অদু উব ফংঙী। মীওইবগি ব্রেন্ন মিনিমম্দ পরসিপ্ তৌব্রী অমদি রিদন্দেন্ ওইব সরুক্সিং পূক্নীংগি ফাইল্দ হাপ্চিন্দে হায়বসি লোন্মীৎলোন্ সূবসিংগি ইসতেন্দাৎ এজম্সন্ (standard assumption) অমনি। মতৌ অসুম্ন ফোনোলোজিকেল্ প্রোসেস নৈনরক্পদ দিসতিংতিপ্ ফিচর থিওরিন য়াম্ন খুদোং চাহন্বগ লোয়নন লোন্ নৈনবদ সাইকোলোজিকেল্ ওইব মসক্ অমসু পীরি। মসিগি মপান্ন খোন্থোক্সিং অসি কাঙ্লুপ্ কাঙ্লুপ্ খায়দোক্তুন নৈনব য়াই। কোন্সোনেন্ অমসুং ভাৱল্সিংবু তোঙান্ তোঙান্ব পেরামিতরদ নৈনবগি মহুৎত ফোনেতিক্ ফিচরসিংগি সেৎ অমতন মখোয়বু পূন্ন নৈনবা য়াই। খোন্থোক্সিংগি মরক্ত নেচরেল্ ক্লাস (natural class) অম লৈ হায়বসি দিসতিংতিপ্ ফিচর থিওরিন তৎতন খঙ্হন্ব ৱাফম্ অমনি। তসেংবমক্সু ফোনোলোজিকেল্ প্রোসেসসিংদ চঙ্লিব খোন্থোক্কি নেচরেল্ ক্লাসসিং অদু নৈনব হায়ব অসিন পান্দম্ ওইদুন থওইন লিংগুইসসিংন দিসতিংতিপ্ ফিচর থিওরি পুথোক্পনি। অসিগুম্ব ফিচরসিং অসি মখাদ পীরিব মখল্ মঙা অসিগি মখাদ নৈনৈ -

(১) মেজর ক্লাস ফিচরসিং

(২) মেন্নর ফিচরসিং

(৩) প্লেস ওপ্ আরতিকুলেসন্ ফিচরসিং

(৪) তং বোদি ফিচরসিং অমসুং

(৫) সেকেন্দরি ফিচরসিং

২.১৯.১ মেজর ক্লাস ফিচরসিং (major class features)

মসিন মখাদ পীবিব ফিচব অহুম্ অসিবু খঙ্হল্লি।

[কোন্সোনেন্তেল্] মসিন ৱা ঙাঙ্বদ চঙ্লিব হৃক্চাং কযাৎসিং অদু থেংনব নক্লা কা হেন্‌ন নক্সিন্নদুন ফ্রিক্সন্ থোক্হনব খোন্থোক্সিং অদুবু খঙ্হল্লি। ফিচব অসিন ইসতোপ্, ফ্রিকেতিপ্, এফ্রিকেৎ, নেজেল্, লেতবেল্ অমসুং ট্রিল্ খোন্থোক্সিং অসিবু [+ কোন্সোনেতেল্] হাযব খোনথোক্ কাঙ্বু অম ওইহল্লি। গ্লাইৎ অমসুং ভাৱল্সিংন [– কোন্সোনেনতেল্] ওইব কাঙ্বুনি।

[সোনোবেন্] খোন্থোক্সিং অদু হাযব মতম্দ ইসপোনতেনিযস ভোইসিং (spontaneous voicing) যাওব ওইববদি সোনোবেন্ হাযনা খঙনৈ। ভাবল্ গ্লাইৎ, লিক্কিৎ অমসুং নেজেল্ খোন্থোক্সিং অসি [+ সেনোবেন্] সিংনি। ওপ্সট্রুযেন্ (obstruent) সিং ওযবসি ইসতোপ্, ফ্রিকেতিপ অমসুং এফ্রিকেৎসিং অসিন [– সোনোবেন্] সিংনি।

[সিল্লেবিক্] সিল্লেবল্ অমগি পিক্ (peak) ওইবা ঙমব (see section ২.১৭) খোন্থোক্ অদুবু খঙনৈ। মনিপুরি লোন্গি ওইনদি ভাৱলসে, অসি [+সিল্লেবিক্] ওইব খোন্থোক্সিংনি। ইংলিস লোনগীদ ভাবল অমসুং সিল্লেবিক্ কোনসোনেন্সিং (l, n, r) অসি [+ সিললেবিক] সিংনি। সংস্কৃত লোন্দদি সিল্লেবিক্ কোন্সোনেন্ ঋ, ৯ (l r) অসি ভাবল ওইন লৌদুন ভাবল্সিংগি কাঙলপ্ত চল্লি। মবম অদুন লোন্ অসিদ ভাৱল্সিং অসি [+সিললেবিক্] ওইব খোন্থোক্সিংনি। সিললেবিক কোন্সোনেন্সিং অসি লিক্কিৎ (liquid), নেজেল্ অমসুং ফ্রিকেতিপ্সিংন ওইগল্লি। ইসতোপ্সিং অসিদি মতম্ পুম্নমক্ত [– সিললেবিক্] ওই। ফিচব অসিন গ্লাইৎসিং অসি ভাবল্দগি খেন্নৈ হায়ব খঙ্হল্লি। মখাদ মবুওইব খোন্থোক্ কাঙ্বুসিং অদু পীবি

	কোন্‌সোনেন্‌তেল্‌	সোনোরেন্‌	সিল্‌লেবিক্‌
ভাৱল্‌	–	+	+
সেমিভাৱল্‌ (গ্লাইৎ)		+	-
লিক্বিৎ অমসুং নেজেল্‌	+	+	–
ওপ্‌সত্রুয়েন্‌	+		

তেবল্‌ (major speech sound classes)

২.১৯.২ মেন্‌নর ফিচরসিং (manner features)

কবমন হায়দোকপসে হায়ব মওংসিংদু যেংঙগা খোনথোক্‌সিংবু খেন্নহন্ব ওম্ব ফিচর্‌সিং অদুবু মেন্‌নর ফিচর হায়না খঙনৈ। মখাদ মখোয়সিং অদু মথং মথং পীব

[কন্‌তিন্‌য়েন্‌] ফিচর আসন খোন্‌থোক্‌ অদু হায়দোকপ মতম্‌দ যানুংগি মফম্‌ অমদ নুংসিৎকি খোঙচৎ অদু পুংথিং থিংদব অদুবু খঙহল্লি। ফ্রিকেতিপ্‌, নেজেল্‌, লিকুৎ, গ্লাইৎ অমসুং ভাবল্‌সিং অসি [+ কন্‌তিন্‌য়েন্‌] সিংনি। অদুগা ইসতোপ্‌ অমসুং এফ্রিকেৎসিংনা [– কন্‌তিন্‌য়েন্‌] সিংনি।

[দিলেই ইন্‌সেন্‌তেনিয়স রিলিজ] খোন্‌থোক্‌ অদু হায়দোকপ মতমদ (release phase) দা থাদিন্‌ দ পেখৎপ নুংসাংবা সবুক অদু প্রিকেতেপ খোন্‌থোক্‌ অমগুম্‌ হায়দোকপ অদুদা দিলেই রিলিজ অদুগা মরী লৈনদনা থাওদনা হায়দোকপ অদুবুনা ইনস্‌তেন্‌তেনিয়স রিলিজ হায়না খঙনৈ। ফিচর অসিনা এফ্রিকেৎসিংগী ইসত্রোপসিংগা খেন্নহল্লি। এফ্রিকেৎসিং অসি [+ দিলেই রিলিজ] নি অদুগা ইসতোপ্‌সিংনা [– দিলেই রিলিজ] নি।

[নেজেল] অমসুং [লেতরেল্‌] ফিচর অনী অসিদি হান্‌নদগি চৎনবক্‌প গ্রেদসন্‌নেল্‌ ফোনেতিকসন লৌবির মওং অদুগা মান্‌নন দিসতিংতিপ্‌ ফিচর থিওরিনসু লৌরী। ভেলম্‌ হাইথবক্‌তুন নাতোন্‌গি লমবেন্দ নুংসিৎকি খোঙচৎ অদু থাববদি খোন্‌থোক্‌ অদু [+ নেজেল] ওই অদুগা নৈগী নাকল্‌দ নুংসিৎকি খোঙচৎ অদু হায়দোবক্‌তুন চৎলবদি [+ লেতরেল্‌] হায়ব ফিচর অদ ওই।

[ইসত্রইদেন্] ফিচর অসিন খোন্থোক্ অদু হায়দোক্প মতম্দ ফ্রিক্সন্ য়াম্ন থোক্হন্দুন হৌন তাব অদুবু খঙ্হল্লি। মবু ওইন ফ্রিকেতিপ্সিংগি মরক্ত অমগ অমগ খেন্নহন্দুন কাঙ্লুপ্ খাইদোক্পসু ফিচর অসিন য়াহল্লি। অল্ভিওলর ফ্রিকেতিপ্ [s] অসি [+ ইসত্রইদেন্] নি অদুগ দেন্তেল্ ফ্রিকেতিপ্ [θ] অসি [– ইসত্রইদেন্] নি।

২.১৯.৩ প্লেস ওপ্ আরতিকুলেসন্ ফিচরসিং (place of articulation features)

মসিগি মখাদ করনেল্ (cornal) অমসুং এন্তরিয়র (anterior) হায়ব ফিচর অনীখক্ সীজিন্নৈ। [+ করনেল্] হায়ব ফিচর অসিদি লৈগী ব্লেৎ (blade of the tongue) ন নিউত্রেল্ পোজিসন্দগি ৱাংখৎলগ হায়ব খোন্থোক্সিংবু খঙ্নৈ। য়া, য়ারি পরিং অমসুং পেলেতো-অল্ভিওলরগি মপাদদ লৈগী ব্লেৎন হাইগৎপ ঙম্ব মরম্ন দেন্তেল্, অল্ভিওলর অমসুং পেলেতো- অল্ভিওলর খোন্থোক্সিং অসি [+ করনেল্] সিংনি। অদুগ লেবিয়েল্, ভিলর, ইউভুলর অমসুং ফেরিংজিয়েল্সিং অসিন [–করনেল্] সিংনি।

[এন্তরিয়র] পেলেতোঅল্ভিওলরগি মমাঙ্দ অপন্ব পীদুন হায়দোক্প খোন্থোক্সিংবু [+এন্তরিয়র] কৌৱী। লেবিয়েল্, দেন্তেল্ অমসুং অল্ভিওলরসিং অসি [+ এন্তরিয়র] নি। ভাৱল্`, পেলেতেল্, ভিলর, ইউভুলর অমদি ফেরিংজিয়েল্সিং অসিন [– এন্তরিয়র] নি।

১. ভাৱল্ খোন্থোক্সিং অসি [– anterior] ওইবগি মরম্দি মখোয়সিং অসি হায়দোক্প মতম্দ অল্ভিওলর রিজ (alveolar ridge) গি মনুংলোম্দ হাইজিল্লগ ঙৌ, ঙৌনীংনচিংবগি মপাদত লৈনা ৱাংখৎতুন হায়ব অসিনি।

২.১৯.৪ বোদি ওপ্ তং ফিচরসিং (body of tongue features)

লৈগি তোঙান্ তোঙান্‌ব ফিভম্ অহুম্‌খক্ যেংদুন হায (high), লো (low) অমসুং বেক্ (back) হাযব ফিচব অহুম্ অসি মতাং অসিদ সীজিন্নৈ। ফিচব অহুম্ অসি লৈ (tongue) গি নিউট্রেল্ পোজিসন্ (neutral position) দগি যেংঙগ মসক্ তাক্ই। নিউট্রেল্ পোজিসন্ হাযবসি চাউবাক্‌ন ইংলিসকি bed হাযব ৱাহৈ অসিদ থাওব্বিব [ɛ] হাযব ভাবল অসি হাযদোক্‌প মতম্‌দ ওইবিব লৈগী ফিভম্ অদুনি হাযন লৌনৈ। [+হায] ওইব খোন্‌থোক্‌সিংদি তং বোদিন নিউট্রেল্ পোজিসন্‌দগি ৱাংখৎলগ হাযদোক্‌পসিং অদুনি। নিউট্রেল্ পোজিসন্‌দগি নেম্‌থব ওইববদি [+লো] হাযন খঙ্‌নৈ। মসিনা তাক্‌পদি মিদ ভাৱলসিং (mid vowels) অসি [-হায] অমসুং [-লো] নি। মসিগ মবন্নদি মখোয অসি হাযদোক্‌প মতমদ তং বোদি অসি নিউট্রেল্ পোজিসনদ লৈ, ৱাংসু বাংখৎতে, নেম্‌সু নেম্‌থদে। নিউট্রেল্ পোজিসন্‌দগি যান্নংলোম্‌দ লৈ অসি চিংসিন্নলগ হাযব খোন্‌থোক্‌সিং অদুবুন [+বেক] হাযবগ খঙনৈ। সেনট্রেল অমসুং বেক ভাবলসিং অসি [+বেক্] নি। মখোযসিং অসি হাযদোকপ মতমদ তং বোদি অসি নিউট্রেল পোজিসন্‌দগি লৈখোঙলোমদ চিংসিল্লি। লৈখোঙদ চিংসিন্দব ওইবগন [-বেক্] কৌবা।

২.১৯.৫ রাউন্দেৎ

চীম্বান্ কোযববু [+রাউন্দেৎ] অদুগা কোযদববুন [-রাউন্দেৎ] হাযবগ খঙ্‌নৈ। মখাগ তেবল্‌সিংদ মানপাব ভাবল অমসুং কোন্‌সোনেন্টসিংগি ফিচর ইসাপাসফিকেসন্‌সিং অদু পীবি।

	ই	এ	অ	আ	উ	ও
হায	+	-	-	-	+	-
লো	-	-	-	+	-	-
বেক্	-	-	+	+	+	+
রাউন্দেৎ	-	-	-	-	+	+

	প	ব	ফ	ভ	ত	দ	থ	ধ	ক	গ	খ	ঘ	চ	জ	ঝ	ম	ন	ঙ	ল	ৰ	হ	স	ৱ	য
কোন্সোনেন্তেল্		+	+	+	+	+	+	+	+	+	+	+	+	+		+	+	+	-	+	+	+	-	-
সোনোরেন্	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-					+	+	+	[illegible]	+	-	-	+	+
সিল্লেবিক্	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-
কন্তিনুয়েন্	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	+	+	+	+	+	+	+	+	+
দিলেং	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	+	+	+	-	-	-	-	-	-	-	-	-
নেজেল্	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	+	+	+	-	-	-	-	-	-
লেতরেল্	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	+	-	-	-	-	-
ইসত্রইদেন্	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	+	-	-
এন্তরিয়র	+	+	+	+	+	+	+	+	-	-	-	-	-	-	-	-	+	-	+	+	-	-	-	-
করনেল্	-	-	-	-	+	+	+	+	-	-	-	-	-	-	-	-	+	-	+	[illegible]	-	-	-	-
ভোইস	-	+	-	+	-	+	-	+	-	+	-	+	-	+	+	+	+	+	+	-	-	-	+	+
এসপিরেতেং	-	-	+	+	-	-	+	+	-	-	+	+	-	-	+	-	-	-	-	-	-	-	-	-
হায়	-		-	-	-	-	-	-	+	+	+	+	+	+	+	-	-	-	-	-	-	-	+	+
লো	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-	-
বেক্	-	-	-	-	-	-	-	-	+	+	+	+	-		-	-	-	+	-	-	+	-	+	-

মথক্ত নৈনরিব দিসতিংতিপ্ ফিচরসিং অসিগি কান্নব অসি খোন্থোক্ অমগি মসক্ তাক্প য়াবদ নংতন খোন্থোক্ কাঙ্লুপ্ অমগি মসক্ তাক্পদসু য়াব অসিনি। মসিন খোন্থোক্ কাঙ্লুপ্ অমগি অপূন্ব দিসতিংতিপ্ ফিচর ভেলু নত্রগা ভেলুসিং লৈব য়াই হায়ব খঙ্হল্লি। করিগুম্ব খোন্থোক্ কাঙ্লুপ্ অমগি মান্নব ফিচর ভেলু লৈরবদি খোন্থোক্ অদুন নেচরেল্ ক্লাস অম ওই। খুদম্ ওইন দিসতিংতিপ্ ফিচর ভেলু [+consonantal] হায়ব অসি মান্নন লৈবদগি কোন্সোনেন্ খোন্থোক্সিংন সেমি ভাৱল্ অমসুং ভাৱল্ খোন্থোক্সিংদন খেন্নন তোঙান্ব নেচরেল্ ক্লাস অম ওই। কোন্সোনেন্সিংগি মরক্ত অমুক্ ওপ্সত্রুয়েন্ (ইসতোপ্, ফ্রিকেতিপ্ অমসুং এফ্রিকেৎ) সিং অসিন [+consonantal] অমসুং [–sonorant] হায়ব ফিচরসিং অসি লৈবন অতোপ্প নেচরেল্ ক্লাস অম অমুক্ ওই। ওপ্সত্রুয়েন্সিংগি মরক্তগি অমুক্ [+consonantal], [–sonorant], [–continuant] অমসুং [–delayed relean] হায়ব ফিচরসিং অসি ইসতোপ্ খোন্থোক্সিংন পূন্ন সরুক্ য়ামিন্নবদগি ইসতোপ্ খক্তন নেচরেল্ ক্লাস অম অমুক্ ওই। ওপ্সত্রুয়েন্সিংগি মরক্ত ইসতোপ্ অমসুং এফ্রিকেৎ অনী অসিতন [–continuant] হায়ব ফিচর ভেলু অসি লৈ।

অদুগ ইসতোপ্‌ন [–delayed release] অদুগ এফ্রিকেৎন [+delayed release] ওইব মরম্‌ন মাইনস ভেলু সীজিন্‌নদুন ইসতোপ্‌ অসি এফ্রিকেৎতগি তোঙান্‌ন উৎপ য়াই। মতৌ অসুম্‌ন নেচরেল্‌ ক্লাস অদুন পীক্‌থরক্‌লিব মখৈ ফিচর মসীং হেন্‌গৎন উৎকনি। খুদম্‌ ওইন মনিপুরিগি ইসতোপ্‌ খোন্‌থোক্‌সিং অসিন নেচরেল্‌ ক্লাস অম ওইবদ ফিচর মসীং মবি চঙ্‌ঙি অদুগ বাইলেবিয়েল্‌, অল্‌ভিওলব অমসুং ভিলব ইসতোপ্‌সিংগি তোঙান্‌ তোঙান্‌ব নেচরেল্‌ ক্লাস অমমম্‌ পীব তারবদি ফিচব মসীং অনী হেন্‌গৎন চঙ্‌ঙী। মখাদ মখোয়গি ফিচব মসীং অমদি ফিচব ভেলুসিং অদু উৎলি -

stops

+ consonantal
– sonorant
continuant
delayed release

bulabial stops

+ consonantal
sonorant
continuant
delayed release
+ anterior
- coronal

alveolar stops

+ consonantal
sonorant
- continuant
– delayed release
+ anterior
+ coronal

velar stops

+ consonantal
- sonorant
– continuant
delayed release
anterior
coronal

মথক্কি তোঙান তোঙানব ইসতোপাসংগ নেচবেল্ ক্লাসসিং অসিদগি ইসতোপ্ খোন্থোক্ অমমমদগি দিসতিংতিপ্ ফিচব ভেলুসং অদু পাংগে ঙাযববদি ফিচব মসীং অনী অমগ অমুক হেনগৎকনি। খুদম ওইন মখাদ প, ব, ত অমসু দ গি ফিচব ভেলুসং অদু পীবি।

প	ব	ত	দ
+ cons	+cons	+ cons	+ cons
son	son	son	son
conti	conti	conti	conti
del rel	del rel	del rel	del rel
+ ant	– ant	+ ant	+ ant
cor	cor	cor	+ cor
vd	+ vd	vd	+ vd
asp	asp	asp	asp

মথক্ত ঐখোযন পীবিব ফিচবসিং অসি খোন্থোক অমন নত্রা খোন্থোক্কি ক্লাস অমন অতোপ্পসিংগ খেন্নব অদু তাক্পদ তঙাইফদন চঙ্ব মসীংসিং অদুনি। খোন্থোক্ অমগি নত্রা নেচবেল্ ক্লাস অমগি ফিচব খুদিংমক্ লোইন তাক্পগি কান্নব লৈতে। কবিগুম্ব ফিচব অমগি ভেলুন অতোপ্প ফিচবগি ভেলু খঙহন্নব ঙম্লবদি ফিচব অনীমক্ পীবগি কাননব লৈতে। খুদম্ ওইন কবিগুম্ব খোন্থোক্

অম [+nasal] ওইরবদি খোন্থোক্ অদু [+sonorant] সু ওইগনি। মসিগি মরম্দি নেজল্ খোন্থোক্ পূম্নমক্ [+sonorant] ওই। অসিগুম্বা ফিচর অমন খণ্ডহন্বা ঙম্বা অতোপ্পা ফিচর অসিবু রিদন্দেন্ ওইবা ফিচর (redundant feature) কৌরী। অসিগুম্বা রিদন্দেন্ ওইবা নক্ত্রা প্রেদিক্ তৌবা য়াবা ফিচর্বগি ভেলুসিং অসি ইম্প্লিকেসনেল্ রুল্গি মতেংনা মখাগি অসুম্না উৎপ য়াই -

[+strident]	⟹	[-nasal]
[+nasal]	⟹	[+sonorant]
[+high]	⟹	[-low]
[+low]	⟹	[-high]
[-high, -back]	⟹	[-low]
[-continuant]	⟹	[+consonantal]


মথক্কি ইম্প্লিকেসনেল্ রুল্সিংনা খণ্ডহল্লিবসি *if and then* গি মওংনি। খুদম্ ওইনা কবিগুম্বা খোন্থোক অম [+strident] ওইরবদি খোন্থোক্ অদু নেজেল্ ওইরোই হায়বনি। অসিগুম্বা প্রেদিক্ তৌবা য়াবা ফিচর ভেলুসিং অসি হাপ্পুরগ রিদন্দেন্ ওইবা মরম্না খোন্থোক অমগি ফিচর ইসাপিসাফসেন্ পীবা মতম্দ হাপ্নদে।

২.২০ সিল্লেবল্ (syllable)

সিল্লেবল্ হায়বা অসি ৱা ঙাঙ্থোক্পগি খাইদগি পীক্পা ইউনিৎ অমনি। ঐখোয়না খাইদগি পীক্না ঙাঙ্ঙিবা অদু সিল্লেবল্নি। সিল্লেবল্ হায়বা অসিনা ঐখোয়না ঙাঙ্ঙিবা অসিগি নেচরেল্ দিভিজন্ (natural division) অম লৈ হায়বা খণ্ডহল্লি। মসি নেতিপ্ ইসপিকর খুদিংগি পুক্নীংদ লৈবা অসেংবা ইউনিৎ অমনি। খুদম্ ওইনা *চাগনি, চারম্গনি, চেরম্মগনি*হায়বা ৱাহৈসিং অসিদ মথংসিংনা সিল্লেবল্ অহুম্, মরি অমসুং মঙা য়াওরী হায়বা অসি মনিপুরি নেতিপ্ ইসপিকর খুদিংনা

লায়ন তাক্প ঙম্মী। অদুগ লোন্ অমগি পবসেপ্সন্গি খ্বাইদগি পীক্প ইউনিৎ ওইবিব ফোনিম্ নক্তা খোন্থোক্কি দিসক্রিমিনেসন্ তৌনবগি খ্বাইদগি পীক্প ওইনিৎ ওইবিব *দিসতিংতিপ্ ফিচরসিং* e g. ভোইস, ভোইসলেস, এসপিরেতেৎ, অনএসপিরেতেৎ অসি তাকউ হায়ববদি ইবাথ লায়দে। মবম্ অসিদগি সিল্লেবল্ হায়ব অসি নেতিপ্ ইসপিকবাসিংন খ্বাইদগি লায়ন খঙব ঙমব অসেংব বা ঙাঙ্বগি ইউনিৎ অমনি হায়বিবনি। মসিদ লুবিবদি মখোয়ন সিললেবল্ব কবম্ন খঙ্ঙিবনো অমদি মদু কবিনো হায়ববদি সিল্লেবলগি মযেক্ সেংদব বাফম ওইবগনি। সিল্লেবল্বু কবম্ন তাক্প যাবগে হায়বগি মতাংদ ঙসি ফাওবদি মযেক্সেংব পাউখুম্ অমত লৈত্রি।

সিললেবল্ হায়বাস মাঙোনদ যাওবিব খোন্থোক্পাসংগা মওংইনন সবুক্ অহুম্ থোক্ই। খায়দোক্প যাই। খ্বাইদগি প্রোমিনেন ওইবিব সিললেবলগি সবুক অদুবু পিক্ (peak) কৌবা। পিক্কি মমাঙ্দ লৈবা সিললেবল অদুগি খোনথোক পৃমনমক্ অদুন ওনসেৎ (onset) হায়ব সবুক অসি ওই। কোদ (coda) হায়ব অসিন পিক্কি মতুংদ লৈব সিল্লেবল্ অদুগি খোনথোক পমনমক অদুন ওই। অদুগা পিক অমসুং কোদান পুললগা সিল্লেবল্ অমগি কোর (core) হায়ব সবুক থাস অমুক্ ওই। মখাদ *খোঙ্* হায়ব বাইগি আসাগি সিল্লেবল্ ইস্ত্রকচর অদ পাই :



মথক্ত পীবিব সিল্লেবল্গি ইসত্রক্চর অসিদ ওন্সেৎ, পিক অমসুং কোদা হায়ব সবুক্ অহুম্ লৈবিব অসিদ পিক্ হায়ব অসিন সিল্লেবল্গি খ্বাইদগি মরু ওইব সবুক্নি। মসি ভারল্ খোন্থোক্সিংন ওইগল্লি। ওন্সেৎ অমসুং

কোদা হায়ব সরুক্সিং অসিদি কোন্সোনেন্ খোন্থোক্সিংতন ওই। সিল্লেবল্ অমদ পিক্তমক্ লৈব য়াই, ওন্সেৎ অমসুং কোদা হায়বসিং অসিদি য়াওবসু য়াই, য়াওদবসু য়াই। সিল্লেবল্ অমগি ওন্সেৎকি খোন্থোক্সিং অসি লোন্ লোন্ অদুন লেপ্পী। মনিপুরিগি ওন্সেৎত কোন্সোনেন্ ০ দগি ২ ফাওব লৈব য়াই। মখাদ খুদম্ পীরি -

ই 'write' O_0

তা 'spear' O_1

ক্বা 'betal nut' O_2

অদুগ কোদাদদি কোন্সোনেন্ ০ দগি ১ ফাওব লৈব য়াই। মখাগি খুদম্সিংদ উৎলি -

উ 'tree' C_0

উন্ 'ice' C_1

মনিপুরিগি সিল্লেবল্ ইসত্রুক্চব অদু মখাদ পীরিব সূপ্চিন্ব মওং অসিদ তাক্লি

$(O_{0-2})\ P\ (C_{0-1})$

মথক্কি সূপ্তাক্ অসিদময়াইদ পিক্ লৈরগ ওন্সেৎত কোন্সোনেন্ অনী ফাওব লৈব য়াই অদুগ কোদাদা কোন্সোনেন্ অমখক্ লৈব য়াই হায়ব খঙ্ইল্লি। অদুগ ওন্সেৎ অমসুং কোদাবু পেরেন্থেসাইজ তৌরিব অসিন য়াওবসু য়াই, য়াওদবসু য়াই হায়ব খঙ্ইল্লি। মখাদ খুদম্সিং পীরি -

তা	O_1P
ক্বা	O_2P
উন্	PC_1
খোঙ্	O_1PC_1
ফ্রং	O_2PC_1

করি করিগুম্ব লোন্দ পিক্ অসি কোন্সোনেন্ন ওইবসু য়াওরী। মদুবু সিল্লেবিক্ কোন্সোনেন্ হায়ন খঙ্নৈ। সিল্লেবিক্ কোন্সোনেন্ অসি লিক্বিৎ অমসুং নেজেল্ খোন্থোক্সিংন ওইগল্লি। ইংলিসকি button [bʌtn̩] অমসুং bottle [bɒtl̩] দ

য়াওবিব অনীসুব সিল্লেবল্গি I অসি সিল্লেবিক্ ওই। সিল্লেবিক্ ওই হাযব অসি মখাদ অতেন্ব ভবতিকেল্ ইসত্রোক্ [।] অম পীবিব অসিন তাক্ই। অদুগ করিগুম্ব সিল্লেবল্ অমদ কোদা যাওদ্রবদি মদুবু ওপন্ সিল্লেবল্ কৌবী অদুগ কোদা যাওব ওইববদি সিল্লেবল্ অদুবু ক্লোজ সিল্লেবল্ কৌব্রী।

সিল্লেবল্সিং অসি মখোর্যগি কোবগি ইসত্রক্চব অদু যেঙ্ঙগ ৱিক্ (weak) অমসুং ইসত্রেং (strong) হাযব মখল্ অনী থোকন অমুক্ খাযদোক্ই। অতেন্ব ভাৱল্ অমগ অতেন্ব কোন্সোনেন্ অমগন কোব ওইব সিল্লেবল্ অদুবু ৱিক্ সিল্লেবল্ কৌবী। ৱিক্ সিললেবল্ অম হাযবদ চঙথিংগী মতম্দাগ চাং অসিবু মোবা (mora) অম কৌব্রী। মোবা অমদগি হেন্না চঙ্ব সিললেবল্ অদুবু ইসত্রোং সিল্লেবল্ কৌব্রী। ইসত্রোং সিললেবল্গি কোর্বগি ইসত্রক্চব অসি মখাগি মওংসিং আস ওইব যাই।

(ক) অসাংব ভাৱল্ অম, কোদা যাওবসু যাদ্রে যাওদবসু যাই।

(খ) অতেন্ব ভাবল অম, মতুংদ কোন্সোনেন অনীদাগী হেনা যাওব।

(গ) অতেন্ব ভাবল্ অম, মতুংদ অসাংব কোন্সোনেন অম যাওব।

ইসত্রোং সিললেবল আস ইসত্রোং বাই পোজিসন (strong by position) অমসুং ইসত্রোং বাই নেচব (strong by nature) হাযনা অনীগী মখল্ খায়দোকই। V(C) ন কোব ওইব সিল্লেবল অম য়াওবা সিল্লেবলগি ওনসেৎ অম্দাগী মমাংদ লৈবর্দ মদুবু ইসত্রোং বাই পোজিসন কৌবা। *al-most ad-vise tor-ment* হাযব বাহৈসিংগী অহানব সিলেবলসিং অসি ইসত্রোং বাই পোজিসন্নি। মতুংদ লৈব সিল্লেবলগী ওনসেৎসিং অসিনা মবম ওইদনা লৈফম্দাগ মতুং ইনন ওইব ইসত্রোং সিল্লেবল্সিংনি। অদগ *in-dent a-rrest* নাচর ৱাহৈসিংগি অবোইব সিল্লেবল্সিং অসি মসানা ইসত্রোং ওইজব সিললেবল্ (strong by nature) সিংনি অদুগ mi-stake হাযব বাহৈগি অহান্ব সিল্লেবল অসিদি ৱিক্ সিল্লেবল্ ওইগনি। মসিন লৈফম্গি মতুং ইনন ইসত্রোং ওইব ওম্দবগি মবম্দি *st-* অসি অবোইব সিল্লেবল্গি ওনসেৎ ওইব অসিনি।

২.২১ সুপ্রাসেক্মেন্তেল্সিং (suprasegmentals)

সুপ্রাসেক্মেন্তেল্ হায়বসি প্রোসোদি (prosody) হায়রগসু খঙ্নৈ। মসিন লোন্ অমগি খোন্থোক্সিংগি সন্জ নাইব মওং নত্রা ইসত্রুক্চর (rhythmic nature or structure) অদু খঙ্হল্লি। মসিদ মরু ওইন নৈনরিব অসি ক্বান্তিতি, ইসত্রেস, তোন্ অমসুং ইন্তোনেসন্ হায়বসিং অসিনি। মখোয়সিং অসি সেক্মেন্তেল্ ইউনিৎসিংদ হাপ্চিল্লক্প পোৎ (overlaid eliment) সিংনি হায়ন লৌনৈ। মখোয় য়াওদন্ হিউমেন্ কম্মুনিকেসন্গি মরম্দ খন্ব অসি ওইথোক্তে। মখোয়সিং অসি মথং মনাউ নাইন মখাগি সপ্-সেক্সন্সিংদ নৈনরি।

২.২১.১ ক্বান্তিতি (quantity)

ক্বান্তিতি হায়ব অসিন খঙ্হল্লিব অসি খোন্থোক্সিংগি রিলেতিপ্ লেঙ্ (relative length) নত্রগ মখোয়গি দিউরেসন্ (duration) অদুগি পরসেপ্তিপ্ নত্রা ফংসনেল্ মোনফেসতেসন্ অদুবুনি। খোন্থোক্সিং অসি হায়ব মতম্দ অতেন্ মসাং মাননদে। মসিবু ফিজিকেল্ লেভেল্দ দিউরেসন্ কৌরী। দিউরেসন্সিং অসি ঐখোয়ন তাব মতম্দ অতেন্ অসাং ওইন্ তায়। খুদম্ ওইন্ লো ভাৱল্সিংন হায ভাবর্লসিংদগি সাংঙী। দিপ্থোঙ্ন অতৈ ভাৱল্সিংদগি অমুক্ক সাংন তায়। অসিগুম্ব খোন্থোক্ মসাগি ওইন অতেন্ অসাং নাইব অসিবু ইন্ত্রিসিক্ নত্রা এপ্সুলুৎ লেঙ্ (intrisic or absolute length) কৌরী। অসিগুম্ব এপ্সোলুৎ লেঙ্ অসিন ৱাহৈগি আরথ খেন্নহন্ব মতম্দ ফংসনেল্ নত্রগ রিলেতিপ্ লেঙ্ হায়ন খঙ্নৈ। মসিন লেঙ্ হায়ব অসি রিলেতিপ্ তাম্দ পরসিপ্ তৌব অদুবু খঙ্হল্লি। মরম্ অসিদগি দিউরেসন্গি পরসেপ্তিপ্ মেনিফেসতেসন্ (perceptive manifestation) অদু ক্বান্তিতিনি হায়বনি। খুদম্ ওইন জবমন্গি staat 'state' অমসুং stadt 'city' হায়বসিং অসি তোঙান্ তোঙান্ব ৱাহৈ অনী ওইন পরসিপ্ তৌরিব অসি মখোয়দ য়াওরিব ভাৱল্গি অতেন্ অসাং অসিননি। ৱাহৈ অনী অসিদ অহান্ব ৱাহৈগি ভাৱল্ন অকোন্ব ৱাহৈগি ভাৱল্দগি সাংব হেল্লি। ইসতোনিয়ান (Estonian) দদি কোন্সোনেন্গি অতেন্ব, অসাংব

অমসুং খর য়াম্ন সাংব হায়ব মখল্ অহুম্ অসিন তোঙান্ তোঙান্ব ৱাহৈ অহুম্ পবসিপ্ তৌব ঙম্হল্লি। মখোযগি খোন্থোক্ অসি দোৎ (dot) সীজিন্নদুন তাক্নৈ। মখাদ ইসতোনিয়ান্ ৱাহৈসিংগি খেন্নব অদু পীবি -

a	n	as in	lina	'flax'
b	n	as in	linna	'city's'
c	n	as in	linna	'of the city'

(a) গি খুদম্ অসিন অতেন্ব n নি। (b) গি আসন অসাংব n ন অতেন্ব n অনী ওইন লৈবনি। (c) গি অসিদন খব যাম্ন সাংব n অসিন অসাংব n অমগ অতেন্ব n অমগ ওইন লৈবনি। মতৌ অসুম্ন সেক্মেন্তেল ইউনিৎসিংগি অতেন্ অসাং অসি বিলেতিপ্ ৩াম্দ পর্বসিপ্ তৌদুন তোঙান্ তোঙানব বাহৈ অহুম্ পবসিপ্ তৌব যাই। অসিগুম্ব দিউবেসর্নগি পবসেপ্শতিপ্ মেনিফেসতেসন অসি সিল্লেবল্ দসু লৈব যাই। বাফম্ অসি ৱিক অমসুং ইসত্রেং সিল্লেবল্গি মতাংদ (২.১৭) নৈনখ্রে। মনিপুবি লোন্দদি দিউবেস্নর্গি পবসেপ্শতিপ মেনিফেসতেসন্ নত্রা ক্বান্তিতি হাযব অসি সেক্মেন্তেল ইউনিৎসিং (কোন্সোনেন্, ভাৱল্সিং) দ লৈতে।

২.২১.২ ইসত্রেস (stress)

ইসত্রেস হাযব অসিন ৱাহৈ অর্মগি মনুংদ লৈব সিল্লেবল্সিংগি বিলেতিপ্ লাউৎনেস (loudness) নত্রা প্রোমিনেন্স অদুবু খঙ্হল্লে। প্রোমিনেন্ ওইব সিল্লেবল্ অমদ অহেন্ব আবতিকুলেতবি ইফৎ (greater articulatory effort) অম লৈগনি। খ্বাইদগি কন্ব আবর্তিকুলেতবি ইফৎ চঙ্ব ইসত্রেস অদুবু প্রাইমাবি ইসত্রেস কৌৱী। মসি তাকননব একিযুৎ এক্সেন মাক্ [´] অসি সীজিন্নৈ। খুদম্ ওইন *sector* অমসুং *enable* হাযব ৱাহৈসিং অসিদ অহান্ব বাহৈগি অহান্ব সিল্লেবল্ অমসুং অকোন্ব ৱাহৈগি অনীসুব সিল্লেবলসিং অসি প্রাইমাবি ইসত্রেস লৈব সিল্লেবল্সিংনি। মবম্ অসিদগি হাযবিব সিল্লেবল্সিং অসিদ ইসত্রেস মাক্ মখাগি অসুম্ন পীগনি

séctor, enáble

কবিগুম্বদ ৱাহৈ অমগি সিল্লেবল্ অনী প্রোমিনেন্ ওইবসু যাই। অনী অদুগি মনুংদ খ্বাইদগি হেন্ন আবতিকুলেতবি ইফৎ চঙ্ব সিল্লেবল্ অদুন প্রাইমাবি ইসত্রেস ওইগনি অদুগ খব হন্থন আবতিকুলেতবি ইফৎ চঙ্ব সিল্লেবল্ অদুন সেকেন্দবি ইসত্রেস ওইগনি। মসি তাক্ননব গ্রেপ্ এক্সেন্ মাক্ (grave accent mark) [`] অসি সীজিন্নৈ। মখাগি নাউন্ ওইন সীজিন্নব ৱাহৈ অনী অসিগি প্রাইমাবি অমসুং সেকেন্দবি ইসত্রেসসিং মখাদ পীবি -

ìnsert, ímport (noun)

মথককি খুদম্দ সিল্লেবল্ অনীমক্ ইসত্রেস পীবি। অদুবু ৱাহৈসিং অসি ভাপ্ ওইন সীজিন্নব মতম্দদি অহান্ব সিল্লেবলসিং অসি ইসত্রেস পীদব সিল্লেবল (unstressed syllable) ওই অদুগ অনীসুব সিল্লেবল্ অসিন প্রাইমাবি ইসত্রেস পীব সিল্লেবল ওই। মখাদ মখোর্যগি ইসত্রেস মাক্সিং অদু পীবি

insert, import (verb)

মথক্ত নৈর্নবিব ইসত্রেসসিং অসি ৱাহৈ অমগি মনুংদ লৈব সিল্লেবলসিংদ লৈবসিং অদুনি। অসিগুম্ব ইসত্রেস অসিবু ৱাৎ ইসত্রেস (word-stress) কৌৱী। ৱাহৈপবেং অমগি মনুংদ লৈব সিল্লেবল্সিংগি প্রোমিনেন্স অদুবুন ৱাহৈ পবেংগি ইসত্রেস (sentence-stress) হায়ন খঙ্নৈ। মসিদদি ৱাহৈপবেং অমগ মনুংদ লৈব সিল্লেবল্সিং অদু কবম্ কবম্বন প্রোমিনেন্ ওইবগে হায়বদু যেংবান। অসুম্ন যেংঙক্প মতম্দ ইসত্রেস সিল্লেবলগ মবক্ত লৌবব অন্ইসত্রেস সিল্লেবল্সিংগি মসীং মান্নদ্রবসু চঙ্ঙিব মতম্গি চাং আস চপ্ মান্নববদি মদুবু আইসোক্রোনি (isochrony) হায়ন খঙ্নৈ। ইংলিসকি ৱাহৈপবেংগি মনুংদ লৈবিব ইসত্রেসসিং অসিগি মবক্ত লৈবিব মতম্গি চাং অসি মান্নৈ হায়ন লৌনৈ। মবম্ অদুন ইংলিসকি সেন্তেন্স ইসত্রেস অসি আইসোক্রোনস (isochronous) ওইব কৌৱী। আইসোক্রোনস ওইব সেন্তেন্স ইসত্রেস লৈব লোন্ অদুবু ইসত্রেস-তাইম্ লেংগোইজ (stress-timed language)

কৌব্রী। ইংলিস অসি ইসট্রেস-তাইম্ লেংগোইজ অমনি। মখাগি খুদম্ অসি যেংসি -

That is the house that John built.

মথক্কি ব্রাহৈপবেং অসিদ ইসট্রেস সিল্লেবল্ মবি লৈ। *That is the* হাযবদ চঙ্ঙিব মতম্গি চাং অসি সেকেন্ অম ওইববদি *house that* হাযব মতম্দসু সেকেন্ অম ওইগনি। অদুগ *John* অমসুং *built* হাযবদসু সেকেন অমমম্ চঙ্গনি। মবক্ত লৈবিব ইসট্রেস পীদব সিল্লেবল্ মসিং মাননদ্রবস্ ইসট্রেস সিল্লেবল্সিং অসি অমদগি অম লাল্লক্পদ চঙ্ঙিব মতম্গি চাং অসিদি মান্নৈ। মসি ইংলিস লোন্গি থোইদোক্প সন্জ মখল্ (particular type of rhythm) অমনি। হাযবিবসি মনিপুরিগুম্ব ইসট্রেস সীজিন্নদব লোন্দদি লৈতে। অসিগুমব ইসট্রেস সীজিন্নদব লোন্দদি সিল্লেবল্সিংগি সন্জ মখল অম সাজিন্নব যাই। অকক্নব মতম্গি চাং অমমম্দ ব্রাহৈপবেংগি সিল্লেবল অসি লৈববদি মসিসু আইসোক্রোনিগি ফেনোমেনন্ অমনি। কবিগুমব খব মতমগি চাং মানন মান্নান লৈববদি আইসোক্রোনিগি ফেনোমেনন অমনি। মবম্ অসিন সিল্লেবলসিংগি মবক্ত আইসোক্রোনস ওইববদি অদুগুম্ব সিল্লেবল্ লৈব লোনসিং অদু সিল্লেবল্-তাইম্ লেংগোইজ হাযন খঙ্নৈ।

২.২১.৩ তোন্ (tone)

তোন্ হাযব অসিন পীৎস (pitch) কি ফংসনেল মেনিফেসতেসন অদুবু খঙ্হল্লি। পীৎস হাযব অসি ফিজিকেল্ লেভেল্দ ফ্রিক্বেন্সি (frequency) ওইন লৈ। ফ্রিক্বেন্সি হাযব অসি সি পি এস (=cycles per second) অদুবনি। ফ্রিক্বেন্সি ব্রাংব নেমবগি মতুংইন্নন খোন্থোক্সিং অসি হায পিৎস, লো পিৎস ওইব যাই। অসিগুম্ব পিৎসকি খেন্নব অসি মবুওইন ভাব্রল্ খোন্থোক্সিংদ লৈগল্লি। কবিগুম্ব লোন্সিংদ খোন্থোক্সিংগি মথং মনাউ চপ্ মান্নব ব্রাহৈসিংবু তোঙান্ তোঙান্ব পীৎসত হাযব মতম্দ মখোযগি তোঙান্ তোঙান্ব আবথ লৈব যাই। খুদম্ ওইন মনিপুরিগি *কৈ* হাযব কোন্সোনেন্ অমসুং ভাবল্গি সিক্বেন্স লৈব বাহৈ অসি লো পীৎসত হাযব মতম্দ *কৈ* হাযব সা অদুগি আবথ খঙ্ত্রী অদুগ হায পীৎসত হাযব মতম্দ ফৌ থম্ননব *কৈ* অদ খঙ্হল্লি। অসিগুম্ব ব্রাহৈগি আবথ তোঙান্ তোঙান্ পীব ঙম্ব পীৎসকি মেনিফেসতেসন্ অসিবু তোন্ কৌব্রী।

অদুগ অসিগুম্ব রিলেতিপ্ পীৎসসিং লৈব লোন্ অদুবু তোন্ লেংগোইজ (tone language) হায়ন খঙ্নৈ। মনিপুরি অসি তোন্ লেংগোইজ অমনি।

পীৎসকি ফ্রিক্কেন্সিদ অহোংব লৈব অমসুং লৈতবগি মতুংইন্ন তোন্গি মখল্ অসি অনী থোক্ন পীনৈ। পীৎসকি ফ্রিক্কেন্সি অসি অহোংব থোইন য়াওদন লেভেল্ অমদ লৈব তোন্ অদুবু রেজিসতার তোন্ (register tone) কৌরী। অদুগ পীৎসকি ফ্রিক্কেন্সি অসি হাইগৎপ, তাথব নত্রা অনীমক্ ওইরবদি কন্তুর তোন্ (contour tone) কৌরী। মনিপুরি লোন্দ রেজিসতার তোন্ন মপৃং ওইন লৈবর নত্রা কন্তুর তোন্ন মপৃং ওইবব হায়ব অসি থোইন মরু ওইদে। মনিপুরিগি তোন্ অসিদি সিম্পল্ অমসুং কম্প্লেক্স তোন্ (simple and complex tone) হায়ব অসিগ মরী লৈনৈ। সিম্পল্ তোন্ হায়ব অসিদি মাগি ফ্রিক্কেন্সি অসি হাইগৎপ, হাইথব নত্রা চাং অমদ লৈব তোন্সিং অদুবুনি। কম্প্লেক্স হায়বন হাইগৎপ হাইথব [∧] নত্রা হাইথব-হাইগৎপ [v] তোন্গি মখল্ অসিনি। মনিপুরিদ লৈবিব তোন্ অনী অসি মখাগি অসুম্ন উৎপ য়াই -

উন্ 'ice'
উন্ 'skin'
কৈ 'tiger'
কৈ 'barn'
লাই 'God'
লাই 'be easy'
ই 'thatch'
ই 'blood'

মথক্ত পীরিব তোন্ অনী অসিদ ফ্রিক্কেন্সি লো ওইব তোন্ অসি চাং অমদ লৈব মরম্ন লেভেল্ তোন্ [-] গি খুদম্ পীরি। ফ্রিক্কেন্সি হায় ওইব তোন্ অসিদি ফ্রিক্কেন্সি তাথরক্প মরম্ন ফোলিং তোন্ [\] গি খুদম্ পীবি। মরম্ অসিদগি মনিপুরিদ লৈব তোন্ অনী অসি লো-লেভেল্ অমসুং হায়-ফোলিং ওইগনি। অসিগুম্ব মায়গৈ হোংব লৈতব মপৃং ওইব তোন্ অনী অসি য়েংলগ মনিপুরি লোন্দ লৈরিব তোন্ অসি সিম্পল্ তোন্নি হায়ন মসক্ তাক্প য়াই। মসিদগি মনিপুরি লোন্ অসি সিম্পল্ তোন্ লেংগোইজ হায়ন কৌব চুম্গনি।

২.২১.৪ ইন্তোনেসন্ (intonation)

ইন্তোনেসন্ হায়বদি ৱাহৈপরেংদ লৈব পীৎসকি অনেম্ অৱাংগি মওং (pattern) অদুনি। অসিগুম্ব ৱাহৈপরেংদ লৈব পীৎসকি পেতন্সিং অসিদি এক্সপ্রেসিপ্ দিভাইস অম ওইন সীজিন্নবনি। মসিন ৱাহৈপরেংগি আরথ হোংহন্ব নংতে। পীৎস হায়ব অসি ইসত্রেস অমসুং তোন্গি মতাংদদি ৱাহৈগি থাক্ত সীজিন্নব মরম্ন লোন্ পূম্নমক্কি ওইদে। ইন্তোনেসন্ হায়বসিদি প্রিথিবীগি লোন্ পূম্নমক্কি ওইব ৱাফম্নি। ইন্তোনেসনবু ৱাহৈপরেংদ লৈব পিৎসকি কন্তুর অদুনি হায়ন লৌব য়ারবসু তসেংবদি ইন্তোনেসন্ হায়ব অসি ইচম্ চম্ন পীৎকি কন্তুর অমগ মান্নন হেক্ত লৌবদি চুম্দে। ইন্তোনেসন্ অমদ পীৎসকি কন্তুর, সিল্লেবল্সিংগি ইসত্রেস অমদি তোন্ গ্রুপ্ নত্রা পোজ (pause) হায়ব লেপ্ফম্ তাক্প কয়া অসিসু চঙ্ঙি। মখাদ ইসত্রেস, পীৎস অমদি পোজসিংন ওইব অপূন্ব অদু ইন্তোনেসন্গি মচল্ ওইন পীরি -

পীৎসকি ৱাংখৎলক্পগি চাং



If you don't believe me I can't help it.

মথক্কি ইন্তোনেসন্গি মচল্সিং অসিদ কন্ভেন্সন্ অম ওইন ইসত্রেস সিল্লেবল্ অসি হোরাইজোন্তেল্ লাইন্ অমন ওই অদুগ ইসত্রেস পীদব সিল্লেবল্সিংবুন বিন্দু বিন্দুসিংন খঙ্হল্লি। [।] অসিন ঙাইহাক্তং লেপ্প, [।] অসিন অহান্ব অসিদগি খর কুইন লেপ্প অদুগ [।।] অসিন অরোইব লেপ্ফম্ অদু খঙ্হল্লি। মতৌ অসুম্ন ইন্তোনেসন্ হায়ব অসিদ পীৎসকি কন্তুরসিংগি পেতন্ অদুত নংতন লেপ্ফম্নচিংবসিং অসিসু য়াম্ন মরু ওই। মসিগি মতেংন চমম্নব আরথ লৈব ৱাহৈপরেং (ambiguous sentence) সিংগি তোঙান্ তোঙান্ব ইন্তোনেসন্ পেতন্সিং পুথোক্প য়াই।



মোরফোলোজি

৩.১ মোরফিম্ অমসুং ৱাহৈগি সক্লোন্ (morpheme and ward-structure)

বাহৈ অমদ খোন্থোক্কি ইউনিৎসিং (সিল্লেবল্, ফোনিম্নচিংব) য়াওবত নৎতন আবথগি ইউনিৎসিংসু য়াওৱী। অসিগুম্ব ৱাহৈ অম সাগৎপদ চঙ্ডিব আবথগি খ্বাইদগি পীক্প ইউনিৎ (smallest unit of meaning) অসিবু মোবফিম্ হায়ন খঙ্নৈ। খুদম্ ওইন *চাদে* হায়ব অসিদ *চা* হায়ব মোবফিম্ অমগ *দে* হায়ব নৎতব খঙ্নব মোবফিম্ অমগ য়াওবি। মোবফিম্সিং অসিন ইউনিৎ ওইদুন বাহৈগি সক্লোন্ (word-structure) নৈনব অসিবু মোবফোলোজি (morphology) কৌৱী। মসি লোন্মিৎলোন্গি তোঙান্বা মসা (subfield) অম ওইন লৌনৈ। মসিগি মবুওইব মীৎযেং অমদি ৱাহৈসিংগি মনুংদ অরুব মতৌ চেল্লব সক্লোন্ (intricate internal structure) অম যাওবি হায়ন লৌব অসিনি। অসিগুম্ব মীৎযেং অসিন ৱাহৈ হায়বসি গ্রামাতিকেল্ থিওবি অমসুং লেক্সিকোগ্রাফি (lexicography) দ বেসিক্ ইউনিৎ নত্রগ প্রিমিতিপ্ (primitive) ওইন লৌনবম্বদু চুম্দে হায়ব তাক্ই। বাহৈ হায়বসিদি মোবফিম্সিংদ থুগাইদুন নৈনব যাব খোন্থোক্ অমসুং আবথগি অপূন্ব (sound-meaning pairing) অমনি। অদুগ মোরফিম্ হায়বসিদি অমুক্ হন্ন থুগাইবদ মখোযগি আরথ লৈববোই। খুদম্ ওইন *মী, সা, য়ুম্* অসিনচিংব ৱাহৈসিং অসি মোরফিম্ অমমম্ন সাব ৱাহৈসিংনি। মখোয়সিং অসি অমুক্ হন্ন থুগাইবদ মখা তাব আরথ অমত ফংগুবোই। অদুগ মোবফিম্ অমদগি হেন্ন য়াওব ৱাহৈসিংদদি ৱাহৈসিংদু থুগাইদুন মোবফিম্সিংদ নৈনব য়াগনি। খুদম্ ওইন *মীসিং, চাক্লেন্* হায়বনচিংব ৱাহৈসিং অসিদি মোরফিম্ অনী অনীন সাব ৱাহৈ ঙাক্তনি। *মীসিং* হাযবসিংদ *মী* হাযব মোবফিম্ অমগ *সিং* হায়ব *অঙাংসিং, য়ুম্সিং, খোইসিং* হাযব ৱাহৈসিংদ য়াওরিব প্লুরেল্ খঙ্নব মোরফিম্ (plural morpheme or marker) অসিগ য়াওরি। *চাকলেন্* হায়ব ৱাহৈ অসিদন *চাক্* হায়ব মোরফিম্

অমগ *লেন্* হাযব অথোইব, মবুওইব খঙ্হন্নব মোর্ফিম্ অমগ যাওবি। অসিগুম্ব অথোইব তাক্প মোর্ফিম্ অসি *সঙ্লেন্, মীথুংলেন্, মীবম্লেন্* নচিংব ৱাহৈসিংদ যাওবিব অসিনি। মসি অমুক্ *তুবেন্ ঙাবেন্, ফিবেন্, নিংথৌবেন্ ফম্মেন্*নচিংব ৱাহৈসিংদ মখা তান ফংঙি। খুদম্ ওইন *তুবেন্* হাযবসি *তু + লেন্* অদুগ *ফম্মেন্* হাযবসিন *ফম্ + লেন্* হাযবসির্দাগি ওন্থিবনি। মসির্দাগি ঐখোযন মোর্ফিম্ হাযবসি তোঙান্ তোঙান্ব ৱাহৈসিং সেম্ননব হন্ন হন্ন সীজিন্নব যাব বিল্দিং ব্লোক্ (building block) সিংনি হাযবসি উবে।[১] মীৎযেং অসিদগি তোঙান্ তোঙান্ব ৱাহৈসিংদ হন্ন হন্ন যাওবিব আবথ মান্নব ৱাহৈগ সবুক্সিং খাইদোক্তুন মোর্ফিম্সিংগি মসক্ লেপনৈ।

কবিগুম্ব খোন্থোক্ অম নত্ত্রগ খবব্ মোর্ফিম্ ওইনা লেপপ অসি অমুক্ মখোযনা যাওবিব ৱাহৈসিং অদুগি মপান ৎ ব ৱাফম্নি। খুদম ওইন *মীসিং, যুম্সিং, ফিসিংদ* যাওবির্বাসিং অসি প্লুরেল তাক্প মোর্ফিম্নি হাযন লেপপদু লসিং (cotton) দ যাওবিব *সিং* অসিদ লেপ্পব যাদে। মাসাগি মরম্দ লাসিংদ যাওবিব *ল* অসি মসাগি আবথ লৈতে অদুন মসিদ তপ্পিব *সিং*অসিগি অপান্নব গ্রামাবাতিকেল্ নত্ত্রগ সিমান্তিক্ ভেল্যু অম লৈব ঙম্দে। মবম্ অদুন *সিং* হাযব ৱাহৈ অসি মোর্ফিম্ অমনা সাব ৱাহৈনি হাযনা লৌগনি। মসিদগি ঐখোযন পনব যাবদি ৱাহৈ অমবু থুগাইবদ ফংলকব সবুক্সিং অদুনা ৱাহৈ অদুগা অপন্নব আবথদ মবী লৈনন নত্ত্রগ চংসিন্নন যাওব ঙম্দ্রবাদ ৱাহৈ অদু মোর্ফিম্ অমত্তন সাবনি হাযন লৌগনি। মতৌ অসুম্ন *থবোই* হাযব ৱাহৈ অসি থুগাইদুন যেংবদ *থ* হাযবসি *থবাক্, থবক্, থংগোক্প, থগেব* হাযব ৱাহৈসিংদ যাওবিব হক্চাং কযাৎ খঙ্নবগি আবথ পুবিব সবুকসিংগ মান্নন উবি। অদুগ *বোই* হাযবসিন *পাবোই, ফাবোই, তাবো, থাবোই* অসিনচিংব ৱাহৈসিংদ যাওবিব নংতব খঙ্নব মোর্ফিম্ (negative morpheme or marker) অদুগা মান্নন উই। অদুবু অসুম্ন

---

১. ৱাহৈ কযাদ হন্ন হন্ন যাওব ঙম্ব অসি মোর্ফিম্সিংগ মবুওইব মগুন্ অমনি। অদুবু অপান্নব ৱাহৈ খবদত য়াওব ঙম্ব মোর্ফিম্সিংসু লৈবি।

থুগাইবদ ফংঙিব সরুক্সিং অসিগি তোঙান্ তোঙান্ব আরথগ *থরোই* হায়ব ৱাহৈ অসিগি আরথগ মরী লৈনন লৌব য়াব মওং অমত লৈতে। অতোপ্প মওংসিংদ *থরো + ই, থর + ওই, থ + রো + ই* অসুম্ হায়ন থুগাইদুন য়েংবদসু করিগুম্ব মওং অমতদ ৱাহৈগি আরথগ চুংসিন্নন য়াওব ঙম্ব থুগাইবদ ফংঙিব সরুক্সিং অসিগি আরথ অমত লৈতে। মসিদগি *থরোই* হায়বসি মোরফিম্ অমতন্ সাব ৱাহৈনি হায়ন লৌগনি।

মথক্ত নৈনখ্রিব মোরফিম্সিং অসি সিল্বেল্ অম নত্ত্রগ অনীন সাব ঙাক্তনি। অদুবু মৈতৈলোন্গি ৱাহৈসিংদ সিল্বেল্ অনীদগি হেন্ন লৈব মোরফিম্সিসু লৈতবদি নৎতে। খুদম্ ওইন *অতিয়া, তেনৱা, তমেংলোং* হায়বসিং অসি সিল্লেবল্ অহুম্ অহুম্ন সাব মোরফিম্সিংনি। *তিংগোংকাংগোং, থৱান্মিচাক্, ঊরেন্কোন্থৌ* হায়বসিং অসিন সিল্লেবল্ মরী মরীন সাব মোরফিম্সিংনি। ইংলিসকি লম্ খঙ্নব *massachusetts* হায়ব মোরফিম্গুম্বনি। করিগুম্বদন সিল্লেবল্ অমদ মোরফিম্ অমদগি হেন্ন লৈবসু য়াই। খুদম্ ওইন *চাই, তাই, পাই,* হায়ব ভাপ্ খঙ্নব ৱাহৈসিং অসি সিল্লেবল্দি অমমম্তনি অদুবু মোরফিম্দি অনী অনী যাওই। *চা -, তা -,* অমসুং *পা* - হায়ব মোরফিম্ অহুম্ অসিদ তেন্স তাক্প খঙ্হন্ব *ই* অসি পূন্সিন্খিবনি। অদুবু অসিগুম্ব তেন্স খঙ্হন্ব *ই* অসি *কক + ই, পক + ই* হায়বগুম্বদদি মথন্তন সিল্লেবল্ অম ওইন তোপ্ন লৈ। করিগুম্বদন খোন্থোক্ অমগি মোরফিম্ন ৱাহৈ ওইন লৈবসু য়াওই। *ই* "thatch", *ঊ* "tree", *ঈ* "blood" হায়ব ৱাহৈসিং অসি খোন্থোক্ অমগি মোরফিম্সিংন ৱাহৈ ওইন লৈবনি। অসিগুম্ব মতাংদদি খোন্থোক্ অম, সিল্লেবল্ অম, মোবফিম্ অম হায়বসি ৱাহৈ অমগ চাউব চপ্ মান্নন লৈ।

মোরফিম্ তক্নব হোৎনবদ কনা কনাগুম্বন আরথদু হেন্জিন্ন উসিন্নবগিদমক্ ইতিমোলোজিকেল্ ইন্ফোমেসন্ (etymological information) থিব ফাওব য়াওৱী। মতাং অসিদ মোরফিম্গি আরথ অদু ইতিহাসকি নত্ত্রগ তাম্খ্রব মতম্গি অমম্ব মরক্ত লৈখিদুন ঙাঙ্নরিব মতম্গ সম্নদ্রবদি অদুগুম্ব মোবফিম্ অদু ঙাঙ্ঙিব মীগি পূক্নীংদ চঙ্ঙু য়াদব য়াই; মোরফিম্নি হায়নিংঙোই। মোরফোলোজি

হায়ব অসিদদি হৌগ্রব লোন্‌গি মসক্ সাগৎপ (historical reconstruction) অসিদগি নেতিপ্ ইসপিকরসিংগি পূক্নীংগি মসক্ (intuition) অদু খিবন হেন্‌ন মরু ওই। অসিগুম্বব সিন্‌ক্রোনিক্ ইন্‌ফোমেসন্ (synchronic information) হায়বসি ঙাঙ্‌ঙিব মীসিংগি পূক্নীংদ লৈরিব লোন্‌গি মসক্ (tacit knowledge or competence) অদুগ মরী লৈনবদ লৈরিব মীৎয়েং অসিগ হৌগ্রব লোন্‌গি মসক্ সাগৎনব নৈনব (diachronic analysis) কি মীৎয়েংগ খক্ মান্‌নদে (cf., Jesperson, 1924; Saussure, 1959)। ঙাঙ্‌নরিব লোন্ অম হায়ব অসিদদি ঙাঙ্‌ঙিব মীসিং অদুন লোন্ অদু মসান মপূং ফাজরব সিসতেম্ (self-contained system) অম ওইন লৌরী। ইতিহাসকি ৱাফম্‌সিংদি মখোয়গি পূক্নীংদগি অদুমক্ তাম্‌ন লৈ। মরম্ অদুন করিগুম্বব লোন্ অমগি য়াম্‌ন ইরিগুলর ওইব ফোম্ (irrigular form) অম ইতিহাসকি মীৎয়েংদ তাক্তুন্ খঙ্‌হন্‌ব য়ারবসু ঙাঙ্‌ঙিব মীসিংগি পূক্নীংদদি অদুমক্ ইরিগুলর ওইদুন লৈ। খুদম্ ওইন ইংলিস লোন্‌গি children হায়বসিদ য়াওরিব য়াম্‌ন ইরিগুলর ওইব প্লুরেল্ ফোম্ অসি ইতিহাসকি মীৎয়েংদগি তাক্‌প য়াই। মতম্ অমদ cow গি প্লুরেল্ kine ওইরম্বব অদুগুম্‌ন child গি প্লুরেল্ childer ওইরম্মী। ইংলেন্‌গি অৱাংথংব সরূক্ত ঙাঙ্‌নব দাইলেক্‌সিংগি মরক্ত হৌজিক্ ফাওব childer ন প্লুরেল্ ওইন ঙাঙ্‌নব লৈরি। আমেরিকাদ mongoose গি প্লুরেল্ mogneese নত্রগ mongooses ওইন তোঙান্ তোঙান্‌ব মফম্‌দ ঙাঙ্‌নবগুম্ববনি। কাইনথঙ্‌দ -en হায়বসিন প্লুরেল্ ওইন childer দ তপ্‌নরক্‌লব মতম্‌দ -er ন প্লুরেল্‌গি আরথ পুরম্‌বদু মাঙ্‌খিদুন চুম্‌নগি ইসতেম্ এক্‌সতেন্‌দর (stem extender) ওইন লৈহৌবনি। ঙাঙ্‌ঙিব মীসিংগি পূক্নীংদদি অসিগুম্বব ইতিহাসকি ৱাফম্ অসি থুন কাওৱী। মরম্ অদুন children দ তপ্‌পিব r অসিগি য়াম্‌ন ইরিগুলর মতৌ অসি অদুমক্ লেঙ্‌দন লৈহৌৱী। অসুম্‌ন কাউব অসি মীওইবগি হৌনসানি। খুদম্ ওইন radar অমসুং laser হায়ব এক্রোনিম্ (acronym) সিং অসি মথংসিৎন radio detecting and ranging অমসুং light amplification (by) stimulated emission (of)

radiation হায়ব ৱাহৈসিংদ য়াওরিব অহান্ব ময়েক্সিং অসিদগি সেম্খিবনি। অদুবু ঙাঙ্ঙিব মীসিংন মখোয়গি হৌরক্ফম্ অসি কাউখিবগ লোয়নন অনৌব ৱাহৈ ওইন অদুমক্ লৌনগ্রে।

মোরফিম্গি মতাংদ পন্ব য়াব অমন মোরফিম্ খুদিংগি ময়েক্ সেংব আরথ (discrete meaning) লৈ হায়ন লৌব অসিনি। মসিদ য়ুম্ফম্ ওইরগ মোরফিম্ অমবু খ্বাইদগি পীক্প মসাগি আরথ লৈব ইউনিৎ (minimum meaningful unit) হায়ন তাক্নরিবনি। অদুবু ৱাহৈ কয়াদ হন্ন হন্ন য়াওব, ৱাহৈ অম সাগৎপদ চঙ্ব মচাক্ (recurrent word-building block or unit) ওইরিব মোরফিম্ অমগি আরথ লীসাং সীৎন লৌব য়াদব কয় লৈরি। মতাং অসিগ মরি লৈনন ইংলিসকি pre-fer, in-fer, de-fer, con-fer, trans-fer, re-fer নচিংব ৱাহৈসিংদ য়াওরিব -fer গি আরথ অসি ইতিমোলোজিকেল্ দিক্সনারিদ পীরিব আরথ 'bear, bring, send' হায়বসিং অসিগ লীসাং সীৎন চান্নদে হায়ন কতম্ব (Katamba, 1993 : 23) ন পল্লি। অসুম্ন মোরফিম্ অমগি অরেপ্প আরথ (consistent meaning) লৈরক্তবগি মতাংদ অরোনোপ্ (Aronoff, 1976 : 8-10) ন তসেংন আরথ তাক্প য়াবসি ৱাহৈতনি, মোরফিম্ নৎতে হায়ন সেংদোক্ই। অসুম্ন মোরফিম্ তাক্প মতম্দ আরথগি ৱাফম্ (semantic consideration) দ সেংন য়েংব য়ারক্তব অসিদগি ফোরমেল্ ফেক্তর নত্রগ গ্রামারতিকেল্ পেতন্সিংদসু য়েংঙক্পগি ৱাফম্ লাক্ই।

৩.২ মোরফিম্, মোপ্ অমসুং এল্লোমোপ্ (morpheme, morph and allomorph)

ৱাহৈসিংবু নৈনদুন মোরফিম্ হায়বসিগি মসক্ লেপ্নৈ। মসিগিদমক্ মরু ওইন য়েংনরিবসি কন্ত্রাস (contrast) হায়রিব অসিনি। খোন্থোক্কি মসক্ (phonological shape) অমসুং আরথ (lexical meaning or grammatical function) অনীমক্ত খেন্নব ৱাহৈসিং নত্রগ ৱাহৈগি মওংসিং (words or

word forms)[১] থিদুন কনত্রাস পুথোক্নৈ। খুদম্ ওইন *চাক্* অমসুং *ঙা* হায়ব ৱাহৈ অনী অসি হায়দোক্প মতম্দ লৈরিব খোন্থোক্ অমসুং মখোয়গি আবথগি খেন্নবসিং অসি য়েংদুন ৱাহৈ অনী অসিদগি *চাক্* অমসুং *ঙা* হায়ব মোরফিম্ অনী ফংঙে হায়ন লেপ্কনি। মতৌ অসুম্ন মোরফিম্ হায়ব অসিদদি খোন্থোক্কি খেন্নব অদু যেংঙব মতুংদ আরথগি খেন্নব অদুসু যেংঙি। *চাক* অমসুং *ঙা* হায়ব মোরফিম্সিংদ লৈরিব খেন্নব অসিবু লেক্সিকেল্ মিনিংদ খেন্নব হায়ন খঙ্নৈ। অদুগ *লাক্ই* অমসুং *লাক্কনি* হায়বগুম্ব ৱাহৈগি মওং (word form) সিংদ খেন্নব অসিবুন গ্রামাতিকেল্ ফংসন্দ খেন্ননব হায়ন খঙ্নৈ। *মা ঙসি লাক্ই* অমসুং *মা ঙসি লাক্কনি* হায়ব ৱাহৈপবেং অনী অসিদ আবথ খেন্নরিব অসি *লাক্ই* অমসুং *লাক্কনি* হায়ব ৱাহৈগি মওংসিংদ য়াওরিব তোঙান্ তোঙান্ব গ্রামাতিকেল্ ফংসন্ - প্রজেন্ তেন্স অমসুং ফিউচব তেন্স অসিননি। মসিদগি প্রজেন্ তেন্স তাক্প -ই অমসুং ফিউচর তেন্স তাক্প *-কনি* হায়বসি তোঙান্ তোঙান্ব মোরফিম্সিংনি হায়ন লেপ্পী। মোরফিম্ হায়বসি ব্রেস ব্রেকেৎ (brace bracket) সিংগি মনুংদ মখাগি অসুম্ন ইনৈ -


{ই}, {কনি}, {চাক্}, {ঙা} অসিনচিংব।

অমরোমদ ফোনিম্গি মতৌগুম্ন মোরফিম্ হায়বসিসু ফিজিকেল্ লেভেল্দ লৈরিব মাগি য়াওফম্ (distribution)[২] দগিসু মসক্ তাক্নৈ। মসিগিদমক্ অহান্বদ

---

১. tall, taller, tallest হায়বসিং অসি tall হায়ব ৱাহৈগি তোঙান্ তোঙান্ব মওংসিংনি। মতৌ অসুম্ন *চাউ, চাসি, চহি, চাগনি, চারি, চাবে* হায়বনচিংবসিং অসিসু *চাব* ৱাহৈ অসিগি তোঙান্ তোঙান্ব ৱাহৈগি মওংসিং (different word forms) নি। অসিগুম্ব ৱাহৈগি মওংসিং অসিবু ৱাহৈ অমগি তোঙান্ তোঙান্ব রিএলাইজেসন্ নত্রগ রিপ্রজেন্তেসন্ নত্রগ মেনিফেসতেসন্ (realisation or representation or manifestation) সিংনি হায়নৈ। অসিগুম্ব ৱাহৈগি মওংসিং অসিগি মপূং ওইব আরথ (core meaning) অম লৈ।

২. Distribution : the total set of context in which a particular linguistic form occurs (Katamba, 1993 : 27).



ব্রাহৈসিংদগি মোপ্ (morhp) খন্দোক্প তাই। মোপ্ হায়বসি মোরফিম্ অমগি ফিজিকেল্ ফোম্ (physical form) অদুনি। ফিজিকেল্ লেভেল্দ ঐখোয়ন ঙাঙ্ব নত্ত্রগ ইবদ থেংনরিব মোরফিম্ অমগি খোন্থোক্কি মসক্ ওইরিব ফিজিকেল্ এন্তিতি অদুবু মোপ্ হায়বনি। অকক্নব মোরফিম্ অমদ কেতেগোরাইজ তৌরব মতম্দ মোপ্ অদুবু এল্লোমোপ্ (allomorph) কৌব্রী। মতাং অসিদ কম্প্লিমেন্তরি দিসত্রিবিউসন্ (complementary distribution) হায়ব মীৎয়েং (notion) অসি চঙ্ঙি। আরথ নত্রগ গ্রামারগি মথৌ চপ্ মান্নরব অদুগ অমন য়াওব মফম্দ অমন য়াওব ঙমদ্রব অদুগুম্ব মোপ্সিং অদুবু কম্প্লিমেন্তরি দিসত্রিবিউসন্সদ লৈব কৌব্রী। অসিগুম্ব মোপ্সিং অসি মোরফিম্ অমদ কেতেগোরাইজ তৌগনি। মরম্ অদুন কম্প্লিমেন্তরি দিসত্রিবিউসন্দ লৈব মোপ্সিং অসি মোরফিম্ অমগি এল্লোমোপ্সিংনি। অদুগ কম্প্লিমেন্তরি দিসত্রিবিউসন্ ফংদ্রব মথন্ত য়াওফম্ তোঙান্ তোঙান্বদ য়াওব মোপ্ অদুসু অকক্নব মোরফিম্ অমদ কেতেগোরাইজ তৌগনি। অসিগুম্ব মতাংদ মোরফিম্ অমগি এল্লোমোপ্ অমতমক্ লৈগনি। মোপ্ অমসুং এল্লোমোপ্ হায়বসি অপিব চৈখৈ (diagonal line) অনীগি মরক্ত ইনৈ। মখাগি মনিপুরি দাতা অসি য়েংসি -

১a ঐ লাইরিক্ অদু পাই।

১b মা লাইরিক্ অদু পাই।

১c ঐ ঙা ফারি।

১d মা ঙা ফারি।

(১)গি দাতা অসিদগি ঐখোয়ন মখাদ পীবিব মোপ্সিং অসি খন্দোক্প য়াই।

মোপ্ (morph)	য়াওফম্ (distribution)
/ঐ/	[১a] অমসুং [১c]
/মা/	[১b] অমসুং [১d]
/লাইরিক্/	[১a] অমসুং [১b]
/ঙা/	[১c] অমসুং [১d]
/অদু/	[১a] অমসুং [১b]
/পা/	[১a] অমসুং [১b) দ তেন্স তাক্প *ই*গ লোয়নন।
/ফা/	[১c] অমসুং [১d] দ চৎথব তাক্প *রি*গ লোয়নন।
/ই/	[১a] অমসুং [১b] দ *পা* 'read' ক লোয়নন।
/রি/	[১c] অমসুং [১d] দ *ফা* 'catch' ক লোয়নন।

অসুম্ন ফংলিব মোপ্সিং অসি কম্প্লিমেন্তরি দিসত্রিবিউসন্ ফংদব অমমম্ন

অকক্নব মোরফিম্ অমবু মহূৎ সিল্লিব ফিজিকেল্ ফোম্সিংনি। মরম্ অদুন মখোয় অমমম্ন অকক্নব মোরফিম্ অমমম্দ জেনেরাইজ তৌব য়াই। অসিগুম্ব জেনেরেলাইজেসন্ অসিগি মতুং ইন্না ফঙ্ঙিব মোরফিম্সিং অদুগি এল্লোমোপ্ অমমম্তমক্ লৈগনি। খুদম্ ওইন /ঙা/, /ই/ অমসুং /রি/ হায়ব মোপ্সিং অসিগি (২) দ পীরিব মোরফিম্ অমসুং এল্লোমোপ্সিং অসি লৈগনি।

২a মোরফিম্	২b মোরফিম্	২c মোরফিম্
{ঙা}	{ই}	{রি}
|	|	|
মোপ্	মোপ্	মোপ্
/ঙা/	/ই/	/রি/

(৩) গি দাতা অসি অমুক্ক য়েংসি -

৩ চা*রোই*, চৎ*লোই*, চঙ্*ঙোই*, চম্*মোই*, চপ্*পোই*, চাক্ *ওই*।

(৩) গি দাতা অসিদ ময়েক্ অপৈবন ইরিব ৱাহৈগি সরুক্সিং অসি নৎতব খঙ্হন্নব মোপ্সিংনি। মখোয়গি আরথন চাউরাক্ন ইংলিসকি 'will not' ক মান্নৈ। অসিগুম্ব মোপ্সিং অসি কম্প্লিমেন্তরি দিসত্রিবিউসন্দ লৈব কৌৱী। মখোয় তরুক্কি আরথ চপ্ মান্নৈ অমদি অমগি য়াওফম্দ অমন য়াওব ঙম্দে। করম্ব মোপ্ন করম্ব মফম্দ য়াওগদগি হায়ব অসি মখোয়গি হেক্ মমাঙ্দ লৈরিব খোন্থোক্ অদুন লেপ্পী। (৪) দ মখোয়গি য়াওফম্সিং অদু পীরি -


৪ মোপ্	য়াওফম্
/রোই/	ভাৱল্ নত্রগ সেমিভাৱল্গি হেক্ মতুংদ e.g. paroy ((পারোই), payroy (পাইরোই)
/লোই/	লেতরেল্ *ল* নত্রগ অল্ভিওলর ইসতোপ্ তগি হেক্ মতুংদ। e.g. pelloy (পেল্লোই), petloy (পেৎলোই)
/ঙোই/	ভিলর নেজেল্ *ঙ* গি হেক্ মতুংদ। e.g. pheŋŋoy (ফেংঙোই), keŋŋoy (কেংঙোই)
/মোই/	বাইলেবিয়েল্ নেজেল্ *ম*গি হেক্ মতুংদ। e.g. temmoy (তেম্মোই), lammoy (লাম্মোই)

/পোই/ বাইলেবিয়েল্ ইসতোপ্ পগি হেক্ মতুংদ। e.g. happoy (হাপ্পোই), kappoy (কাপ্পোই)

/ওই/ ভিলর ইসতোপ্ কগি হেক্ মতুংদ। e.g. lakoy (লাক্ওই), thekoy (থেক্ওই)


(৪) দ পীরিব মোপ্ তরুক্ অসি আরথ চপ্ মান্নব, য়াওফম্ মান্নদব অসিন কম্প্লিমেন্তরি দিসত্রিবিউসন্দ লৈব মোপ্সিংনি। মরম্ অসিন মখোয় অসি অকক্নব মোরফিম্ অমগি এল্লোমোপ্সিংনি হায়ন জেনেরেলাইজ তৌগনি। মসিদগি (৫) দ পীরিব মোরফিম্ অমদি এল্লোমোপ্মসিং অসি লৈগনি -

৫




(৫) দ পীরিব এল্লোমোপ্সিং অসিবু ফোনোলোজিকেল্লি কন্দিসন্ এল্লোমোপ্ (phonologically conditioned allomorph) কৌরী। থংনবদ লৈব খোন্থোক্সিংন মরম্ ওইদুন মোরফিম্ অমগি এল্লোমোপ্সিং মসক্ ওলহল্লি হায়বনি। করিগুম্বদ গ্রামাতিকেল্ ইলিমেন্ (grammatical element) অমন মরম্ ওইদুন এল্লোমোপ্সিংগি মসক্ হোংহনবসু য়াই। অদুগুম্ব এল্লোমোপ্ অদুবুন গ্রামাতিকেল্লি কন্দিসন্ এল্লোমোপ্ (grammartically conditioned allomorph) কৌরী। (৬) ত পীরিবসিং অসি গ্রামাতিকেল্লি কন্ দিসন্ এল্লোমোপ্সিংনি।

৬a




৬b




পাস তেন্স মোর্ফিম্ অমন মবম্ ওইদুন (৬) কি /wep/ অমসুং /swep/ হাযব এল্লোমোপ্সিং অসি ওন্খিবনি। অসিগুম্ব এল্লোমোপ্ অসি পাস তেন্স মোর্ফিম্ অমগ লোযনন /wep-t/, /swep-t/ হাযন সীজিন্নৈ। অমবোম্দ পাস তেন্সতন মবম্ ওইদুন (৭) ত পীবিব অখন্নব এল্লোমোপ্সিং অসি ওন্খিবনি -

৭a



৭b



কবিগুম্ব অপান্নব রাহৈ অমন মবম্ ওইদুন এল্লোমোপ্ক মসক্ত অহোংব লাক্পসু যাই। অদুগুম্ব এল্লোমোপ্ অদুবু লেক্সিকেল্লি কন্দিসন এল্লোমোপ্ (lexically conditioned allomorphy) কৌবা। ইংলিসকি বিগুলব প্লুরেল্ এল্লোমোপ্সিং - /-s/, /-z/, /-iz/ অসি নৎতব oxen দ যাওবব প্লুরেল্ এল্লোমোপ /-en/ অসি লেক্সিকেল্লি কন্দিসন এল্লোমোপ্নি। অসিগুম্ব যাম্ন ইদিওসিন্ক্রেতিক্ (idiosyncratic) ওইব মওং অসিদগি হাযব যাবদি fox, box নচিংব বাহৈসিংদ যাওবিব বিগুলব প্লুরেল্ এল্লোমোপ্ /iz/ (e.g. foxes, boxes) অসি অপান্নব নাউন্ ox হাযবসিগি মতাংদ চৎনব যাদে হাযব অসিনি। অসিগুম্ব মতাংদ অপান্নব রাহৈ অসিন মবম্ ওইদুন oxen হাযব তোপ্ তোপ্প প্লুরেল্ ফোম্ অসি ওইবনি হাযন লৌগনি।

মথক্কি মওংসিং অসি নৎতব এল্লোমোপ্সিংগি খেন্নব অমসু লৈবি। কবিগুম্বদ মোর্ফিম্ অমগি এল্লোমোপ্সিংগি খোন্থোক্সিং অসি অমত

মান্নদে। অসিগুম্ব এল্লোমোপ্সিংগি অওন্ব অসিবু সপ্লিসন্ (suppletion) হায়ন খঙ্নৈ। (৮) দ পীরিব এল্লোমোপ্সিং অসি ইংলিস লোন্দ লৈব সপ্লিতিপ্ এল্লোমোপ্সিংনি।

৮a good~ bett (er)

৮a bad ~ worse

৮c go ~ went

৩.৩ অনদরলাইয়িং রিপ্রজেন্তেসন্ অমসুং ফোনোলোজিকেল্ রুল্ (underlying representation and phonological rule)

ফোনোলোজিকেল্লি কন্দিসন্ এল্লোমোপ্কি মতাংদ ঐখোয়ন উখ্রে মদুদি এল্লোপ্ অম হায়ব অসি ফোনোলোজিকেল্ রুল্ অমন মরম্ ওইদুন মাগি মসক্ লেপ্পি। খুদম্ ওইন (৫) দ পীখিব ফিউচর নেগেতিপ্ খঙ্নব মোরফিম্গি এল্লোমোপ্ তরূক্ অদুগি মসক্সিং অসি (৪) দ পীখিব ফোনোলোজিকেল্ রুল্সিং অদুন লেপ্পি। ঐখোয়ন খর মুন্নন অমুক্ য়েংঙবদি (৪) দ পীরিব এল্লোমোপ্ তরূক্কি রুল্ তরূক্ অসি অমগ অমগ মনীং তম্নব দেসক্রিপ্তিপ্ ইসতেৎমেন্সিং নৎতে। মখোয়গি মরক্ত মখা তান জেনেরেলাইজ তৌব য়াবগি মওং লৈরি। মীৎয়েং অসিদগি লিংগুইসসিংন মপূং ওইব এল্লোমোপ্ অম খল্লগ লেমহৌবিবসিং অদুন মদুদগি দিবাইপ্ (derive) তৌবনি হায়ব তাক্ননব জেনেরেলাইজ তৌবব ফোনোলোজিকেল্ রুল্সিং পীনৈ। অসিগুম্ব মপূং ওইব এল্লোমোপ্ অদুবু অন্দবলাইয়িং বিপ্রজেন্তেসন্ নত্রগ বেজ ফোম্ (underlying representation or base form) হায়ন খঙ্নৈ। খুদম্ ওইন (৫) দ পীবিব এল্লোমোপ্সিং অসিদগি /লোই/ হায়ব এল্লোমোপ্ অসিন অন্দরলাইয়িং বিপ্রজেন্তেসন্ ওইন লৌদুন (৯) দ পীরিব ফোনোলোজিকেল্ রুল্সিং অসি সেম্ব য়াই -

৯ *ল* ন (i) ভাৱল্ অমসুং সেমিভাৱল্গি মতুংদ *র* ওই।

(ii) *ঙ, ম* অমসুং *প* গি মতুংদ মখোয়দ এসিমিলেৎ (assimilate) তৌৱী।

(iii) *ক* গি মতুংদ দিলিৎ (delet) তৌৱী।

(৯) দ পীরিব ইসতেৎমেন্ অহুম্ অসিন বুল্ ওইদুন অন্দবলাইযিং বিপ্রজেন্তেসন্ অদুগি এল্লোমোপ্সিংগি মসক লাযন তাক্প যাই। মসি নৎতদুন /লোই/ নৎতব অতোপ্প এল্লোমোপ্ অমন অন্দবলাইযিং বিপ্রজেন্তেসন্ ওইন লৌবিবদি মতৌ অসুম্ন লেমহৌবিব এল্লোমোপ্সিংগি মসক লাযন তাক্প যাবোই। অসিগুম্ব জেনেবাইজ তৌবব ফোনোলোজিকেল্ বুল্সিং অসি অতোপ্প *ল ন* হৌব এল্লোমোপ্সিংদসু পান্ব যাব লোন্ অসিদ ফংব জেনেবেল ফোনোলোজিকেল্ প্রোসেস (general phonological process) অমনি। মবম অসিন *চৎলে, চেবে* দ যাওবিব এসপেক্ খঙ্হনব এল্লোমোপ্সিং *লে - বে* নত্রগ নন্ ফিউচব খঙ্হনব এল্লোমোপ্সিং *ল* (চৎাল) *বি* (চাবি) অসিসু (৯1) গি বুল্ অসিন তাক্প যাই। মতৌ অসুম্ন ফোনোলোজিকেল বুল্সিংন লোনদু ঙাঙ্ঙিব মীসিংদ অতোপ্প মোবফিম্সিংগি তোঙান তোঙানব প্রনন্সিযেসন (pronounciation) সিংগি মবমদ প্রেদিক (predict) তৌব যাহল্লি। মসিংসু নৎতন কবিগুম্ব মোবফিম অমগি প্রনন্সিযেসন্গি মবমদ লৈবিব ইনফোমেসন অসি যামন হন্থব যাহল্লি। তসেংবসু মীওইবগি ব্রেনন বুলাগি মতৌ তা প্রেদিক্ তৌব যাবসিং অসি ইসতোব (store) তৌদে হায়না লৌবদি মেন্তেল লেক্সিকোন্গি লিস (list) ত লৈবিব মোবফিম্ অমগি লেকসিকেল এন্ত্রি (lexical entry) দ অন্দবলাইযিং বিপ্রজেন্তেসন্ অদুত পননসিযেসন্গি ইন্ফোমেসন ওইনা যাওফম্ থোক্ই। খুদম্ ওইন মানপুবাগা ফিউচব লোনগী তপ্ মোবফিম অমগি লেক্সিকেল এনত্রিদ মাগি প্রনন্সিযেসন্গি ইন্ফোমেসন্ ওইনা, লোই/ ওযবসিদং যাওফম্ থোক্ই। অদুগা মাসগি অহৌব খোন্থোক্ অসি *ল ন* ওই হাযব অসিসু তম্ব চঙ্ঙি। মসিগি মবু ওইব মবম্দি মোবফিম্ অমগি খোন্থোক্ অমসুং আবথগি চংসিন্নব (sound-meaning pairing) অসি চৎনবীদগি নত্রগা খঙনবদগি

---

১. লোন্ অমগি লেক্সিকেল্ এন্ত্রিসংগি অপূন্ব লিস নত্রগ সেৎ (set) অদুবু লেক্সেকোন্ কৌব্রী।

২. মোবফিম্ অমগি আবথগি, সিন্তেক্সাকি অমসুং প্রনন্সিযেসন্গি ইসতোব তৌবিব অপূন্ব ইন্ফোমেসন্ অদুবু মোবফিম্ অদুগি লেক্সিকেল্ এন্ত্রি (lexical entry) কৌব্রী।

ওইখিবনি। আবথগ চুংসিন্নবিব খোন্থোক্ অদু খঙ্বগ লোযনন মদুদ ফোনোলোজিকেল্ বুল্সিংগি মতেংন প্রেদিক্ তৌব য়াবসিং অদু ঙাঙ্বদ নত্রগ ইবদ মসক্ নাইবক্কদৌবিবনি। অসুম্ন ফোনোলোজিকেল্ বুল্সিংন মোবফিম্গি মসক্ত অহোংব পীবক্প অসি নৈনববু আমেবিকান লিংগুইসতিক্সত মোবফোফোনিমিক্স (morphophonemics) অদুগ ইউবোপিযান্ লিংগুইসতিকসত মোফোফোনোলোজি (morphophonology) হায়ন খঙ্নৈ। অসিগুম্ মীৎযেংদ বেজ ফোম্দ লৈবিব ফোনোলোজিকেল্ বুল্সিংন মসক্ হোংহল্লিব খোন্থোক্ অসিবু মোবফোফোনিম্ (morphophoneme) কৌব্রী। মসি মযেক অচৌব অমন ইদুন ফোনিম্দগি খেন্নৈ হাযব খঙ্হল্লি। মখাদ ফোনিম্ অমসুং মোবফোফোনিম্গি খেন্নবদু পীবি -

/n/,　　　/N/

/l/,　　　/L/

মানপুবিগ *লোন্* 'language' অমসুং *চৎলোই* 'will not go' দ যাওবিব *ল* 'স অসি ফোনিম্ অমসুং মোবফোফোনিম্গি মীৎযেংদ খেন্নব অদু মখাগি অসুম্ন উৎপ যাই -

lol 'language'
cət l oy 'will not go'

৩.৪ মোবফিম্ অমসুং ফোনোলোজিকেল্ রিপ্রজেন্তেসন্সিং

মথক্ত নৈনখিব অসিদগি ঐখোযন মোবফিম্ হাযবসি মোপ্সিংগি জেনেবেলাইজেসন্ অদুনি হাযব উখ্রে। মসিদগি ঐখোযন মোবফিম্বু এপ্সত্রেক্সন্ নত্রগ এপ্সত্রেক্ এন্তিতি (abstraction or abstract entity) অমনি হাযন লৌব যাই। অসিগুম্ব মোবফিম্ অমগি এপ্সত্রেক্ ওইব মীৎযেং অসি মাগ তোঙান্ তোঙান্ব বিএলাইজেসন্সিংদগি মযেক্ সেংন খঙ্ব ঙম্মী। মসিতসু নৎতন মোবফিম্ অমগি ইউনিক্ ওইব এল্লোমোপ্সিং অসিনসু খোন্থোক্ অমসুং আবথগি থোইদোক্প মবী অম উহল্লি। মসীং যাম্ব এল্লোমোপ্সিংন ব্রাফম্ অসি অমুক্ক সৌগৎলি। খুদম্ ওইন মনিপুবিগি ফিউচব

নেগেতিপ্ মোরফিম্ অসিগি এল্লোমোপ্ তরূক্ লৈরিব অসিন অকক্নব আরথ অমবু তোঙান্ তোঙান্ব খোন্থোক্ (sound sequence or phonological form) তরূক্ত হায়ব য়াই হায়ব খঙ্হল্লি। মসিন খোন্থোক্ অমসুং আরথগি মরী অসি আরবিত্রেরি ওই হায়বসি অমুক্ক ময়েক্ সেংহল্লি। মসিদগি ঐখোয়ন লৌব য়াবদি খোন্থোক্ অমসুং আরথগি মরী অসি তোঙান্ তোঙান্ব মওং কয়াদ লৈরম্ব য়াই হায়ব অসিনি। ৱাফম্ অসি মখাদ নৈনদুন য়েংসি।

অহান্বদ হোমোফোন্ (homophone)[১] সিংদ লৈরিব খোন্থোক্ অমসুং আরথগি মরী অসি য়েংব য়াই। মসিদদি তোঙান্ তোঙান্ব মোরফিম্সিংগি ফোনোলোজিকেল্ রিয়েলাইজেসন্সিং অদু চপ্ মান্ননবনি। খুদম্ ওইন মনিপুরিগি *সা চাব, চৈ চাব, পাং চাব, ফৌমায় চাব, সেন্ চাব, ফুরিং চাব* অমদি *তান চাব* হায়বসিদ য়াওরিব *চা* হায়ব মোপ্ অসি হোমোফোন্সিং ওইন লৌব তারবদি অসিদগি (১০) দ পীরিব মোরফিম্ তরেৎ অসি পুথোক্প য়াই -

১০	{চা}	{চা}	{চা}	{চা}	{চা}	{চা}	{চা}
	|	|	|	|	|	|	|
	/চা/	/চা/	/চা/	/চা/	/চা/	/চা/	/চা/

(১০) দ পীরিব অসিদগি খঙ্বদি তোঙান্ তোঙান্ব আরথ তরেৎকি ফোনোলোজিকেল্ ফোম্ অমখক্ লৈব য়াই হায়ব অসিনি।

অনীসুবদ পন্ব য়াবদি ফোনোলোজিকেল্ ফোম্ অমখক্ন মতম্ অমতদ আরথ কয়া খঙ্হন্ব য়াব অসিনি। অসিগুম্ব ফোনোলোজিকেল্ ফোম্ অসিবু *পোৎমেন্তিয়ু মোপ্* (portmanteau morph) হায়ন খঙ্নৈ। খুদম্ ওইন (he) write-s, (he) sit-s হায়ব ইংলিসকি মোপ্সিংদ তপ্পীব এন্দিং -s অসি মতম্ অমতদ *থার পারসন্, প্রজেন্ তেন্স* অমসুং *সিংগুলর নম্বর* হায়ব আরথ নত্রগ মোরফিম্ অহুম্ রিপ্রজেন্ তৌব ফোনোলোজিকেল্ ফোম্ অমনি। মসিন মোরফিম্ হায়বসি কয়া য়াম্ন এপ্সস্ক্রেক্ ওইবগে হায়বদু খন্থহল্লি। করিগুম্ব মোরফিম্ অমন

---

১. খোন্থোক্তি চপ্ মান্নব অদুগ আরথদি খেন্নব ফোম্ (form) সিং অদুগি অমমম্বু *হোমোফোন্* (homophone) হায়গনি।

এপ্সত্রেক্ এন্তিতি ওইরমদ্রবদি মথক্কি মোরফিম্ অহুম্ অসিগি সাউন্ সিক্রেন্স অহুম্ থোক্ন লৈরম্গনি। মসিদগি মোরফিম্ হায়বসি মোপ্সিংদগি সাগৎপ থিওরেতিকেল্ কন্সত্রক্ (theoretical construct) অমনি অদুগ মোপ্ হায়বসিন মসিগি ফিজিকেল্ ফোম্ অদুনি হায়ন লৌবদ অমুক্ক তেন্নে শুম্সিন্ন থোক্ই। অহুম্সুবদ করিগুম্ব মোরফিম্ অমগি ফোনোলোজিকেল্ মোনিফেম্তেসন্ নত্রগ মোপ্ অসি মফম্ পুম্নমক্ত লৈতবসু য়াবগি মওং অসিনি। খুদম্ ওইন showed, walked নচিংবদ য়াওরিব ইংলিসকি পাস তেন্স তাক্প মোপ্ (-ed) অসি cut, put, shut, hut নচিংব মোপ্সিংদ য়াওব য়াদে। অসিগুম্ব মফম্দ পাস তেন্স মোরফিম্ অসি জিরো এল্লোমোপ্ অমন রিপ্রজেন্ তৌব্রী হায়ন লৌব্রী। ঐখোয়ন জিবো এল্লোমোপ্কি ৱাফম্ অসি য়াব তারবদি মোরফিম্ অমগি এপ্সত্রেক্ ওইব মতৌ (nature) অদু অমুক্কসু হন্ন পাব তাই।

মরিসুবদ করিগুম্ব মোরফিম্ অমত রিপ্রজেন্ তৌদব ৱাহৈ সাগৎপদ চঙ্ব মচাক্ (word-building element) ওইব ফোনোলোজিকেল্ ফোম্সিং লৈরিব অসিনি। অসিগুম্ব অহেন্ব ফোম্ (surplus form) অসিবু এম্তি মোপ্ (empty morph) হায়ন খঙ্নৈ। (১১) গি মনিপুরি লোকেতিপ্ অমদি এবলেতিপ্ কেস তাক্নব -দ অমসুং -দগি তপ্পগি মওং অসি য়েংসি -

১১a	মখোয়	মখোয়দ	মখোয়দগি
	ঐখোয়	ঐখোয়দ	ঐখোয়দগি
	নখোয়	নখোয়দ	নখোয়দগি
১১b	মা	*মাদ/মঙোন্দ	*মাদগি/মঙোন্দগি
	ঐ	*ঐদ/ঐঙোন্দ	*ঐদগি/ঐঙোন্দগি
	নঙ্	*নঙ্দ/নঙ্ঙোন্দগী	*নঙ্দগি/নঙ্ঙোন্দগি

(১১a) দ লোকেতিপ্ *-দ* অমদি এবলেতিপ্ *-দগি* হায়বসি প্রনাউন্সিংদ অপান্নন তাক্প য়াই। অদুবু (১১b) দদি *ঙোন্* হায়ব এম্তি মোপ্ অম তপত্রবদি *-দ* অমসুং *-দগি* তপ্প যাদে হায়ব উৎলি। অসুম্ন আবথ অমতগ পিয়াবং

ওইদব ফোনোলোজিকেল্ ফোম্ ঙাক্ত লৈব অসি তসেংবদি মোপ্ অম ওইন লৌব চুম্দে। মোপ্নি হায়ন লৌব তারবদি মোরফিম্ অমগি ফোনোলোজিকেল্ বিপ্রজেন্তেসন্ ওইন তাক্প য়াগদবনি। অসিগুম্ব মওং অসিদি লিংগুইসতিক্সপু ক্লাসিফিকেতরি সাইন্স (classificatory science) নত্রগ ভাববেল্ বোতনি (verbal botani) ওইন লৌদুন নৈনরক্প তেক্সোনোমিক্ ইন্ক্বাবি (taxonomic enquiry) অদুন পীবক্প এৎহোক্ সোলুসন্ (adhoc solution) অমনি হায়বদগি হেন্দে। অসিগুম্ব মেকানিকেল্ প্রোসিদিযোব অসিন অচুম্ব থিওর্বিসংদ লাক্পগি মহূৎত থিওবিতিকেল্ কল্দেসেক্ (theoretical culdesac) অমদ লাক্হন্দুন মসান মসাবু লম্মাঙনহল্লি। অসিগুম্ব মোবফিম্ অমদ জেনেবেলাইজ তৌব যাদব ফোনোলোজিকেল্ ফোম্ অসি ইসতেম্ এক্সতেন্দব (stem extender) কৌব যাই। ইংলিসকি *oxen* দ প্লুবেল্ খঙ্হন্ব *-en* অসি *child* দ তপ্প মতম্দ *r* অমন ইসতেম্ এক্তেন্দব ওইন লাক্তুন child-ren (not * childen) হায়ব অদুগুম্বনি হায়ন লৌবসু য়াই।

৩.৫ মোরফিম্গি মখল্সিং (types of morphemes)

মোবফিম্ হায়বসি মব্ ওইন বুৎ (root) অমসুং বুৎ নৎতব (non-root) হায়ব মখল অনীথোক্ন লৈ। বুৎ হায়বসি অতোপ্প মোর্ফিম পমনমক্ লৌথোকখ্রগ লেম্হৌনিব ৱাহৈগি অবোইব মবু (irreducible core of a word) অদুবু খঙ্নৈ। খুদম্ ওইন *মী সিং-দ-ন* অমসুং *চা ব দু-বু* হায়ব ৱাহৈ অনী অসিদ মথংসিংন *সিং দ-ন* অমসুং *ব-দু-বু* হায়ব মোবফিম্সিং অসি লোইন লৌথোক্খ্রব মতুংদ লেম্হৌবিব সবুক্ *মী* অমসুং *চা* অসি বুৎনি। ৱাহৈ অমগি তোঙান্ তোঙান্ব ৱাৎ ফোম্ (word form) সিংদ হন্ন হন্ন যাওবিব সবুক্ অদুসু বুৎনি। খুদম্ ওইন *-চাগনি, চারে, চাই, চাবি* হায়ব ৱাৎফোম্সিং অসিদ হন্ন হন্ন য়াওবিব *চা* - হায়ব মোরফিম্ অসি বুৎনি। কবিগুম্বদ বুৎসিং অসি মওং হোংন (এল্লোমোপ্ নত্রগ সপ্লিসন্গি মওংদ) য়াওরবসু য়াই। মহৌসান বুৎ হায়বসিন ৱাহৈ অমগি মচং ওইব আবথ (semantic content of a word)

অদু খঙ্‌হল্লি।[১] মরম্ অসিন লোন্ তম্খৎলক্‌প অঙাংগি মরোন্দ,[২] খবর তেলিভিজন্নচিংবগি হেৎলাইন্‌সিংদ, এৎভরতাইজ তৌবগি লোন্নচিংবদ মচং ওইব আরথ অদুতং পীনিংব মতম্দ বুৎ মোরফিম্‌সিং অসিগি মরু ওইব অদু পন্ব য়াই। নুংতিগি পুন্‌সিদসু লফোই অমদি য়াংকোক্কি লী মসীং থীবদ *চঙ্‌, সি, চঙ্‌* হায়দুন বুৎ ঙাক্তে সীজিন্নরি। (১২) দ লোন্‌গি তান্থা নাইব মওং অম পীরিব অসি য়েংসি -

১২ পাৎয়াদন উরোক্ *তা*
চীংয়াদন লৈরাং *সাৎ*
তম্‌য়াদন কোরী *চেন্*
থম্‌মোযদন ঈথক্ *হৌ।*

(১২) দ *তা, সাৎ, চেন্* অমসুং *হৌ*[৩] হায়বসিং অসি বুৎনি। ব্রাহৈগি লেম্‌হৌব মরু (irreducible core of a word) ঙাক্তনি। মখোয়দগি অতোপ্‌প মোরফিম্‌গি মরোল্‌সিংদু মথং মথং খোক্তোকতুন ইকোক্ কোক্‌প মওং (bare form or unadorned base) সিংদুন ফজব মসক্ অম পীননব সীজিন্নবনি। মসিতসু নৎতন লোন্ মাঙ্খিবগি লায়না নারব এফাজিক্ ব্রেন্ সিন্‌ড্রোম্ (aphasic brain syndrome) লৈবব মীসিংগি মরোন্দসু বুৎসিংন অতৈ মোরফিম্‌সিংদগি হেন্না মরু ওইবগি মওংসু লৈরি। মহৌসান অসিগুম্ব এফাজিক্‌সিংগি মরোন্দ বুৎ

---

১. Aronoff (1976 : 12-13, 15) ন আরথদ যুম্‌ফম্ ওইদুন মোরফিম নৈনব য়ারক্তবগি মতাংদ দিসট্রিবিউসন্‌গি মীৎয়েংদ নৈনব য়াবগি ওইথোক্‌প অমসু পীরি।

২. *ঐ চাক্ চা, ঐ চা থক্* হায়বনচিংব অঙাংগি হোল্লোফ্রেজসিং লৈরি।

৩. অসিগুম্ব লিতরেরি দিসকোরস (literary discourse) সিংদ সীজিন্নরিব ইসতাইল্ অসি নৎতব অতৈ ওরদিনারি ইসতাইল্‌সিংদদি *তা-, সাৎ-, চেন্-, হৌ-* হায়বসিং অসি অতৈ মোরফিম্ অম য়াওদন মথন্ মথন্ত ব্রাহৈ ওইন সীজিন্নব য়াদে।

মোরফিম্সিং অসিন অতৈ বুৎ নৎতব মোবফিম্সিং অসি হান্ন মাঙ্খ্রব মতুংদ ৱাহৈ অমগি মাঙ্ঙু য়াগন্দব সরুক্ ওইন লৈহৌরি। অরোইবদ বুৎ মোরফিম্সিং অসিসু মাঙ্খ্রব মতুংদ লায়েংদুন অমুক্ ফরক্প মতম্দ কোন্ন মাঙ্খিব বুৎসিং অসিন হান্ন খঙ্ঙক্ই। মসিদগি বুৎ হায়বসি লোন্ অমগি অন্মাক্ ওইব ফোম্সিং (unmarked form) গি মসক্ অমনি হায়ন পন্ব যাই। অসিগুম্ব ৱাহৈগি মরু ওইরব বুৎসিং অসি মখল্ অনী থোক্ন খাযদোক্প যাই। অহন্বদ মথন্তন ৱাহৈ ওইন লৈব ঙম্ব বুৎ অদুগ অনীসুবদ মথন্তন ৱাহৈ ওইন লৈব ঙম্দব বুৎ হায়বসিং অসিনি। অহান্বগি মখল্ অসিবুন ফ্রি বুৎ (free root) অদুগ অকোন্বগি মখল্ অসিবুন বাউন্ বুৎ (bound root) হায়ন খঙ্নৈ। মখোয়গি খুদম্সিং (১৩) দ পীবি -

১৩a ফ্রি বুৎসিং

মী, লাই, যুম্, নুংসিৎ, সন্, হৌদোং অসিন্নাচিংব

১৩b বাউন্ বুৎসিং

থক্	-	(ঈসিং থক্পদ য়া ওরিব)
চৎ	-	(চৎপদ যাওবিব)
ফম্	-	(ফম্বদ যাওবিব)
মা	-	(ইমাদ যা ওবিব)
পা	-	(ইপাদ য়াওবিব)
চন্	-	(ইচন্দ য়াওরিব)

(১৩b) গি বাউন্ বুৎসিং অসিদ পন্ব যাবদি লোন্ অমদ বাউন্ বুৎ ওইবদু অতোপ্প লোন্ অমদ অদুম্নমক্ ওইগনি হায়ব লৈতে হায়বসিনি। মসিগি খুদমদি (১৩b) গি মনিপুরি বাউন্ বুৎসিং অসি ইংলিস লোন্দদি (১৪) দ পীবিব ফ্রি বুৎসিং অসি ওইন লৈ।

১৪ ফ্রি বুৎসিং

drink, go, mother, father, sister

মতাং অসিদ নীংসিংব য়াবদি মনিপুরিগুম্ব লোন্দ বাউন্ বুৎকি মখল্ মথেল্ নাইন মরাং কায়ন সীজিন্নবগি মওং অসিনি। মসিদগি ইংলিসকুম্ব ফ্রি বুৎসিংন মপূং ওইন সীজিন্নব লোন্‌গি মোরফোলোজিগ মনিপুরি মোরফোলোজিগ খেন্নবসিং অসি পন্দব য়ারক্তে। খুদম্ ওইন মনিপুরিদ ভাপ্ খঙ্নব বাউন্ বুৎ (verbal bound root) সিং অসি মবু ওইন তেন্স মোরফিম্‌সিংগ লোয়নন সীজিন্নদ্রদি য়াদবগি মওং অমদি ইমুং মনুংগি মরী মতা খঙ্নব নোমিনেল্ বাউন্ বুৎসিং (nominal bound roots indicating kinship terms) অসি প্রনাউন্ তাক্প মোরফিম্ অমগ লোয়নদ্রবদি সীজিন্নব য়াদবগি মওংসিংদ লৈরিব মোরফোলোজিকেল্ বিগুলারিতি অসি মনিপুরি মোরফোলোজিগি থোইদোক্প অম ওইন নৈনব য়াই। (১৩b) গি বাউন্ বুৎসিং অসি ভারবেল্ বাউন্ বুৎ অমসুং নোমিনেল্ বাউন্ বুৎ হায়ব মখল্ অনী থোক্ন খায়দুন মখোয় সীজিন্নবগি মওংসিং অদু (১৫) দ পীরি -

১৫ a	ভারবেল্ বাউন্ বুৎ	সীজিন্ননবগি মওং
	থক্	ঐ চা *থক্ই*।
	চৎ	মা মখোঙ্ন *চৎ*লি।
	ফম্	মা ফান্দ *ফম্*মি।
১৫ b	নোমিনেল্ বাউন্ বুৎ	সীজিন্নবগি মওং
	মা	*ইমান* চাক্ থোংঙি।
	পা	*ইপান* থবক্ সূই।
	চন্	*ইচন্*ন ফি সাই।

মথক্ত বুৎ মোরফিম্‌সিংবু ফ্রি অমসুং বাউন্ হায়ন খায়রিব অসি বুৎ নৎতব মোরফিম্‌সিংদসু খায়ব য়াই। বুৎ নৎতব ফ্রি মোরফিম্‌সিং অদুবু ফংসন্ ৱাৎ (function word) হায়ন খঙ্নৈ অদুগ বুৎ নৎতব বাউন্ মোরফিম্‌সিং অদুবুন এফিক্স (affix) হায়ন খঙ্নৈ। ফংসন্ ৱাৎ হায়বসি গ্রামাতিকেল্ ইন্‌ফোমেসন্ নত্ৰ গ ৱাহৈপরেংদ লেক্‌সিকেল্ রিলেসন্‌সিং তাক্পদ সীজিন্নবনি। ইংলিস লোন্দ লৈরিব আরতিকল্‌সিং (a, an, the), দিমোন্‌সট্রেতিপ্‌সিং (this, that),

প্রিপোজিসন্সিং (to, by, from, in), কম্পেরেতিপ্সিং (more, most, less), ক্বান্তিফাইয়রসিং (few, any, some, all), কন্জংশন্সিং (but, yet, if, and, or) অসি ফংসন্ ৱাৎ হায়বগ খঙ্নৈ। অসিগুম্বা ফংসন্ ৱাৎসিং অসি মসীং যাম্না লৈরদি নৎতে। মনিপুরিদা ক্বান্তিতিফাইয়র খঙ্নবা ৱা অমদি কংজংসন খঙ্নবা ইবদা সীজিন্নবা ঙাঙ্বদদি সীজিন্নদবা অমসুং হায়বগুম্বা অসিতন ফ্রি মোর্ফিম্ ওইনা লৈবা থেংনৈ। মনিপুরি লোন্দা মর্ ওইনা সীজিন্নরিবা বাউন্ মোর্ফিম্ মখল্ অমদি এফিক্স হায়বা অসিনি।

এফিক্স হায়রবসি রুৎ নৎত্রবা বাউন্ মোর্ফিম্ অদুনি হায়বা মথক্ত পনখ্রে। মরম্ অদুনা অসিগুম্বা মোর্ফিম্ অসি মতম্ পুম্নমকত *রুৎ* নত্রগা *ইসতেম্* (stem) নত্রগা বেজ[১] (base) অমদা তপ্তুনা লৈ। *ইসতেম্*হায়বদি এফিক্স অমা তপ্পিবা ফোম্ (form) অদুবুনি। মসিবু *বেজ* হায়নসু খঙ্নৈ। খুদম্ ওইনা *চাবা* হায়বা ৱাহৈ অসিদি *চা-* হায়বসি রুৎনি অদুগা *-বা* হায়রবসিনা এফিক্সনি। এফিক্স অমা তপ্পিবা *চা-* হায়বা রুৎ অসি ইসতেমসু ওই। মরম্ অসিনা রুৎ মথন্তনা ইসতেম্ ওইবসু যাই। অদুগা *চাবনা* হায়বা ৱাহৈ অসিদনা রুৎ *চা* অমসুং এফিক্স *-বা* হায়বা অনীসিনা ইসতেম্ ওই অদুগা *-না* হায়রবসিনা মদুদা তপপা এফিক্সনি। মরম্ অসিদগি ইসতেম্ অমা হায়বসি এফিক্স অমা তপ্পীবা ৱাহৌগা সবুক্ অদুনি হায়না খঙ্বসু যাই। রুৎ *নত্রগা* ইসতেম্ অমদা *তপ্পগি মওং* অদু যেংঙগা এফিক্সকি মখল্ অসি প্রিফিক্স (prefix), সফিক্স (suffix) অমসুং ইন্ফিক্স (infix) হায়না অহুম্ থোক্না খায়দোক্ই। ইসতেম্গি মমাঙ্দা তপ্পা এফিক্সপু প্রিফিক্স, মতুংদা

---

১. লিংগুইস খরগি মোৎতদ্দি ইন্ফ্লেক্সন্ খঙ্হন্বা এফিক্স (inflectional affix) সিং তপ্পিবা ফোম্ নত্রগা ৱাহৈগি সবুক্ অদুবু ইসতেম্ কৌৱী। মরম্ অদুনা ইন্ফ্লেক্সন্নেল্ মোর্ফোলোজি (inflectional morphology) গিদমক্ ইসতেম্ হায়বা তাম্ (term) অসি খাক্তুনা থম্মী। বেজ হায়বা অসিনা জেনেরেল্ ওইবা মওংদা সীজিন্নৈ। এফিক্স অমরু তপ্পরদি অদুগুম্বা ফোম্ অদু *বেজনি*। অসিগুম্বা মীৎয়েংদা *ইসতেম্* পুম্নমক্ বেজনি অদুগা বেজ পুম্নমক্তি *ইসতেম্* নৎতে।

তপ্‌পবুন সফিক্‌স অদুগ বুৎকি মবকত তপ্‌পবুন ইন্‌ফিকস কৌবী। (১৬) ত পীবিব লিস অসিদ ময়েক্‌ অরাবন ইাববসিং অসি মনিপুরি প্রিফিক্‌স অমসুং সফিক্‌স খরগি খুদম্‌নি -

১৬	প্রিফিক্স	সফিক্স
	ম-যূম্‌	যূম্‌-সিং
	ন-যূম্‌	যূম্‌-*দ*
	ই-যূম্‌	যূম্‌-*দগী*
	ম-পাক্‌	পাক্‌-*ই*
	ম-পাক্‌	পাক্‌-*কনি*
	ম-তুম্‌	চা-*রে*
	ম-কক্‌	চা-*বোই*
	খুং-চা	কক্‌-*উ*
	খুং-ই	কক্‌-*ওই*

ইন্‌ফিক্‌স হায়বসিদি মনিপুরিদ সীজিন্‌নদে। আরবিক্‌ (Arabic), হিব্রু (Hebrew) গুন্‌ব সিমিতিক্‌ লোন্‌ (simitic language) সিংদ অমদি খা-নোংপোক্‌ এসিয়া অমসুং ফিলিপিন্‌ (Philippine) গি লোন্‌সিংদ মরু ওইন্‌ সীজিন্‌নৈ। (১৭) ত পীরিব ইন্‌ফিক্‌সকি খুদম্‌সিং অসি বোন্‌তোক্‌ (Bontoc) হায়ব ফিলিপিন্‌গি লোন্‌ অদুদগিনি।

১৭				
	bato	'stone'	b*um*ato	'is becoming stone'
	fikas	'strong'	f*um*ikas	'is becoming strong'
	fusul	'enemy'	f*um*usul	'is becoming an enemy'
	pusi	'poor'	p*um*usi	'is becoming poor'

(১৭) কি খুদম্‌সিংদ বুৎকি মরক্ত অহান্‌ব কোন্‌সোনেন্‌সিংগি মতুংদ *um* হায়ব ইন্‌ফিক্‌স অসি য়াম্‌ন রিগুলর ওইব মওংদ তপ্‌পী।

৩.৬ দেরিভেসন্ অমসুং ইন্ফ্লেক্সন্

এফিক্স খঙ্নব মোবফিম্সিং অসি মখোযন তৌবিব মথৌ (function) দগি যেংঙগ *দেরিভেসন্নেল্* অমসুং *ইন্ফ্লেক্সন্নেল্ এফিক্স* হায়ব মখল অনী থোক্ন খাযদোক্তুন নৈনে। মখোযন লোন্ অমগি বাহৈ সেম্বদ চঙ্ডিব তোঙান তোঙান্ব প্রোসেসসিং অদুবুন মথংসিংন দেরিভেসন্ (derivation) অমসুং ইন্ফ্লেক্সন্ (inflection) হায়ন খঙ্নৈ। অহান্বগি অসিবুন দেরিভেসন্নেল্ মোবফোলোজি (derivational morphology) অদুগ অকোন্বগি অসিবুন ইন্ফ্লেক্সন্নেল্ মোবফোলোজি (inflectional morphology) হায়নসু খঙ্নৈ। *এফিক্সেসন্* (affixation) নত্রগ *এফিক্সেল্ মোবফোলোজি* (affixal morphology) হায়ব অসিন অনী অসিবু পূন্ন অমুক্ খঙ্হল্লি। হৌজিক ঐখোযন নৈনগদৌবব অসি এফিক্সেল্ মোবফোলোজিগি *দেরিভেসন্* অমসুং *ইন্ফ্লেক্সন্* হায়ব বাহৈ সেম্বগি প্রোসেস অনী অসিনি। অনী অসিদ লৈবব বাহৈ সেম্বগি মওংসিং অসি তোঙান্ তোঙান্লি। দেরিভেসন্ হায়ব অসিদি মবু ওইন অতোপ্ অতোপ্প বাহৈ সেম্দুন লোন্ অমগি বাহৈ পূক্কৈগি মসক্ উহন্বনি অদুগ ইন্ফ্লেক্সন্ হায়ব অসিন বাহৈ অমগি তোঙান্ তোঙান্ব মসক্সিং (word forms) অদু পুথোক্নবনি। ইন্ফ্লেক্সন্নেল্ এফিকসসিংন অকক্নব বাহৈপবেংগি মফম্ (particular syntactic slot) অমগি মতুং ইন্ন বাহৈগি মসক্ হোংহল্লি। খুদম্ ওইন সীজিন্নবক্প মতম্দ *he* হায়বসি *him, they* হায়বসি *them* হায়ন মসক্ ওল্লি। পাস তেন্সত সীজিন্নবগিদমক্ *go* ন *went* ওল্লি। মনিপুরিদ *চাই* হায়বসি ফিউচব তেন্সত সীজিন্ননবগিদমক্ *চাগনি* অদুগ মপূং ফাব খঙ্হন্নবগিদমক্ *চাবে* হায়বসি ওল্লি। অসুম্ন বাহৈপবেং অমগি অকক্নব মফম্গি মতুং ইন্ন বাহৈগি মসক্ত অহোংব লাক্লিব অসি ইন্ফ্লেক্সন্নি। অহোংব অসি পীবিব *-ই-, -গনি* অমসুং *-বে* হায়ব সফিক্সিং অসিন ইন্ফ্লেক্সন্নেল্ সফিক্সসিংনি। ইন্ফ্লেক্সন্নেল্ এফিক্স তপ্পব বাহৈগি মওং

অদুবু ইন্‌ফ্লেক্‌তেৎ ফোম্ কৌৱী। খুদম্ ওইন মনিপুরিরাগ *চাগনি* হায়বসি *চা* হায়ব ভাপ্ অসিগি ফিউচব তেন্‌সত ইন্‌ফ্লেক্ তৌবব ফোম্ অর্দুনি। অসুম্‌ন ইন্‌ফ্লেক্‌সনদ ফংব ব্রাহৈসিং অসি যাম্‌ন *প্রদক্‌তিপ্* অমদি *রিগুলর* ওই। খুদম্ ওইন মনিপুরিগি ফিউচর তেন্‌স তাক্‌প সফিক্‌স *গনি* নত্রগ *-কনি* হায়বাস *চা-* হায়ব ভাপ্ অসিদত নৎতনা মনিপুরিগি অতৈ ভাপ্‌সিংদ য়াম্‌ন চাং নাইব মওংদ ইন্‌ফ্লেক্ তৌব যাই। মবম্ অদুন ইন্‌ফ্লেক্‌সন্‌গি বুল্ অসিদি যাম্‌ন জেনেরেল্ ওইব মওংনি। অসিগুম্‌ব মওং অসি দেরিভেসনেল্ এফিক্‌র্সসিং তপ্‌প মতম্‌দাদ অপান্‌নব ব্রাহৈসিং অদুগি মতুং ইন্‌ন য়াদব কযা লৈ। খুদম্ ওইন মনিপুরিগি অ-ম, অ-নী, অ-হুম্ হায়বদ তপ্‌পিব ফোবমেতিপ্ প্রিফিক্‌স *অ-* অসি ম রি, ম-ঙা, ত বুক্, ত-বেৎ, নি পান্, মা পান্‌দদি লীসাং সীৎন তপ্‌প যাদে। অসুম্‌ন যাম্‌ন চাং নাইদব অমদি অপান্‌নব বাহৈসিংগি ওইব মতৌ (idiosyncracy) অসি দেরিভেসনেল্ এফিক্‌সসিংগি থোইদোক্‌প মতৌ অমনি। মসিন মবম্ ওইদুন লেক্সিকোন্ নত্রগ দিকসনারিদ অনৌব বাহৈ কযা দেরিভেসন্‌ন লেপ্‌তন হেন্‌গৎহল্লি। অসিগুম্‌ব বাহৈগি অবেপ্‌প মসক্ পীব অসিদগি অইব নত্রগ কবি অমন মদু হোংদোক্‌তুন সীজিন্‌নববদি মহাক্‌ন লোন্ অদুদ অনৌব ব্রাহৈ অম হৌদোক্‌লে হায়ন লৌগনি। মসিদগি দেরিভেসন্ হায়ব অসি মবম্ থিদ্‌ন তাক্‌প যাবগি মতৌ অম লৈ হায়নবিবনি অমদি দিক্‌সনারি অমদ পূন্‌ন উৎপ যাব ক্লোজ সেৎ (closed set) অমনি হায়নসু লৌনৈ।

মসিগি ওন্‌ন তৈনবদ ইন্‌ফ্লেক্‌সন্ হায়বসিগি ওপন্ (open) ওইব মতৌ অসি লৈ। দিক্‌সনারিদ লোন্ অমগি ব্রাহৈ মসিংগি অবেপ্‌প অম পীব যাববসু লোন্ অদুদ ব্রাৎ ফোম্ কযা লৈবগে হায়ব অসিদি কনা অমত খঙ্‌নদে। লোন্ অম ঙাঙ্‌ঙিব মীসিংন ব্রাৎ ফোম্‌সিং পুথোক্‌নব ইন্‌ফ্লেক্‌সন্‌গি প্রোসেসসিং অদুগি মতেংন অতোপ্‌পন অমুক্ত ঙাঙ্‌খিদ্রিব লোন্ অদুগি ওইথোক্‌প য়াব ব্রাৎ ফোম্‌সিং অদু অরোইব লৈতন পুন্‌সি চুপ্‌প ঙাঙ্‌ব য়াই। অসুম্‌ন ইন্‌ফ্লেক্‌সন্ হায়ব অসিদি মহৌসাগি ওইব মওং অমদ মসীং খঙ্‌দ্রব লোন্ অমগি ব্রাৎ ফোম্‌সিং পুথোক্‌নব

ওন্-গোয়িং প্রোসেস অমনি। মীৎয়েং অসিদগি ইনফ্লেক্সন হায়ব অসিন দেবিভেসনদগি সিন্তেক্তিক প্রোসেসসিংগ যাম্ন নকনব হেলালি হায়রিবনি। লোন্ অমগি সিন্তেক্তিক্ প্রোসেসসিংদ ফংব ফ্রেজ, ক্লোজ অমদি ৱাহৈপবেং কয়া মসীং খঙ্দন লৈবগি মতৌ অদু ইন্ফ্লেক্সন্ হায়ব অসিদসু উব ফঙ্ঙি। অমরোম্দ দেরিভেসন্নেল্ এফিক্স সীজিন্নদুন ৱাহৈ সেম্ব মতম্দ অনৌব ৱাহৈ অদুগি গ্রামাতিকেল্ ক্লাস অমদি আবথদ অওন্ব কয়া লৈবগি ৱাফম্ অসি ইন্ফ্লেক্সন্নেল্ এফিক্সসিংদ লৈতব মরু ওইব খেন্নব অম ওইন লৌনৈ। দেরিভেসন্গি অসিগুম্ব ৱাহৈ সেম্বদ লৈবিব অহোংবসিং অসি মখাদ মথং মথং নৈনদুন য়েংসি।

অহান্বদা ইসতেম্ নত্রগ বেজ অদুগি গ্রামাতিকেল্ ক্লাসত অহোংব লাক্প অসি দেবিভেসন্গি মরু ওইব মতৌ অমনি। মসিদগি দেবিভেসন্নেল্ এফিক্স অদুন ইসতেম্গি গ্রামাতিকেল্ ক্লাস অদু হোংদোক্হন্দুন অতোপপ ৱাহৈ অম সেম্মী। অসিগুম্ব অসেম্ব ৱাহৈসিংগি খুদম্ খব ইংলিসতগি লৌখৎলুন (১৮) দ পীবি -

১৮	ইসতেম্	অসেম্ব ৱাহৈ (composite word)
	question (noun)	question-*able* (adjective)
	item (noun)	item-*ize* (verb)
	danger (noun)	*en*-danger (verb)
	friend (noun)	friend-*ly* (adjective)
	read (verb)	read-*able* (adjective)
	govern (verb)	govern-*ment* (noun)
	kind (adjective)	kind-*ly* (adverb)
	rich (adjective)	*en*-rich (verb)
	good (adjective)	good-*ness* (noun)

(১৮) দ ময়েক্ অরাবন ইবিব প্রিফিক্স অমদি সফিক্সসিং অসি দেবিভেসন্নেল্ মোরফিম্ ঙাক্তনি। মখোয় তপ্প মতম্দ ইসতেম্সিং অদুগি গ্রামাতিকেল্ ক্লাসসিং (noun, verb নচিংব) অদু অতোপ্প অমদ ওন্দুন অনৌব ৱাহৈসিং ওইখি। অসুম্ন ওন্ব অসি অতোপ্প দেরিভেসন্নেল্ এফিক্সিং লাক্পদসু মথংগি


অওন্‌বে অম অমুক্ লাক্কনি। অসিগুম্‌ব মথং মথং অওন্‌ব লাক্পগি খুদম্ (১৯) দ পীরি -

১৯ ইসতেম্ অসেম্‌ব ৱাহৈ

	nation (noun)	nation-al (adjective)
	national (adjective)	national-ise (verb)
	nationalise (verb)	nationalis-ation (noun)

(১৯) দ পীরিব ইন্‌ফোমেসন্ পূম্‌নমক্ অসি (২০) গি ত্রি দাইয়গ্রাম্‌দ অমুক্ হন্‌না ইথোক্তুন পীরি -

২০




অসিগুম্‌ব এফিক্স মথং মথং তপ্সীন্‌দুন ৱাহৈ সেম্‌বগি মওং অসি মল্‌তিপল এফিক্সেসন্ (multiple affixation) হায়ন খঙ্‌নৈ। মসিদ য়েংগদবদি ইসতেম্ অমন গ্রামাতিকেল্ ক্লাস হোংদুন সেম্‌ব ৱাহৈ অদুন অমুক্ ইসতেম ওইদুন অতোপ্‌প গ্রামাতিকেল্ ক্লাসকি ৱাহৈ সেম্‌ব য়াব অসিনি। (২১) দ অতোপ্‌প খুদম্ অমগ পীরি -

২১ ইসতেম্ অসেম্‌ব ৱাহৈ

	real (adjective)	real-ist (noun)
	realist (noun)	realist-ic (adjective)

(২১) দ পীবিবসি এজেক্তিপ্‌তিগি নাউন্‌ ওল্‌লব মতুংদ অমুক্‌ হন্‌ন এজেক্তিপ্‌ ওন্‌দুন ৱাহৈ সেম্‌বগি মওংনি। মসি অমুক্‌ হন্‌ন (২২) ওইন ইথোক্‌তুন পীরি

২২



(২০) অমসুং (২২) গি ত্রি দাইযগ্রাম্‌সিংদ এফিক্‌স মযাম্‌ তপ্‌সিন্‌নব মতম্‌দ লৈবিব মথং মনাউ অদু উবে। হাযবিব মথং মনাউ অসি ওন্‌নব যাদে। লোন্‌ অর্মাগ ফ্রেজ, ক্লোজ অমদি ৱাহৈপবেংসিংদ মখোয়গি কন্‌সতিতু যেন ইলিমেন্‌সিংগি মথং মনাউ হোংদোক্‌ হোংজিন্‌ যার্বাগ মওং লৈবদু ৱাহৈ অমগি মনুংদ লৈবিব ইলিমেন্‌সিং অসিদদি অচেৎপ মওং ওইন হোংদোক্‌ হোংজিন্‌ যাদন লৈ। অসিগুম্‌ব অচেৎপ নত্রগ অবেপ্‌প মথং মনাউ অসি কাযবুববদি বাহৈসিংদ লৈবিব আর্ববিত্রেবি সাউন্‌-মিনিং পিযাবিং হাযবসি মাঙ্‌খিদুন আবথ লৈতব খোন্‌থোক্‌ ওইন লৈখিগনি।

অনীসুবদ ইসতেম্‌ অদুগি সপ্‌ক্লাসিফিকেসন্‌ (subclassification) দ অহোংব লাক্‌প অসিসু দেবিভেসন্‌গি মসক্‌ অমনি। মসিদদি ইসতেম্‌ অদুগি গ্রামাতিকেল্‌ ক্লাস অদু লেঙ্‌দন লৈবগ মদুগি মনুংগি সপ্‌ক্লাসসিংদ হোংবনি। অসুম্‌ন দোবিভেসন্‌নেল্‌ এফিক্‌সসিংন ইসতেম্‌ অদুগি গ্রামাতিকেল্‌ ক্লাসসিংদ অহোংব পীবক্‌পসিং অদু (২৩) দ অমুক্‌ পীবি -

২৩	ইসতেম্‌	অসেম্‌ব ৱাহৈ
	friend (noun)	friend-ship (abstract noun)
	king (noun)	king-ship (abstract noun)
	book (noun)	book-let (diminutive noun)
	pig (noun)	pig-let (diminutive noun)
	duck (noun)	duck-ling (diminutive noun)

child (noun)	child-hood (abstract noun)
guiter (noun)	guiter-ist (agent noun)

(২৩) গি ইসতেম্গি সপ্ক্লাসিফিকেসনদ ওল্লিব মওং অসিগুম্ব অসি (২৪) গি মনিপুরিগি য়েখায় থুগাইব খঙনব ভাপ্সিং অসিদসু উব ফংঙি।

২৪	ইসতেম্	অসেম্ব ৱাহৈ
	কায়ব (ইনত্রন্সিতিপ্ ভাপ্)	থু-গাইব (ত্রন্সিতিপ্ ভাপ্)
	তেক্প (ইনত্রন্সিতিপ্ ভাপ্)	থু-দেক্প (ত্রন্সিতিপ্ ভাপ্)
	তৎপ (ইনত্রন্সিতিপ্ ভাপ্)	থ-দৎপ (ত্রন্সিতিপ্ ভাপ্)

(২৪) গি ইসতেম্সিংগি সপ্ক্লাসিফিকেসন্দ ওল্লিব মওং অসি (২৫) গি ইনত্রন্সিতিপ্সিংগি পীরিব ত্রন্সিতিপ্ কাউন্তরপাৎসিং অসিগ মান্নব উই -


২৫	ইনত্রান্সিতিপ্	ত্রান্সিতিপ্
	কায়ব	খায়ব
	তেক্প	থেক্প
	তৎপ	থৎপ

অহুম্সুবদ ইসতেম্গি আবথদ অহোংব লাক্প অসিসু দেরিভেসন্দ ফংব ৱাহৈসিংদ তোয়ন থেংনব অর্মনি। মসিদদি ইসতেম্গি গ্রামাতিকেল্ ক্লাস নত্রগ সপ্ক্লাসত অহোংব অমত লৈতে অদুগ মাগি আবথদদি সোয়দন ময়েক্ সেংন অহোংব অম লাক্কনি। (২৬) ত পীরিবাসং অসি ইসতেম্গি আরথদ অওনব অম লৈবগি খুদম্সিংনি।

২৬	ইসতেম্	অসেম্ব ৱাহৈ
	kind (adjective)	un-kind (adjective)
	obey (verb)	dis-obey (verb)
	accurate (adjective)	in-accurate (adjective)
	continue (verb)	dis-continue (verb)
	regular (adjective)	ir-regular (adjective)
	write (verb)	ri-write (verb)

অসুম্ন দেরিভেসনদ লৈরিব অহোংব মখল্সিং অসি ৱাহৈ অমদ য়ান্সিন্নদুন লৈবসু য়াই। খুদম্ ওইন (২০)গি ৱাহৈ অসি ইসতেম্গি আরথ হোংব প্রিফিক্সসিংগ য়ান্সিন্নদুন (২৭) কি এফিক্স ময়াম্ যান্সিন্নদুন সেম্ব ৱাহৈ (multiple affixing word) সেম্বগি মওং অসি ওইন অমুক্ হন্ন ইথোক্লি।

২৭



(২৭) কি ৱাহৈ সেম্বগি মওং অসি দিবিভেসন্নি। কাবমত তপ্তব ইসতেম্ (বুৎ) অমদ গ্রামাতিকেল্ ক্লাস হোংহন্ব দেবিভেসন্নেল্ সাফিক্সসিং অমদি আরথ হোংহন্ব দেরিভেসন্নেল্ প্রিফিক্সসিংন মথং মথং হেন্ন কম্প্লেক্স

ওইব ইসতেম্‌সিং সেম্‌দুন *preantidenationalisation* হায়ব ৱাহৈ অসিগি সক্‌লোন্‌ (word structure) অদু উহন্‌বনি।

৩.৭ ক্লিতিক্

মথক্‌ত ৱাহৈ সেম্‌বগি মতাংদ দেরিভেসন্‌নেল্‌ অমসুং ইন্‌ফ্লেক্‌সন্‌নেল্‌ এফিক্‌স হায়ব বাউন্‌ বুৎকি মখল্‌ অনীখক্‌ নৈনখ্রে। মখোয় অনী অসি নৎতব সিন্‌তেক্‌তিকেল্‌লি মোতিভেৎ তৌব অতোপ্‌প ৱাহৈসিংদ তপ্‌প ফ্লেক্‌সিবল্‌ ওইব বাউন্‌ মোরফিম্‌ মখল্‌ অমসু লৈরি। অসিগুম্বব সিন্‌তেক্‌তিকেল্‌লি ফ্লেক্‌সিবল্‌ ওইব বাউন্‌ মোরফিম্‌সিং অসিবু ক্লিতিক্‌ (clitic) হাযন খঙ্‌নৈ। অদুগ ক্লিতিক্‌ অম তপ্‌পিব ৱাহৈ অদুবুন হোস নত্ত্রগ এন্‌কোর (host or anchor) কৌৱী। ক্লিতিক্‌ অমন মাগি হোসত তপ্‌প (attachment) অদুবুন ক্লিতিসাইজেসন্‌ (cliticization) কৌৱী। মীৎয়েং অসিগ মরী লৈনন মনিপুরি প্লুরেল্‌ মারকর -*সিং* হায়ব অসিন মাগি হোসত ক্লিতিসাইজ তৌবগি মওং অসি মখাদ নৈনদুন য়েংসি -

২৮a সন্‌-সিং

২৮b সন্‌ অরাংব-সিং

২৮c মখোঙ্‌ নেম্‌ব মৈতৈগি সন্‌ মচী তেন্‌ব-সিং

(২৮a) দ *সন্‌* হায়ব নাউন্‌ অসিদ প্লুরেল্‌ মারকর -*সিং* হায়বসি তপ্‌তুন মাগি হোস অসিগি মসীং খঙ্‌হল্‌লি। অদুবু (২৮b অমসুং c) দদি -*সিং* হায়বসিগি ফোনোলোজিকেল্‌ হোস অসি *সন্‌* হায়ব নাউন্‌ অসিদগি তোঙানখ্রে। মসিবু ক্লিতিক্‌সিংগি দ্যুয়েল্‌ সিতিজেন্‌সিপ্‌ (dual citizenship) ওইব মগুন্‌ হায়ন খঙ্‌নৈ (see Klavans, 1985 : 104)। ৱাহৈ অমরোম্‌দ হায়বগ -*সিং* হায়ব অসিগি ফোনোলোজিকেল্‌ হোস অম অদুগ সিন্‌তেক্‌তিক্‌ নত্ত্রগ সিমান্‌তিক্‌ হোস অম তোপ্‌ন তোপ্‌ন লৈরে। (২৮b) দ প্লুরেল্‌ মারকর অসিগি ফোনোলোজিকেল্‌ হোস অসি *অরাংব* হায়ব পোসমোদিফাইয়র অসিন ওইরি অদুগ *সন্‌ অরাংব* হায়ব নাউন্‌ ফ্রেজ অসিন মাগি সিন্‌তেক্‌তিক্‌ হোস ওইরি। চপ্‌ মান্‌নব মওংদ

(২৮c)দসু *সন্* হায়ব নাউন্ অসিন হেৎ ওইব নাউন্ ফ্রেজ *মখোঙ নেম্‌ব মৈতৈগি সন্ মচী তেন্‌ব* হায়ব অসিন *-সিং* হায়বসিগি সিন্‌তেক্‌তিক্ হোসনি অদুগ নাউন্ ফ্রেজ অসিগি অরোইব ইলিমেন্ ওইরিব *তেন্‌ব* হায়ব অসিন মাগি ফোনোলোজিকেল্ হোসনি। মসিন খঙ্‌হল্লিবদি মনিপুরি প্লুরেল্ সফিক্‌স *-সিং* হায়বসি মাগি বেজদ লেঙ্‌দন লৈব, মাগ থানব য়াদব অসেংব ইনফ্লেক্‌সন্‌নেল্ সফিক্‌সসিংগ মান্‌নদে হায়ব অসিনি। *-সিং* হায়ব অসিন মাগি বেজদ লেঙ্‌দন লৈব তারবদি অরান্‌ব ওই হায়বসি (২৯) গি খুদম্‌সিংদ পীরি -

২৯a [[সন্]$_N$ অরাংব]$_{NP}$ -সিং

২৯b *[[সন্]$_N$ -সিং অরাংব]$_{NP}$

২৯c [মখোঙ্ নেম্‌ব মৈতৈগি [সন্]$_N$ মচী তেন্‌ব]$_{NP}$ -সিং

২৯d *[মখোঙ্ নেম্‌ব মৈতৈগি [সন্]$_N$ -সিং মচী তেন্‌ব]$_{NP}$

(২৯) গি খুদম্‌সিং অসিদ (২৯b অমসুং d) গি নাউন্ ফ্রেজসিং অসি লান্‌বাগি মরম্‌দি হেৎ ওইরিব নাউন্ *সন্* হায়ব অসিদ প্লুরেল্ সফিক্‌স *-সিং* হায়ব অসি লেঙ্‌দন অসুম্ তপ্‌তুন লৈব অসিনি। (২৯a অমসুং c) দ প্লুরেল্ সফিক্‌স অসি নাউন্ ফ্রেজগি অরোইব ইলিমেন্‌সিংদ তপ্‌ত্রব মতম্‌দ খুদম্‌সিং অসি অচুম্‌ব ঙাক্‌ত ওই। *-সিং* অসিন অসেংব ইনফ্লেক্‌সন্‌নেল্ সফিক্‌স ওইরবদি (২৯a অমসুং c) গি মওং অসি অরান্‌ব ওইগনি অদুগ (২৯b অমসুং d) গি মওং অসিন অচুম্‌ব ওইগনি। (৩০) গি ইংলিসকি খুদম্‌সিং অসিন ৱাফম্ অসিগি অচুম্‌বদু ময়েক্ সেংন উহল্লি।

৩০a [Cow]-s are standing.

৩০b *[[Cow]$_N$ in the shad]$_{NP}$ -s are standing.

৩০c [[Cow] -s in the shad] are standing.

(২৯) গি খুদম্‌সিংগ ওন্‌ন তৈনব মওংদ (৩০) গি খুদম্‌সিং অসিন ইংলিসকি প্লুরেল্ মারকর *-s* অসি মাগি বেজ অদুগ থানব য়াদব, বেজ অদুগি লেঙ্‌দ্রব সরুক্ অমনি হায়বসি খঙ্‌হল্‌লি। করিগুম্‌ব *cow* হায়রিব বেজ অসিদগি লাপ্‌থোক্‌খিব তারবদি অরান্‌ব ব্রাহৈপরেং ওই হায়ব অসি (৩০b) ন খঙ্‌হল্‌লি। ব্রাহৈ অমরোম্‌দ হায়রগ (২৯) দ পীরিব মনিপুরি প্লুরেল্ সফিক্‌স *-সিং* হায়বসিন নাউন্ ফ্রেজগি থাক্‌ত লৈব ইন্‌ফ্লেক্‌সন্‌নি অদুগ (৩০) দ পীরিব ইংলিসকি প্লুরেল্ সফিক্‌স *-s* অসিন ব্রাহৈগি থাক্‌ত লৈব লেক্‌সিকেল্ ইন্‌ফ্লেক্‌সন্‌নি। অনী অসিগি মরু ওইব খেন্‌নবদি ফ্রেজেল্ ইন্‌ফ্লেক্‌সন্‌সিং অসিদি মখোযগি হোস অসি অনী থোক্‌ন লৈব অসিনি। ফ্রেজ অদুগি অরোইব ইলিমেন্‌সিং অদুন মখোয়গি ফোনোলোজিকেল্ হোস ওই অদুগ নাউন্ ফ্রেজ অপূন্‌ব অদুন মখোয়গি সিন্‌তেক্‌তিক্ নত্ত্রগ সিমান্‌তিক্ হোস ওই। অসিগুম্‌ব ফ্লেক্‌সিবল্ ওইব বাউন্ মোরফিম্‌সিং অসিবু ক্লিতিক্ (clitic) হায়বনি (see Zwicky, 1977 : 1)। ক্লিতিক্ অমন য়াওরিব মাগি ফোনোলোজিকেল্ হোস অদুবু মাগি ফোনোলোজিকেল্ দোমেন্ নত্ত্রগ ক্লিতিক্ গ্রুপ্ (phonological domain or clitic group) হায়ন খঙ্‌নৈ (see Anderson, 1988 a; Kaisse, 1985 and Klavans, 1985)। মতৌ অসুম্‌ন ক্লিতিক্‌সিংন ফোনোলোজিকেল্ দোমেন্ তোঙান্ তোঙান্‌বদ তপ্‌পগি মওং অসি মনিপুরি কেস মারকরসিং অসিদসু উব ফংঙি। (৩১) গি ইন্‌সত্রুমেন্‌তেল্ কেস মারকরগি খুদম্‌সিং অসি য়েংসি -

৩১a মান [থাঙ্] - ন হৈ খোক্ই।

৩১b মান [[থাঙ্] অথৌব] - ন হৈ খোক্ই।
N NP

৩১c *মান [[থাঙ্] - ন অথৌব] হৈ খোক্ই।
N NP

(৩১b অমসুং c) গি খুদম্‌সিং অসিন ইন্‌সত্রুমেন্‌তেল্ কেস মারকর *-ন* অসি প্লুরেল্ মারকর *-সিং*গি মতৌগুম্‌ন ফ্রেজগি থাক্‌ত তপ্‌প নাউন্ ফ্রেজ ইন্‌ফ্লেক্‌সন্‌নি হায়ব তাক্ই। (৩১a)দ *-ন* গি সিন্‌তেক্‌তিক্ সিমান্‌তিক্ অমসুং ফোনোলোজিকেল্

হোস অসি অমত ওই অদুগ (৩১b) দদি মাগি সিন্তেক্তিক্ অমসুং সিমান্তিক্ হোসতগি ফোনোলোজিকেল্ হোস অসি তোঙাল্লি। অসিগুম্ব মওং অসি জেনেতিপ্ কেস মারকর *-গি* হায়ব অসিদসু উব ফংঙি। (৩২) দ মখোয়গি খুদম্সিং পীরি -

৩২a [তোম্ব] -গি কার অদু হল্লি।

৩২b [[তোম্ব] সনা সাব] -গি কার অদু হল্লি।
N NP

৩২ *[[তোম্ব] -গি সনা সাব] কার অদু হল্লি।
N NP

(৩২) গি খুদম্সিং অসিনসু জেনেতেপ্ কেস মারকর *-গি* অসিসু প্লুরেল্ মাবকর *-সিং* অমসুং ইন্সত্রু মেন্তেল্ মারকর *-ন* গ মান্নব মওংদ নাউন্ ফ্রেজ ইন্ফ্লেক্সন্নি হায়ব উরে। মসিদগি ঐখোয়ন হায়ব য়াবদি মনিপুরি প্লুবেল্ অমসুং কেস মারকরসিং অসি মথংসিংন প্লুরেল্ ক্লিতিক্ অমসুং কেস ক্লিতিক্ ঙাক্তনি হায়ব অসিনি। মখোয়সিং অসি বেজ অদুগি থানব য়াদ্রব সরুক্ অম ওইবগি মহূৎত মখোয়ন তপ্পিব ব্রাহৈসিং অদুগি সেমি-দিতেচ ইলিমেন্ (semi-detached element) অম ওইন লৈ। মরম্ অদুন মাগি ফোনোলোজিকেল্ হোস অদুগি সরুক্ অম ওইন অপূন্ব ফ্রেজ অমগি সরুক্ অমসু ওই। অসিগুম্ব মওং অসি অসেংব ইন্ফ্লেক্সন্নেল্ মোরফিম্সিংদ লৈতে।

মথক্কি খুদম্সিংদ পীরিব মনিপুরি প্লুরেল্ অমসুং কেস ক্লিতিক্সিং অসি মাগি হোস অদুগি মতুংদ তপ্প ঙাক্তনি। অসিগুম্ব হোস অদুগি মতুংদ তপ্প ক্লিতিক্সিংবু *এন্ক্লিতিক্* (enclitic) হায়ন খঙনৈ। ইংলিসকি জেনেতিপ্ মারকর *-'s* অসিসু কেস এন্ক্লিতিক্ অমনি। (৩৩) গি নাউন্ ফ্রেজসিং অসি অমুক্ক য়েংসি -

৩৩a The Queen's tiara

৩৩b The Queen of Manipur's tiara

৩৩c The editor's car

৩৩d The editor of the *Manipur Mail* newspaper's car

(৩৩a) গি খুদম্ অসিদ জেনেতিপ্ - *'s* অসি *Queen* হায়ব নাউন্ অসিগি ওইগদ্র নত্র গ the Queen হায়ব নাউন্ ফ্রেজ অসিগি ওইগদ্র হায়বসি লেপ্‌প লুই। (৩৩b) গি খুদম্ অসি য়েংঙবদি - *'s* অসি *Queen* হাযব নাউন্ অসিদ তপ্‌প নাউন্ ইন্‌ফ্লেক্‌সন্ নৎতে, নাউন্ ফ্রেজ অপূন্‌ব অসিদ তপ্‌প ইন্‌ফ্লেক্‌সন্‌নি হাযব খঙ্‌হল্‌লি। মতৌ অসুম্‌ন (৩৩c অমসুং d) গি খুদম্‌সিং অসিদসু - *'s* অসি নাউন্ ফ্রেজ ইন্‌ফ্লেক্‌সন্‌নি হায়ন লৌগনি। নাউন্ ইন্‌ফ্লেক্‌সন্ নৎতে হায়বসি (৩৪) গি অবান্‌ব মওংসিং অসিনসু তাক্‌ই।

৩৪a * The Queen's of Manipur tiara

৩৪b * The edior's of *Manipur mail* newspaper car

(৩৩ অমসুং ৩৪) গি খুদম্‌সিং অসিদগি ইংলিসকি জেনেতিপ্ মাবকব - *'s* অসিসু নাউন্ ফ্রেজদ তপ্‌প কেস এন্‌ক্লিতিক্ অমনি হাযন লৌগনি। মসি নৎতদুন ক্লিতিক্ অদুনা মাগি হোস অদুগি মমাঙ্‌দ তপ্‌পবদি প্রোক্লিতিক্ (proclitic) হাযন খঙ্‌নৈ। মসিগিদমক ফ্রেন্‌চ লোন্‌দ ফংঙিব কন্‌ট্রেক্‌তেৎ সিংগুলব দিফিনিৎ আবতিকল্ *l'* অসি খুদম্ ওইন পীনৈ। অসিগুম্‌ব কন্‌ট্রেক্‌তেৎ ফোম্ অসি কোন্‌সোনেন্‌ন হৌব নাউন্ নত্র গ এৎজেক্‌তিপ্‌কি মমাঙ্‌দ *la* নত্র গ *le* হাযবসিন মাগি ফুল্ ফোম্ ওইদুনা ৱাহৈ অম ওইন তোঙান্‌ন লৈ। খুদম্ ওইন *la fille* 'the girl' অমসুং *le chien* 'the dog' হাযবসিদ *la* অমসুং *le* হাযবসিং অসি ৱাহৈ অমমম্ ওইন তোঙান্ তোঙান্‌ন লৈ। অদুবু ভাৱল্‌ন হৌব নাউন্‌গি মমাঙ্‌দদি মসি প্রোক্লিতিক্ ওইনা মাগ হোস অদুদ তপ্‌তুনা লৈতব যাদে। খুদম্ ওইন idée 'idea' হাযব নাউন্ অসিগি মমাঙ্‌দ *la idee 'the idea' হাযদুন তোঙান্‌ব ৱাহৈ অম ওইন লৈব যাদে। মদুগি মহূৎত l'idée 'the idea' হাযদুন প্রোক্লিতিক্ ওইন তপ্‌সিন্দুন লৈগনি।

মথক্‌ত নৈনবিব ক্লিতিক্‌সিং অসি ঐখোযন মখল্ খাযদুন মখা তান নৈনবসু যাবি। জ্বিকি (Zwicky, 1977) অমদি পুল্‌লুম্ অমসুং জ্বিকি (Pullum and Zwicky, 1988) ন ক্লিতিক্‌কি মখল্ অনীথোক্‌ন অমুক্ খাযদোক্‌ই। মতম্ পূম্‌নমক্‌ত বাউন্ মোবফিম্ ওইদুন লৈব ক্লিতিক্‌সিংদুন ইসপিসিযেল্ ক্লিতিক্ (special clitic) অদুগ মনীংতম্‌ব ৱাহৈ অমদ কন্‌ট্রেক্‌তেক্ ফোম্ ওইন লৈব ক্লিতিক্‌সিংবুন সিম্‌পল্ ক্লিতিক্ (simple clitic) কৌৱী। মথক্‌ত পন্‌খিব মনিপুরি

অমসুং ইংলিসকি ক্লিতিক্‌সিং অসি ইসপিসিয়েল্ ক্লিতিক্‌সিংনি অদুগ ফ্রেন্‌চগি সিংগুলর দিফিনিৎ আরতিকল্‌গি কন্‌ট্রেক্‌তেৎ ফোম্ অসিন সিম্‌পল্ ক্লিতিক্‌নি। মসিগ মান্নব মওংদ ইংলিসকি ঔজিলিয়ারি ভাপ্ (auxiliary verb) সিংগি কন্‌ট্রেক্‌তেৎ ফোম্‌সিং অসিসু সিম্‌পল্ ক্লিতিক্ ঙাক্‌তনি মখাদ মখোয়গি ফুল্ ফোম্‌সিং অদু কন্‌ট্রেক্‌তেৎ ফোম্‌সিংগ লোয়নন পীরি -

৩৫	Full form	Contracted form
	is has	's
	had would	'd
	have	've
	will	'll
	am	'm
	are	're

(৩৫) গি খুদম্‌সিংদ কন্‌ট্রেক্‌তেৎ ফোম্‌সিং অসি ভাব্রল্ খোন্‌থোক্ য়াওদব মরম্‌ন মথন্ মথন্ত হায়দোক্‌প য়াদে। মরম্ অসিন মখোয়সিং অসিবু প্রোসোদিকেল্‌লি দিফিসিয়েন্ (prosodically deficient) ওইব ফোম্ কৌব্রী। মসিন মরম্ ওইদুন মখোযসিং অসি মতম্ পূম্‌নমক্ত ক্লিতিক্ গ্রুপ্ অমগি অন্‌ইসট্রেস পাৎ (unstressed part) ওইন হায়দোক্‌ই। ব্রাহৈ অমরোম্‌দ হাযরগ মখোযগ থংনন লৈব ব্রাহৈ অদুগি ইসট্রেস পেতন্ (stress pattern) অদুদ য়াওদুন ব্রাহৈ অদুগি সরুক্ অম ওইখি। (৩৬) ত মসিগি খুদম্‌সিং পীবি -

৩৬a I've seen her.

৩৬b She's coming.

৩৬c John's good at hockey.

(৩৬) কি খুদম্‌সিং অসিদ 've অমদি 's হায়বসিং অসি *have, has* অমদি *is* গি *প্রোসোদিকেল্‌লি দিফিসিয়েন্* ওইব কন্‌ট্রেক্‌তেৎ ফোম্‌সিংনি। মরম্ অদুন

মখোয়সিং অসি *They, She* অমদি *John* হায়ব সপ্জেক্ NP (-noun phrase) সিং অসিদ তপ্তুন মখোয়গি ইসত্রেস পেতন্ অদুগি অন্ইসত্রেস পাৎ অম ওইন হায়দোক্ই। অসুম্ন থংনরিব ব্রাহৈসিং অদুদ তপ্ত্রবদি হায়দোক্প য়াদব মনিংতম্ব ব্রাহৈসিংদগি ওল্লক্প বাউন্ মোরফিম্ মখল্ অসিবু সিম্পল্ ক্লিতিক্ হায়বনি। অসিগুম্ব ক্লিতিক্সিং অসি ইন্ফ্লেক্সনন্নেল্ সফিক্সসিংগ মান্নদব অমদি মখোয়সিং অসিদি ক্লিতিক্ অম য়াওরব ব্রাহৈসিংগি মতুংদ য়াওবসু ঙম্মী। (৩৭) কি খুদম্সিং অসিন ব্রাফম্ অসি সেংন খঙ্ব ঙম্হল্লি।

৩৭a I'd've brought the book for you, if I,d known.

৩৭b *I'd've-ing brought the book for you, if I'd know.

(৩৭a) গি খুদম্ অসিন ক্লিতিক্ অম য়াওরব ব্রাহৈসিংদ ক্লিতিক্ অমসু তপ্প য়াই হায়বদু খঙ্হল্লি অদুগ (৩৭b) অসিন ক্লিতিক্ অম য়াওরব ব্রাহৈসিংদ ইন্ফ্লেক্সনন্নেল্ মোরফিম্ অম তপ্প য়াদে হায়বদু খঙ্হল্লি। খুদম্ অনী অসিন ক্লিতিক্ হায়বসি অসেংব ইন্ফ্লেক্সনন্নেল্ মোরফিম্সিংগ মান্নদব তোঙান্ব বাউন্ মোরফিম্ মখল্ অমনি হায়বসু খঙ্হল্লি। (see Zwicky and Pullum, 1983 : 503-4)। মসিগিসু মথক্ত মহৌসান এফিক্সিং অসিদি অকক্নব ব্রাৎ-ক্লাসসিংদ তপ্পী অদুগ ক্লিতিক্সিংদি ব্রাৎ-ক্লাস অমদি আবথগি অপন্ব য়েংদন পাক্ সন্ন তপ্প যাগল্লি। অসিগুম্ব অথিংব লৈতন তপ্প য়াবগি মতৌ অসিবু ক্লিতিক্সিংগি লো দিগ্রি ওপ্ সেলেক্সন্ (low degree of selection) হায়না খঙ্নৈ। অসিগিসু মথক্ত সিম্পল্ ক্লিতিক্সিং তপ্প মতম্দ হোস অমসুং ক্লিতিক্ অনীগি অপূন্ব অসি সিন্তেক্তিক্ ইউনিৎ অম ওইন সিন্তেক্তিক্ প্রোসেসসিংদ নৈনদে। খুদম্ ওইন *The rose she sent's lovely* অমসুং *The rose she sent is lovely* হায়বদু লৈরিব ক্লিতিক্ ('s) অমসুং মাগি ফুল্ ফোম্ (is) অসিগি সিন্তেক্তিক্ ইসত্রক্চর অমসুং সিমান্তিক্ কন্তেন্সিং অসিদি ইমান্ মান্নন লৈ। হাযরিবসি *goes, taller, tallest* নচিংব ইন্ফ্লেক্তেৎ ব্রাৎসিংগি মতাংদদি সিন্তেক্তিক্ ইউনিৎ অমমম্ ওইন সিন্তেক্তিক্ প্রোসেসসিংদ নৈনৈ।

পূম্নমক্ অসিদগি পন্ব য়াবদি এফিক্স নৎতব ক্লিতিক্ হায়ব বাউন্ মোরফিম্ মখল্ অম মীওইবন ঙাঙ্নরিব লোন্ অয়াম্বদ সীজিন্নৈ হায়ব অসিনি।

অনী অসি তোঙান্ তোঙান্ব মখল্গি বাউন্ মোরফিম্সিংনি হায়বদু মথক্ত নৈনখ্রিবসিং অদুন খঙ্হল্লি।

৩.৮ কম্পাউন্দিং

মথক্ত দেরিভেসনন্নেল্ এফিক্সসিং সীজিন্নদুন ৱাহৈ সেম্বগি প্রোসেস অদু নৈনখ্রে। মসিদ ফংব ৱাহৈসিং অদুবু অসেম্ব ৱাহৈ (composite word) কৌৱী হায়বসু পন্খ্রে। মসি নৎতব ৱাহৈ সেম্বগি অতোপ্প প্রোসেস অমসু লৈবি। মদুবু কম্পাউন্দিং হাযরগ খঙ্নৈ। মসিদ ফংব ৱাহৈ অদুবু কম্পাউন্ ৱাৎ (compound word) কৌৱী। মসিদদি বুৎসিং তপ্সিন্নবগ ৱাহৈ সেম্বগি তোঙান্ তোঙান্ব প্রোসেসসিং অদু নৈনৈ। খুদম ওইন *চাকসঙ্* অমসুং *খুদোপ্* হায়ব ৱাহৈ অনী অসি বুৎ অনী অনীন সেম্ব কম্পাউন্ ৱাৎসিংনি। অহানব্ কম্পাউন্ অসিন *সঙ্* হায়রিব নাউন্ অসিগি সপ্ সেৎ অম খঙ্হল্লি। অবম্ব সঙ্নো হায়বদু চাক্কি সঙ্নি লাইগি সঙ্ নত্ত্রগ লাইসঙ্ নৎতে হাযব খঙ্হন্বনি। মরম্ অদুন অহান্ব ইলিমেন্ চাক্ হায়বসিন অকোন্ব ইলিমেন্ সঙ্ হাযবসিবু মোদিফাই তৌব কম্পাউন্নি। অকোন্ব কম্পাউন্ অসিদন মোদিফাইযব মোদিফাইৎকি মওং অসি ৱাহৈ অসিদ যাওবিব ইলিমেন্সিংদ ফংদে। মসিদদি মোদিফাই তৌগদৌরিব ইলিমেন্ অদু ঐখোযগি ৱাখল্ন লৌব তাই। মবম্ অদুন *খুৎত তোপ্ননব পোৎ* হায়বসিদগি *খুদোপ্* ওল্লক্পানি হাযন লৌগনি। অসুম্ন নৈনবিব মওং অসিদগি *চাকসঙ্* অমসুং *খুদোপ্* হাযবিব কম্পাউন্ অনী অসিদ লৈরিব ৱাহৈ সেম্বগি প্রোসেসসিং অসি তোঙান্ তোঙান্লি হাযব উবে। মতাং অসিদ পন্ব যাব অমদি কম্পাউন্ ৱাৎসিং অসি মখোযগি ফ্রেজেল্ কাউন্তবপাৎ কয়া পীদুন কম্পাউন্সিং অদুগি অন্দবলাইয়িং ইসত্রক্চর (underlying structure) ওইন নৈনব য়াব অসিনি। খুদম্ ওইন *চাকসঙ্* অমসুং *খুদোপ্* কি অন্দরলাইয়েং ইসত্রক্চবসিং মান্নদে। *চাকসঙ্* হায়বসিগি *চাককী সঙ্* নত্ত্রগ *চাক্ থোংননব সঙ্* হাযদুন মোদিফাইয়রন ওইদ লৈব অন্দবলাইয়িং ইসত্রক্চবসিং

পীব য়াই। অমবোম্দ *খুদোপ* হাযবার্সিগিন *খুৎতে সিননব লৈতেং নত্রগ পোং* হাযদুন মোদিফাই তৌগদব ইলিমেন্ - *লৈতেং নত্রগ পোং* অদু হার্প্চিন্‌ব তাই। মসিদগি *চাক্‌সঙ্ক* অমসুং *খুদোপ* হাযব ৱাহৈসিং অসি মথংসিংন *চাক্ থোংনব সঙ্ক* অমদি *খুৎতে সিনব পোং* হায়দুন ফ্রেজ ওইন অমুক্ ইথোক্‌প যাই। অসুম্‌ন মোবফোলোজিগি ৱাফম্ অমবু সিনতেক্সাকি থাক্‌ত অমুক্ ইথোক্‌প যাব অসিদগি *চাক্‌সঙ্ক* অমসুং *খুদোপ্*পু বাহৈ ওইন লৌবিব কবিগিনো অমদি মখোযগি ফ্রেজেল্ কাউন্‌তবপাৎসিং অসিদগি মখোযন খেন্নবিবসি করিদনো হাযব ৱাহংসিং অসি লাক্ই। মসিগি পাউখুম্‌দি ৱাহৈ হাযব অসিদি মযাম্‌গি ওইব নিযোম্‌ন পুন্দব যাম্‌ন ইদিওসিন্‌ক্রেতিক্ ওইব পোৎ (entity) অমনি হাযব অসিনি। মবম্ অসিদগি লোন অম ঙাড়্ডিব মীসিংন লোনদুগি ৱাহৈসিং অদু মখোযগি আবথগ কোন্‌ন কানননা নাংসিংদন খঙব তাই। কম্পাউন্দগি মতাংদসু হাযবিবসি অদুম্‌মক চুম্মী। খুদম ওইন *চাকসঙ্ক* অমসুং *খুদোপ্*াক ইদিওসিনক্রেতিক্ প্রোপর্বাতিসিং লৈবিব অর্দানি। ঐখোযন মখোযবু নাংসিংদুনা খঙব তাই। মসিদগি *চাকসঙ্ক* অমসুং *খুদোপ্* কমন কমপাউন্দসিং অসি বাহৈ ওইন লৌদুন দিক্‌সনাবিদ ইনবিবনি। অসিগুম্‌ব বাহৈসিংগি ইদিওসিন্‌ক্রেতিক্ ওইব মতৌ অসি মাগি সিমান্তিক্ প্রোপর্বাতিসিংদ যাম্‌ন তেংজিংবি মওংদ লৈবসু থেংনৈ। খুদম্ ওইন *থম্‌বাল্, থম্‌না, থম্‌চেৎ* অমদি *থম্‌বৈ* হাযব বাহৈসিং অসিদ অবেপপ আবথ অমগ লোযনন চন্‌ন চননা যাওবিব সবুক্ (recurring partial with constant meaning) *থম্* হাযব আসিগি আবথ কবিনো তাকপ লুন থোক্ই। মতৌ অসুম্‌ন *পযা, পসিং, পতুম্, পবৈ* হাগবাসদসু *প* গি আবথসি কাবানো ইখঙ্ক খঙদন লৈ। অসিগুম্‌ব আবথগি মাংযেং কযা অসিদাগ অসেমব বাতৈ কযা ঐখোযন ইউনিতবি এন্তিতি (unitary entity) সিং ওইন লৌব তাবকপগি ৱাফম্ লৈ'ব। অসিগুম্‌ব ইদিওসিন্‌ক্রেতিক্ ওইব প্রোপর্বাতিসিং অসি ফ্রেজ হাযব অসিদদি লৈতে। মখোযদি যাম্‌ন জেনেবেল্ ওইব রুল্‌সিংন সাগৎপনি অমসুং মদুগি মতুং ইন্‌ন মখোযবু নৈনব যাই। মহৌসান ফ্রেজ অমদ ফংঙিব আবথ অসি মদুদ যাওবিব ৱাহৈসিং অমদি মখোযগি সিন্‌তেক্‌তিক্ বিলেসন্‌সিং অদুদগি সাগৎপ ঙাক্তনি।

খুদম্ ওইন *খুৎত তোপ্নব লৈতেং* হায়ব ফ্রেজ অসি মসিদ য়াওবিব ৱাহৈসিংগি আরথ অমদি মখোয়গি মরক্তা নৈনরিব মরী অদুদগি ময়েক্ সেংন খঙ্ব ঙম্মী। করিগুম্বদ ৱাহৈসিং অদুগি মরক্তা তোঙান্ তোঙান্ব মরী লৈনববদি মরীসিং অদুদগি তোঙান্ তোঙান্ব আবথ ফংগনি। খুদম্ ওইন ক্লাসিক্ এক্জাম্পল্ ওইবব (৩৮) গি ৱাহৈ পরেংসিং অসি য়েংসি -

৩৮a [[Flying planes]$_{NP}$ can be dangerous]$_{S}$

৩৮b [[The shooting of the hunters]$_{NP}$ was terrible]$_{S}$

(৩৮) দ যাওরিব সপ্জেক্ NP সিং অসিদ লৈবিব ৱাহৈসিংগি মরী অসি অনী অনী সুবি। মবম্ অদুন চপ্ মান্নব ৱাহৈসিং ওইববসু NP সিংগি আবথ খেন্নহন্দুন ৱাহৈপবেংগি আবথ অনী অনীথোক্ন হন্ব যাই। (৩৮a) গি NP দ *planes* হায়ব নাউন্ অসিবু *flying* হায়ব ৱাহৈ অসিন মোদিফাই তৌদুন *small planes, big planes* হায়বগুম্ব ফ্রেজগি আবত অম লৈ। অমবোম্দ *flying* হায়বসি জিবন্দিপ্ নোমিনেল (gerundive nominal) ওইন লৌদুনা *the act of flying planes* কি আবথ লৌদুন অনীসুব আবথ অমসু হন্ব যাই। মসিন মবম্ ওইদুন চপ্ মান্নব ৱাহৈ ঙাক্তা যাওববসু (৩৮a) গি ৱাহৈপবে, অসি *Planes which are flying can be dangerous* অমসুং *The act of flying planes can be dangerous* হায়ন আবথ অনী থোক্ন লৈ। (৩৮b) গি ৱাহৈপবেং অসিদসু সাতান্বসিং (hunters) অসিবু কনাগুম্ব অমন কাপ্পা নত্রগ মখোয়ন অতোপ্পা পোৎ অমদ কাপ্পাগা আবথ ওইবসু যাই। মসিদগি *সাতান্বাসিংন কাপ্পদু কিনিংঙাইনি* অমসুং *সাতান্বাসিংবু কাপ্পদু কিনিংঙাইনি* হায়ব আবথ অনী অসি (৩৮b) দ লৈ। অসিগুম্ব মীৎয়েংদগি ফ্রেজ, ক্লোজ অমদি ৱাহৈপবেংসিং অসিবু কম্পোজিসনেল্ ওইব কম্প্লেক্স ইসত্রিং ওপ্ ৱাৎস (compositional complex string of words) সিংনি হায়ন মসক্ তাক্ই।

মরম্ অসিদগি ফ্রেজ, ক্লোজনচিংবসিং অসিবু লেক্সিকেল্ আইতেম্ নৎতে হায়ন লৌদুন দিক্সনারিদ আইতেম্ অম ওইন হাপ্নদে।

৩.৯ কম্পাউন্ অমসুং ইদিয়ম্ (compound and idiom)

মথক্ত ঐখোয়ন কম্পাউন্গি আরথ অসি কম্পোজিসনেল্ ই'ওই ওইদব অদুগ ফ্রেজ, ক্লোজনচিংবগি আরথন কম্পোজিসনেল্ ওই হায়ন নৈনখ্রে। ৱাফম্ অসিন দিক্সনারিদ ফ্রেজ হায়বসি করিগি য়াওহন্দ্রিবনো হায়বগি মীৎয়েংসু লৈখ্রে। হৌজিক্ ইদিয়ম্গ মরী লৈনন ৱাফম্ অসি অমুক্ নৈনদুন য়েংসি। *ইদিয়ম্* অম হায়ব অসি আরথদ কম্পোজিসনেল্ ওইদব, ফ্রেজ নত্রগ ক্লোজগ চাংদম্নব যাব সিন্তেক্তিক্ দাইমেন্সন্ অমদি মযেক্ সেংন লৈব কম্প্লেক্স লেক্সিকেল্ আইতেম্ অমনি। খুদম্ ওইন (মহাক্) [*অঙাং ওনখ্রে*](সিখ্রে) হায়ব ইদিযম্ অসি (মহাক্) [*বুধৈস ওন্খ্রে*] হাযব চুম্নগি ফ্রেজ অসিগ সিন্তেক্তিকেল্লি চাংদম্নব যাই। অনীমক্ নাউন্ অমগ ভাপ্ অমগন সাব ভাপ্ ফ্রেজ (VP) ঙাক্তনি। অদুবু আরথ লৌবক্প মতম্দ *অঙাং ওনখ্রে* হায়ব ইদিয়ম্ অসিদদি ননকম্পোজিসনেল্ ওইব মওংদ ৱাহৈগি আরথসিং অসি সপ্রেস তৌরম্মগ *সিখ্রে* হাযব আরথ অসি খঙ্হল্লী। নীংসিংবগি পাংগন্নে ৱাহৈগি আরথ খঙ্বগুম্ন ইদিয়ম্গি আরথসিং অসিসু তম্ব চঙ্ঙী অমদি নীংসিংদুন খঙ্ব তাই। মতৌ অসুম্ন ইদিযম্ অম হাযবসি সিন্তেক্তিক্ ইসত্রুকচর অম ফ্রেজগি মতৌগুম্ন লৈৎবসু ৱাহৈগি মতৌগুম্ন সিমান্তিক্ অন্প্রেদিক্তিবিলিতি (semantic unpredictibility) নত্রগ সিমান্তিক্কেল্লি ননকম্পোজিসনেল্ (semantically noncompositional) ওইব মতৌ অসিদগি মসিবু কম্প্লেক্স লেক্সিকেল্ আইতেম্ অম ওইন লৌরী। মরম্ অসিদগি দিকসনারিদ কম্পোউন্গি মতৌগুম্ন ইদিযম্সিংবুসু লেক্সিকেল্ আইতেম্ ওইন লৌদুনা য়াওহন্নৈ। মসিদগি ফ্রেজগুম্ব সিন্তেক্সকি পোৎ (syntactic object) সিং দিক্সনারিগি আইতেম্ ওইন লৌরোইদবনি হাযব মীৎয়েং অসি মতম্ পুম্নমক্ত চুম্দে হায়ব খঙ্হল্লি। লোন্ অমগি ইদিযম্সিংন সিন্তেক্তিক্ ওপ্জেক্সিংবু দিক্সনারিগি আইতেম্


ওইব য়াদে হায়ব ৱাফম্ অসিগি কাউন্তর একজামপল্সিং ওইদুন লৈরি। মসিন ঐখোয়দ মোরফোলোজি অমসুং সিন্তেক্সকি লোন্সিন্নবগি মতৌ অদু উব ফংহল্লি। মোরফোলোজিবু গ্রামারগি তোঙানব মোদুল্ (module) অম ওইন লৌদুন লোন্ অমগি মোরফোলোজি ঙাক্ত সেংন নৈনব হায়বসি মতম পূম্নমক্ত চুম্দে হায়ন ইদিয়ম্ন ঐখোয়দ নীংসিংহল্লি। আরথগি মীৎয়েংদগি কম্পাউন্ অমসুং ইদিয়ম্ হায়বসি কম্প্লেক্স লেক্সিকেল্ আইতেম্সিংনি। ইদিয়ম্ হায়ব অসিন অমুক্ ফ্রেজ অমগ মান্নব সিন্তেক্তিক্ দাইমেন্সন্সিং য়াওব অসিন মপান্থোংদদি সিন্তেক্ ইউনিৎ ওইন লৈ। মাগি ইলিমেন্সিং অসি সিন্তেক্তিক্ রুল্সিংগি মখা পোল্লি অমদি সিন্তেক্তিক্ ওপরেসন্সিং চৎথব য়াই। অমরোম্দ কম্পোজিসন্ অমগি কন্সতিতুয়েন্সিংদি সিন্তেক্তিক্ রুল্সিংগি মখা পোন্দব ৱাহৈ অমগি ইন্তর-দিপেন্দেন্ কম্পোনেন্সিংনি।

৩.১০ ৱাহৈ সেম্বগি নিয়োম্ অমসুং এক্স-বার ফোরমেৎ (word formation rule and X-bar formate)


মথক্ত ঐখোয়ন মোদিফাইয়র মোদিফাইৎকি মওংদ সেম্ব কম্পাউন্ অম ওইন *চাক্সঙ্* হায়ব ৱাহৈ অসি নৈনখ্রে। অসিগুম্ব চাক্ অমসুং সঙ্ হায়ব ৱাহৈ অমগি ইন্তরদিপেন্দেন্ কম্পোনেন্সিং অসিবু মোদিফাইয়র হেৎ হায়নসু খঙ্নৈ। হেৎ (head) অম হায়ব অসি মান য়াওরিব কন্সতিতুয়েন্ অদুগি কেতেগোরি অদু লেপ্প ঙম্ব খ্বাইদগি মপূং ওইব ইলিমেন্ অমনি। খুদম্ ওইন *চাক্সঙ্* হায়ব ৱাহৈ অসিদ সঙ্ হায়ব হেৎ অসিগি কেতেগোরি ফিচর অসিন চাক্সঙ্ হায়ব কন্সতিতুয়েন অসি নাউন ওইগনি হায়ব তাক্ই। মতৌ অসুম্ন *লাইসঙ্*, *লান্সঙ্*, *য়াওংসঙ্*, *মীরেন্সঙ্*, *লাইয়েংসঙ্* হায়ব কম্পাউন্সিং অসিসু সঙ্ হায়ব হেৎ অসিগি কেতেগোরি ফিচর অসিন মরম ওইদুন লোইনমক্ কম্পাউন্ নাউন্ ওইগনি হায়ব খঙ্হল্লি। মসিদগি তারক্প ৱা (corollary) অমদি হেৎ হায়ব অসি অমুক্ মান য়াওরিব কন্সতিতুয়েন্ অদুগি কেতেগোরি ফিচরসিং অদুন মসক্ তাক্প য়াব অসিনি। খুদম্ ওইন কম্পাউন্ নাউন্ অমগি হেৎ অদু নাউন্ ওইগনি। অসিগুম্ব কম্পাউন্ অমদ লৈরিব হেৎ হায়বসিগি প্রোপরতিসিং অসি য়েংঙগ

ৱাহৈ সেম্বগি নিয়োম্ (word formation rule) সিং অসি সিন্তেক্সত য়াওরিব ফ্রেজ ইসত্রুক্চর রুল্ (phrase structure rule) সিং অদুগ মান্নন উরক্ই। ফ্রেজ খুদিংগি হেৎ হায়ব ইলিমেন্ অম লৈরি। খুদম্ ওইন নাউন্ ফ্রেজ (NP) অমগি হেৎ অসি নাউন্ (N) অমন ওইব অদুগ ভাপ্ ফ্রেজ (VP) অমগি হেৎ অসি ভাপ্ (V) অমন ওইবগুম্না কম্পাউন্ নাউন্ অমগি হেৎ অসি নাউন্ অমন ওই। মসিদগি এক্স-বার থিওরি (X-bar theory) (see 4.14) দ পীরিব এক্স-বার ফোবমেৎসিং অদুগ কম্পাউন্ ৱাৎ অমগি ইসত্রুক্চরগ মান্নন লৈব য়াই। এক্স-বার থিওরিগি ৱা ৪সুব চেপ্তরদ পীরি অদুবু মতাং অসিগি ওইন সম্লপ্প মসক্ অম পীবি। এক্স-বার থিওরিদ সিন্তেক্তিক্ কেতেগোরি অমগি বিপ্রজেন্তেসন্ অসি ইলিমেন্ অনীন খঙ্হল্লি। অহান্বদ কেতেগোরি মখল্ খঙ্হন্ব ইলিমেন্সিং - NP, VP, N, V অসিনচিংব অদুগ অনীসুবদ মখোয়গি লেভেল্ (level) খঙ্হন্ব, কেতেগোরিসিংগি মথক্ত পীরিব বার মসীংসিং - $\bar{\bar{N}}$, $\bar{N}$, N অদুনি। দবল্ বার ($\bar{\bar{N}}$, $\bar{\bar{V}}$) সিং অসিন NP, VP হায়বগ মান্নৈ অদুগ সিংগল্ বার ($\bar{N}$, $\bar{V}$) সিং অসিন মবক্কি কেতেগোরি (intermediate category) হায়বদি NP দগিসু পীক্থব, N দগিসু চাউখৎপ কেতেগোরিসিংসু খঙ্নৈ। বার অমত য়াওদব কেতেগোরি (N,V) অসিবুন জিরো বার (zero bar) হায়রগ খঙ্নৈ। জিরো বার য়াওব কেতেগোরিসি অসি হেৎ কৌৱী। মখোয়বু জিরো প্রোজেক্সন্ হায়রগসু খঙ্নৈ। মখাদ (৩৯a) গি নাউন্ ফ্রেজ অসি (৩৯b) দ এক্স-বার নোতেসন্ (x-bar notation) সীজিন্নদুন পীরি -

৩৯a




৩৯b




(৩৯b) দ পীরিব NP গি সিন্তেক্তিক্ ইসত্রক্চব অসিগ মান্নব মওংদ (৪০) দ কম্পাউন্ নাউন্গি একস-বার ফ্রেজ ইসত্রক্চর রুল্ অদু পীরি -

৪০a



৪০b



(৪০b) গি একস-বাব কন্ভেন্সন্ অসিদ উৎলিব ইন্ফ্লেক্তেং কম্পাউন্গি মওং অসি মখাদ অমুক্ নৈনরক্খিনি।

৩.১১ কম্পাউন্গি মখল্ (types of compound)

মহৌসান কম্পাউন্গি মখল্ পীবদ মখাগি পাম্বৈ (criteria) অনী অসি পীনৈ -

(i) হেড্ য়াওবর য়াওদবর য়েংব

(ii) য়াওরবদি

a হেড্ অদুগি গ্রামাতিকেল্ ক্লাস তাক্পা অমসুং

b হেড্ অদু কম্পাউন্ অদুগি য়েৎ নত্রগ ওইবোম্দ লৈবর য়েংব।

হেড্ য়াওব কম্পাউন্ অদুবু হেদেৎ নত্রগ এন্দোসেন্ত্রিক্ কম্পাউন্ (headed or endocentric compound) হায়ন খঙনৈ। অসিগুম্ব মখল্গি কম্পাউন্ অসিদ হেড্ অদুগি ইন্ফ্লেক্সনেল্ প্রোপরতিসিং (inflectional properties) অদুন কম্পাউন্ অদুগি প্রোপর্তি ওই। মহৌসান এন্দোসেন্ত্রিক্ কম্পাউন্ অম হায়বসি হেড্ অদুন খঙহল্লিব হোল্সেৎ অদুগি সপ্সেৎ অম তাকপ 'x is a kind of y' হায়বগি মওং অদু খঙহন্বনি। খুদম ওইন ঙাবেন্ *থাঙ্*, ফিয়ান্*খোক্*, চগেম্*উতি*, চবু *উৎ*, ফিসা*ফান্* হায়ব কম্পাউন্সিং অসি ময়েক্ অবাবন ইবিব হেড্সিং অসিগি সপ্সেৎসিং অমমম্ তাকপনি। *ঙারেন্থাঙ্*হায়বসি *থাঙ্*মখল্ অমনি। *ফিয়ান্খোক্* হায়বসিসু মখোক্ মখল্ অমনি। মতৌ অসুম্ন *চগেম্উতিসু উতি*মখল্ অমনি। মথক্ত পীরিব এন্দোসেন্ত্রিক্ কম্পাউন্সিং অসি হেড্ন যেৎলোম্দ লৈব কম্পাউন্ (right headed compound) ঙাক্তনি। মখাগি মনিপুরি বাইৎ হেদেৎ কম্পাউন্সিং অসিদ নাউন্ অমগ নাউন্ অমগ, নাউন্ অমগ নোমিনেল্ বুৎ অমগ, ভাববেল্ বুৎ অমগ নোমিনেল্ রুৎ অমগন সাবগি মওং অদু পীবি

৪১a	NN	৪১b	N NR	৪১c	VR NR
	নূংফান্		খোঙ্গুন্		থোংফম্
	সংগোম্		চুহী		চাফম্
	উমোরোক্		থাঙ্খোক্		তুম্ফম্
	উচিনোং		লৈরিক্		চৎফম্
	চাক্থাউ		সংগোন্		লৈফম্

(৪১) গি রাইৎ হেদেৎ কম্পাউন্সিং অসি ইলিমেন্ অনী অনীন সাবনি। *নুংফান্* হায়বসিদ *নুং* অমসুং *ফান্* হায়ব ইলিমেন্ অনী য়াওরি। (৪২) দ ইলিমেন্ অহুম্ যাওব রাইৎ হেদেৎ কম্পাউন্সিং পীবি।

৪২a	N VR NR	**৪২b**	N VR NR
	ফিয়োন্ফম্		মীরেনসং
	ঙা য়োন্ফম্		ফিসামন্
	খূৎসূমন্		ঙাথিনজৈ
	ফিযান্খোক্		ঙাবেনথাঙ্

(৪২a অমসুং b) গী খেন্নবদি (৪২b) দন নাউন অমবু ভাববেল্ বুৎ অমগ নোমিনেল্ বুৎ অমগন মতুং থংঙি অদুগ (৪২b) ন ভাববেল বুৎ অমগ নাউন অমগন মতুং থংব ইলিমেন্সিং ওইন অসিনি। (৪১ অমসুং ৪২) গি কম্পাউন্সিং অসিগি মান্নব অমদি কম্পাউন্সিং অসাগ গেৎথংবদ লৌবব ইলিমেন্সিং অসিন হেৎ ওইদুন লৈব অসিনি। অসিগুম্ব যেৎ ইথং থংবদ লৌবিব ইলিমেন্সিং অসিন হেৎ ওই হাযন লৌবিব জেনেবেলাইজসন্ আসবু নাইং হেন্ হেং বুল্ (Right-hand Head Rule (RHR)) হাযন খঙনৈ (see Willams, 1981a : 248)। অসিগুম্ব RHR অসি ইন্ফ্লেক্তেৎ কম্পাউন্সিংদস্ চৎনব যাব ওইববদি কম্পাউন্সিংদ RHR অসাগ লুথব মতৌ লৈবি হাযন লৌব যাই। (৪৩) দ ইন্ফ্লেক্তেৎ কম্পাউন্গি বিপ্রজেনতেসন্ অনী একস বাগ ফোনমেৎকি মওংদ পীবি -

৪৩a

N̄ [+pl]
N̄ [+pl]
N N
N Cl [+pl]
উচি নোং সিং

৪৩b

N̄ [-pl]
N̄ [+pl] Cl [+pl]
N N [+pl]
উচি নোং সিং

[(৪৩) গি এক্স-বার নোতেসন্সিং অসিগি অতোপ্প মোদেল্ অম সেল্কাক্ (Selkerk, 1982 : 55) ত য়েংবিয়ু।]

(৪৩a) গি রিপ্রজেন্তেসন্ অসিন হেৎত ক্লিতিক্ তপ্পব মতুংদ কম্পাউন্দিং তৌবক্পগি মওংনি অদুগ (৪৩b) গি অসিন কম্পাউন্দিংগি প্রোসেস লোইরব মতুংদ ক্লিতিসাইজেসন্ তৌরক্পগি মওংনি। রিপ্রজেন্তেসন্ অনী অসিদ কম্পাউন্সিং অসিগি আরথদি চপ্ মান্নৈ। ঐখোয়ন য়েংগদবদি RHR অসি অসিগুম্ব ইন্ফ্লেক্তেৎ কম্পাউন্সিং অসিদসু পান্বদ অকায়ব লৈতবব হায়ব অসিনি। ৱাহৈ অমবোম্দ হায়রগ য়েৎ ইথং থংবদ লৈরিব ইলিমেন্ (clitic) অসিন কম্পাউন্ অসিগি হেৎ ওইন লৌব চুম্মীবর হায়ন য়েংব অসিনি। (৪৩) গি রিপ্রজেন্তেসন্সিং অসিদগি খঙ্বদি *-সিং* হায়ব ক্লিতিক্ অসি ৱাহৈগি মতৌগুম্ন N, V, Adj হায়ব লেক্সিকেল্ কেতেগোরিসিং লৈ হায়ন লৌব য়াব অসিনি। খুদম্ ওইন প্লুরেল্ ক্লিতিক্ অসিগি লেক্সিকেল্ কেতেগোরি [-সিং]N হায়ন তাক্প য়াই। মসিন য়েৎত লৈব মতম্দ *য়ুম্-সিং, মী-সিং, চাক্-সঙ্-সিং* হায়বনচিংব ৱাহৈসিং অসি নাউন্নি হায়ব খঙ্হল্লি। মতৌ অসুম্ন ফিউচর খঙ্নব সফিক্স অসি [গনি]V হায়দুনা মাগি লেক্সিকেল্ কেতেগোরি পীব য়াই। মসিন য়েৎত লৈব মতম্দ মান য়াওরিব ৱাহৈ অদু ভাপ্ ওইগনি হায়ব খঙ্হল্লি। খুদম্ ওইন *চাগনি, পাগনি, চৎকনি* হায়ব ৱাহৈসিং অসি অসি [চা গনি]V, [পা-গনি]V, [চৎ-কনি]V হায়ন মখোয়গি কেতেগোরি পীব য়াই। মসিদগি খঙ্বদি ক্লিতিক্ অমসুং সফিক্সসিং অসিসু RHR অসি ইললি হায়ব অসিনি। মরম্ অসিদগি *চাগনি* হায়বসিদ *গনি* হায়ব য়েৎ ইথং থংবদ লৈরিব সফিক্স অসিন হেৎ ওইন লৌব য়াই। মসিদগি *চাই* হায়বসিদ *ই* হায়বসিন মাগি হেৎ ওইন লৌরগনি। অসিগুম্ব মওংসিং অসিদগি *দি ইস্কিউল্লো* অমসুং *ৱিলিয়ম্স* (Di Sciullo and Williams, 1987 : 25) ন ৱাহৈ অমগি প্রোপরতিসিং লেপ্ননবগিদমক্ এফিক্স হায়বসি ৱাহৈ অদুগি অরোইব (ultimate) হেৎ পোজিসন্ হায়বদি [the head of the head of the head ....] অদুদ লৈগনি হায়ন পল্লি। অসিগুম্ব ৱাফম্ অসিন হান্নদগি চৎনরক্প ইসতেম্ নত্রু গ বেজ অদুন মখোয়গি এফিক্সসিংগি মসক্ লেপ্পী হায়ব মীৎয়েং অসি নৌহৌনন অমুক্ চুম্থোক্ই।

RHR ন পীরিব অনৌব মীৎয়েং অসিদ [[উচি]$_N$ [নোং]$_N$] হায়ব কম্পাউন্ অসি হেক্ সেম্বগ *-সিং* হায়ব প্লুরেল্ ক্লিতিক্ অসি [[উচিনোং]$_N$ সিং]$_N$] হায়ন তপ্প য়াই হায়ব উৎলি। মসিবু *-সিংন* অল্তিমেৎ হেৎ পোজিসন্দ লৈব কৌব্রী। RHR অসি ইন্দ্রবদি অরান্ব কম্পাউন্ অসি ওইগনি।

৪ ৪   *[[[উচি] সিং]$_N$ [নোং]]

সফিক্সন্ অল্তিমেৎ হেৎ পোজিসন্দ লৈবগি মওং অসি ইংলিসকি *scissors, trousers, pants, binoculars* হায়ব ব্রাহৈসিং যাওব (৪৫) গি কম্পাউন্সিং অসিন্ ময়েক্ সেংন উৎপ হেল্লি -

৪৫a   scissor-handles

৪৫b   trauser-hangers

৪৫c   pant-liners

৪৫d   binocular-cases

(৪৫) গি খুদম্সিং অসিদ scissors, pants নচিংব ব্রাহৈসংদ তপ্পিব -s অসি অতোপ্প হেৎসিংন মতুংদ লাক্প মতম্দ অবোইব হেৎ অদুগি মতুংদ অমুক য়াওখি। মবম্ অদুন ইনফ্লেক্সনন্নেল্ সফিক্সসিংন রাইৎ-হেন্ হেৎ (right-hand head) ওইবগি ব্রাফম্ অসি (৪৫) কম্পাউন্সিং অসিন কয়া যামন সেংন উৎপগে হায়বদু উরে।

মথক্ত নৈনবিব RHR অসি ইউনিভবসেল্ ওইব রুল্ অম ওইববব হায়ব অদুসু মতাং অসিদ লাক্ই। তসেংবদি RHR গি ফজব (beauty) অসি লৈরবসু মসিবু ইউনিভবসেল্ রুল্ অম ওইন লৌবদি য়াদে। খুদম্ ওইন ইতলিয়ান্, ফ্রেন্চনচিংব লোনদদি এনদোসেন্ত্রিক্ কম্পাউন্সিংগি হেৎ অসি ওইরোম্দ লৈ। মবম্ অদুন ইনফ্লেক্তেৎ কম্পাউন্সিংদ সফিক্স অদু হেৎত তপ্তুন কম্পাউন্ অদুগি মরক্কি ইলিমেন্ ওইদুন লৈ। অদুগ মনিপুরিগুম্ব লোনদদি রাইৎ-হেদেৎ কম্পাউনন নম্ন লৈববসু লেপ্-হেদেৎ কম্পাউন্সিংসু অদুম্ক্ সীজিন্নৈ। অদুগ ইনফ্লেক্সনন্নেল্ কম্পাউন্গি মতাংদদি রাইৎ-হেদেৎ কম্পাউন্ অমসুং লেপ্ হেদেৎ কম্পাউন্ অনীমক্ RHR গি নিযোম্ ইন্দুন চৎলি হায়ব তাই। (৪৬) ত মনিপুরি লেপ্ হেদেৎ কম্পাউন্গি খুদম্ পীবি -

৪৬a *থাঙ্‌গোন্*
৪৬b *চুঙাঙ্*
৪৬c *চৈস্*
৪৬d *লম্‌পাক্*
৪৬e *চগা*
৪৬f *চগং*

৪৬কী কম্‌পাউন্দিং অসিদ ময়েক্ অপিবন ইরিবসিং অসি হেৎ ঙাক্‌তনি। য়েৎত লৈরিব ইলিমেন্‌সিং অসিন মখোয়গি মোদিফাইয়বসিংনি। মখোযন *থাঙ্‌গোল্* হায়বসি থাঙ্ মখল অমনি, *চগং* হায়বসি চাক্ মখল অমনি হায়বনচিংব খঙ্‌হল্লি। অদুবু অসিগুম্ব লেপ্-হেদেৎ কম্‌পাউন্‌সিং অসিগি ইন্‌ফ্লেক্‌তেৎ কাউন্‌তরপার্ৎসিং পীবক্‌পা মতম্‌দদি রাইৎ-হেদেৎ কম্‌পাউন্‌গি মতৌগুম্না সফিক্স নত্রগ ক্লিতিক্ অদুন রাইৎ-হেন্ হেৎ (right-hand head) ওইদুন লৈ। (৪৭) কি প্লবেল্ অমসুং কেস কম্‌পাউনসিং অসি খুদম ওইন পীরি -

৪৭ a [[থাঙ্]$_N$ [গোন্]$_V$]$_N$ [[থাঙ্‌গোন্]$_N$ সিং]$_N$

৪৭ b [[চু]$_N$ [ঙাঙ্]$_V$]$_N$ [[চুঙাঙ্]$_N$ সিং]$_N$

৪৭ c [[থাঙ্]$_N$ [গোন্]$_V$]$_N$ [[থাঙ্‌গোন্]$_N$ গি]$_N$

৪৭ d [[চ]$_N$ [গা]$_V$]$_N$ [[চগা]$_N$ গ]$_N$

(৪৭) কি মনিপুরি ইন্‌ফ্লেক্‌তেৎ কম্‌পাউন্‌সিং অসিন ইতলিয়ান্ অমসুং ফ্রেন্‌চর্নাচিংবদ লৈবা লেপ্ - হেদেৎ কম্‌পাউন্‌সিংগ মান্‌নদে হায়ব খঙ্‌হল্লি। মনিপুরি লেপ্-হেদেৎ কম্‌পাউন্‌সিং অসিদি ইংলিস লোলদ ফংঙিব লেপ্- হেদেৎ

কম্‌পাউন্‌ খবদ সফিক্‌সন বাইৎ-হেন্‌ হেৎ ওইব যাবগি মওং অদুগ মান্‌নৈ। (৪৮) গি ইংলিসকি লেপ্‌-হেদেৎ ইন্‌ফ্লেক্‌তেৎ কম্‌পাউন্‌সিং অসি (৪৭) কি মনিপুরি কম্‌পাউন্‌সিং অসিগ চাংদমনব যাই -


৪৮a [[attorney general]$_N$ s]$_N$

৪৮b [[mouth-ful]$_N$ s]$_N$


৪৮c [[spoon-ful]$_N$ s]$_N$

(৪৭) কি মনিপুরি লেপ্‌-হেদেৎ এনদোসেনত্রিক্‌ কম্‌পাউন্‌সিংগি ইন্‌ফ্লেক্‌তেৎ কাউন্‌তবপাৎসিং অসিগ (৪৮) গি ইংলিসকি কম্‌পাউন্‌সিং অসিগ মান্‌নদব অমদি মনিপুরি কম্‌পাউন্‌সিং অসিন RHR গি নিযোম্‌ অসি কাযদনা চৎপ অসিনি। (৪৯c) দ লাল্‌লির্বসি প্লুরেল্‌ ক্লিতেক্‌ন বাইৎ-হেন্‌ হেৎ ওইদবদগিনি


৪৯a



৪৯b



৪৯c



(৪৯c) গি অবান্‌ব মওং অসি (৪৮) গি ইংলিসকি কম্‌পাউন্‌সিংদদি অচুম্‌ব ওই হাযবসি (৫০) গি খুদম্‌সিংদ পীবি -

৫০a [[[attorney]N s]N general]N

৫০b [[[mouth]N s]N - ful]N

৫০c [[[spoon]N s]N - ful]N


(৪৯ অমসুং ৫০) গি কম্পাউন্সিং অসিন মনিপুরি কম্পাউন্সিংন ইংলিসকি কম্পাউন্সিংদগি RHR গি নিয়োম্ ইন্‌ব হেল্লি হায়বদু খঙ্‌হল্লি। মনিপুরি ক্লিতিক্সিংন RHR গি নিয়োম্ ইন্‌ব অসি কম্পাউন্ ব্রাৎ অদুগি ফ্রেজেল্ কাউন্তবপাৎ পীবকপ মতম্‌দসু উব ফংঙি। (৫১) দ কম্পাউন্ অমগি বাইৎ-তেন্ হেৎ ওইব ক্লিতিক্ অদুন ফ্রেজ অমগি বাইৎ-তেন্ হেৎ অমুক্ ওইবগি খুদম্‌সিং পীবি -


৫১a [[থাঙ্ গোন্]N সিং]N [[[থাঙ্‌গোন্]N [অতিংব]M]NP সিং]NP

৫১b [[চৈস্নু]N সিং]N [[[চৈস্নু]N [অতেক্‌প]M]NP সিং]NP

মনিপুরি কম্পাউন্সিংগি থোইদোকপ মতৌ অমসু ভৎ অমসুং *নিংডোম্বা* (Bhat and Ningomba, 1997 : 31) ন পীবি। *চাক্‌থুং, উপাক্, বকৈ* নচিংব তেদেৎ কম্পাউন্সিং অসিদ হেৎন যেৎত লৈবসু যাই নত্রগ হেৎন ওইদ লৈবসু যাই হায়ন মখোয়ন ক্লেম্ তৌবি। খুদম্ ওইন *উপাক্* হায়বসি *উগি মপাক্* হায়ন লৌববদি *মপাক্* মখল অমগি আবথ খঙ্‌হন্‌ব বাইৎ-তেদেৎ কম্পাউন্ ওইগনি। অমবোম্‌দ *অপাক্‌প উ* হায়ন অমুক্ লৌববদি উগি মখল্ অম খঙ্‌হনব লেপ তেদেৎ কম্পাউন্ অমুক ওইবে। বাতৈ অমবোম্‌দ হায়বগ *পাক্* হায়ব অনীসুব ইলিমেন্ ওইবিব ভাপ্ অসি অন্দেবলাইয়িং ইসত্রক্‌চবদ *ভাববেল্ নাউন্* ওইন লৌনবদি মাসন হেৎ ওইবগি আবথ অম লৈ অমগ মসিবু *বিলোতিপ্ ক্লোজ* ওইন লৌরবদি *উ*ন হেৎ ওইবগি আবথ অমুক্ লৈ। অসিগুম্‌ব ভৎ অমসুং *নিংডোম্বগি* ক্লেম্ অসি *চেম্পাক্, চযোম্* নচিংব কম্পাউন্সিদসু উব ফংঙি। *চেম্পাক্* হায়বসি *চেঙ্গি মপাক্* নত্রগ *অপাক্‌প চেঙ্* ওইব যাই। *চযোম্* হায়বসিসু

চাক্কি ময়োম্ নত্রগ *অযোম্ব চাক্* ওইব য়াই। অসিগুম্ব হেদেৎ কম্পাউন্সিং অসিগি এক্স-বাব ফ্রেজ ইসত্রক্চব বুল্ অনী অনী লৈগনি। (৫২) দ মখোয়গি রিপ্রজেন্তেসন্সিং অদু পীবি -






মথক্ত নৈনবিব কম্পাউন্সিং অসি হেৎ অম যাওব *হেদেৎ কম্পাউন্* ঙাক্তনি। অদুবু হেৎ যাওদব কম্পাউন্সিংসু লৈবি। মখোযবু *হেৎলেস* নত্রগ *এক্সোসেন্ত্রিক্ কম্পাউন্* (headless or exocentric compound) হায়না খঙনৈ। সংস্কৃত্ গ্রামাবদ মসিবু বহুব্রীহি সমাস (bahuvrihi compound) কৌবী। এক্সোসেন্ত্রিক্ কম্পাউন্সিং অসিন মোর্ফোলোজিদ হায়ব অসি সিন্তেক্সতগি তোঙানব পোৎ অম ওইন উৎলি। খুদম ওইনা সিন্তেক্সত এক্স-বাব ফ্রেজ ইসত্রক্চবন পুথোক্লিব ফ্রেজেল্ অমসুং ক্লোজেল কন্স্ত্রক্শন্ পূম্নমক্কি হেৎ অমমম্ লৈ। অদবু মোর্ফোলোজিগি থাক্তদি অসিগুম্ব ফ্রেজ ইসত্রক্চব বুল্সিংন পুথোক্প কম্পাউন্ পূম্নমক্ মতম্ পূম্নমক্ত হেৎ যাওগনি হায়ব লৈতে। (৫৩) দ অসিগুম্ব হেৎ যাওদব কম্পাউন্গি খুদমসিং পীবি

৫৩a	লুহূপ্	৫৩b	চাযোন্ব	৫৩c	কোক্তাঙ্
	লংচাক		সনাসাব		লৈতৎ
	পাফোই		ফুবিৎতূব		পূক্চাউ
	যোংখোৎ		যোৎসূব		মীৎসেপ্
	চাজুম্		কোইজোম্ব		কোক্তাঙ্
	খুদোপ্		চাক্নিব		মায়পাক্
	খোঙ্ঙূপ্		যূম্দাংব		মাযতূম্
	সম্চেৎ				

(৫৩) গি কম্পাউন্সিং অসি নাউন্ অমগ ভাপ্ অমগন্ সার্বনি। মখোয়গি মথক্ত হেৎ-মোদিফাইযরগি মবী অদু লৈতে। *লুহূপ্* হায়বসি কোক্ত উপ্ননব লৈতেং অমনি। *পাফোই* হায়বসিসু *পা* ফোয়ননব খূৎলাই অমনি। *চা য়োন্‌ব* হাযবসিসু চা যোন্‌বন সিন্ফম্ ওইব মী অমবু খঙ্নৈ। *য়ুম্দাংব* হাযবন মীগি য়ুম্দ তাংদুন লৈব কনাগুম্‌ব অমবু খঙ্নৈ। অসুম্ন আরথগি মীৎয়েংদগি য়েংবদ এক্সোসেন্ট্রিক কম্পাউন্ হায়ব অসিসু ইদিয়ম্গুম্ন কম্পোজিসন্নেল্ ওইদব কন্সতিতুয়েন্সিংনি। অদুগ মখোয়গি ইন্‌ফ্লেক্‌তেৎ কাউন্তরপাৎসিং অসি যেংঙবদি মখোযসু RHR গি নিযোম্ অদু ইল্লি হায়ব তাই। (৫৪) দ প্লুবেল্ ক্লিতিক্ন বাইৎ-হেন্ হেৎ ওইব ইন্‌ফ্লেক্‌তেৎ কম্পাউন্গি ইসট্রক্চব অদু পীবি



(৫৪a) গি ইসট্রক্চর অসিদ লেপ্-হেদেৎ এন্দোসেন্ট্রিক কম্পাউন্গি মতৌগুম্ন ওইদ লৈবিব ইলিমেন্ অসিন কম্পাউন্ অসিগি কেতেগোবি নাউন্ ওইগান হাযবসি লেপ্পী। (৫৪b) দ প্লুবেল্ ইন্‌ফ্লেক্সন্ তৌবক্প মতম্দ RHR গি মতুং ইন্ন বাইৎ-হেন্ হেৎ অমন অমুক্ অনৌব হেৎ ওইখি।

মথক্ত নৈনখ্রিব কম্পাউন্গি মখল্সিং অসি নৎতব কোপুলেতিপ্ নত্র গ কোওরদিনেৎ কম্পাউন্ (copulative or coordinate compound) হাযব মখল্ অমসু লৈরি। মসিদদি কম্পাউন্গি সরুক্সিং অদু চপ্ মান্নন মবু ওইব মওংদ পূন্সিন্নদুন সেম্বনি। পূন্সিল্লব ইলিমেন্সিং অসি কোপল্ ইলিমেন্সিং (coupled elements) কৌরী। মসিদদি কপম্‌ব ইলিমেন্ন কম্পাউন্ অদু দোমিনেৎ তৌরিবনো তাক্প য়াদে। (৫৪) দ মখোযগি খুদম্সিং পীরি -

৫৪a সা-ঙা

৫৪b থুম্-থাউ


৫৪c মী-লাই

৫৪d উ-ৱা

৫৪e চে-কোলোম্

৫৪d চাক্-এন্সাং

(৫৪) গি কম্পাউন্সিং অসিদ *সা* অমসুং *ঙা* গি আরথ, *থুম্* অমসুং *থাউ* গি আরথসিং অসি মান্নন মৰু ওইবগ লোয়নন RHR গি নিয়োম্ ইন্বসু উই'
(৫৫) দ মখোয়গি ইসত্রক্চরসিং পীদুন RHR গি নিয়োম্ ইন্ব অদু পীরি -



মথক্ত ঐখোয়ন এক্স-বার ফোরমেৎ সীজিন্নদুন কম্পাউন্গি ইসত্রক্চর নৈনব অসিদ হেৎকি ৱাফম্ অম য়াওরিব অসি য়াম্ন মৰু ওইন লৌগদবনি। খুদম্ ওইন *চাগনি, চাই* হায়বনচিংবদ *গনি* অমসুং *ই* ন হেৎ ওইগনি হায়ব RHR গি মীৎয়েং অসি মরিসুব চেপ্তরদ মৰু ওইব মতাং অম ওইন অমুক্ নৈনরক্খিগনি। এক্স-বার ফোরমেৎকি অকৃপ্প মসক্সিংসু মরিসুব চেপ্তরদ মপুং ওইব মওংদ নৈনরক্খিগনি।

৩.১১ তেন্স, এসপেক্ অমসুং মুৎ (tense, aspect and mood)

ভাপ্ অমন মরু ওইন খঙ্হল্লিবসি থবক্ (action), ফিভম্ (state), থৌদোক্ (event) অমসুং থৌওং (process) অসিনি। মখোয়সিং অসিবু ভাপ্ অমগি *প্রেদিকেসন্* (predication) হায়রগ খঙ্নৈ। তেন্স, এসপেক্ অমসুং মুৎ হায়বসিং অসি অসিগুম্বব ভাপ্ অমগি প্রেদিকেসন্দ মখা তাব ৱারোল্ (further specification) পীননবনি। তেন্স হায়ব অসিন ভাপ্ অমগি প্রেদিকেসন্গি মতম্ অদু ঙাঙ্ঙিঙৈ নত্রগ ইরিঙৈগি মতম্ অদুগ মরি লৈনন খঙ্হনবনি। মরম্ অদুন তেনস হায়ব অসিদি প্রেদিকেসন্ অমসুং ঙাঙ্ঙিঙৈ মতম্গি তোঙান্ তোঙান্ব মরী (temporal reference) অদু য়েংবনি। ঙাঙ্ঙিঙৈ মতম্গি মমাঙ্দা থোক্খিব খঙ্হন্ব অদুবু পাস তেন্স, ঙাঙ্ঙিঙৈ মতম্গ চান্ন থোক্প অদুবুন প্রজেন্ তেন্স অদুগ মর্দাগি মতুংদ লাক্কদব ওইরগন ফিউচর তেন্স হায়রগ খঙ্নৈ। লোন্ অমগি মোরফোলোজিদ তেন্সপু অহুম্ থোক্ন খায়ব অসি (৫৬) কি স্বাহিলি (Swahili) গি খুদম্ অসিদ পীরি -

৫৬	পাস	প্রজেন্	ফিউচর
	(মমাঙ্)	(ঙাঙ্ঙিঙৈ মতম্)	(মতুং)
	ni-li-leta	ni-na-leta	ni-ta-leta
	I-past-bring	I-pres-bring	I-fut-bring
	'I brought'	'I bring'	'I shall bring'

অদুবু (৫৬) ত পীরিব অসিগুম্ন লোন্ অমগি মোরফোলোজিদ তেন্স অহুম্ থোক্ন লৈবগি মওং অসি লোন্ খুদিংদ ফাংবদি নৎতে। খুদম্ ওইন য়িদিন্ (Yidiɲ) লোন্দ *পাস* অমসুং *নন্-পাস* খঙ্হন্ব ভাপ্কি মোরফোলোজিকেল্ ফোম্ অনীদমক্ লৈ (see Dixon 1977 : 211 - 3)। অসিগুম্বব লোন্সিংদ পাস খঙ্হন্ব তোঙান্ব ভাপ্কি ফোম্ অম অদুগ প্রজেন্ অমসুং ফিউচর খঙ্হন্ব ভাপ্কি অতোপ্প ফোম্ অমগ অনীদমক্ লৈ। ইংলিস লোন্দ লৈরিব তেন্সকি মওং অসিসু পাস অমসুং নন্-পাসকি মওং অসিনি। লোন্ অসিদসু পাস তেন্সকি ভাপ্কি ফোম্ অম লৈরবসু ফিউচর তেন্সকি ফোম্ অদুন প্রজেন্, হেবিচুয়েল্

(habitual), তাইম্‌লেস এক্‌সন্ (timeless action), ফিভম্ (state of being) খঙ্‌হন্‌বগ লোয়নন অবেপ্‌প ফিউচব (definite future) গি আবথসিং খঙ্‌হন্‌ব ঙম্‌মী। (৫৭) ত মখোয়গি খুদম্‌সিং পীবি -

৫৭a Today is holyday (present)

৫৭b He goes to school regularly (habitual)

৫৭c The sun rises in the east (timeless action)

৫৭d The dog is an animal (states of being)

৫৭e India's army chief embarks on a 10-day visit to China next week (future)

(৫৭) কি খুদম্‌সিং অসিদ প্রজেন্ তাইম্, হেবিচুযেল্‌নচিংব প্রজেন্ তেন্‌সন খঙ্‌হন্‌ব ঙম্‌ব আবথগি কাঙ্‌লুপ্‌ত ফিউচবগি আবথসু পূন্‌ন যাওমিন্‌নবি। মসিদগি ঐখোযন খঙ্‌ব অমন তাইম (time) হাযবগ তেন্‌স (tense) হাযবগ মান্‌নদে হাযব অসিনি। (৫৭e) গি ৱাহৈপবেং অসি প্রজেন্ তেন্‌সন ফিউচব তাইম্ খঙ্‌হন্‌ব ৱাহৈপবেংনি। মথক্‌কি মওং অসিগুম্‌ন ভাপ্‌কি প্রজেন্ প্রোগ্রেসিপ্ ফোম্ অদুনসু প্রজেন্ অমসুং ফিউচবগি আবথসিং খঙ্‌হন্‌ব ঙম্‌মী।

৫৮a He is reading the book now (present)

৫৮b He is reading the book tomorrow (future)

(৫৮) গি খুদম্ অসিদগিসু অমুক্‌ক খঙ্‌ঙে মদুদি ইংলিস লোন্‌দ প্রজেন্ তেন্‌স খঙ্‌হন্‌ব ভাপ্‌কি মওং অসিন ফিউচব তাইম্ নত্রগ ফিউচর্বগি আবথসু খঙ্‌হল্লি। মবম্ অসিদগি ইংলিস লোন্‌গি প্রজেন্ তেন্‌স অসি *নন্-পাস* হাযন খঙ্‌নবনি।

মথক্‌কি মওং অসি নৎতব ফিউচব অমসুং নন্-ফিউচবগি মওংদ খেন্‌নব অমসু অতোপ্‌প লোন্‌সিংদ লৈবি। আমেবিকা, অসত্রেলিযা অমসুং নিউ গুইনিযা (New Guinea) গি পপুৱান্ লোন্‌সিং (Papuan languages) ত মওং অসিগি

খেন্নব অসি লৈ। মনিপুরি লোন্গি ভাপ্কি প্রেদিকেসন্দ তেন্সক মরী লৈনন ফংঙিব মোরফোলোজিকেল্ ফোম্সিং অসিসু ফিউচব অমসুং নন্-ফিউচরগি মওং অসিনি। লোন্ অসিদ প্রজেন্ অমসুং পাসকি আরথ অসি ভাপ্কি ফোম্ অমতন তাক্ই অদুগ ফিউচর তাক্নব ফোম্ অমসু তোঙান্ন (৫৯) দ পীরিব মওং অসুম্ন লৈ।

৫৯	নন্-ফিউচর	ফিউচর
	(পাস-প্রজেন্)	
	পা-ই	পা-গনি
	read-past	read-fut
	পাক্-ই	পাক্-কনি
	wide-prcs	wide-fut

(৫৯) গি খুদম্সিং অসিদ ফিউচর তেন্স খঙ্হন্ব ভাপ্কি ফোম্ (পাগনি, পাক্কনি) অম অদুগ প্রজেন্ অমসুং পাস তেন্স খঙ্হন্ব ভাপ্কি ফোম্ অমগ (পাই, পাক্ই) লৈ। ইংলিস লোন্দ নন্-পাস খঙ্হন্ব তেন্সন প্রজেন্, হেবিচুয়েল্, ফিউচরনচিংব আরথসিংবু কাঙ্লুপ্ অমদ পূন্ন খঙ্হন্ব ঙম্ব অদুগুম্ন মনিপুরিদ নন্-ফিউচর তেন্সন পাস, হেবিচুয়েল্ অমদি প্রজেন্গি আরথসিংবু কাঙ্লুপ্ অম ওইন পূন্ন খঙ্হন্ব ঙম্মী। (৬০) গি খুদম্সিং অসিদ নন্-ফিউচর মারকব *-ই* হায়বসি য়াওব তোঙান্ তোঙান্ব ভাপ্কি ফোম্সিং অসিন মথক্ত পল্লিব আরথগি কাঙ্লুপ্ অসি খঙ্হল্লি।

৬০a মা ঙরাং ইসকুল্দ লাইরিক্ পাই। (past)

৬০b মা ইতৎ তৎতন ইসকুল্দ লাইরিক্ পাই। (habitual)

৬০c ফিসি মরাক্ য়াম্ন পাক্ই। (present)

মথক্ত নৈনখ্রিব খুদম্সিং অসিদ তেন্স হায়বসিন ভাপ্ অমগি থবক্, ফিভম্নচিংবগি তোঙান্ তোঙান্ব মতম্গি মরী (temporal reference) সিং অদু তাক্ই হায়ব উরে। অদুবু মসি নৎতব মওংদ থবক্ অমদি ফিভম্নচিংব অদু

মপূং ফাববব চৎথবিবব হাযবনচিংব প্রেদিকেসন্ অদুগি মনুংদ লৈবিব মতম্‌গি সক্লোন্ (internal temporal structure) অদুসু মখা তান যেংব যাবি। অসিগুম্ব প্রেদিকেসন্‌গি মনুংদ খঙহল্লিব মতম্‌গি সক্লোন্ অসিবুন এসপেক (aspect) হাযন খঙনৈ। তেন্স তাক্নব তোঙানব ভাপ্কি মোবফোলোজি লৈবগুম্ এসপেক্ তাক্নবগিদমক্সু তোঙানব ভাপ্কি মোবফোলোজি লৈ। মনিপুবি লোন্দ লৈব এসপেক্‌কি মওং অসিসু মপূং ফাব অমসুং চৎথব তাক্প এসপেক্‌সিং অসিনি। এসপেক্‌কি তোঙান তোঙানব মতম্‌গি থৌওংসিং অদু (৬১) গি খুদম্‌সিং অসিদ পীবি -

৬১a হৌজিক্ নোং তাবি।

৬১b হৌজিক নোং তাখিগানি।

৬১c হৌজিক নোং তাবে।

৬১d হৌজিক্ নোং তাবম্মী।

(৬১a)দ *নোং তাব* হাযব থৌদোক (event) অসিগি মনুংদ খঙহল্লিব মতম্‌গি মওং অসি ঙাঙ্ডিঙৈ মতম্ অসিদ চৎথদুন লৈবানি হাযবসি *-বি* হাযব সফিক্স অসিন তাক্ই। মসি খঙননব ভাপ্ অসিগি *তাবি* হাযব মোবফোলোজিকেল্ ফোম্ অসি সীজিন্নৈ। মসিবু *চৎথব তাক্প এসপেক্* (progressive aspect) হাযন খঙনৈ। ঙাঙ্ডিঙৈ মতম্দ তাবি হাযবসু তাক্পানন মসি প্রজেন্ প্রোগ্রেসিপ এসপেক্ ওইগনি। (৬১b) দ *খি* হাযব সফিক্স অসিন নোং তাবাগ থৌদোক্ (event) অসি খবগ সাংথবগি মওং তাক্ই। মসিবু সাংথব তাক্প এসপেক্ (continuative aspect) কৌব যাই। অদুগ ঙাঙ্ডিঙৈ মতম্‌গি মতুংদ সাংথদুন লৈগনি হাযব অসিন *-গনি* হাযব তেনস সফিক্স অসিন তাক্ই। মবম্ অসিন *তাখিগনি* হাযব ভাপ্কি ফোম্ অসিন ফিউচব তেন্স অমসুং কন্তিনুএতিপ্ এসপেক্ খঙহল্লি। (৬১c) দন *-এ* হাযব সফিক্স অসিন নোং তাব অসি মপূং ফাবব থৌদোক্ অম ওইন খঙহনবনি। অদুগ ঙাঙ্ডিঙৈ মতম্ ফা ওবদ নোং তাবগি থৌদোক্ অসি পুংলোই লোইদ্রিবন *তাবে* হাযবিব ভাপ্কি মোবফোলোজি অসিন পাবফেক্তিপ্ এসপেক্ (perfective aspect) খঙহন্বগ লোযনন প্রজেন্ তেন্সপুসু খঙহল্লি। (৬১d) অসিদন *বম্* হাযব সফিক্স অসিন নোং তাবগি থৌদোক্ অসি মপূং

ফান লোইরে অদুগ নোং হাংঙে হায়বসু খঙ্হল্লি। মরম্ অদুন মসিবু মপূং ফান লোইব তাক্প এসপেক্ (completive aspect) নি হায়ন লৌব য়াই। অদুগ ভাড্ভিতৈঙে মতম্ *হৌজিক্* হায়বসিদগি য়েংঙগ হায়বনিন *-খ্রে* হায়ব সফিক্স অসিন প্রজেন্ তেন্সপু খঙ্হল্লি।

মথক্ত ভাপ্কি মোরফোলোজিন এসপেক্ তাক্পগি মওং খর নৈনখ্রে। অদুবু এসপেক্ হায়বসি মোরফো-সিন্তেক্তিক্ ওইব মওংদ তাক্পসু লৈরি। খুদম্ ওইন ইংলিস লোন্দ প্রোগ্রেসিপ্ অমসুং পারফেক্ খঙ্হন্ব মতম্দ ভাপ্কি মোরফোলোজিদন খঙ্হন্ব ঙম্দে। লোন্ অসিদ সীজিন্নরিব -have taken, have been, have written, have broken হায়বনচিংবদ পারফেক্কি আবথ খঙ্হল্লিবসি ভাপ্কি ফোম্দ পাস পার্তিসিপল্ মোরফিম *-en*[১] হায়ব অম তপ্তুন মহোংব শীব অসিতন যাদে। ভাপ্কি মমাংদ লৈরিব *have* হায়ব ঔজিলিয়ারি (auxiliary) অসিগ পাস পারতিসিপল্ মোরফিম্ *en* হায়ব অসিগ অনী অসিন পূন্ন পারফেক্ খঙ্হন্বনি। মরম্ অসিদগি ইংলিস লোন্দ পারফেক্ হায়বসি *have+ en* বু খঙ্নৈ। মতৌ অসুম্ন *is taking, was writing, an reading, are doing, were walking* হায়বনচিংবদ প্রোগ্রেসিপ্ খঙ্হল্লিব অসিসু ভাপ্ত তপ্পীব প্রজেন্ পারতিসিপল্ এন্দিং -ing হায়ব অসিগ be verb কি মওং অম (be, am, is, are, was, were) গন পূন্ন খঙ্হন্বনি হায়ন লৌগনি। মরম্ অসিদগি প্রোগ্রেসিপ্ এসপেক্ হায়ব অসিবুন ইংলিস লোন্দ be+ing বু খঙ্নৈ। অদুগ have অমসুং be বুন এসপেক্চুয়েল্ ঔজিলিয়ারি (aspectual auxiliary) হায়ন ঔজিলিয়ারিগি মখল্ অম ওইন মসক্ তাক্নৈ। অসিগুম্ব এসপেক্চুয়েল্ ঔজিলিয়ারিসিং অসিগি ওইদ অতোপ্প ঔজিলিয়ারিসিং য়াওদ্রবদি মখোয়ন তেন্স তাক্প ভাপ্কি ফোম্সিংসু ওই অদুগ করিগুম্ব মখল্গি ঔজিলিয়ারি অমত য়াওদ্রব মতম্দদি মেন্ ভাপ্কি মোরফোলোজিন তেন্স তাক্ই। প্রোগ্রেসিপ্ খঙ্হন্বদ য়াওরিব প্রজেন্ পারতিসিপল্ এন্দিং *-ing* হায়ব অসিন্ মতম্ পূম্নমক্ত

---

১. *-en* হায়রিবসি written, looked, seen, been, put, done, sung হায়বনচিংব ভাপ্কি ফোম্সিংদ য়াওরিব past participle খঙ্হন্ব মোরফিম্ অদুগি মহুৎ সিন্ব ফোম্ অমনি।

ভাপ্কি মোরফোলোজিদ রিএলাইজ তৌবী। অদুগ পারফেক্ হায়বসিগি ইন্তর দিপেন্দেন্ কম্পোনেন্ অম ওইরিব পাস পারতিসিপল্ এন্দিং *-en* হায়ব অসিদি মাগি মতুংদ লৈব এসপেক্চুয়েল্ ঔজিলিয়ারি be গি মোরফোলোজিদ রিএলাইজ তৌরি। মেন্ ভাপ্তমক্ লৈব ওইবগন মেন্ ভাপ্কি মোরফোলোজিকেল্ ফোম্ ওইন লৈ। (৬২) গি খুদম্সিং অসিদ তেন্স অমসুং এসপেক্কি মোরফোলোজিসিং অদু খাইদোক্তুন পীরি :

৬২a NP + Tense + V

৬২b NP + Tense + (M) + V

৬২c NP + Tense + (have+en) + V

৬২d NP + Tense + (be + ing) + V

৬২e NP + Tense + (have + en) + (be + ing) + V

৬২f NP + Tense + (M) + (have + en) + (be + ing) + V

[Note : NP হায়বসিন Noun Phrase হায়বনি। M হায়বসি মোদেল্ ঔজিলিয়ারি হায়ন খঙ্নব shall, will, can, may must নচিংবসিং অদু খঙ্হন্বনি। ব্রেকেৎ মনুংদ পীরিবসিং অসিন ওপ্সন্নেল্ ওইব সরুক্সিংনি।]

(৬২) গি খুদম্সিং অসিদ (৬২f) কি খুদম্ অসিদগি ওপ্সন্নেল্ ওইব সরুক্সিং তোঙান্ তোঙান্ব মওংদ লৌথোক্লবদি (৬২a) দগি (৬২e) ফাওবগি খুদম্সিং অসি ফংগনি। (৬২) গি খুদম্সিং অসি (৬৩) গি ৱাহৈপরেংসিং অসিদ মথং মনাউ কায়দন মখোয়গি মোরফোলোজিকেল্ ফোম্সিং অদু পীরি -

৬৩a John goes.

৬৩b John may go.

৬৩c John has gone.

৬৩d John is going.

৬৩e John has been going.

৬৩f John might have been going.

মথক্কি খুদম্সিং অসিদ তেন্স হায়বসি ভাপ্তগি খাইদোক্তুন নৈনরিব মওং অসি য়াম্ন মরু ওইব ৱাফম্ অমনি। তেন্সপু ভাপ্কি ইন্হেরেন্ প্রোপরতি (inherent property) অম ওইন খাইদোক্নব য়াদব মওংদ নৈনব অসিদি হান্নগি চৎনরক্পী মওং অদু ইন্দুন লৈবগি ৱাফম্ ওইগনি। লোন্মীৎলোন্ন মথং মথং খুমাঙ্ চাওসিল্লক্পদগি থোরক্লিব য়াম্ন মরূ ওইব ৱাফম্ অমদি তেন্স হায়বসি ৱাহৈপরেং অমগি কন্ফিগুরেসনেল্ প্রোপরতি (configurational property) অম ওইন লৌনরক্লিব অসিনি। তেন্স হায়বসিগি (+tense), (-tense) হায়ব প্রোপরর্তিসিং অসি য়েংঙগ ৱাহৈপরেং অমগি সিন্তেক্তিক্ হেৎ (syntactic head) ওইন নৈনবগি মওং অসি লোন্মীৎলোন্দ মতম্গি খোঙ্জেল্ (current trend) অম ওইন চৎথরি[১]। মখাদ ৱাহৈপরেংগি ইসত্রক্চর নৈনরক্খিগনি।

মুৎ (mood) হায়ব অসিসু থবক্ থৌদোক্ অমগি মখা তাব ৱাবোল্ পীননব ভারবেল্ কেতেগোবি অমনি। মুৎ হায়বসি থৌদোক্ (event) অমগি অসেংব মওং (actuality) অদু খঙ্হন্বগ মরী লৈনৈ। মসিবু ইপিসতেমিক্ (epistemic) অমসুং দিওন্তিক্ (deontic) হায়ব মখল্ অনী অসি পীদুন নৈনৈ। থৌদোক্ অমগি অসেংব মসক্ (reality) অদুগি মরম্দ ঙাঙ্ঙিব মী অদুগি তোঙান্ তোঙান্ব মীৎয়েং (judgement) নত্রগ মীৎয়েং অদু পীবদ চঙ্ঙিব ইভিদেন্সসিং অদু খঙ্হন্ব অদুন ইপিসতেমিক্ মুৎনি অদুগ দিওন্তিক্ হায়ব অসিন থৌদোক্ অদু পাঙ্থোক্পদ চঙ্ঙিব তঙাইফদব নত্রগ তৌদব য়াদবসিং অদু খঙ্হন্ব মুৎনি।

---

১. Government and Binding (GB) নত্রগ Principles and Parameters Theory (PPT) অমদি Minimalist Programme গুম্ব Transformational Generative (TG) grammar গি মসক্সিংদ তেন্সন সিন্তেক্তিক্ হেৎ ওইবগি ৱাফম্ অসি য়াম্ন মরু ওইব অম ওইন উব ফংগনি।

ইপিসতেমিক্ মুৎত জজমেন্ পীগগি মওং অসি মখল্ কয়া থোক্ন উব ফংই। থোক্ইব থৌদোক্ (occurrence) অদু অসেংবদি সেংদবনি (realis or irrealis) ওইথোক্প য়াবনি য়াদবনি, সোয়দবনি, অবেপ্পনি হায়বনচিংব ৱাফম্ কয়া খণ্ডহন্ব য়াই। খুদম্ ওইন হৎপ হাযব থৌদোক্ অসিগি মীৎয়েং পীবক্পদ তসেংন থোক্অব থৌদোক্ (realis) ওইন নত্রগ কোন্ন থোবক্প যাব, ওইথোকপ যাব, ৱাখল্গি মসক্ (irrealis) ওইন মীৎযেং পীবক্প যাই। মতৌ অসুম্ন দানি (Dani) লোন্দ রিএলিস অমদি ইররিএলিস মুৎকি খেন্নব অসি রিএল্ (real), লাইক্লি (likely) অমসুং পোসিবল্ (possible) হায়দুনা (৬৪) দ পাবিব অসুম্ন নৈনৈ (see Bromeley, 1981, Foley, 1986)

৬৪a wat-h-ı
kill-REAL-ISG Actor
'I killed him'

৬৪b was-ø-ik
kill-LIKELY-ISG Actor
'I will kill him'

৬৪c wa?-l-e
kill-POTENTIAL-ISG Actor
'I may kill him'

Note ISG stands for 1st person singular

(৬৪a) গি ৱাহৈপবেং অসিন রিএলিস মুৎক খুদম্সিং অদুগ (৬৪b অমসুং c) গি অসিন ইররিএলিস মুৎকি খুদম্সিংনি। মতৌ অসুম্ন মুৎ মাবকব সাজিননদুন ভাপ্কি মোরফোলোজিন ইপিসতেমিক্ মুৎকি মওং কয়া খণ্ডহন্ব যাই। ব্রাজিল্ অমসুং কলম্বিয়াদ ওাঙনব তুযুকা (Tuyuca) লোন্দ ফংব ইভিদেন্সিয়েল্ মুৎ ৫ গি খুদম্ অদু মখোয়গি ইভিদেন্সিয়েল সফিক্সসিংন তাকপগি মওং অদু ববনেস (Barnes, 1984) ন মখাগি অসুমন পী

৬৫a Visual diga apé - wi "He played soccer"
(I saw him play)

৬৫b	Non-visual	díga	apé - ti	"He played soccer" (I heard the game and him)
৬৫c	Apparent	díga	apé-yi	"He played soccer" (I have evidence, like his foot-prints)
৬৫d	Second-hand	díga	apé-yigi	"He played soccer" (Someone told me)
৬৫e	Assumed	díga	apé-hiyi	"He played soccer" (It is reasonable to assume that he played)

(৬৫)গি খুদম্‌সিং অসিদ *মমিংমক্র উবুব, চুম্নন তারুব* নত্রগ *নাকোইনন অতোপ্প মীদগি খঙ্‌ঙকপ* অমদি *ওইরিব ফিভম্ অদুদগি ভাপ্‌ন লৌরকপনাচিংব* তোঙান্ তোঙান্‌ব ইভিদেন্‌সিয়েল্ মুৎকি মওংসিং খঙ্‌হল্লি। দিওন্‌তিক্ মারকরসিংন মাও নাগা মরোন্দ তোঙান্ তোঙান্‌ব মুৎসিং খঙ্‌হন্‌ব অদু (৬৬) কি খুদম্‌সিং অসিদ অমুক্ পীরি (Giridhar, 1994) -

৬৬a	ni	kato	pha - e	
	you	eat (participle)		ought-PRED
	'You ought to eat'			
৬৬b	cakho	cahrano	vu-büi	le
	Chakho	afternoon	come - allow	IRREALIS
	'Chakho is permitted to come in the afternoon, if he chooses to'			
৬৬c	a	napüihi	oloso	losü - e
	my	daughter	sing	able (INTRINSIC)-PRED
	'My daughter can sing (i.e. she has the physical or physiological ability to sing)			

৬৬d a napüühi oloso lozhü - c

my daughter sing able (EXTRINSIC) - PRED

'My daughter can sing (i.e. correctly, effectively, before a huge audience, etc.)

(৬৬) কি খুদম্সিং অসিদ pha, büi, losü অমসুং lozhü হায়ব মোদেল্ সফিক্সিং অসিন মথংসিংন তঙাইফদব নত্রগ তৌদব য়াদব (obligation, compulson), অয়াব (permission) অমসুং পাঙ্থোক্প ঙম্বগি মওংসিং (intrinsic ability and extrinsic ability) গি তোঙান্ তোঙান্ব দিওন্তিক্ মিনিংসিং খঙ্হল্লি।

মথক্ত পীখ্রিব মুৎকি খুদম্সিং অসি ইপিসতেমিক্ নত্রগ দিওন্তিক্ মুৎ মারকরসিং সীজিন্নদুন ভারভেল্ মোরফোলোজিন মুৎ তাক্পগি মওং ঙাক্তনি। অদুবু মোদেল্ ভাপ্ নত্রগ মোদেল্ ঔর্জিলিয়ারিসিং সীজিন্নদুন মুৎ খঙ্হন্বগি মওং কয়াসু অতোপ্প লোন্সিংদ উব উংঙি। খুদম্ ওইন মনিপুরি লোন্দ মোদেল্ ভাপ্সিংন মুৎ ফোংদোক্পগি মওং অসি (৬৭)ত পীবি -

৬৭a মহাক্ হয়েং লাক্প য়াই।

৬৭a মা লাক্প ঙম্গনি।

(৬৭) কি খুদম্সিং অসিদ মথংসিংন *য়া* অমসুং *ঙম্* হায়ব মোদেল্ ভাপ্সিং অসিন তোঙান্ তোঙান্ব মুৎ খঙ্হল্লি। অসিগুম্ব মতাংদ ইপিসতেমিক্ অমসুং দিওন্তিক্ মুৎ অনীগি চনৈনব আরথ (ambiguous meaning) লৈবদু উব ফংঙি। (৬৭a) দ মহাক্ লাক্পগি ওইথোক্প য়াব (epistemic interpretation) লৈবগ লোয়নন মঙোন্দ লাক্পগি অয়াব পীবগি আরথ (deontic meaning) সু খঙ্হল্লি। (৬৭b) দসু মঙোন্দ লাক্পগি ওইথোক্প লৈব (epistemic probability) অসিত নৎতন মঙোন্দ লাক্প ঙম্বগি পাংগল্ (deontic ability) লৈব অদুসু খঙ্হল্লি। মরম্ অদুন (৬৭b) অসি মা পরিখা লোইরদুনা লাক্প ঙম্গনি হায়বগি আরথ লৌবসু যাই অদুগ মা নাব ফারদুন মসা কন্খৎলক্তুন লাক্প ঙম্গনি হাযন লৌবসু য়াই। অসিগুম্ব ইপিসতেমিক্ অমসুং দিওন্তিক্কি

চনৈনব আরথ লৈতব মনিপুরিগি মোদেল্ ভাপ্সিংসু লৈরি। *মহাক্ হয়েং লাক্কদব মাল্লি* অমসুং *নং হৌজিক্মক্ চৎপ তাই*হায়বদ য়াওরিব *মাল্* অমসুং *তা*হায়ব ভাপ্সিং অসি মথংসিংনা ইপিসতেমিক্ অমসুং দিওন্তিক্ মুৎ খঙ্হন্ব মোদেল্ ভাপ্সিংনি। অদুগ *নং হৌজিক্মক্ চৎপ তাই*হায়বসি মপান্গি ওথোরিতি অমন (extrinsically imposed authority) অমন পীরক্প তৌদব যাদব অদু খঙ্হল্লি। মসি অমুক্ *ঐ অসেংব নুংসিং ফংনব মীংদ চৎপ তাই* হায়ব অসিদদি মী মসা অদুদ লৈজব নুংগি ৱাফম্ অমন পীরক্প তঙাইফদব অদু খঙ্হল্লি। মখোয়সিং অসি নৎতব ভাপ্কি মোরফোলোজিন তাক্প মনিপুরি মুৎ অমদি (৬৮) দ পীরিব *গে* নত্রগ *কে* ন খঙ্হল্লিব অপাম্ব তাক্প মুৎ (desiderative mood) অসিনি।

৬৮a ঐ লাইবিক্ ইখিগে।

৬৮b ঐখোয় হান্ন চৎকে।

ইখিগে, চৎকে হায়ব (৬৮) গি খুদম্সিংদ য়াওরিব গে~কে হায়ব ইনফ্লেক্সন্নেল্ এর্নাদিংসিং অসিন্ তাক্লিব মুৎকি মওং অসি মুৎ মারকর সীজিন্নদন্ তাক্প মোরফোলোজিকেল্ মুৎসিংনি। অসিগুম্ব মওং অসি মনিপুরিদ মরাং কায়ন ফংদে। মনিপুরি লোন্দদি ভারভেল্ ইনফ্লেক্সনন মুৎ খঙ্হন্বদগিদি মোদেল্ মেন্ ভার্পসিংন খঙ্হন্বন হেন্ন মপুঙ্ ওইন লৈ।

মথক্ত মনিপুরিগি মোদেল্ ভাপ্ খরন ইপিসতেমিক্ অমসুং দিওন্তিক্কি চনৈনব আরথ খঙ্হল্লিব অসি মরম্ ইরৈ লৈতব নৎতে (see Bhat, 1999 : 64,75,76)। থবক্ অম তৌদব য়াদবগি আরথ (deontic meaning) অসিন কনসিল্লক্লবদি মদুন সোয়দবগি মীৎয়েং (epistemic judgment of certainty) অদু খঙ্হল্লি। অসিগুম্ব মরী অসি লৈবদগি ইংলিসকি মোদেল্ ঔজিলিয়ারিসিংগি আরথ লৌবদসু ইপিসতেমিক্ ওইন নত্রগ দিওন্তিক্ ওইন লৌব য়াই হায়ন পামর (Palmer, 1986 : 19) ন (৬৯) গি খুদম্সিং অসি পী -

৬৯a He may come tomorrow

(i) 'Perhaps he will come tomorrow' (epistemic)

(ii) 'He is permitted to come tomorrow' (deontic)

৬৯b The book should be on the shelf

(i) 'The book probably is on the shelf' (epistemic)

(ii) 'The book's proper place is the shelf' (deontic)

৬৯c He must be in his office

(i) 'I am certain that he is in his office' (epistemic)

(ii) 'He ia obliged to be in his office' (deontic)

মথক্কি ইপিসতেমিক্ অমসুং দিওন্তিক্কি আরথ চনৈনরিব মওং অসি মখাগি অসুম্ন সাংদোক্ন হায়রবদি মখোয়গি তোঙান্ তোঙান্ব আরথসিংদু ময়েক্ সেংন খঙ্ব ঙম্মী।

৭০a John must be home by ten; mother won't let him stay out any later.

৭০b John must be home already, I see his coat [Sweetser, 1990 : 49]

(৭০a অমসুং b) গি মথংসিংন বিএল্-ব্রারল্গি আবর্থগি মওং (obligation, permission, ability) অমসুং ব্রাখল্ লৌসিংগ মরী লৈনব আরর্থসিং (necessity, probability, possibility) অসি চনৈনন ফোঙ্দোক্প য়াবিবসি অতোপ্প কয়াদসু উব ফংঙি। মীৎয়েং অসিদগি স্বিৎসর (Sweetser, 1990) ন ইপিসতেমিক্ মুৎপু দিওন্তিক্ মুৎকি এক্সতেন্সন্ ওইন লৌদুন অনী অসিগি পেরেলেলিজম্ পীদুন নৈনবগি মওং অম পী।[১] মখাগি খুদম্সিং অসিদ মহাক্ন দিওন্তিক্ অমসুং ইপিসতেমিক্কি পেরেলেলিজম্ অদু পীদুন মখোযগি মোদেল্ কন্সত্রুক্সিং অদু মসক্ নাইহল্রি (Sweetser, 1990 : 61,62)।

৭১a Must - You must come home by ten. (Mom said so.)

'The direct force (of Mom's authority) compels you to come home by ten'.

৭১b You must have been home last night.

'The available (direct) evidence compels me to the conclusion that you were home'

৭২a Ought - You ought to go.

'Certain forces (of moral obligation) influence you towards going'.

৭২b That ought to be the right answer.

'The available set of premises (mental obligations or forces) influence me to conclude that that is the right answer'.

৭৩a Have to - He has to be home by ten.

''Some force of authority compels him to be home by ten'.

৭৩b He has to be a New Yorker, with that accent.

'The available premises, including his accent, compel me to conclude h's from New York'.

৭৪a Need to - He needs to go to the grocery store.

'Some internal forces (e.g. wanting to eat tonight) compel him to go to the store'.

৭৪b No, he needn't be a New Yorker - he could just have lived there a long time, or imitate accents well.

'The available premises do *not* force me to conclude that he's a New Yorker - they could also lead to other conclusions'.

---

১. মীৎয়েং অসিগি মতাংদ Sweetser (1990 : 50) ন অসুম্ন পল্লি 'My proposal is that root-modal meanings are extended to the epistemic domain precisely because we generally use the language of the external world to apply to the internal mental world, which is metaphorically structured as parallel to that external world. Thus we view our reasoning processes as being subject to compulsions, obligations, and other modalities, just as our real-world actions are subject to modalities of the same sort.'

অসিগুম্ব মীৎয়েংদদি ৱাহৈপবেং অম হাযবসি অসেংব হক্থেংনব থৌদোক্সিংগি দেসক্রিপ্সন্ (deontic analysis) ওইন নত্রগ ঐখোযন থাজবিবদুগি মসান মপৃং ফজবব মসক্ (self-contained part of our belief system) অম ওইন নৈনবসু যাই। অহান্বগি মওং অসিদ বাহৈপবেং অমন অসেংব থৌদোক্সিং অমদি মখোযগি কোজেল্ ফোবস (causal force) কযা অদু খঙ্হল্লি। অদুগ অনীসুবগি মওং অসিদন ৱাখল্ লৌসিংগি সক্তিসিং (epistemic force) ন পীবক্প ৱাবোই (conclusion) অম ওইন বাহৈপবেংসিংবু উই। মুৎ হাযব অসি অসিগুম্ব মীৎযেং অনী অসিগি অমদ তাক্প ৱাহৈপবেংগি মসক্ অদুবুনি।

মথক্তত তেন্স, এসপেক্ অমসুং মুৎকি মবম্দ নৈনখ্রে। অদুবু মখোযসিং অসি অমগ অমগ মযেক্ সেংন তোঙান্ তোঙান্ লৈবদি নৎতে। খুদম্ ওইন লেতিন্ লোনদ পাস তেন্স অমদি পাবফেক্তিপ্ এসপেক্ অনী অসি চপ মাননব ফোম্ অমতন তাকই। মবম্ অদুন amāve হাযব অসিন I loved নত্রগ *I have loved* হাযব আবথসিং খঙ্হল্লি। অমবোম্দ তেন্স অমসুং মুৎকি মবকতসু অসিগুম্ব যেৎসিন্নবগি মওং অসি উব ফংঙি। খুদম্ ওইন মনিপুরিগি দেসিদর্বেতিপ সফিক্স *গে*-*কে*অসি ফিউচব তেন্স মাবকব ওইগদ্র নত্রগ মুৎ মাবকব ওইগদ্র হাযবসি যেংব যাই। মথক্ত ঐখোযন মসিবু মুৎ ওইন লৌখিবগি মবম্দি মসিন্ খঙ্হল্লিব তেম্পোবেল্ বিফবেনস অসি লৈদি লৈবগ থবক্ নত্রগ থৌদোক্ অদুগি অসেংব মসক্ (actuality or status distinction) অদু খঙ্হন্বন মপৃং ওইন লৈব অসিনি। অসিগুম্ব মতাংদ তেনসন থৌদোক্ অমগি ইসতেতস অদুদ ইন্তবসেক্ (intersect) তৌদুন লৈব উগনি। মতৌ অসুম্ন *লাইবিক্ পাগে, চা থক্কে* হাযব ৱাহৈপবেংসিং অসি দেসিদবেতিপ্ মুৎ (desiderative mood) তাক্পগ লোযনন ফিউচর্বাগ আবথসু লৈগনি। ঐখোযন মথক্ত নৈনখিব মনিপুরিগি ফিউচব অমসুং নন্-ফিউচব তেন্সিং অসিসু অবেপ্প খঙ্ঙব অমসুং খঙ্দ্রিব মুৎ (realis/irrealis mood) ওইন নৈনব যাবব হাযবদুসু যেংব যাই। মতাং অসিদ ঐখোযন পন্ব যাবদি মনিপুরিগি নন্-ফিউচব সফিক্স *(চাই, চৎলি*নচিংবদ যাওবিব *-ই, -লি)* অসিন মতম্ পৃম্নমক্ত প্রজেন্ নত্রগ পাসকি তেম্পোবেল্ বিফবেন্স অসি খঙ্হন্বন মখোযগি মপৃং ওইব মথৌ ওইদুন লৈ অদুগ ফিউচব সফিক্স (*গনি*- *গনি)* অসিন মখোযগি ইবিএলিস কাউন্তবপাৎ ওইবসু ঙম্দে। (৭৫) গি খুদম্দ তেন্স অমসুং মুৎকি খেন্নবদু অমুক্ক যেংসি-

৭৫a মহাক্ লাক্কনি।

৭৫b মহাক্ লাক্ইগনি (ঐ হূই খোংব তারে)

(৭৫) গি ব্রাহৈপরেংসিংদ খেন্নরিব অসি তেন্স অমসুং মুৎতনি হায়ন লৌগনি। (৭৫a) গি খুদম্ অসিদ মহাক্ লাক্পগি থবক্ অসি তুংদ ওইগদব থৌদোক্ (future event) নি হায়ব খঙ্হল্লি। (৭৫b) দদি অসিগুম্ব তুংগি ব্রাফম্ (apparently confident future tense statement) অসি করিমত য়াওদে। (৭৫b) গি ব্রাহৈপবেং অসিদি *লাক্প* হায়ব থৌদোক্ অসিগি অসেংব (actuality) অদুগি মরম্দ ইপিসতেমিক্ জজমেন্ পীবনি। হূই খোংব তাবদগি ভাঙ্ভিব মীগি পূক্নীংদ *মহাক্ লাক্ই* হায়ন খন্ব (assumption, supposition) অদু তাক্পনি। মতৌ অসুম্ন গনি~কনি হায়ব অসিন মপূং ওইন ফিউচর তেন্স সাফিক্স ওইন লৈ অমদি করিগুম্ব লিংগুইসতিক্ ইন্ভাইবন্মেন্ খরদ *e.g.* (৭৫b) *গি অসিগুম্ব প্রোগ্রেসিপ্ মারকর ই গি মতুংদ* ইপিসতেমিক্ মুৎ ওইন সীজিন্ননব মতাংসু লৈ। অসিগুম্ব মুৎ মারকর অসি ফিউচব তেন্স ওইন লৌব যাদে হায়বগি সিনতেক্তিক্ ইভিদেন্স অদু (৭৬) কি খুদম্সিংদ পীরি -

৭৬a মহাক্ হয়েং লাক্কনি।

৭৬b *মহাক্ হয়েং লাক্ইগনি (ঐ হূই খোংব তারে)।

(৭৬b) গি অরান্ব অসিন *গনি* হায়বসি মতাং অসিদ ফিউচর তেন্স মারকব নৎতে হায়ব তাক্ই। ফিউচর মারকর ওইব মতম্দদি *হয়েং* হায়ব মতম্ খঙ্হন্ব এৎভাপ্ অসিগ লৈমিন্নব যাই হায়বসি (৭৬a) ন খঙ্হল্লি। পূম্নমক্ অসি য়েংঙগ ঐখোয়ন পন্ব য়াবদি মনিপুরিগি ফিউচর মারকর গনি~কনি অসি মাগি মহৌসাগি ওইব সীজিন্নবগি মওং (unmarked usage) দ ইবিএলিস মুৎ ওইন লৌব য়াদে হাযব অসিনি।

৪ সিন্তেক্স

৪.১ সিন্তেক্স অমসুং প্রেক্মেতিক্স (syntax and pragmatics)

লোন্ অমগি ৱাহৈপরেংসিং সাগৎপদ চঙ্ঙিব নিয়োম্সিং (rules and principles) অদু নৈনব হায়বসি সিন্তেক্সক মবী লৈনৈ। মসিদ ৱাহৈপরেং অম হায়বসি লোন্ নৈনবগি খ্বাইদগি চাউব অমদি মৠু ওইব ইউনিৎ অম ওইন লৈ। পেরাগ্রাপ্(paragraph), দিসকোরস এক্সচেন্জ (discourse exchange), তেক্স (text), নচিংব ৱাহৈপবেংদগি হেন্ন চাউব লোনগি ইউনিৎসিং অসিদি সিন্তেক্সকি ৱাংমদ তোপ্ন নৈনৈ। সিন্তেক্স হায়বসি প্রেক্মেতিক্স (pragmatics) হায়ব অসিগসু য়াম্ন নক্নন লৈ। মবম্ অসিন অনী অাস য়াম্ন য়েৎসিন্নগল্লি। প্রেক্মেতিক্স হায়ব অসিদি ৱাহৈপরেং অমদ যাওরিব বেক্গ্রাডন্ (background knowledge) অমসুং মসা মসাগি থাজনবীসিং (personai beliefs) তগি ফংঙক্প এক্সত্র া-লিং' তিং ইন্ফোরমেসন্ (extra-linguistic information) অদুগ মরী লৈনৈ। অসুম্ন ৱাহৈপরেংসিংগি আবথ লৌরক্পদ এক্সত্র া-লিংগুইসতিক্ ইন্ফোবমেসন্দ মপান্ তাংঙক্অবদি মদু প্রেক্মেতিক্স হায়ব নৈনবোল্ অসিগি ৱাফম্ ওইগনি। মতাং অসিদ প্রেক্মেতিকেল্লি এনোমেলস ওইব ৱাহৈপরেংসিং অসিসু নীংসিংব চুম্মী। নেতিপ্ ইসপিকরসিংন ৱাহৈপবেংগি আবথ হল্লক্প মতম্দ মসা মসাগি থাজনবী (personal belief) কয়াগ সম্জিন্নব যাদব মতাং লাক্পদ ঙাঙ্ঙিব ৱাহৈপবেংসিং অদু প্রেক্মেতিকেল্লি এনোমেলস (pragmatically anomalous) ওইরক্ই অমদি নেতিপ্ ইসপিকবন য়াব (native speaker's acceptance) হায়বসিদ চয়েৎনব লাক্ই। অসিগুম্ব মতাংদ ৱাহৈপরেংগি অচুম্ব হায়বসি মী মী অদুগি মসাগি থাজনবী অদুদ মপান্ তাংদুন লৈ। মবম্

অসিদগি ৱাহৈপরেং অমগি এক্সেপ্তিবিলিতি (acceptability) হায়ব অসি ৱাহৈপরেং অদুগি ৱেল্-ফোম্নেস (well-formness) হায়ব অসিদগি খেন্নন উরক্ই। খুদম্ ওইন নুঙ্দুম্সিংবু মচা পোক্ই হায়বগি থাজব লৈব মীওইসিংদদি *নুঙ্দুম্সিংদু মচা পোক্এ* হায়ব ৱাহৈপরেং অসি হায়বদ করিসু অকায়ব লৈতে। অদুবু থাজব অসি লৈতব মীওইনদি ৱাহৈপরেং অসি মান পুন্সিদ য়েংঙিব মীৎয়েং অদুগ য়েৎনরক্তুন মপূক্নীংন য়াব ঙম্দে। মসি নৎতব অতোপ্প ৱাফম্ অমগ অমুক্ য়েংসি। ঐখোয়গি ইরক্ত মতম্গি লাইরিক্ লাইসুগি মঙাল্ নীংথিন ফংহৌদব অসেংব ৱাখল্ অমগ লোয়নন থাবু লাইনি হায়ন খন্জব মৈতৈগি অহল্-লমন্ হৌজিক্সু হিংলি। মখোয়গি মফম্দদি *থাদ মী তাপ্রে* হায়ব ৱাহৈপরেং অসি পূক্নীংন য়াবা ৱাহৈপরেং ওইব ঙম্দে। মসিগী মরম্দি সংসারদ মখোয়ন উরিব মীৎয়েং অদুগ *থাদ মী তাব* হায়ব ৱাহৈপরেংগি প্রোপোজিসন্ (pıopositıon) অসিগ চান্ন থোক্তে। মখোয়গি ৱাখন্ন ৱাহৈপরেংগি প্রোপোজিসন্ অসিগ য়েৎনব অসিন ৱাহৈপরেং অসি প্রেক্মেতিকেল্লি এনোমেলস ওইরক্ই। মসি লৈহল্লোই হায়ববদি ঐখোয়ন ৱারী লাইরিক্কি জগৎ অমদ হায়রিবসিং অসি থাংদুন উৎপ তাই। ফিক্সন্গি জগৎ অমদ ঐখোয়ন নুঙ্দুম্ন মচা পোক্প, ৱা ঙাঙ্ব কয়া অদু য়াগনি। থাগি লৈমায়দ চৎতুন হৈবোং চরোং হেক্প য়াগনি। মতৌ অসুম্ন লোন্ হায়বসিদ লিংগুইস্তিকেল্লি ৱেল্ফোম্ ওইরব ৱাহৈপরেং কয়া নন্লিংগুইস্তিক্ নত্রগ প্রেক্মেতিক্ ফেক্তর কয়ান মরম্ ওইদুন অচুম্ব ওইন লৌব ঙম্দবগি ৱাফম্ লৈরি। অসিগুম্ব ঐখোযগি পুন্সিগি অকোয়বদ য়েংঙিব মীৎয়েং অমদি থাজনরিব ময়াম্ অসিগি নিয়োম্সিং অদু নৈনবদ পূক্নিং চিংসিন্ব ৱাফম্ ওইরবসু মখোয়সিং অদু সিন্তেক্স হায়বসিগি মনুংচন্ন খক্ নৈনদে। মদুগি মহুৎত ৱাহৈপরেংগি মনুংদ লৈব ইলিমেন্সিংগি মরীদগি ফংঙক্প আরথ অদু নৈনব ওইরবদি সিন্তেক্সকি ৱাফম্ ওইগনি। ৱাফম্ অসিগ মরী লৈনন মখাগি খুদম্ অসি য়েংসি।

১ ঐ তল্লি।

২ ঐ খোঙ্‌ন চৎপ তল্লি।

(১) গি ৱাহৈপবেং অসিদ *তল্লিব* মী অসি ৱাহৈপবেং অসিগি সপ্‌জেক্‌ ওইবিব *ঐ*হায়ব অসিনি। (২) দস্‌ হাযবিৰ্বাস মদুম্মক্‌ চুম্মী লোযনন *চৎক*... অসি কনানো হাযব তাক্ত্র বসু *তনব* হাযব ভাপ্‌ অসিগি সপ্‌জেক্‌ ওইবব *ঐ* হাযব অসিন চৎকদবনি হাযব অসিমদি নেতিপ্‌ ইসপিকৰসিংগি পূক্নীংগি পাংগন্‌ন খঙ্‌ব ৱাফম্নি। অসিগুম্ব নেতিপ্‌ ইসপিকবসিংগি মপূক্নীংগি পাংগন্‌ (intuition) ন ৱাহৈপবেংগি জজমেন্‌সিং (judgements) শীবিব অসি সন্‌দোক্‌ন হাযননব হোৎনব অসি সিনতেক্‌সকি যাম্ন মবু ওইব মসক অমদি পান্‌দম্‌ন। বাহৈ অমবোম্‌দ হাযবগ কবিগুম্ব লিংগুইসতিক্‌ ফেনোমেনন ... সন্‌দোকন হাযনব হোৎনব অসি সিন্তেক্সাকি থবকনি। (২) গি বা হৈপবেং *খোঙ্‌ন চৎপ তল্লিব* মী অসি ৱাহৈপবেং অপূনবগি সপ্‌জেক ওইবব *ঐ* হাযবসিগ মানন লৈবব অসি লিংগুইসতিক্‌ ফেনোমেনন্‌ অমনি। মসি মওং কযাদ সন্‌দোকন হাযনব হোৎনব অসিন সিনতেক্সাকি পূক্নীং চিংসিন্‌ব মসক্‌ কযামনুম্‌ ওইবক্তই। তসেংবমক্‌সু মথক্কি মওং অসিগুম্ন নেতিপ্‌ ইসপিকৰসিংন মাগি মাগি মমাবোল্‌গি ৱাহৈপবেংসিংগি মবম্‌দ অঙকপ ফংব বাফম কযা মপক্নীংগি পাংগন্‌ন লাযন খঙ্‌ব ঙম্মী। সিনতেক্তিশিযান্‌সিংগি পক্নীং যাম্ন চিংসলিবস অসিগুম্ব নেতিপ্‌ ইসপিকৰসিংগি ইনতুইতিপ্‌ নোলেজ্‌ অসনি। মসিগি মমদ নেতিপ্‌ ইসপিকৰসিংগি পক্নীংগি পাংগনন বাহৈপবেংগি মবম্‌দ খঙ্‌ঙবসিং অসি ঐখোযন যাওফম (linguistic environment) ত যেংঙগ হাযবদসু অপূব অমনি অদুগা থেংনখিবদাগা নীংসিংবগি পাংগন্‌ন খঙ্‌ঙবনি হাযবসু যাদব ৱাফম অম ওইন থোক্‌ই। নেতিপ্‌ ইসপিকৰসিংন মখোযন মপুন্‌সিদ অমুকত তাখিদ্রিব অমদি থেংনখিদ্রব অনৌ অনৌব ৱাহৈপবেংসিং মসীং লাক্‌ঙম্‌দন হাযব, খঙ্‌ব অমদি মখোযগি আবথ লৌব ঙম্মী। অসিগুম্ব নেতিপ্‌ ইসপিকবসিংগি ইনতুইসন্‌দ লৈবিব খঙ্‌ব ঙম্বগি অঙকপ মতৌ অসিবু প্লেতোগি প্রোব্লেম (Plasto's

problem) হায়ন লোন্মীৎলোন্ সূবসিংন সাংথানৈ। তসেংবমক্সু ঐখোয় মীওইবন পুন্সিদ থেংনখিবন খরদমক্ ওইব অদৃগ খঙ্বন মপান্ নাইদবগি ৱাফম্দ প্লেতোন ঙক্খিবসি নেতিপ্ ইসপিকবসিংন লোন্ অম খঙ্বাগ মতাঙ্দসু অদুম্মক্ চুম্ন থোক্ই। বাফম্ অসিবু সৌগৎপ ওইনা (৩) দ পীবিব ইংলিসকি ৱাহৈপবেংসিং অসি যেংনস -

৩a I wonder who [the men expected to see them]

৩b [the men expected to see them]

(৩a অমসুং b) দ কোযসিল্লিব সবুক্সিংগি বাহৈগি মথং মনাউ অসি চপ্ মান্নৈ। অদুবু (৩a) দদি *the men* হায়বসিন *them* হায়ব প্রনাউন্ অসিগি এন্‌তাসদেন (antecident) ওইন লৌব। হায়রিবাস (৩b) দদি ওইথোক্প যাদে। মসাদি *the men* অমসুং *them* হায়বসি তোঙান্ তোঙান্‌ব মীওই ওইগদবনি। এ সগম্বব লিংগুইসতিক ইনভাইবনমেন্ চপ্ মান্নবদ নোতিপ ইসপিকবসিংন থন্নন খঙ্‌ঙন মওং অসি যাম্ন চাং মান্নন, মহৌসাগি মওং অমদ খুদক্কি ওইন অপানন মপৃকনীংদ হেকত ফাওবক্প অদনি। অসুম্ন চাং মাননন খুদক্ খুদক্কি ওইন খঙ্‌ঙিব মওং অসি হানন থেংনখ্রব পেতবন্ অমাদ ইসত্রুক্‌চবসিংদগি নাংসাং ঙগ খঙ্ভিবনি হায়বস্ যাদে হায়বসি মথক্ তস্ পনখ্রে। বাফম অসি অমুক্ক সৌগৎলুন (৪) গী খুদম অসি যেংসি

৪a John ate a mango

৪b John ate

৪c John is too stubborn to talk to Bill

৪d John is too stubborn to talk to

(৪a অমসুং b) দগি পনব যাবদি ভাপ্ অমগি ওপ্জেক্ অদু লৌথোক্খ্রবদি আববিত্রেরি নত্রগ অন্‌ইসপেসিফাইৎ ওপ্জেক্ (arbitrary or unspecified object) অমগ লোয়নন আরথ হন্‌ব যাই হায়বসিনি। মতৌ অসুম্ন (৪b) গি আরথ অসি *John ate something* হায়ন হন্গনি। অদুবু (৪c অমসুং d)

দদি *Bill* হায়ব ওপ্জেক্ অসি লৌথোক্খিব মতম্দ ৱাহৈপরেংগি আরথ অসি অন্ইর্সপিসিফাইৎ ওপ্জেক্ নত্ৰগ নাউন্ ফ্রেজ (NP) অমগ লোয়নন আরথ হন্ব য়াদে। মদুগি মহূৎত (৪d) গি মাঙ্খিব ওপ্জেক্ অসি *John* গ মরী লৈনন আরথ হন্দব য়াদে। হৌজিক্ ঐখোয়ন মথক্ত নৈনখিব খব অসিদগি খঙ্বদি নেতিপ্ ইর্সপিকবসিংন মাগি মাগি মমাবোল্গি ৱাহৈপরেংসিং খঙ্ব মতম্দ খঙ্ঙিসি ৱাহৈপরেং অদুদ য়াওবিব ইলিমেন্সিং অদুগি মরক্ত লৈনরিব মবী নত্ৰগ ইসত্ৰক্চব অদুনি হাযবসিনি। সিন্তেক্স হায়বসিদ নৈনগদৌবিব অসিসু অসিগুম্ব ৱাহৈপবেংগি ইসত্ৰক্চর হায়বসিগি মরম্দনি। অসিগুম্ব ৱাহৈপরেংগি ইসত্ৰক্চরগি মওং অসি করি ওইরম্ব য়াবগে হায়বদু মখাগি সপ্সেক্সন্ অসিদ অমুক্ নৈনবি।

৪.২ লেক্সিকোন্ অমসুং ইসত্ৰক্চর (lexicon and structure)

ৱাহৈপরেং অম হাযবসি ঐখোয়ন হেক্ যেংবদ বাহৈপবেংগি মথং মনাউ (linear order of words) অদুতং ওইন উই। অদুবু (৩) অমসুং (৪) গি খুদম্দগি ঐখোয়ন খঙ্খ্রে মদুদি ৱাহৈপরেং অম খঙ্ব মতম্দ ঐখোয়ন খঙ্ঙিব অদুগি মীৎযেংদগি যেংঙবদি যাম্ন এপ্সত্ৰেক্ ওইব সিন্তেক্তিক্ ইসত্ৰক্চব অম ৱাহৈপরেং হায়বসিদ য়াওরি অর্মাদ নেতিপ্ ইসপিকবসিংগি গ্রামাতিকেল্ নোলেজ অসি মসিদ সেন্সিতপ্ ওইদুন লৈ হায়ব অসিনি। ঐখোয়ন মসিমসু খঙ্খ্রে মদুদি লিংগুইর্সতিক্ ইন্ভাইরন্মেন্ চপ্ মান্নব ৱাহৈপবেংসিংগ তোঙান্ তোঙান্ব আবথ মখোয খুদিংন চাং মান্নন খঙ্ব ঙম্মীবসু মরম্ অসি লৈবর্ননি। মতাং অসিদ ঐখোয়ন অমুক্ক নীংসিংব যাবদি এম্বিগুঅস ওইব ৱাহৈপবেং অমগি আবথ তোঙান্ তোঙান্ন লৌব য়াবিবসি ৱাহৈপবেং অমগি তোঙান্ তোঙান্ব ইসত্ৰক্চরসিং যাওবননি। হৌজিক্ ঐখোয়ন য়েংগদবদি ৱাহৈপরেংসিংদ লৈরিব ইসত্ৰক্চর হায়ব অসি লেক্সিকেল্ ইন্ফোরমেসন্সিংন মপূং ওইন লেপ্পি হায়ন লৌব অসিনি। মসিগি মরম্দি লোন্ অমগি লেক্সিকোন্ নত্ৰগ ৱাহৈ-পূক্কৈ অদুদ লৈরিব ৱাহৈসিং অদুগি তোঙান্ তোঙান্ব (নাউন্, ভাপ্নচিংব)

সিন্তেক্তিক্ কেতেগোরিসিং লৈ অমদি অসিগুম্ব কেতেগোরিয়েল্ ইন্ফোরমেসন্সিং অসিন ৱাহৈসিংগি য়াওফম্ লেপ্প অসিনি। অসিগুম্ব নেতিপ্ ইসপিকরসিংগি মসাদ যাওরিব ইন্তবনেল্ দিক্সনারি নত্রগ মেন্তেল্ লেক্সিকোন্ অদুদসু ৱাহৈ খুদিংগি কেতেগোবিয়েল্ ইন্ফোরমেসন্সিং পীদুনা লৈ হায়বসি লোন্ খুদিংমক্কি ওইব ৱাফম্নি। খুদম্ ওইন মনিপুরি নেতিপ ইসপিকরব খুদিংদ মনিপুরি ৱাহৈ খুদিংগি সিন্তেক্তিক্ কেতেগোবিসিং মখাদ পীরিবব মওং অসিগুম্ন মাগি মেন্তেল্ লেক্সিকোন্দা সরুক্ অম ওইনা য়াওবিব্নি।


৫a	পাই়	:	verb
৫b	লাইরিক্	:	noun
৫c	মাগি	:	determiner
৫d	মাংগোন্	:	noun
৫e	অঙাং	.	noun
৫f	অদু	:	determiner

অসিগুম্ব লেক্সিকেল্ নোলেজ অসি য়াওবন মরম্ ওইদুন নেতিপ্ ইসপিকরসিংন ৱাহৈসিং অসি কেতেগোবি ওন্নন খক্ সীজিন্নদে অমদি ওন্নন সীজিন্নরবদি মখোয়ন খুদক্ত লাল্লী হাযব খঙ্ব ঙম্মী। মতৌ অসুম্ন ৱাহৈপরেং অম হায়বসি তোঙান্ তোঙান্ব ইসট্রক্চবেল্ ইউনিৎ নত্রগ কন্সতিতুয়েন্সিং অমদি মখোয়গি অককনব সিন্তেক্তিক্ কেতেগোর্বিসিংগি মরী অদুন সাগৎলি হায়বসি পূক্নীংদ থম্দুন (৬) কী ৱাহৈপরেং অসি অমুক্ য়েংসি -

৬ *অঙাং অদুন মাংগোন্দ মাগি লাইরিক্ পাই।*

(৬) কী ৱাহৈপরেং অসিদ ঐখোয়গি পূক্নীংদ ইহান্ হান্ন লাক্প ৱাহৈপরেংগি সরুক্ (constituent) সিংদি ৱাহৈসিং অসিনি। (৬) কি ৱাহৈপরেং অসিদ ৱাহৈ তরুক্ য়াওরি। মসিন অমগ অমগ পূন্সিন্নদুন হেন্ন চাউব কন্সতিতুয়েন্সিং অমুক্ ওই। খুদম্ ওইন মাগি হায়ব ৱাহৈ অসিন লাইরিক্ হায়ব ৱাহৈ অসিগ পূন্সিন্নদুন হেন্ন চাউব সিন্তেক্তিক্ ইউনিৎ নত্রগ কন্সতিতুয়েন- *নাউন্ ফ্রেজ* (NP) অম ওই। মসিগি মরু ওইব সরুক্ নত্রগ হেৎ (head) তি *লাইরিক্* হায়ব

নাউন্ (N) অসিনি। মসিগ চপ্ মান্নব মওংদ *অদুন* হাযব ৱাহৈ অসিন *অঙাং* হায়ব নাউন্ অসিগ পূন্সিন্নদুন অতোপ্প *নাউন্ ফ্রেজ* (NP) অম অমুক্ ওই। মসিগি মরু ওইব সরুক্ নত্রগ হেৎতি *অঙাং* হায়রিব নাউন্ অসিনি। মথংদ *মাংগোন্দ* হায়রিব ৱাহৈ অসিন *মাগি লাইরিক্* হায়ব NP অসিগ *পাই* হাযব ভাপ্ (V) অসিগ অমুক্ পুন্সিন্নদুন অতোপ্প ইসত্রক্চবেল্ ইউনিৎ- *ভাপ্ ফ্রেজ* (VP) হায়বসি সাগৎলি। ভাপ্ হায়বসিন মসিগি হেৎনি। অসিগুম্ব ৱাহৈপরেংসিংগি কন্সতিতুয়েন্ ইসত্রক্চর অসি তোঙান্ তোঙান্ব ফোবমেৎ (format) অহুম্দ ফোংদোক্প য়াই। অহান্বদা (৭a) দা পীবিব অসিগুম্ন *ট্রি দাইগ্রাম্গি* মতেংন ফোংদাক্প অম, অনীসুবদ *ফ্রেজ ইসত্রক্চর রুল্স* নত্রগ *রিবাইৎ রুল্স* অমদি অবোইবদ লেবেল্ ব্রেকেৎ (labelled bracket) সিংগি মতেংন (৭b) অমসুং (৭c) দ পীবিব মওং অসুম্ন ফোংদোক্প অসিনি।



৭b S ⟶ NP - VP

NP ⟶ (Det) N-(Det)

VP ⟶ V-NP-NP

N ⟶ অঙাং, মাংগোন্দ, লাইরিক্

V ⟶ পাই

Det ⟶ অদুন, মাগি

৭c [S[NP[N অঙাং] [Det অদুন]] [VP [NP[N মাংগোন্দ]] [NP[Det মাগি] [N লাইরিক্]] [V পাই]]]

(৭) ত পীরিব ফোরমেৎসিং অসি (৬) কি ৱাহৈপরেং অদুগি কন্সতিতুতয়েন্ ইসত্রক্চর অদুগি মীৎন উব য়াব হায়বদি এক্সপ্লিসিৎ ওইব মওং ঙাক্তনি। ফোরমেৎ অহুম্ অসিগি মনুংদ ত্রিদাইয়গ্রাম্ নত্রগ ইসত্রক্চর অসি য়াম্ন তোয়ন সীজিন্নব থেংনগনি অমদি সীন্তেক্তিক্ কন্সেপ্ কয়া অমদি মসিদ লৈরিব থাক্ (level) সিং অসিগ মরী লৈনন তাক্নৈ। য়াম্ন সম্ন উৎনিংব মতাংদদি ঐখোয়ন লেবেল্ বেক্রেৎকি মওং অসিসু অদুম্মক্ সীজিন্নৈ। অসিগুম্ব ইসত্রক্চরসিং অসি পীবগি খুদোংচাব অমদি ৱাহৈপরেং অমগি হোংঙক্প য়াব মওং কয়াবু নৈনব য়াহন্ব অসিনি। খুদম্ ওইন (৬) কি ৱাহৈপরেং অসি (৮) দ পীরিব মওংসিং অসিগুম্ন নৈনব য়াই।

৮a মাংগোন্দ, অঙাং অদুন মাগি লাইরিক্ পাই।

৮b মাগি লাইরিক্, অঙাং অদুন মাংগোন্দ পাই।

৮c মাংগোন্দ পাই, অঙাং অদুন মাগি লাইরিক্।

(৮) দা পীরিব ৱাহৈপরেংসিং অসিন তাক্পদি আবথদ অহেন্ব মওং অম লাক্নব ৱাহৈপরেংগি সরুক্ খর মাঙ্লোম্দ লেঙ্ব য়াই হায়ব অসিনি। অসিগুম্ব মওংসিং অসিবু ঐখোযন তোঙান্ তোঙান্ব ৱাহৈপরেংসিংনি হায়ন লৌবগি মহূৎত (৬) ত পীরিব ৱাহৈপরেং অদুগি তোঙান্ তোঙান্ব মওংসিং (paraphrases) ঙাক্তনি হায়ন লৌগনি। মখোয়সিং অসিগি হৌরক্ফম্ ওইব ৱাহৈপরেংগি ইসত্রক্চরদি (৭) ত পীরিব ফোরমেৎসিং অসিন ওইগনি। মসিন খঙ্হল্লিবদি মনিপুরি হায়ব লোন্ অসি ভাপ্ন ৱাহৈপরেংগি অরোইবদ লৈব SVO (Subject, Object অমসুং Verb) কি মওংদ লৈব লোন্ অমনি হায়ব অসিনি। হায়রিবসি (৮) দ পীরিব অসিগুম্ন লেঙ্থোক্-লেঙ্সিন্ তৌবসু য়াই। অদুবু ৱাহৈপরেং অমগি

সবুক্সিংন লেঙ্‌ব অসি লোইনমক্ হেক্ত য়াবদি নৎতে। মখাগি খুদম্সিং অসি য়েংসি।

৮d *[1] অদুন [অঙাং] মাংগোন্দ মাগি লাইবিক্ পাই।
NP

৮e * লাইবিক্ [অদুন [অঙাং] মাংগোন্দ [মাগি] পাই।
NP NP

(৮d অমসুং e) গি ৱাহৈপবেংসিং অসিন লাল্লিবগি মবম্দি NP অমগি সবুক্ ওইবিব ইসত্রক্চবেল্ ইউনিৎসিং অদুদগি অম মাঙ্লোম্দ লেঙ্খিব অসিনি।

৪.৩ কন্সতিতুয়েন্ অমসুং কেতেগোরি (constituent and category)

মথক্ত ঐখোযন খঙ্‌ব্রে মদুদি ৱাহৈপবেং হাযবা্সাগ এপ্সত্রেক্ ওইব ইসত্রক্চব অম লৈ। হায়বিব ইসত্রক্চব অসি কন্সতিতুযেন হাযন খঙনব সিন্তেক্তিক্ ইউনিৎসিংগি মবক্ত লৈনব মবীসিং অদুনি। ঐখোযন মসিমসু খঙ্‌ব্রে মদুদি কন্সতিতুযেন্ পুম্নমক্ মখল্ চপ্ মান্নবসু নৎতে। বাহৈ অমবোম্দ হাযবগ কন্সিতিতুযেন্সিং অসিগি তোঙান্ তোঙান্ব কেতেগোবিসিং লৈ। হাযবিব কেতেগোবিসিং অসি ৱাহৈ অমসুং ফ্রেজগি থাক্ অনীমক্ত লৈ। কবিগুম্ব লোন অমগি ৱাহৈ পুম্নমক্ যাম্ন অকক্নব কেতেগোবিসিংগি সেৎ অমগ মবী লৈনগনি। লোন্ অমগ লোন্ অমগ কেতেগোবি মসীং মান্নদবদি যাই। অদুবু ৱাহৈসিং অদু অকক্নব কেতেগোবি খবগ মবী লৈনৈ হাযবসিদি সোযদবনি। খুদম্ ওইনা ইংলিস লোন্দ যাম্ন মবু ওইব কেতেগোবি ওইন লৈবিব *এৎজেক্তিপ্* (good, tall

---

১. * খুদম্ অসি ৱাহৈপবেংগি অহৌবদ লৈবম্নবদি starred sentence হাযন খঙ্নৈ। starred sentence সিং অসি ungrammatical ওইব, অবান্ব ৱাহৈপবেংসিংনি।

নচিংব), *প্রিপোজিসন্* (on, at নচিংব), *মোদেল্ ঔজিলিয়ারি* (model auxiliary- can, may, will নচিংব), এসপেক্চুয়েল্ ঔজিলিয়ারি (aspectual auxiliary - have, has, be নচিংব) হায়রিবসিং অসি মৈতৈলোন্দ লৈব ৱাহৈসিংগি কেতেগোরি নৎতে। মৈতৈলোন্দ লৈব ৱাহৈগি কেতেগোরিসিংদি মরু ওইন নাউন্, ভাপ্, এৎভাপ্ অমদি দিতরমিনর অসিনি। মসিগি মনুংদ নাউন্ অমসুং ভাপ্ হায়ব অনী অসিন খ্বাইদগি মপূং ওইব কেতেগোরি ওইন লোন্ অসিদ লৈ। অসিগুম্ব লেক্সিকেল্ কেতেগোরিসিং অসি অমগ অমগ মান্নদে হায়ব অসি তোঙান্ তোঙান্ব কেতেগোরি ফিচরসিংন তাক্প য়াই। খুদম্ ওইন নাউন্ হায়ব কেতেগোরি অসি নম্বর মারকর অমসুং কেস এন্দিংসিংন মাগি কেতেগোরি ফিচরসিং ওই অদুগ ভাপ্ হায়ব ৱাহৈগি কেতেগোরি অসিন তেন্স, এসপেক্ অমদি মুৎ খঙ্হন্ব সফিক্সসিংন মাগি কেতেগোরি ফিচর ওই। অসিগুম্ব কেতেগোরি ফিচরসিং অসি অতৈ অতোপ্প কেতেগোরিসিংদ সীজিন্নব য়াদে হায়ব অসি (৯) অমসুং (১০) গি মনিপুরি নম্বর মারকরসিং অসিন খঙ্হল্লি -

৯a *ফি*সিং অদু ফজৈ [noun]
৯b * *থক্ই*সিং অদু ফজৈ [verb]
৯c * *য়াম্ন*সিং অদু ফজৈ [adverb]
১০a *চাউব*খোয় লাক্এ [noun]
১০b * *চারি*খোয় লাক্এ [verb]
১০c * *মাগী*খোয় লাক্এ [determiner]

(৯b অমসুং c) গি ৱাহৈপরেংসিং অসি লান্বগি মরম্দি নম্বর মারকর *সিং* অসি ভাপ্ অমসুং এৎভাপ্ হায়ব সিন্তেক্তিক্ কেতেগোরি খঙ্হন্ব ৱাহৈসিংদ সীজিন্নরুব অসিনি। মতৌ অসুম্ন (১০b অমসুং c) গী ৱাহৈপরেংসিংন লান্বগি মরম্সু পারসন্নেল্ প্রনাউন্গি নম্বর মারকর *খোয়* অসি ভাপ্ অমসুং দিতরমিনর খঙ্হন্ব ৱাহৈসিংদ সীজিন্নরুব অসিনি। মতৌ অসুম্ন কেস মারকর *ন* অসি ভাপ্ অমসুং এৎভাপ্ত সীজিন্নব লাল্লি হায়বদু (১১) গি খুদম্সিংদ

পীরি -


১১a খোইমু*ন*গুন্ গুন্ ঙংঙি [noun]

১১b *ফম্মী*ন* গুন্ গুন্ ঙংঙি [verb]

১১c *ফজন্*ন* গুন্ গুন্ ঙংঙি [adverb]

(৯,১০ অমসুং ১১) গি খুদম্সিং অসিদগি ঐখোয়না খঙ্বদি ব্রাহৈগি থাক্ত লৈব কন্সতিতুয়েন্সিংগি কেতেগোবিসিং অসি অমগ অমগ মান্নদে হায়ব অসিনি। *ফি.* চাউব অমদি *খোইমু* হায়ব কন্সতিতুয়েন্সিং অসিন *ফম্মী, য়াম্ন, চারি, যাগি* হায়ব কন্সতিতুয়েন্সিং অসিগ কেতেগোরি মান্নদে হায়বদু মথক্কি খুদম্সিংদ পীরি। অসিগুম্ব ব্রাহৈগি থাক্ত লৈব কন্সতিতুয়েন্সিংগি তোঙান্ তোঙান্ব কেতেগোরি লৈব অসি ত্রি দাইয়গ্রাম্দ খ্বাইদগি মখা থংবদ লৈব কেতেগোরিগি লেবেল্সিং অদুন খঙ্হল্লি। খুদম্ ওইন (৯a) গী ব্রাহৈপরেংদ য়াওবিব ব্রাহৈসিং অসি (১২) গি ত্রিইসত্রক্চরদ য়াওরিব খ্বাইদগি মখা থংবদ লৈবিব কেতেগোবি লেবেল্সিং N, Det অমসুং V গী মখাদ মথংসিংন লৈগনি -

১২



(১২) দা *ফিসিং, অদু* অমসুং *ফজৈ* হাযব ব্রাহৈসিং অসি N, Det অমসুং V গি মখাদ হাপ্পগি ফম্দি ব্রাহৈসিং অসিগি কেতেগোবিং অসি মথংসিংন নাউন্, দিতবমিনর অমসুং ভাপ্ ওইব অসিনি। অসিগুম্ব ব্রাহৈসিং অসিন মখোয়ন য়াওরিব ফ্রেজ অদুগি কেতেগোবি অদু অমুক্ লেপ্পি। খুদম্ ওইন *ফিসিং* হায়ব ব্রাহৈ অসিন মান য়াওরিব ফ্রেজ অদুগি কেতেগোবি অদু নাউন্ ওইগনি হাযব

লেপ্‌পী। ভাপ্ নত্রু গ এৎভাপ্ নৎত্রু গ দিতরমিনর অমন নাউন্ ফ্রেস অমগি কেতেগোরি লেপ্‌প য়াদে হায়বদু (৯b), (৯c) অমসুং (১০c) গি খুদম্‌সিংন উৎলি।

৪.৪ সপ্‌কেতেগোরাইজেসন্ অমসুং এৎজং (subcategorization and adjunct)

ঐখোয়ন মথক্‌ত ৱাহৈপরেং অমগি ইসত্রুক্‌চরদ ফ্রেজেল্ কন্‌সতিতুয়েন্‌সিং য়াওৱী হায়ব নৈনখ্রে। অদুবু ফ্রেজেল্ কন্‌সতিতুয়েন্ পূম্‌নমক্ ৱাহৈপরেং অমগি তঙাইফদন চঙ্‌দব য়াদব সরুক্ (minimally required constituent) ওইবদি নৎতে। অসুম্‌ন ৱাহৈপরেং অমগি তঙাইফদব সরুক্ ওইব অমদি ওইদব কন্‌সতিতুয়েন্‌সিং অদু (১৩) গি খুদম্‌সিংদ পীরি -

১৩a মহাক্ $[_{VP}$ [লাইরিক্$]_{NP}$ পাগনি $]$

১৩b মহাক্ $[_{VP}$ [মপান্‌দ$]_{NP}$ [লাইরিক্$]_{NP}$ পাগনি $]$

১৩c মহাক্ $[_{VP}$ [হৈংন $]_{ADVP}$ [মপান্‌দ$]_{NP}$ [লাইরিক্$]_{NP}$ পাগনি $]$

(১৩b অমসুং c) দ য়াওরিব [মপান্‌দ] অমসুং [হৈংন] হায়ব ফ্রেজেল্ কন্‌সতিতুয়েন্‌সিং অসি (১৩a) গি ৱাহৈপরেং অসিন ফোংদোক্‌লিব থৌদোক্ (event) অসিগি মফম্ অমসুং মওং তাক্‌প হেন্‌ন পাউ পীননব হাপ্‌চিল্লক্‌প কন্‌সতিতুয়েন্‌সিংনি। অসিগুম্‌ব কন্‌সতিতুয়েন্‌সিং অসিবু এৎজং (adjunct) হায়ন খঙ্‌নৈ। অদুগ (১৩a) দ য়াওরিব ভাপ্ ফ্রেজ মনুংদ লৈরিব NP [লাইরিক্] অসিদি ৱাহৈপরেং অসিগি তঙাইফদন চঙ্‌ব কন্‌সতিতুয়েন্ অমনি। অসিগুম্‌ব তঙাইফদব কন্‌সতিতুয়েন্‌সিং অসি ভাপ্ অমগি মসাগি ওইব মগুন্ (ideosyncratic property) অদুন লেপ্‌পী হায়ন লৌৱী। থায়নগি গ্রামাবিয়ান্‌সিংনসু অসিগুম্‌ব ভাপ্‌কি মগুন্‌সিং অসি য়েংঙগ ত্রান্‌সিতিপ্, দাইত্রান্‌সিতিপ্ অমসুং ইনত্রান্‌সিতিপ্ হায়ব ভাপ্‌কি মখল্‌সিং পীনৈ। নেতিপ্

ইসপিকবসিংনসু ৱাহৈসিংগি সিন্তেক্তিক্ কেতেগোবি অদু খঙ্বগ লোযনন মখোযগি সপ্কেতেগোবিসিং - ত্ৰান্সিতিপ্, ইনত্ৰান্সিতিপ্নচিংব অদুসু খঙ্ঙিবনি। (১৪) গি খুদম্সিং অসিন ৱাফম্ অসি মযেক্ সেংন সৌগৎলি -

১৪a ঐ [চৎকনি]
VP

১৪b *ঐ [[মাগি ফুবিৎ] চৎকনি]]
VP NP

১৪c ঐন [[মঙোন্দ] [পৈসা খব] পীগনি]]
VP NP NP

১৪d *ঐন [[মঙোন্দ] [লুপা ৫] [পৈসা খব] পীগনি]]
VP NP NP NP

(১৪b অমসুং d) গি খুদম্সিং অসি লাল্লি হাযবসি মনিপুবি নৈতিপ্ ইসপিকব খুদীংন যাগনি। মসিগি মবম্দি ভাপ্ ফ্ৰেজসিংগা মনুংদ লৈগদব NP মসিং অদু মখোয খঙ্ঙী। *চৎ* হাযব ভাপ্ অসি NP অমত চঙ্দব ভাপ্নি হাযবসি (১৪a) গি VP অসিন খঙ্হল্লি অদুগ *পী* হাযব ভাপ্ অসিন NP অনী চঙ্ব ভাপনি হাযবসি (১৪c) গি VP অসিন তাক্ই। (১৪c) অসি মনিপুবি লোন্দ মাগি NP অনী অসি যাওদন হাযব যাববসু তাবিব মীদুন খঙ্দব মতাঙ্দদি কবিনো হংঙক্কনি। অদুগ ইংলিসকুম্ব লোন্দদি মসি সেংন হাযদব যাদে হাযবসি (১৫) গি খুদম্সিং অসিন খঙ্হল্লি

১৫a I will give him some money

১৫b * I will give him.

১৫c * I will give

মসিন খঙ্হল্লিবদি ভাপ্সিংগি সপ্ক্লাসিফিকেসন্ পীব হাযব অসিসু নৈতিপ্ ইসপিকবসিংন ৱাহৈসিংগি মবম্দ খঙ্ঙিব অদুগি সবুক্ অম ওইগনি হাযব অসিনি। মখোয়গি পূক্নীংগি দিক্সনাবি (mental lexicon) দ ভাপ্সিংবু সপ্কেতেগোবাইজ তৌদুন থম্মী হাযবসি মথক্কি অবান্ব খুদম্সিংবু মখোযন খঙ্ঙিব অসিন সৌগৎলি। মৈতৈগী অঙাং অমদ (১৬a অমসুং b) গি ৱাহৈপবেংসিং অসি তাহন্দুন খঙ্হল্লবদ্রি মহাক্ন *চা* অমসুং *লোক্* হাযব ভাপ্সিং অসি মথংসিংন ত্ৰান্সিতিপ্ অমসুং ইনত্ৰান্সিতিপ্নি হাযন লেপ্পক্কনি

অমদি মহাক্কি পূক্নীংগি দিক্সনারিদ মদু সপ্কেতেগোরাইজ তৌদুন (১৬c অমসুং d) গি অসুম্ন থম্গনি -

১৬a নপা চাক্ চারি।

১৬b নমাদি নোক্ই।

১৬c চা : verb ; transitive

১৬d নোক্ : verb ; intransitive

মতৌ অসুম্ন সপ্কেতেগোরাইজেসন্ হায়ব অসি ভাপ্ অমগি VP অদু তঙাইফদন চঙ্ব NP মসীং কয়ানো তাক্পগি মওং (complement structure of the VP of a verb) অম নেতিপ্ ইসাপিকরসিংন খঙ্ঙিব অদুবুনি। লোন্মীৎলোন্দ ভাপ্ অমগি সপ্কেতেগোরাইজেসন্ অসি (১৭) ত পীরিব অসিগুম্ন মাগি য়াওফম্ (distributional frame) অদু পীরগ খঙ্হন্নৈ -

১৭a	নোক্	:	V, [———]
১৭b	চা	:	V, [NP ——]
১৭c	পী	:	V, [NP, NP ——]

(১৭) ত পীরিব মওংসিং অসিবু ভাপ্সিং অদুগি সপ্কেতেগোরাইজেসন্ ফ্রেম্ কৌব্রী। মসিদ ভাপ্সিংগি ত্রান্সিতিপ্ ইনত্রান্সিতিপ্নচিংবগি ৱাখল্লোন্ (notion) সিং অদু তোঙান্ তোঙানন খঙ্হন্দুন (encode তৌদুন) লৈ। *নোক্* হায়বসিন NP অমত মাগি VP দ চঙ্দব অদুগ *চা* হায়বসিন NP অম চঙ্ব ভাপ্নি হায়বদু মখোয়গি য়াওফম্গ লোয়নন সপ্কেতেগোরাইজেসন্ ফ্রেম্সিং অসিন খঙ্হল্লি। য়াওফম্গি মতাং অসিদি লোন্ অমগ লোন্ অমগ মান্নদব য়াই।[১] (১৭) কি সপ্কেতেগোরাইজেসন্ ফ্রেম্ অসি ইংলিস লোন্গি ওইরবদি (১৮) গী মওং অসি ওইগনি -

১. মতাং অসি দিক্সনারিগি য়াম্ন পূক্নীং চিংসিনব মসক্ অমনি। মনিপুরি ইসাপিকরগ ইংলিস ইসাপিকরসিংগ চপ মান্নব ৱাহৈ অমগী লেক্সিকেল্ নোলেজ খেন্নগনি। মরম্ অসিন দিক্সনারিদ লেক্সিকেল্ ইন্ফোরমেসন্ পীব মতম্দ খেন্নব অদু খঙ্ননব সপ্কেতেগোরাইজেসন্ ফ্রেম্দ পীরিব ইন্ফোবমেসন্ অসি য়াওফম্ থোক্ই।

১৮a laugh: V, [——]
১৮b eat: V, [——NP]
১৮ c give: V, [—— NP, NP]
[—— NP, PP][১]

৪.৫ প্রেদিকেৎ, আরগুমেন্ অমসুং আরগুমেন্ ইসত্রক্চর

মথক্ত পীখ্রিব ভাপ্ অমগি সপ্কেতেগোরাইজেসন্ ফ্রেম্ অসি মরম্ পীদুনা মখা তান অমুক্ তাক্প য়াদ্রব লোন্গি মগুন্ (unexplained primitive property of language) অম নৎতে। *চৎ* হায়ব ভাপ্ অসি মাগি VP মনুংদ লৈগদব NP মসীং অসি অমত য়াওদব অদুগ *পী* হায়ব ভাপ্ অসিন মাগি VP মনুংদ NP অনী য়াওব ভাপ্নি হায়বসি য়াম্না আরথ লৈব ৱাফম্ অমনি। অসিগুম্ব মীৎযেং অসি ভাপ্সিং অদুন খঙ্হল্লিব থবক্ (action নত্রগ ফিভম্ (state) সিং অদুদ তঙাইফদন চঙ্বসিং (minimal participants) অদুদগি ফংঙক্প ৱাফম্নি। খুদম্ ওইনা *পী* হায়ব ভাপ্ অসিন পীননব মী অম, ফংগদব মী অম অমসুং পীগদব পোৎ অম, অহুম্ অসি চঙ্ব থবক্ অম খঙ্হল্লি। অসিগুম্ব মী নত্রগ পোৎ অম খঙ্হল্লিব NP সিং অসিবু বেফবিং এক্সপ্রেসন্ (referring expression) অদুগ মখোযগি মরী তাক্লিব ভাপ্ অসিবুন প্রেদিকেৎ (predicate) হায়না খঙ্নৈ। প্রেদিকেৎ অমন খঙ্হল্লিব বেফবিং এক্সপ্রেসন্ অমমম্বু প্রেদেকেৎ অদুগি আরগুমেন্ (argument) কৌৱী। ৱাহৈ অমরোম্দ হায়বগ আরগুমেন্ হাযবসি থবক্ পাঙ্থোক্নবগীদমক্ চঙ্ঙিব পাবতিসিপেন্সিং অদুবুনি। আবগুমেন্ অম লৈব ভাপ্বু ৱান্-প্লেস প্রেদিকেৎ (one-place predicate) অদুগ অনী লৈব ভাপ্পু তু-প্লেস প্রেদিকেৎ (two-place predicate) অসুম্না খঙ্নৈ। প্রেদিকেৎ অমগি অপূন্ব আরগুমেন্সিং অদুবু প্রেদিকেৎ অদুগি আবগুমেন ইসত্রক্চর্

১. (১৮c)দ *give* হায়বসিগি lexical information অনীথোক্না পীরিব অসিসু ইংলিসকি নেতিপ্ ইসপিকরসিংনা খঙ্ঙি হায়বসি মখাগি খুদম্সিং অসিন গৌগৎলি - (i) I gave him a book (ii) I gave a book to him (iii) *I gave to him a book.

(argument structure) কৌৱী। ঐখোয়ন মথক্ত পন্খিব ভাপ্ খুদিংগি ইদিওসিন্ক্রেতিক্ প্রোপরতি অমমম্ লৈজৈ হায়বসি প্রেদিকেৎ খুদিংগি মাগি আরগুমেন্ ইসত্রক্চর অমমম্ লৈজৈ হায়ন অমুক্ হন্ন হায়ব তারে।

মতাং অসিদ আরগুমেন্ ইসত্রক্চরগ সপ্কেতেগোরাইজেসন্ ফ্রেম্গ খেন্নব অদুসু নীংসিংব চুম্মী। সপ্কেতেগোরাইজেসন্ হায়ব অসিদদি VP অমগি মনুংদ লৈব তঙাইফদব কন্সতিতুয়েন্সিং অদুদমক্ খঙ্হল্লি। VP গি মপান্দ লৈব কন্সতিতুয়েন্ (i.e. subject NP) অদুদি সপ্কেতেগোরাইজেসন্ ফ্রেম্দ উৎতে। মসিগি মরম্দি ভাপ্ অমগি সপ্কেতেগোরি পীব মতম্দ ভাপ্ খুদিংগি সপ্জেক্ NP অমমম্ লৈবনিন মদু পন্বগি কান্নদে হায়ন লৌব অসিনি। VP মনুংগি NP সিং (i.e. object NPs) অদুতন ভাপ্কি সপ্কেতেগোরি পীব য়াবনিন তঙাইফদব NP সিং অদুতবু পীবনি। অদুগ আরগুমেন্ ইসত্রক্চব হায়ব অসিদদি ভাপ্ অমগি আরগুমেন্ পূম্নমক্ সুনব পীবনিন VP গি মপান্দ লৈব NP সু কোন্সিল্লি। মসিন মরম্ ওইদুন ৱাহৈপরেং অমগি তঙাইফদব কন্সতিতুয়েন্ মসীংসিং অদু আরগুমেন্ ইসত্রক্চরন পেদিক্ তৌৱী। মসিগি ৱাখল্লোন্ অসিসু লোন্ অমগি ৱাহৈসিংগি ইন্ফোরমেসনদ য়াওহন্বগ লোয়নন মসিন ত্রান্সিতিপ্, দাইত্রান্সিতিপ্ অমসুং ইনত্রান্সিতিপ্ হায়ব লেবেল্সিং অমদি সপ্কেতেগোরাইজেসন্ ফ্রেম্সিংবু মহূৎ সিন্দুন উৎপ য়াই। (১৭) ত পীখিব সপ্কেতেগোরাইজেসন্ ফ্রেম্ অদু (১৯) দ অমুক্ পীদুন মখোয়গি ত্রান্সিতিভিতি লেবেল্সিং অদুগ আরগুমেন্ ইসত্রক্চরন খেন্নবদু পীরি -

১৯a	নোক্	'laugh'	:	verb	;	intransitive
১৯b	চা	'eat'	:	verb	;	transitive
১৯c	পী	'give'	:	verb	;	ditransitive
১৯d	নোক্	'laugh'	:	V,	[—]	
১৯e	চা	'eat'	:	V,	[NP —]	
১৯f	পী	'give'	:	V,	[NP, NP —]	
১৯g	নোক্	'laugh'	:	verb ;	1 NP	

১৯h   চা   'eat' : verb ;   1 NP 2 NP

১৯i   পী   'give' . verb ;   1 NP 2 NP 3 NP

(১৯) গি খুদম্‌সিংদ অকোন্‌বগি খুদম্ অহুম্ অসিন ভাপ্‌সিংগি আবগুমেন্ ইসত্রক্‌চব অদু খঙ্‌হল্লি। খুদম্ ওইন (১৯i) ন *পী*হাযব ভাপ্ অসি থ্রি-প্লেস প্রেদিকেৎনি হাযব তাক্‌ই। মতাং অসিদা পন্‌ব যাবদি আবগুমেন্‌সিং অসি কবিগুম্‌বদ ফোংদোক্‌তন লৈবসু লৈবি। মবু ওইন মনিপুবিগুম্‌ব লোন্‌দদি আবগুমেন্‌সিং অসি অমত ফোংদোক্‌তন হাযব যাই। (১৯i) গি আবগুমেন্ ইসত্রক্‌চব অসি (২০) গি ব্রাহৈপবেংসিংদ ফোংদোক্‌তুন পীবি

২০a   ঐন মঙোন্‌দ পৈসা পী।

২০b   ঐন মঙোন্‌দ পী।

২০c   ঐন পৈসা পী।

২০d   ঐন পী।

২০e   পী।

(২০) গি খুদম্‌সিং অসিদ (১৯i) গি আবগুমেন্‌সিং অসি ফোংদোক্‌তন হাযবিব অসিসু মাগী আবগুমেন্ ইসত্রক্‌চবদ উৎপ চুম্‌মী। আবগুমেন্ ইসত্রক্‌চবদ পেবেন্‌থেসিস (parenthesis) সীজিন্‌নদুন অসিগুম্‌ব ফোংদোক্‌তব যাব আবগুমেন্‌সিং অসি (২১) দ পীবিব অসিগুম্‌ন ফোংদোক্‌নৈ।

২১   পী 'give'   verb ,   (1) NP   (2) NP   (3) NP

(২১) দ পীবিব আবগুমেন্ ইসত্রক্‌চবদ ফোংদোক্‌প/ফোংদোক্‌তবগি ব্রাফম্ অম খঙ্‌হল্লিব (encode তৌবিব) অসি যাম্‌ন মবু ওইব গ্রামাবগি ব্রাফম্ অমনি। মসিন আবগুমেন্ ইসত্রক্‌চব হাযবসি ফোংদোক্‌তবদি যাই অদুগ মাঙ্‌বদি যাদে হাযব খঙ্‌হল্লি। ভাপ্‌তগি ওইবক্‌প নাউন্‌সিংগি মতাংদ ব্রাফম্ অসি য়াম্‌ন মযেক্

সেংন উব ফংই। খুদম্ ওইন ইংলিসকি analyse হায়বসি তু-প্লেস প্রেদেকেৎনি। মসিদগি মাগি analysis হায়ব নাউন্ অসি ওন্খিব মতম্দ অয়াম্ব মফম্দ মাগি আরগুমেন্সিং অসি ফোংদোক্নদে। অদুবু (২২) গি খুদম্সিংদ মাগি আরগুমেন্ ইসত্রক্চর অসি মাঙ্দন লৈ হায়বদু আরগুমেন্সিং অদু ফোংদোক্তুনা উৎলি।

২২a The analysis was superfluous.

২২b The analysis of the data was superfluous

২২c Tomba's analysis of the data was superfluous.

(২২a) দ analysis হায়বসি মাগি আরগুমেন্ অমত য়াওদন সীজিন্নরি। (২২b) দন ওপ্জেক্ আরগুমেন্ অদু য়াওন সীজিন্নরি অদুগ (২২c) দন সপ্জেক্ অমসুং ওপ্জেক্ আবগুমেন্ অনীমক্ য়াওন সীজিন্নবি। মসিন ইংলিসকি ভাপ্ অমসুং ভাপ্তগি ওল্লক্প নাউন্ অনীগি আরগুমেন্ ইসত্রক্চর পীরক্প মতম্দ খেন্নব অসিসু পেরেন্থেসিস সীজিন্নদুন (২৩) গি অসুম্ন উৎপ য়াই -

২৩a analyse	:	verb ;	1 NP	1 NP
২৩b analysis	:	noun ;	(1) NP	(2) NP

মসিদগি ঐখোয়ন analysis হায়ব নাউন্ অসি *table, stone, tree* নচিংব অতৈ নাউন্সিংগ মান্নদে হায়বসি খঙ্ব ঙম্মী।

৪.৬ থিতা রোল্, থিতা থিওরি অমসুং থিতা ক্রাইতরিয়ন্

মথক্ত ঐখোয়ন আরগুমেন্ ইসত্রক্চরগি মতাংদ প্রেদিকেৎ অমগি লৈফম্ থোক্প আরগুমেন্ মসীংসিং অদু নৈনখ্রে। অসিগুম্ব আরগুমেন্সিং অসিন থবক্ অম পাঙ্থোক্পগি তোঙান্ তোঙান্ব রোল্সিংসু খঙ্হল্লী। খুদম্ ওইন *পী* হায়ব ভাপ্ অসি আরগুমেন্ অহুম্ লৈব ভাপ্ অমনি। পীবগি থবক্ অসি পাঙ্থোক্পদ আরগুমেন্ অহুম্ অসিগি রোল্সিং অসি অমত মান্নদে। আরগুমেন্ অমন পীবগি থবক্ অদু তৌরী; আরগুমেন্ অমন পীরিব পোৎ অদুগি থুংফম্ ওই অদুগ অতোপ্প

আরগুমেন্ অমন পীরিব পোৎ অদু খঙ্হল্লী। অসিগুম্ব আরগুমেন্সিংন লৌবিব তোঙান্ তোঙান্ব আরথগি রোল্সিং অসিবু থিমেতিক্ বোল্ নত্রগ থিতা বোল্ (thematic role or theta role) হায়ন খঙ্নৈ। ইব মতম্দদি সম্ন θ-role হায়ন ইবসিন ইসতেন্দাৎ ওইব মওংদু খঙ্হল্লী। মহৌসান প্রেদিকেৎ হাযবসিগি থিমেতিক্ ইসত্রক্চর (thematic structure) অমমম্ লৈজে। অদুগ প্রেদিকেৎ অমন মাগি আরগুমেন্সিংদ থিতা রোল্সিং এসাইন্ তৌব্রী হায়ন লৌনৈ। *পী* হাযব ভাপ্ অসিন সপ্জেক্ NP অদুদ AGENT থিতা বোল এসাইন্ তৌব্রী ; দাইরেক্ ওপ্জেক্ NP অদুদন THEME নত্রগ PATIENT থিতা বোল্ এসাইন্ তৌব্রী অদুগ ইন্দাইবেক্ ওপ্জেক্ NP অদুদন GOAL থিতা বোল্ এসাইন্ তৌব্রী। অসুম্ন থিতা রোল্সিং এসাইন্ তৌবগি নিয়োম্ খঙ্হল্লিব গ্রামাবগি সরুক্ (component) অদুবু থিতা থিওরি (theta theory) কৌব্রী। থিতাবোল্সিংগি মসীং অমদি মখোয়গি মমিং (label) পীবদ হৌজিক্ ফাওবদ লৈবিব চয়েৎনবগি ব্রাফম্ অসি তোঙান্ন থম্খ্রগ মরু ওইন লৌনবব থিতারোল্সিংগি মসক্ অদু মখাদা পীবি -

২৪a	AGENT	থবক্ অম থওইন পাঙ্থোক্লিব মী অদুবুনি।
২৪b	PATIENT	থবক্ অম থেংনরিব মী নত্র গ পোৎ (undergoer of an action) অদুবুনি।
২৪c	THEME	থবক্ অমন লেঙ্হল্লিব, হোংহল্লিব মী নত্রগ পোৎ অদুবুনি।
২৪d	EXPERIENCER	পুক্নীংগি ফিভম্ (psychological state) অম থেংনরিব অদুবুনি।
২৪e	BENEFACTIVE/ BENEFICIARY	কান্নব ফংঙিব মী নত্রগ পোৎ অদুবুনি।
২৪f	GOAL	থবক্ অদুগি থুংফম্ ওইবিব মী নত্রগ পোৎ অদুবুনি।
২৪g	SOURCE	করিগুম্ব অমগি হৌরক্ফম্ ওইব অদুবুনি।
২৪h	LOCATION	থবক্ অমগি লৈফম্ ওইরিব অদুবুনি।

হৌজিক্কি মতম্দদি PATIENT হায়বসি THEME ন মহূৎ সিন্দুন সীজিন্নবে। থবক্ অমন সোক্হল্লব আরগুমেন্ (an affected argument) অদুবু THEME হায়ন খঙ্নবে। অসিগুম্ব থিতা বোল্সিং অসিসু নেতিপ্ ইর্সাপিকবসিংগি লেক্সিকেল্ নোলেজ্গি সবুক্ অম ওইব মবমন দিক্সনর্‌দদ মসিগি মফম্ লৈ। গ্রামাবদ মসিবু থিমেতিক্ গ্রিৎ নত্রগ থিতা গ্রিৎ (thematic grid or theta grid) অমগি মতেংন মখাগি অসুম্ন পীনৈ -

২৫a পী : verb

AGENT NP	GOAL NP	THEME NP
i	j	k

২৫b খঙ্ : verb

AGENT NP	THEME NP
i	j

(২৫a) গি থিতা গ্রিৎ অসিদ *পী* হায়ব ভাপ্ অসি আবগুমেন্ অহুম্ লৈব ভাপ্নি। মখোয়গি থিতা বোল্সিংন AGENT, GOAL অমসুং THEME নি হায়ব খঙ্হল্লী। মখাদ ইন্দেক্স পীবদ মান্নদ্রিব অসিন NP সিং অসিন তোঙান্ তোঙান্ব পোৎ (entity) সিং খঙ্হল্লি অমদি মখোয়দ মসা মসাগি বোল্সিং এসাইন্ তৌবে হায়ব তাক্ই। কবিগুম্ব আবগুমেন্ NP সিং অদুন চপ্মান্নব নত্রগ তোঙান্ তোঙান্ব এন্তিতিসিং ওইববদি মখাগি অসুম্ন থিতা গ্রিৎত উৎপ যাই -

২৬a উ : verb

AGENT NP	THEME NP
i	i

২৬b উ verb AGENT THEME
NP NP

---

(২৬) কি থিতা গ্রিৎসিংন খঙ্‌হল্‌লিবসিং অসি মথংসিৎন (২৭) কি ৱাহৈ্পরেংসিংদ পীরিবসিং অসিনি -

২৭a ঐন$_i$ ইসাবু$_i$ উই।

২৭b ঐন$_i$ মাবু$_j$ উই।

মথক্‌কি থিতা গ্রিৎসিংদ ইন্‌দেক্‌সসিং অদুন থিতারোল্‌সিং অসি এসাইন্‌ তৌরে হায়ব খঙ্‌হল্‌লী। করিগুম্বব ইন্‌দেক্‌স অসি পীরম্‌দ্রবদি থিতারোল্‌ এসাইন্‌ তৌদ্রে অদুগা থিতারোল্‌ পীরম্‌দ্রবদি NP অদু থিতারোল্‌ লৈত্রে হায়ন লৌগনি। (২৮) গি ৱাহৈ্পরেসিং অসিগি থিতা গ্রিৎ অসি (২৯) দ পীরিবসিং অসি ওইগনি -

২৮a ঐন ফায়।

২৮b *ঐন মাগী ৱাখল্‌ ঙা অম ফায়।

২৯a ফা verb

AGENT NP	THEME NP
i	?

২৯b ফা : verb AGENT THEME
NP NP

k?

(২৯a) গি থিতা গ্রিৎত ফারিব পোৎ অদু লৈতবন THEME থিতারোল্ এসাইন্ তৌদ্রে হায়ব তাক্ই। (২৯b) দন এসাইন্ তৌনব থিতা রোল্ লৈতবদগি থিতা রোল্ য়াওদন লৈরে হায়ব তাক্ই। মখা তানা থিতা রোল্ য়াওদব NP লৈববদি ৱাহৈপরেং অদু লাল্লী হায়বসিসু (২৮b) গি ৱাহৈপরেংন তাক্ই। (২৮a) গি থিতা রোল্ এসাইন্ তৌনব আরগুমেন্ লৈতব অসিসু ইংলিসকুম্ব লোন্দদি লাল্লী। মসিদগি ফংব ৱাফম্দি প্রেদিকেৎ অমগি থিতা বোল্ খুদিংমক্ এসাইন্ তৌগদবনি অদুগ থিতারোল্ গাওদব NP অমত লৈব য়াদে হায়বসিনি। ৱাফম্ অসিবু সূপ্‌চিন্‌ন *থিতা ক্রাইতরিয়ন্* হায়ন মখাগি অসুম্ন পীনৈ -

৩০ থিতা ক্রাইতরিয়ন্

আরগুমেন্ খুদিংদ থিতারোল্ অমমম্ খক্ত এসাইন্ তৌৱী।

থিতা বোল্ খুদিংমক্ আরগুমেন্ অমমম্ খক্তদ এসাইন্ তৌৱী।

৪.৭ প্রোজেক্সন্ প্রিন্সিপল্

মথক্ত ঐখোয়ন প্রেদিকেৎসিংগি থিমেতিক্ ইসত্রক্চরসিং লৈ হায়ব নৈনখ্রে। থিতা গ্রিৎত উৎলিবসি প্রেদিকেৎকি থিমেতিক্ ইসত্রকচরসিং অদুনি। মখোযন ৱাহৈপরেং অমগি তঙাইফদব সবুক্সিং অদু করি কবি ওইগদবনো হায়বসি খঙ্ব ঙম্হল্লী। অসিগুম্ব ৱাহৈপরেংগি ইসত্র ক্চরসিংগি মপূং ওইব সবুক্সিং অদু লেক্সিকেল্ এন্ত্রিদ পীরিব ইন্ফোবমেসন্সিংন লেপ্পী হায়ব ৱাফম্ অসিবু প্রোজিক্সন্ প্রিন্সিপল (projection prinıciple) হায়ন (৩১) গি অসুম্ন পীনৈ -

৩১ প্রোজেক্সন প্রিন্সিপল্

লেক্সিকেল্ ইন্ফোরমেসন্ হায়ব অসি ৱাহৈপবেংগি ইসত্র ক্চরদ রিপ্রজেন্ তৌৱী।

৪.৮ আরগুমেন্ পোজিসন্, থিতা পোজিসন্ অমসুং এক্সতেন্দেৎ প্রোজেক্সন্ প্রিন্সিপল্

আরগুমেন্সিংন থিতারোল্ ফংব অসি মরু ওইন সপ্জেক্ অমসুং ওপ্জেক্ পোজিসন্সিংদ লৈরব মতম্দনি। খুদম্ ওইন হাৎ 'kill' হায়ব প্রেদিকেৎ অসিন মাগি থিতা-মারকিং প্রোপরতি অদু সপ্জেক্ অমসুং ওপ্জেক্ NP সিংদ পী। সপ্জেক্ NP অদুন AGENT থিতারোল্ অদুগ ওপ্জেক্ NP অদুন THEME থিতারোল্ ফংগনি। অসিগুম্ব সপ্জেক্, ওপ্জেক্কি ইসত্রক্চরেল্ পোজিসন্সিং অদুবু আরগুমেন্ পোজিসন্ (A-position) কৌরী। আরগুমেন্সিংন মাগি মাগি আরগুমেন্ পোজিসন্সিংদ লৈরব মতম্দদ অকক্নব থিতারোল্ অম ফংঙি। মরম্ অদুন আরগুমেন্ পোজিসন্সিং অসিবু থিতা পোজিসন্ (θ-position) হায়নসু খঙ্নৈ। মসিন খঙ্হল্লিবদি থিতা পোজিসন্ পুম্নমক্ আরগুমেন্ পোজিসন্নি হায়ব অসিনি। অদুবু আরগুমেন্ পোজিসন্ পুম্নমক্ থিতা পোজিসন্ ওইবদি নৎতে। ৱাহৈ অমরোম্দ হায়রগ আরগুমেন্ পোজিসন্ খরদি থিতারোল্ ফংদন লৈ। অসিগুম্ব থিতারোল্ ফংদব আরগুমেন্ পোজিসন্সিং অসিবু নন্-থিতা পোজিসন্ (θ-position) কৌরী। খুদম্ ওইন ইংলিসকি এক্সপ্লিতিপ্ (expletive)[১] সিংন লৈরিব সপ্জেক্ NP অমসুং ভাপ্কি মরক্ত লৈরিব এগ্রিমেন্গি মরী অদু (৩২) গি খুদম্সিং অসিদসু উব ফংই।

৩২a [It] is raining.

৩২b [It] rains.

৩২c [There] is a boy.

৩২d [There] are fortry boys in the class.

---

১. এক্সপ্লিতিপ্ হায়রগ it, there হায়ব subject position দদ লৈব, ৱাহৈপরেংগি আরথদ মখোয়গি role করিমত য়াওদব, মসাগি আরথ লৈতব প্রনাউন্ (dummy pronoun) সিং অসিবু খঙ্নৈ। মখোয়বু pleonastic element হায়নসু খঙ্নৈ। অসিগুম্ব dummy element সিং অসি মনিপুরিগুম্ব লোন্দ লৈতে।

(৩২) গি ৱাহৈপরেংসিংদ লৈরিব এক্সপ্লিতিপ্সিং অসি আরগুমেন্ পোজিসন্সিংদ লৈব সপ্জেক্ NP সিংনি। অদুবু আবগুমেন্ পোজিসন্দ লৈরবসু মখোয়গি থিতারোল্ লৈতে। মসিদগি ঐখোয়ন (৩২) গি সপ্জেক্ আরগুমেন্ পোজিসন্সিং অসি নন্-থিতা পোজিসন্ (θ-position) ঙাক্তনি হায়ন লৌগনি। ইংলিসকি রাইজিং প্রেদিকেৎ হায়ন খঙ্নব *seem, appear, find, likely* নচিংবসিং অদুগ পেসিপ্ পারতিসিপল্সিংগি সপ্জেক্ আরগুমেন্সিং অসিসু নন্-থিতা পোজিসন্দ লৈব ঙাক্তনি হায়বসি (৩৩) গি খুদম্সিংদ পীবি -

৩৩a John seems to be intelligent.

৩৩b John is believed to be intelligent.

(৩৩) গি খুদম্সিংদ *John* হায়বসি *seem* অমসুং *believe* হায়ব মেত্রিক্স ভার্সিং অসিগি সপ্জেক্ আবগুমেন্নি হায়বসি মখোয়গি মবক্ত লৈবিবা এগ্রিমেন্ রিলেসন্সিপ্ অসিন উৎলি। অদুগ *seem* অমসুং *believed* হায়ব প্রেদিকেৎসিং অসিগি আবগুমেন্ ইসত্রুক্চবদ প্রোপোজিসন্ অমন মখোয়গি ওপ্জেক্ আরগুমেন্ ওইব প্রেদিকেৎ (one-placed predicate) নি হায়ব তাক্ই। মরম্ অদুন প্রোপোজিসন্ অমন মখোয়গি ওপ্জেক্ আরগুমেন্ ওইব চঙ্ভী। অদুগ মবু ওইব ক্লোজগি সবুক্ অম ওইবিব ক্লোজ (embedded clause) অসিগি প্রেদিকেৎ *be intelligent* হায়ব অসিসু মাগি সপ্জেক্ আরগুমেন্ অদুদ EXPERIENCER হায়ব থিতারোল্ অসি পীননব থিতা-মাবকিং প্রোপবতি লৈরি। ৱাফম্ অনী অসি মপূং ফাহন্নবগিদমক্ (৩৩) গি খুদম্সিংদ য়াওবিব John হায়বসি (৩৪) দ উৎলিব অসিগুম্ন হান্ন ইসবেদেৎ ক্লোজ অসিগি সপ্জেক্ ওইব তাই।

৩৪a -- semms [John to be intelligent]

৩৪b — is believed [John to be intelligent]

মথক্কি খুদম্সিং অসিন *John* ন মাগি থিতারোল্ অসি অতোপ্প আরগুমেন্ পোজিসন্ অমদগি ফংঙি হায়ব খঙ্হল্লি। মরম্ অদুন অতোপ্প

থিতা পোজিসন্ অমদ অমুক্ লৈব য়াবরোই হায়বসি (৩০) দ পীবিব থিতা ক্র ইতবিযন্ অদুন খঙ্ইহল্লি। (৩৪a অমসুং b) দ John ন *seem* অমসুং *believe* কি সপ্জেক্ পোজিসন্দ অমুক্ লৈব যাবিব অসিন তাক্পদি মফম্ অসি নন্-থিতা পোজিসন্নি হাযব অসিনি। মসিদ লাক্লিব ব্রাহংদি John ন কবিগীদমক্ত থিতা পোজিসন্ অমদগি নন্-থিতা পোজিসন্ অমদ অমুক্ লৈবিবনো হাযব অসিনি। মসিগি মবম্দ কেস থিওবি হাযব অতোপ্প গ্রামাবগি মোদুল্ অমন অমুক্ লাক্লিবসি মাগি কেস মাবকিং অদু ফংননবাগানি হাযব তাক্ই। কবিগুম্ব John ন মাগি কেস মাবকিং অদু ফংঙবদি অসিগুম্ব নন্-থিতা পোজিসন্ অসিদ লাক্প যাদে হাযবসি (৩৫) গি খুদম্সিংদ উৎলি

৩৫ a It seems that John is intelligent.

b * John seems that _ is intelligent

c It is believed that John is intelligent

d * John is believed that _ is intelligent

(৩৫b অমসুং d) দ *John* ন অতোপ্প নন্-থিতা পোজিসন্ অমদ লাকপদ ব্রাহৈপবেং অদু লাল্লী হাযব উবে। অদুগ (৩৫a অমসুং c) দ নন্ থিতা পোজিসন্ অদু *it* হাযব দম্মি প্রনাউন্ অসিন ব্রাহৈপবেংগি সপ্জেক্ ওইদুন লৈাব। অসুম্ন' দম্মি প্রনাউন্সিংন সপ্জেক্ পোজিসন্সিংদ লৈব অসি মখাগি এক্সত্রাপোজিসন্,' ক্লেপ্তিং' অমসুং এক্জিসতেন্সিযেল্ সেন্তেন্সসিংদসু উব ফংই।

---

১. কম্প্লিমেন্ ক্লোজ অমন অতোপ্প বাহৈপবেংগি মফম্ অমদ লেঙ্খিব অদুবু এক্সত্রাপোজিসন্ (extraposition) হাযন খঙ্নৈ।

২. ক্লেপ্তিং (clefting) হায়ব অসিন ক্লোজ অমবু তোঙান্ তোঙান্ব ক্লোজ অনীদ খাযদোক্তুন হাযববু খঙ্নৈ। মসিদসু Np-movement যাওব্রী। (৩৬c) দ *a nice song* হাযব NP অসি (৩৬d) দ মমাঙ্থংব ক্লোজদ লেঙ্ঙক্ই।

৩৬a [That she did not come] surprised me.

৩৬b [It] surprised me that she did not come [Extraposition].

৩৬c John sang a nice song.

৩৬d [It] was a nice song that John sang (Clefting).

৩৬e Forty boys are in the class.

৩৬f [There] are forty boys in the class (Np-movement, Existential Sentence)

ঐখোয়ন মথক্ত পন্খ্রে মদুদি দমম্মি প্রনাউন্সিং অসিগি আরথ লৈতে, মখোয়গি থিতা বোল্ য়াওদে মবম্ অদুন আরগুমেন্সু নৎতে। মখোয়সিং অসি করিগিদমক্ত ৱাহৈপরেংগি সপ্জেক্ পোজিসনদ য়াওরিবনো হায়ব তারবদি মখোয়সিং অসিন বাহৈপরেংগি ইসত্রকচরেল্ রিকোয়ারমেন্ অদু মপূং ফাহল্লি হায়ন খুম্ব তাই। (৩৬ b, d অমসুং f) কি ৱাহৈপরেংসিং অসিদ মখোয যাওদ্রবদি (৩৭) ত পীবব অসিগুম্ন অনগ্রামাতিকেল্ ওই -

৩৭a * ---- surprised me that she did not come.

৩৭b * - ---- was a nice song that John sang.

৩৭c * ---- are forty boys in the class.

(৩৭) কি খুদম্সিং অসিন তাক্পদি প্রোজেক্সন্ প্রিন্সিপল্গি মথক্ত বাহৈপরেংসিংদ সপ্জেক্ হায়ব অম চঙ্ডী হায়ব অসিনি। বাহৈপরেং হায়ব অসিদ ৱাহৈগি প্রোপরতিসিং অদু সিনতেক্সত রিপ্রজেন্ তৌদুন উৎপত্তন মপূং ফাব মসক্ ওইদে। ৱাহৈপরেংসিংগি সপ্জেক্ হায়ব তোঙান্ব প্রোপরতি অম লৈরি হায়ব মীৎয়েং অমসু ঐখোয়ন লৌব তাই। অসিগুম্ব লেক্সিকেল্ প্রোপরতিসিংগি মথক্ত ৱাহৈপরেংসিংগি সপ্জেক্ হায়ব প্রোপরতি অমসু লৈগদবনি হায়ব ৱাফম্ অসিবু এক্সতেন্দেৎ প্রোজেক্সন্ প্রিন্সিপল্ (extended projection principle - EPP) হায়ন খঙনৈ। EPP হায়ব অসি আরগুমেন্ ইসত্রক্চর নত্র গ প্রোজেক্সন্ প্রিন্সিপলদগি তোঙান্ব ৱাহৈপরেংসিংগি

জেনেরেল্ প্রোপরতি অমনি। মসি কায়বদাগ (৩৭) কি ৱাহৈপংরেংসং মসি অরান্ব ৱাহৈপরেংসিং ওইবিবনি।

৪.৯ এক্সতরনেল্ আরগুমেন্ অমসুং থিতা রোল্

মথক্ত ঐখোয়ন থিতা রোল্ এসাইন্ তৌগদব আরগুমেন্সিং অদুগ সিন্তেক্তিক্ কেতেগোরিসিং অদু NP নত্ত্রগ ক্লোজ ওইব য়াই হায়বদু নৈনখ্রে। খুদম্ ওইন (৩৩) গি খুদম্সিংদ *seem* অমসুং *be believed* কুম্ব প্রেদেকেৎসিং অসি ক্লোজেল্ আরগুমেন্সিংন মখোয়গি ওপ্জেক্ ওইব চঙ্ভী হায়ন নৈনখে। মসিতসু নৎতন সপ্জেক্ পোজিসন্ অসি নন্-থিতা পোজিসন্ (θ-position) ওইব মতম্দ এক্সপ্লিতিপ্ সীজিন্নব নত্ত্রগ অতোপ্প থিতা পোজিসন্ অমদগি থিতা রোল্ ফংঙবা NP অমন লৈব য়াবসু EPP গি মতাংদ নৈনখ্রে। মসিন উৎলিবদি থিতা রোল্ এসাইন্ তৌব মতম্দ সপ্জেক্ থিতা রোল্ অমসুং ওপ্জেক্ থিতা রোল্সিং অসি চপ্ মান্নদবগুম্ তৌব অসিনি। অসিগুম্ব সপ্জেক্ আরগুমেন্সিং অসি ওপ্জেক্ আরগুমেন্সিংগ মান্নদব অসি মখাগি *ওপ্জেক্ ইদিয়ম্* (object idiom) সিং অসিন অমুক্ক সৌগৎলি।

৩৮a ——— অঙাং উনরে (মচা পোক্এ)
৩৮b ——— চৈ কারে (ফিভম্ ফগৎলক্এ)
৩৮c ——— অঙাং ওন্খ্রে (হাৎখ্রে)

(৩৮) গি খুদম্সিং অসি সপ্জেক্ন ফ্রি আরগুমেন্ ওইব "ওপ্জেক্ ইদিয়ম্" সিংনি। খুদম্ ওইন (৩৮a) গী ইদিয়ম্ অসি *নুপী অদু / মমা অদু* অঙাং উনরে হায়বনচিংব তোঙান্ তোঙান্ব সপ্জেক্ হাপ্প মতম্দ ইদিয়ম্গি আরথদ অহোংব লৈতে। ইদিয়ম্গি আরথ অসিদি ভাপ্ অদুগ মখোয়গি ওপ্জেক্ অদুগ অনীগি অপূন্ব অদুদ মপান্ তাংদুনা লৈ। অমরোম্দ ওপ্জেক্ ফ্রি ওইব সপ্জেক্ ইদিয়ম্ হায়বদি লৈতে। মতাং অসিগ মরী লৈনন ঐখোয়ন পন্ব য়াবদি সপ্জেক্ থিতারোল্সিং অসি ভাপ্ অমসুং মাগি অতৈ কন্সিতিতুয়েন্সিংগি সিমান্তিক্স অদুন লেপ্পী হায়ব অসিনি। অহান্বদ ভাপ্ অদুন ওপ্জেক্ থিতা রোল্ এসাইন্ তৌব্রী অদুগ মদুদগি তারক্প *সিমান্নতিক্স* (semantics) অদুন সপ্জেক্ থিতা

রোল্ এসাইন্ তৌবা। অসুম্না সপজেক্ থিতা রোল্ এসাইন্ তৌব অসিবু কম্পোজিসনেলনি (compositional) ওইব কৌরী। কম্পোজিসনেল্ ওইবা মওংদ [illegible] রোল্ এসাইন্ তৌবগী ইন্দেক্সবেক্ থিতা-মারক [illegible] আরগুমেন্সিংদা থিতা রোল্ এসাইন্ [illegible] দাই [illegible] থিতা-মাক্ তৌব কৌরী। অসিগুম্ব থিতারোল্ এসাইন্ তৌবদ খেন্নব কয়া লাক্প অসিদগী VP গি ৱাংমদ লৈব আরগুমেন্সিংবু *এক্সতরনেল আরগুমেন্* হায়ন খঙৈ অদুগ VP মনুংগি আরগুমেন্সিংবুন ইন্তরনেল্ আরগুমেন্ হায়ন খঙৈ। অদুগ মখোয়গি থিতারোল্সিংবুসু মথংসিৎন এক্সতরনেল্ থিতা রোল্ অমসুং ইন্তরনেল্ থিতারোল্ হায়ন খঙৈ। হৌজিক্ থিতা গ্রিৎত এক্তরনেল্ অমসুং ইন্তরনেল্ আরগুমেন্সিং অসি উৎপ চঙ্ঙী। মসিগিদমক্ থিতারোল্ অমসুং সিন্তেক্তিক্ কেতেগোরিসিং পীবগি মহূৎত আরগুমেন্ মসীংসিং অদু পীরগ এক্সতরনেল্ আরগুমেন্ অদুগি মখাদ চৈখৈ অম পীদুন থিতা গ্রিৎত (৩৯) গি অসুম্ন পীনৈ -

৩৯ ই 'write' : verb


1	2

৪.১০ ভাপ্ ফ্রেজ

ফ্রেজ অমগি কম্পোনেন্সিং অসি *হেৎ* (head-a lexical category) অমসুং *প্রোজেক্সন্* (phrasal category) হায়ন অনীথোক্ন য়েংব য়াই। মসিন খঙহল্লিবদি ফ্রেজেল্ কেতেগোরি খুদিংমক্ লেক্সিকেল্ কেতেগোরি অমন হেৎ ওইগনি অদুগ হেৎ অদুগি প্রোজেক্সন্ অদুবুন ফ্রেজেল কেতেগোরি ওইগনি হায়ব অসিনি। খুদম্ ওইন ভাপ্ ফ্রেজ (VP) অম হায়বসি ভাপ্ অমসুং মাগি প্রোজেক্সন্ অদুনি। ইংলিস লোন্গি VP অম হায়বসি মখাগি (৪০) দ পীরিব

অসুমন্ উৎপ য়াই -

৪০a



৪০b VP ⟶ V — ....


[Note .... stands for non-head material]

নন্-হেৎ মেতরিএল্সিং অসি মখাগি অসিগুম্ন ওব্লিগেতোরি নত্র গ ওপ্সনেল্ ওইব য়াই।

৪০c VP ⟶ V -- (NP) - (PP*)

পেরেন্থেসিসন কোয়সিল্লিব কন্সতিতুয়েন্সিং অসি যাওদব মতাংসু লৈ হায়বিবনি। কন্সতিতুয়েন্ অদুগি যেৎত থৱান্মিচাক্ (asterisk) পীবিব অসিন অসিগুম্ব কন্সতিতুয়েন্সিং অসি মসীং হেন্গৎপ যাই হায়বিবনি। (৪০c) গি ফ্রেজ ইসত্রক্চর অসি (৪১) দ উৎলি -

৪১



(৪১) দ পীবিব VP গি ইসত্রক্চর অসিদ VP মনুংদ লৈবিব কন্সতিতুয়েন্সিং অসি লেভেল্ অমদ চপ্ মান্নন রিপ্রজেন্ তৌদুন উৎলি। মসিবু ফ্লেৎ ইসত্রক্চর (flate structure) হায়ন খঙ্গনৈ। অসুমন্ উৎপ অসি য়াই হায়ন লৌরবসু *সপ্সতিতিয়ুসন্ তেস* (substitution test) কি ৱাফম্ অসি ইল্লবদি (৪১) গি ফ্লেৎ ইসত্রক্চর অসি অচুম্বনি হায়ন লৌব য়াদে। সপ্সতিতিয়ুসন্ তেসন খঙ্গহল্লিবদি *মতুং সিন্নব* হায়বসি ইসত্রক্চরদ য়ুম্ফম্ ওই অমদি করিগুম্ব ইলিমেন্

অমন মহূৎ সিন্ব য়াবসি কন্সতিতুয়েন্সিংতনি হায়ব অসিনি। (৪২) দ পীরিব মহূৎ সিন্বগি মওংসিং অসিন ৱাফম্ অসি সৌগৎপ উই -


৪২a John will consult the book in the library this afternoon and Bill will *do so* too.

৪২b John will consult the book in the library this afternoon and Bill will *do so* tonight.

৪২a John will consult the book in the library this afternoon and Bill will *do so* in the kitchen tonight.


(৪২a) দ অনীসুব কন্জং (conjunct) দ য়াওরিব *do so* অসিন অহান্ব কন্জংগি VP *consult the book in the library this afternoon* হায়ব অসি মহূৎ সিল্লি। (৪২b) দন *consult the book in the library* হায়ব VP গি সবুক্ অসি মহূৎ সিল্লি। (৪২c) দদি *do so* ন *consult the book* হায়ব VP গি সবুক্ মচা অসিদং মহূৎ সিল্লি। মহূৎসিন্ব য়াবসি কন্সতিতুয়েন্সিংতনি হায়ব হাইপোথেসিস অসি ইল্লবদি (৪২) গি অহান্ব কন্জংসিংদ মহূৎ সিল্লিব VP অমসুং মসিগি সবুক্সিং - *consult the book in the library* অমসুং *consult the book* অসিসু কন্সতিতুয়েন্সিংনি হায়ন লৌফম্ থোক্ই। (৪১) গি স্ট্রেৎ ইসত্রক্চর অসিন অসিগুম্ব VP মনুংগি কনসতিতুয়েন্সিং অসি উৎপ ঙম্দে। খুদম্ ওইন *consult the book* হায়ব VP মনুংগি খাইদগি পীক্প do so ন মহূৎসিন্ব য়াব সবুক্ অসি কন্সতিতুয়েন্ অম ওইন তাক্প য়াদে। অসিগুম্ব VP দগিসু পীক্থব V দগিসু চাউখৎপ মরক্কি কনসতিতুয়েন্সিং অসি উৎকে হায়রবদি (৪১) গি ইসত্রক্চর অসি (৪৩) গি অসুম্ন সেম্দোক্প তাই -

৪৩



(৪৩) গি VP অসিদ ইনতবনেল্ ইসত্রকচব কগা মবুম্ লৈবে। C', C'' হাযব কেতেগোর্বিসিং অসিসু V গি প্রোজেকসন্ ঙাক্ত ওইবন মখোয অসিস VP মখল্ অমমম্ নি। অসিগুম্ব V গি মবককি প্রো জেকসন্সিং আসবু ইনতবমোদযেং প্রোজেকসন্ কৌবা। অসিগুম্ব ইনতবমেদিযেং প্রোজেকসন্সিং অসিদ V bar নত্রগ $\bar{V}$ হাযব লেবেল্সিং অসি পীনৈ। অদুগ VP অপূমব অসবুন V গি মেক্সসিমেল্ প্রোজেকসন্ কৌবী। অসুম্ন অরাং অনেম্ নাইন ওবগেনাইজ তৌবব মবোল্ নাইব VP গি ইসত্রক্চব (layered structure) অদু (৪৪) দ পীবি

৪৪



(৪৪) গি ইসট্রকচর অসিদ ওপ্‌জেক্ NP *the book* অমসুং হেৎ ওইরিব ভাপ্ *consult* অনী অসিন পূল্‌লগ খাইদগি মখা থংব $\bar{V}$ অসি ওই। $\bar{V}$ অসিগ *in the library* হায়ব adjunct PP অসিগ পূল্‌লগ মথক্ থংব $\bar{V}$ অসি অমুক্ ওই। এৎজং হায়ব অসিদি হন্‌ন হন্‌ন য়াওব য়াব ওপ্‌সনেল্ ইলিমেন্‌সিংনি। মরম্ অসিন $\bar{V}$ হায়ব লেভেল্ অসি হন্‌ন হন্‌ন য়াওব য়াই। এৎজং লৈরিবমখে $\bar{V}$ মসীং হেন্‌গৎকনি। মসিবু $\bar{V}$ গি রিকরসিপ্ (recursive) ওইব মগুন্ হায়ন খঙ্‌নৈ। মীৎয়েং অসিদগি *this afternoon* হায়ব এৎজং NP অসিগ $\bar{V}$ অমগন পূল্‌লগ ওইরিব (৪৪) গি VP অসিসু অতোপ্‌প $\bar{V}$ অম ওইফম্ থোক্‌ই। অসুম্‌ন VP হাযব অসিসু খাইদগি মথক্ থংব $\bar{V}$ অম ওইন লৌব তারক্‌ই। অদুবু এৎজং পোজিসন্ হায়বসি ক্কান্‌তিফাইয়র পোজসিন্‌গ খেন্‌নৈ হায়ব ইসপোরতিচ (Sportiche, 1988a) গি মীৎয়েং অদুগি মতুংইন্‌ন VP বু খাইদগি মথক্ থংব $\bar{V}$ (topmost $\bar{V}$) অদুনি হাযব ব্বাফম্ অসি চুম্‌দে হায়ব তাক্‌ই। ইসপোরতিচকি মীৎয়েং অসি মখাগি হেক্‌মেন্ (Haegeman, 1994) গি খুদম্‌সিং অসিন সন্‌দোক্‌ন তাক্‌লি -

৪৫a All the detectives have all read the letters in th garden shed after lunch.

৪৫b All the detectives have read the letters in th garden shed after lunch.

৪৫c They have ?


৪৫d *They have all ?

৪৫e The policeman have all *done so* too.

(৪৫a) দ যাওরিব ক্কান্‌তিফাইয়ব *all* হাযবসি (৪৫b) দ য়াওবিব অসিগুম্‌ন সপ্‌জেক্ NP *th detectives* হায়বসিগ মরী লৈনৈ। (৪৫c) অসিন VP অপূম্‌ব অসি লৌথোক্‌খিব যাবগি খুদম্‌নি। মসিবু VP গি ইলিপ্‌সিস নত্রগা দিলিসন্ (ellipsis or deletion) হায়ব মগুন্ অম ওইন লৌনৈ। মতাং অসিদ মবু ওইরিবদি VP মাঙ্‌খিব মতম্‌দ ক্কান্‌তিফাইয়র *all* অসি য়াওখিব অসিনি। *all* অসি লৈহৌব য়াদে হায়বসি (৪৫d) গি অনগ্রামাতিকেল্ ওইব মওং (pattern) অসিন তাক্‌ই। মরম্ অসিদগি ক্কান্‌তিফাইয়র *all* অসি VP গি সবুক্ অমনি হায়ন লৌব্বী। (৪৫e)


গি খুদম্ অসিন *do so* ন মহূৎ সিন্‌ব য়ারিব *all* য়াওদব সন্নুক্ ***read the letters in the garden this afternoon*** অসি $\bar{V}$ অমনি হায়ব খঙ্‌হল্লী। মসিন *all* হায়বসি $\bar{V}$ দগি তোঙান্‌ব ইলিমেন্ অমনি হায়বসু তাক্ই। ভাপ্‌কি মতুংদ লাক্‌প মতম্ নত্রগ মফম্ তাক্‌প এৎজংসিংগসু মাগ মান্‌নদে। এৎজংসিংদি রিকরসিপ্ (recursive) ওই অদুগ ক্কান্‌তিফাইয়রদি রিকরসিপ্ ওইব ইলিমেন্ নংতে। মরম্ অদুন এৎজং হায়বসিদি $\bar{V}$ অমগ পূল্‌লগ অতোপ্‌প $\bar{V}$ অম সেম্‌ননবনি অদুগ ক্কান্‌তিফাইয়র হায়ব অসিন খ্বাইদগি মথক্ থংব $\bar{V}$ অদুগ পূল্‌লগ মপূং ফাব VP অম সেম্‌ননবনি। অসিগুম্‌ব মান্‌নদব মীৎয়েং অসি য়েংঙগ ক্কান্‌তিফাইয়রগি মফম্ অসিবু ইসপিসিফাইয়র পোজিসন্ (specifier position) হায়ন মসক্ তাক্নৈ। VP অমন দোমিনেৎ তৌব ইসপিসিফাইয়র পোজিসন্ অদুবু [Spec, VP] হায়ন ইনৈ। VP অম হায়বসি [Spec, VP] গ খ্বাইদগি মথক্ থংব $\bar{V}$ অদুগন পূন্‌ব V অমগি মপূং ফারব অরোইব প্রোজেক্‌সন্ অদুনি হায়বসি (৪৬) কি খুদম্ অসিদ উৎলি -

৪৬




হৌজিক্ VP অমগি ফোরমেৎ অসি (৪৭) কি মওং অসিনি হায়ন লৌব য়ারে।

৪৭a




৪৭b




মথক্কি ফোরমেৎসিং অসিন খঙ্হল্লিবদি কম্প্লিমেন্ অমগ V গ পূল্লগ $\bar{V}$ অম সেম্মী। এৎজং অমগ $\bar{V}$ অমগ পূল্লগ মথক্ থংব $\bar{V}$ অম অমুক্ সেম্মী। এৎজং হায়বসিদি হন্ন হন্ন য়াওব য়াব মরম্ন V গি প্রোজেক্সন অমদ $\bar{V}$ অমদগি হেন্ন য়াওব য়াই। অদুগ ইসপিসিফায়ির হায়বসিন $\bar{V}$ অমগ পূল্লগ V গি মেক্সিসেল্ প্রোজেক্সন্ VP হায়বসি ওই। অয়াম্ব মতম্দ ইসপিসিফাইয়র, এৎজং অমসুং কম্প্লিমেন্সিং অসি VP অমদ য়াওগন্দে। অদুবু V, $\bar{V}$ অমসুং VP হায়ব লেবেল্সিং অসি VP অমগি ইসত্রক্চর ওইন পীনৈ। মখাগি খুদম্সিং অসিদ তোঙান্ তোঙান্ব মওংদ ইসপিসিফাইয়র, এৎজং অমসুং কম্প্লিমেন্সিং য়াওদব VP গি ইসত্রক্চরসিং পীরি।

৪৮a






৪৮b



৪৮c




৪৮d




মথক্ত পীবিব VP গি প্রোজেক্সন্ ইসকিমা (projection scheme) অসি মনিপুবিগুম্ব লোন্‌সিংগাদি চান্‌নদে। ইংলিসকুম্ব লোন্‌দদি ৱাহৈগি মথং মনাউ অসি SVO (= subject, verb, object) নি অদুগ মনিপুবিগুম্ব লোনদন SOV ওই। অসিগুম্ব SOV ওইব লোন্‌সিংদদি কম্প্লিমেন্ অমসুং এৎজংসিং

অসি ভাপ্‌কি ওইদ লৈ। ঐখোয়না ভাপ্‌কি প্রোজেক্সন্‌সিংগি ইউনিভরসেল্‌ ওইব ইর্সাকমা অম পীব তারবদি মথক্‌ত পীরিব ফোরমেৎ অসি (৪৯) দ পীরিব অসিগুম্ন সেম্‌দোক্‌প তাই।

৪৯a




৪৯b




(৪৯) দ পীরিব ফ্রেজ ইসত্রক্‌চরগি ফোরমেৎ অসিদ ভাপ্‌ অমসুং মাগি কম্‌প্লিমেন্‌নত্রগ এৎজংসিংগি মথং মনাউ অসি অপান্‌ননব মওং অমদ লৈতে। খুদম্‌ ওইন $\bar{V}$ ⟶ V ; XP হায়ব রিবাইৎ রুল্‌ অসিন $\bar{V}$ ⟶ V - XP নত্র গ $\bar{V}$ ⟶ XP - V বু খঙ্‌হল্লী। মবক্‌ত খললিব সেমিকোলোন্‌ অসিন কন্‌সতিতুয়েন্‌সিংগি লৈরিব মথং মনাউ অসি অবেপ্‌প নৎতে হায়ব তাক্‌ই। (৪৮a) দ VP ন দোমিনেৎ তৌবিব অহাঙ্‌ব মফম্‌ (ellipses) অসি ইর্সাপসিফাইয়রগি পোজিসন্‌নি। অদুগ $\bar{V}$ ন দোমিনেৎ তৌরিবসিং অসিন এৎজং নত্রগ কম্‌প্লিমেন্‌সিংগি পোজিসন্‌সিংনি। (৪৯b) দ *Spec* হায়বসিন *specifier* অদুগ XP হায়বসিন এৎজং নত্র গ কম্‌প্লিমেন্‌সিং খঙ্‌হল্লী। হৌজিক্‌ ফ্রেজ ইসত্রক্‌চর রুল্‌সিংন ব্রাহৈগি মথং মনাউ তাক্‌তব অসিন মী অমগি পূক্‌নীংদ লৈরিব ইউনিভসেল্‌ গ্রামাব (UG) হায়ব অসিদদি OV অমসুং VO গি মথং মনাউ অনীমক্‌ লৈ হায়ব খঙ্‌হল্লী। মসিবু ব্রাৎ-ওরদর পেরামিতর (word-order parameter) হায়ন খঙ্‌নৈ। লোন্‌ তম্‌মিব অঙাং অমন মাগি মরোল্‌গি চানব পেরামিতর অদু সীজিন্‌নদুন ব্রাহৈগি মথং মনাউ অদু লেপ্‌প ঙম্মী। মসিবু পেরামিতর সেৎতিং (setting of the parameter) তৌব হায়ন খঙ্‌নৈ। মতৌ অসুম্ন মনিপুরিগি অঙাং অমন VP গি পেরামিতর সেৎতিং লৌব মতম্‌দ OV

গি মথং মনাউ অসি ইন্‌খিগনি। মসিদগি মনিপুরি VP গী মসক্ অসি মখাগি অসুম্‌ন পীগনি -


৫০a




৫০b



৫০c




৫০d



৪.১১ নাউন্ ফ্রেজ

VP গি মতৌগুম্ন নাউন্ ফ্রেজ (NP) হায়ব অসিসু মরোল্ নাইব ইসত্রক্চর (hierarchical or layered structure) অম ওইন লৌগনি। মসিন খণ্ডহল্লিবদি NP গি ইসত্রক্চর অসিসু মাগি ইন্তরনেল্ ইসত্রক্চর কয়াগ লোয়নন মরোল্ নাইব মওংদ ওরগেনাইজ তৌদুন লৈ হায়ব অসিনি। (৫১) দ পীরিব NP গি ফ্লেৎ ইসত্রক্চর অসি করিগিদমক্ মরোল্ নাইব ইসত্রক্চর ওইন লৌগদৌরিবনো হায়বদু অমুক্ক য়েংসি -

৫১




(৫১) গি ইসত্রক্চর অসি (৫২) দ পীরিব মহূৎ সিন্দুন য়েংবগি চাংয়েং (substitution test) অসিগ চুংসিন্নব য়াদে।

৫২ The observation of the findings in the meeting threw more light than the one at the discussion session.


(৫২) গি ৱাহৈ়পরেং অসিদ য়াওরিব *one* হায়বসিন *observation of the findings* হায়ব সরুক্ অসি মহূৎ সিল্লি। মহূৎ সিন্ব য়ারিব সরুক্ অসি কন্সতিতুয়েন্ অমনি হায়ব হাইপোথেসিস অদুগি মতুং ইন্ন (৫১) গি NP অসিদ *observation of the findings* হায়ব সরুক্ অসি NP অসিগি মরক্কি কন্সতিতুয়েন্ অম ওইফম্ থোক্ই। মরক্কি কন্সতিতুয়েন্ অসি তোঙান্ব নোৎ (node) অমন দোমিনেৎ তৌদুনা উৎকে হায়রবদি (৫১) গি ফ্লেৎ ইসত্রক্চর অসি (৫৩) গি মরোল্ নাইব ইসত্রক্চর (layered structure) অসি ওইন সেম্দোক্প তাই -

৫৩




(৫৩) গি ইসত্রক্চর অসিদ N গি ইন্তরমেদিয়েৎ প্রোজেক্সন্সিং লৈব উরে। PP কম্প্লিমেন্ - *of the findings* অসিগ N গ পূল্লগ $\bar{N}$ হায়ব অহান্ব প্রোজেক্সন্ অসি ওই। $\bar{N}$ অসিগ PP এৎজং - *in the meeting* হায়ব অসিগ পূল্লগ অনীসুব প্রোজেক্সন্ ওইরিব $\bar{N}$ অসি ওই। Spec পোজিসন্দ লৈরিব দিতরমিনর - *the* অসিগ মতোন্ থংব $\bar{N}$ অসিগ পূল্লগ NP হায়ব N গি মেক্সিমেল্ প্রোজেক্সন্ অসি ওই। VP গি মতৌগুম্ন NP সিংদসু ইসপিসিফাইয়র, কম্প্লিমেন্ অমসুং এৎজংসিং অসি য়াওদব য়াই। অদুবু মাগি ইসত্রক্চর পীরক্প মতম্দ পোজেক্সন্গি থাক্ অহুম্ অসিদি সুনব (৫৪) গি অসুম্ন পীনৈ -

৫৪a




৫৪ b



NP গি এৎজং অসি রিলেতিপ্ ক্লোজনসু ওই হায়বদু (৫৪c) দ পীরি -

৫৪c



মথক্ত পীরিব ইংলিসকি NP সিংগি ইসত্রক্চর অসিন অতোপ্প SOV লোন্সিংদ লৈরিব মথং মনাউগি মান্নদব (ordering variation) সিং অসি উৎপ য়াদে। খুদম্ ওইন ইংলিস লোন্দ হেৎ (head) ন মাগি কম্প্লিমেন্ অমসুং এৎজং অদুগি মাঙ্দ লৈব অদু মনিপুরি লোন্দদি হেৎন তুংদ লৈগল্লি। অদুগ জপান্নিজদসু রিলেতিপ্ ক্লোজ অমসুং দিমোন্সত্রেতিপ্ প্রনাউন্সিং অসিন হেৎকি মাঙ্দ লৈ (see Kuno, 1973 : 234-35) । (৫০) দ মনিপুরি অমসুং জপানিজগি রিলেতিপ্ ক্লোজন হেৎকি মাঙ্দ লৈবগি মওংসিং অদু পীরি -

৫৫a

NP

$\bar{N}$

$\bar{N}$

Relative Clause N

watakusi ga kaita hon

I wrote book



' a book [that I wrote]'

৫৫b

NP

$\bar{N}$

$\bar{N}$

Relative Clause N

ঐন ইব লাইরিক্

' a book [that I wrote]'

মথক্কি ইংলিস, জপানিজ অমসুং মনিপুরিগি NP গি ইসত্রক্চরসিং অসিদগি পন্ব য়াবদি NP গি ফ্রেজ ইসত্রক্চর ইসকিমা অম পীব মতম্দ ব্রাহৈগি মথং মনাউদ লৈরিব খেন্নবসিং য়াওহন্ব য়ারবদি মদুন ইউনিভরসেল্ ওইব ফ্রেজ ইসত্রক্চর ইসকিমা অম ওইগনি হায়ব অসিনি। অপান্নব লোন্ অমগি ফ্রেজ ইসত্রক্চর রুল্ অদুন মখোয়গি কন্সিতিতুয়েন্সিংগি মথং মনাউ অদু লেপ্কনি। (৫৬) ত NP গি ইউনিভরসেল্ ওইব ফ্রেজ ইসত্রক্চর রুল্ অদু পীরি -

৫৬ NP ⟶ Spec ; $\bar{N}$


$\bar{N}$ ⟶ N ; XP

$\bar{N}$ ⟶ N ; XP

৪.১২ এৎজেক্তিপ্ ফ্রেজ

এৎজেক্তিপ্ ফ্রেজ হায়ব অসিসু VP অমসুং NP গি ইসত্রুক্চরেল্ সিমিত্রি (sturctural symmetry) অদু লৈব ফ্রেজ অমনি। মসিন খঙ্হল্লিবদি এৎজেক্তিপ্ ফ্রেজ অমগি হেৎ অসি A (jective) নি ; মসিন কম্প্লিমেন্ অমগ লোয়নন $\bar{A}$ দ এক্সপান্ তৌরী অমদি $\bar{A}$ অদুন ইসপিরিফাইয়রগ পূল্লগ AP হায়ব মেক্সিমেল্ প্রোজেক্সন্ অসি ওই হায়ব অসিনি। $\bar{A}$ অসি এৎজং রুল্ ওইব মবম্‌ন রিকরসিপ্ ওইবগি মগুন্সু লৈ। অসিগুম্ব AP গী মরোল্ নাইব ইসত্রুক্চব অসি (৫৭) ত পীরি -

৫৭




(৫৭) কি খুদম্ অসিদ *anxious of Diana* হায়ব সরুক্ অসি $\bar{A}$ হায়ব মরক্কি কন্সতিতুয়েন্ অম ওইন উৎলি। মসিবু AP মনুংগি সিন্তেক্তিক্ ইউনিৎ অমনি হায়ব অসি (৫৮) গি কোওরদিনেসন্ অসিন খঙ্হল্লি -

৫৮ I am $[$rather anxious of Diana and fond of her$]_{VP}$

(৫৮) গি খুদম্ অসিদ *fond of her* হায়ব সিকেন্স অসি *anxious of Diana* হায়ব সরুক্ অসিগ কোওরদিনেৎ তৌরি। কোওরদিনেসন্‌ন খঙ্হল্লিবদি

কন্‌সতিতুয়েন্ হায়বসিং অসি মান্‌ন মান্‌নব য়েংদুন কোএরদিনেৎ তৌব য়াই অমদি নন্-কন্‌সতিতুয়েন্ সিক্কেন্‌সসিংদি কোওরদিনেৎ তৌব য়াদে হায়ব অসিনি। (৫৮) গি কোওরদিনেসন্ ফেক্ (coordination fact) অসিন *anxious of Diana* হায়বসি কন্‌সতিতুয়েন্ সিক্কেন্‌স অমনি হায়ব খঙ্‌হল্লী। মসিন (৫৭) কি ইসত্রক্‌চরদ $\bar{A}$ হায়ব মরক্‌কি কন্‌সতিতুয়েন্ অম ওইন লৈরি। অসিগুম্ব $\bar{A}$ অসি এৎজং অমগ লোয়নন অতোপ্‌প $\bar{A}$ অমদ এক্‌সপান্ তৌব য়াই হায়বদু (৫৯) গি খুদম্‌দ পীরি -


৫৯ 

(৫৯) কি খুদম্‌দ এৎজেক্‌তিপ্‌কি কম্‌প্লিমেন্ অমসুং এৎজংসিং অসি য়াগ যেৎত লৈ। অদুবু অতোপ্‌প লোন্‌সিংদ খুদম্ ওইন জরমন্‌গুম্বদদি কম্‌প্লিমেন্ অমসুং এৎজংসিংন এজেক্‌তিপ্‌কি ওইদ লৈ। মবম্ অদুন VP অমসুং NP গি ইসত্রক্‌চবেল্ ইসকিমাদ কন্‌যসতিতুযেন্‌সিংগি মথং মনাউগি ওপসন্ পীবগি মওং অদু চপ্ মান্‌নন এৎজেক্‌তিপ্ ফ্রেজগি ইসকিমাদসু অদুমক্ লৈ হায়ন লৌগনি। অসিগুম্ব এৎজেক্‌তিপ্ ফ্রেজগি মওং অসি মনিপুবিগুম্ব এৎজেক্‌তিপ্‌কি মহুৎত ইসতেতিপ্ ভাপ্ সীজিন্‌নব লোন্‌সিংদদি ভাপ্ ফ্রেজ ওইন লৈখিগনি। মবম্ অসিদগি মনিপুবিদদি এৎজেক্‌তিপ্ ফ্রেজগি তোঙান্‌ব ফ্রেজ ইসত্রক্‌চর-ইসকিমা অম লৈতে হায়ন লৌগনি।

৪.১৩ প্রিপোজিসনেল্ ফ্রেজ

প্রিপোজিসনেল্ ফ্রেজ হায়ব অসিসু মরোল্ নাইব ফ্রেজ ইসত্রক্‌চবদ ফোংদোক্‌প য়াই হায়বসি (৬০) দ উৎলি -

৬০




(৬০) গি খুদম্ অসিদসু *over the bridge* হায়ব সিক্বেন্স অসি কন্সতিতুয়েন্ অমনি হায়বসি (৬১) গি কোওরদিনেসন্ ফেক্ অসিন অদুমক্ খঙ্হল্লী।

৬১ He was [right [over the bridge] and [near the station]]
VP

(৬১) গি খুদম্ অসিদ *over the bridge* হায়বসি কন্সতিতুয়েন্ সিক্বেন্স অমনি হাযবসি মসিন *near the station* হাযব সিক্বেন্স অমগ কোওরদিনেৎ তৌব য়াবিব অসিন খঙ্হল্লী। মবম্ অসিদগি *over the bridge* হাযব সবুক্সি (৬০) গি ইসত্রুক্চবদ P̄ ইসতেতসত লৈব P গি অহান্‌ব প্রোজেক্সন্ ওইন উৎলী। কবিগুম্ব এৎজং কন্সতিতুযেন্ অম লৈরবদি P অসিগি অতোপ্‌প P প্রোজেক্সন্ অমসু হেন্‌গৎর্কনি। (৬২) দ P̄ গি অতোপ্‌প P̄ প্রোজেক্সন্ অম লৈবগি ইসত্রুক্চব অদু উৎলি -

৬২




(৬২) গি ইসত্রক্চর অসিদ হেৎন মাগি কম্প্লিমেন্ অমসুং এৎজংগি মমাঙ্দ লৈ। অদুবু জপানিজগুম্ব লোন্দদি হেৎন মাগি কম্প্লিমেন্ অমসুং এৎজংগি মতুংদ লৈ। অসিগুম্ব মতাংদদি হেৎ অদু প্রিপোজিসন্ কৌবগি মহুৎত পোসপোজিসন্ কৌরী। মনিপুরগিুম্ব লোন্দ পোসপোজিসন্ হায়বসি লৈবর হায়বগি মতাংদ মোরফোলোজিগি মতাংদ সপ্সেক্সন্ (৩.৭) ত *ক্লিটিক্* হায়ব বাউন্ বুৎ মখল্ অম নৈনখিব অদু নীংসিংব চুম্মী। মসিদগি ঐখোয়ন মনিপুরিদ তসেংব পোসপোজিসন্ হায়ব অম লৈতে হায়ন লৌগনি। মদুগি মহুৎত মনিপুরিদ ফ্লেক্সিবল্ ওইব বাউন্ বুৎ মখল্ অম লৈ হায়ন লৌগনি। অসিগুম্ব বাউন্ বুৎসিং অসিবু ঐখোয়ন *ক্লিটিক্* হায়ন কৌদুন নৈনখ্রে।

৪.১৪ এক্স-বার থিওরি ($\bar{X}$-theory)

মথক্ত নৈনখিব ফ্রেজ ইসত্রক্চরগি মরোল্ মবোল্ নাইব মসকসিং অসি মখাগি ইসকিমা অসুম্ন ইথোক্প য়াই -

৬৩



(৬৩) গি ফ্রেজ ইসত্রক্চর ইসকিমা অসিদ X হায়বসিন N, V, A নত্রগ P গি মহূৎ সিল্লী। মরম্ অদুন NP, VP, AP অমসুং PP গি তোঙান্ তোঙান্ব ইসকিমাসিং অদুন পূর্ন্সিল্লব সক্তি লৈব ইসকিমা অম ওইব ঙম্মী। ইসকিমা অসিগি মতুং ইন্ন ফ্রেজ ইসত্রক্চরগি জেনেরেল্ ফোরমেৎ অসি (৬৪) দ পীরিব অসি ওইরগনি -

৬৪a XP ⟶ Spec ; $\bar{X}$

৬৪b $\bar{X}$ ⟶ $\bar{X}$; XP

৬৪c $\bar{X}$ ⟶ X ; XP

(৬৪) দ পীরিব এক্স-বার ফোরমেৎ অসিন ফ্রেজ ইসত্রক্চরগি ইউনিভরসেল্ ওইব মসক্ অম পীরি। অসিগুম্ব তোঙান্ তোঙান্ব ফ্রেজসিংগি ইসত্রক্চরবু সুপ্চিল্লব কাঙ্লোন্ ওইন পীদুন তাক্লিব গ্রামারগি মোদুল্ (module) অদুবু এক্স-বার থিওরি ($\bar{X}$-theory or X-bar theory) কৌব্রী। এক্স-বার থিওরিন পীরিবসি ফ্রেজসিংগি মরক্ত লৈরিব মান্নব অদুনি। মসিন তোঙান্ তোঙান্ব ফ্রেজসিংগি মসা মসাগি ওইব ইসত্রক্চরসিং অসি থুগাইদুন জেনেরেল্ ওইব রুল্ অমসুং প্রিন্সিপল্সিং অদু য়েংঙগ এক্স-বার ফোরমেৎ অসি সাগৎপনি। খুদম্ ওইন ইংলিসকি NP অম হায়বসি মখাগি মওংসিং অসি ওইব য়াই -

৬৫a NP ⟶ N (cars, John, we, Imphal)

৬৫b NP ⟶ Det - N (the analysis)

৬৫c NP ⟶ Det - AP - N (the ripe fruit)

৬৫d NP ⟶ Det - N - PP (the foreigners with the funny accent)

(৬৫) গি খুদম্সিং অসিদ NP অমদ নাউন্ (N) হায়বসিদি য়াওদব য়াদে অদুগ অতৈ ইলিমেন্সিং অসিদি য়াওদবসু য়াই হাযব উৎলি। অদুগিসু মথক্ত AP অমসুং PP অসিদি অমদগি হেন্ন য়াওবসু য়াই। খুদম্ ওইন (৬৫c অমসুং d) গি খুদম্সিং অসি মথংসিৎন *the fresh, ripe fruit* অমসুং *the foreigners from African countries with the funny accent* হায়ন AP অমসুং PP গি মসিং হেন্ন হায়ব য়াই। অসিগুম্ব অমদগি হেন্ব য়াব ইলিমেন্সিং অসি থব্বান্মিচাক্কি খুদম্ (asterisk) অম য়েৎলোম্দ থম্দুন, য়াওদব য়াবসিং অদুন পেরেন্থেসাইজ তৌদুন (৬৫) গি NP গি মওংসিং অসি (৬৬a) গি অসুম্ন

ইথোক্প য়াই -

৬৬a NP ⟶ (Det) - (AP*) - N - (PP*)

মতৌ অসুম্ন VP, AP অমসুং PP গি রিরাইৎ রুল্‌সিং অদুসু মখাদ ইথোক্তুন পীরি -

৬৬b VP ⟶ V (NP) - (PP*)

৬৬c AP ⟶ (Adv) - A - (PP*)

৬৬d PP ⟶ (Adv) - P - (PP*)


(৬৬) কি তোঙান্ তোঙান্‌ব ফ্রেজ ইসত্রক্চরসিং অসিদগি মান্‌নবসিং অদু এক্স-বার থিওরিন অমুক্ পী। মসিগি মতুং ইন্‌ন ফ্রেজ পূম্‌নমক্ অসি হেৎ অমন লুচিংঙী। লুচিংঙিব হেৎ অসিবু জিরো প্রোজেক্সন্ (zero projection - x^0) কৌব্রী। প্রোজেক্সন্ ইসকিমাদ হেৎসিং অসিন মখা থংব অরোইব মতাং (terminal node) সিং অদু ওই। এক্স-বার থিওরিন মাগি প্রোজেক্সন্‌গি লেভেল্ অনী অমগ পী। X-ন কম্প্লিমেন্ অদুগ পূল্‌লগ $\bar{X}$-প্রোজেক্সন্ ওই ; $\bar{X}$ অমগ এৎজং অমগ পূল্‌লগ $\bar{X}$ অম অমুক্ ওই। অদুগ ইসপিসিফাইয়রন খ্বাইদগি মথক্ থংব $\bar{X}$ অদুগ পূল্‌লগ মেক্সিমেল্ প্রোজেক্সন্ XP নত্রগ এক্স-দবল্ বার ($\bar{\bar{X}}$) অসি ওই। মরোল্ মরোল্ নাইব এক্স-বার থিওরিগি প্রোজেক্সন্ ইসকিমা অসিদ লৈগদব কন্‌সিতিতুয়েন্‌সিংগি মথং মনাউ অদুদি ইউনিভরসেল্ ওইব মওংদ অরেপ্‌প অম ওইন পীদে। অসুম্ন ফ্রেজ ইসত্রক্চরসিংগি জেনেরেল্ ইসকিমা অম পীব অসিন গ্রামার হায়ব অসি ওপ্‌জারভেসনেল্ এদিক্কেসি (observational adequacy) হায়ব লিংগুইসতিক্ দাতা খরগি দেসক্রিপ্‌সন্ নত্রগ একাউন্ পীব অদুগ লোয়নন দেসক্রিপ্‌তিপ্ এদিক্কেসি (description adequacy) হায়ব নেতিপ্ ইসপিকরসিংগি ইন্‌তরনেল্ গ্রামার নত্রগ তেসিৎ লিংগুইসতিক্ নোলেজ (internal grammar or tacit linguistic knowledge) অদুগি এক্সপ্লিসিৎ ফোরমুলেসন্ (explicit formulation) অম পীব অদুনি হায়ব তাক্নই। গ্রামার হায়ব অসিদ মসীং থীঙমদ্রব ব্রাহৈপরেংসিং ঙাঙ্‌ব, খঙ্‌ব অমদি অচুম্-

অরান্গি মসক্ খঙ্ব ঙম্হল্লিব জেনেরেল প্রিন্সিপল্ অমসুং প্রোসেসসিং অদুসু য়াওরি। এক্স-বার থিওরিগি জেনেরেল্ প্রোজেক্সন্ ইসকিমা অসি ইউনিভরসেল্ ওই হায়ন লৌরবদি লোন্ তম্মিব অঙাং অমন অসিগুম্ব ইসকিমা অম অমুক্ মাগি গ্রামারগি সরুক্ অম ওইন সেম্গৎলরোই। এক্স- বার থিওরিগি প্রিন্সিপল্সিং অসি পোক্পদগি লোয়নরক্অবনি। অদুন UG (universal grammar-the predetermined linguistic competence of the human mind) গি সরুক্ অম ওইরগনি। লোন্ তম্মিব অঙাং অমন অঙক্প ফংন তেল্লব মতম্গি মনুংদ চাউরাক্ন চহী ৬ ফাওবগি মনুংদ প্রিথিবীগি লোন্সিংগি মরক্ত খেন্নব লৈতব মওংদ মাদরিস (motherese) কুম্ব রুদিমেন্তরি দাতা (rudimentary data) খবদ এক্সপোজ তৌরগ, ফেল্ ওইব হায়ব লৈতন ইরায় লায়ন লোন্ অমগি মপূং ওইব সক্তম্ খঙ্ব ঙম্মিব অসিন এক্স বার ফোরমেৎকুম্ব জেনেবেল্ প্রিন্সিপল্ কয়া UG দ য়াওবি হাযব ব্রাফম্ অসি অমুক্ক খঙহল্লী।

৪.১৫ ব্রাহৈপরেংগি ইসত্রক্চর

বাহৈপরেংগি ইসত্রক্চব অসিসু এক্স-বাব থিওরিদ নৈনব যাবগি ওইথোক্প লৈববদি NP, VP নচিংব ফ্রেজসিং অমসুং ক্লোজসিংগি তোঙান্ তোঙান্ব প্রোজিক্সন্ ইসকিমাসিং লৈববোই। ব্রাহৈ অমরোম্দ হাযরগা এক্স বার থিওর্বিগি ব্রাফম্ অসি ব্রাহৈপবেংদ পুসিল্লক্প তারবদি ফ্রেজ অমসুং ক্লোজসিংগি প্রোজেক্সন্ ইসকিমা অমতম্ক লৈবগনি। মীৎয়েং অসিগি মতুং ইন্ন ব্রাহৈপবেং অম হাযব অসিসু হেৎ অমগি মেক্সিমেল্ প্রোজেক্সন্ ওইন লৌরগনি। খুদম্ ওইন (৬৭) কি ব্রাহৈপবেং অসি হেৎ অমগি মেক্সিমেল্ প্রোজেক্সন্ ওইগনি।

৬৭



(৬৭) কি ৱাহৈপরেংসিং অসিদ S কি হেক্ মখাদা NP, VP হায়ব ফ্রেজেল্ কেতেগোরি অনী অমগ ঔজিলিয়ারি (auxiliary) হায়ব লেক্সিকেল্ কেতেগোরি অমগ পূন্‌ন কন্‌সতিতুয়েন্ অহুম্ লৈরি। মখোয়গি মরক্ত মৱু ওইন খেন্‌নব অমদি ফ্রেজেল্ কেতেগোরিসিং অসি অরোয়ব নোৎ (terminal node) সিং নৎতে অদুগ AUX অসিদি ৱাহৈ অম দোমিনেৎ তৌরিব তরমিনেল্ নোৎনি। এক্স-বার থিওরিদ হেৎ হায়রগ তরমিনেল্ নোৎসিংবু খঙনৈ। মরম্ অসিন তরমিনেল্ নোৎ ওইরিব AUX অসিন (৬৭) কি ৱাহৈপরেং অসিগি হেৎ ওইন লৌবগি ওইথোক্‌প লৈ। হৌজিক্ (৬৭) কি AUX অসিন হেৎনি হায়ন লৌরসি। অদু ওইরবদি তোঙান্ তোঙান্‌ব ঔজিলিয়ারিসিং য়াওব ৱাহৈপরেং খুদিংমক্ AUX অদুন মখোয়গি হেৎনি হায়ন তাক্‌প য়ারে। অদুবু ঔজিলিয়ারি য়াওদব ৱাহৈপরেংসিংদদি ৱাফম্ অসি অচুম্‌বনি হায়ব য়াদ্রি। করিন ৱাহৈপরেং অমগি হেৎ ওইগনি হায়ব ৱাহং অদু মতাং অসি অদুম্মক্ লৈরি। ৱাহৈপরেং অম হায়ব অসি AUX য়াওদব মফম্‌দদি হেৎ য়াওদব কন্‌সত্ৰক্সন্ (headless construction) অম অদুম্মক্ ওইরি। অসুম্‌ন AUX নৎতব হেৎ অম পীবগি ওইথোক্‌প য়াদব মতৌ অসিন থিওরিগি অরোইব ৱাফম্ (theoretical culdesac) অমগুম্ উরক্ই। অদুবু ঐখোয়ন মখা তান য়েংবদ (৬৮) গি সিন্‌তেক্‌তিক্ প্রোসেসসিং অসিদ AUX নৎতব তরমিনেল্ নোৎ অমন ৱাহৈপরেংগি হেৎ ওইন লৌব য়াবগি ওইথোক্‌প অদু উব ফঙ্‌ঙি -

৬৮a John investigated the crime.

৬৮b Investigate the crime, John did (indeed).

৬৮c What John did was investigate the crime.

(৬৮b অমসুং c) গি ৱাহৈপরেংসিং অসি (৬৮a) গি পেরাফ্রেজ ঙাক্‌তনি। (৬৮b) গি অসিন VP ন মাঙ্‌লোম্‌দ লেঙ্‌ব (preposing) গি খুদম্‌নি। অসুম্‌ন *লেঙ্‌ব* হায়ব অসিদসু কন্‌সতিতুয়েন্ নৎত্র বদি অতৈ নন্-কন্‌সতিতুয়েন্

সিক্কেন্সিংন লেঙ্বব য়াদে হায়ব হাইপোথেসিস অদুগি মতুং ইন্ন (৬৮b) দ *investigate the crime* হায়ব সিক্কেন্স অসি কন্সতিতুয়েন্ অম ওইগনি। মতাং অসিদ য়াম্ন মবু ওইরিবদি কন্সতিতুয়েন্ অসিন লেঙ্বব মতম্দ পাস তেন্স মোরফিম্ অদু লৈহৌরিব অসিনি। হায়রিবসি (৬৮c) গি সেদো-ক্লেপ্তিং (pseudo-clefting)[১] গি প্রোসেস অসিদসু উব ফংঙী। মসিদসু *investigae the crime* হায়ব কন্সতিতুয়েন্ অসি পাস তেন্স মোরফিম্গ তোঙান্ন খাইদোক্তুন লৈ। (৬৮b অমসুং c) গি খুদম্সিং অসিন উৎলিবদি (৬৮a) গি খুদম্দ তেন্স

---

১. *সেদো-ক্লেপ্তিং* হায়ব অসিসু ক্লেপ্তিং (clefting) গি অনীসুব মখল অমনি। (৩৬d) দ ক্লেপ্তিংগি খুদম্ পীখ্রে। মসিদ এক্সপ্লিতিপ্ (expletive) it হায়ব অসি ৱাহৈপরেংগি অহৌব (sentence introducer) ওইন সীজিন্নদুন ৱাহৈপরেংগি সরুক্ অমবু ফোকস পীব য়াহল্লী। সেদো-ক্লেপ্তিংদসু ৱাহৈপরেংগি সরুক্ অম ফোকস পী। মসিদদি Wh-word অমন হৌব ইম্বেদেৎ কম্প্লিমেন্ ক্লোজ (embedded complement clause) অমগি মতুংদ ফোকস পীগদব কন্সতিতুয়েন্ অদু *be verb* অমগ লোয়নন থম্মী। Verb Phrase অমদ ফোকস পীগে হায়ববদি কম্প্লিমেন্ ক্লোজগি ভাপ্ অদু *do* গি মওং অমন ওই। John investigated the crime last night in the office হায়ব ৱাহৈপরেং অসিগি তোঙান্ তোঙানব সরুক্ত ফোকস পীবগি মওংসিং অদু মখাগি সেদো-ক্লেপ্ সেন্ তেন্সিংদ পীরি

(i) What John investigated last night in the office was *the crime* (object NP)


(ii) What John did last night in the office was *investigate the crime* (VP)

(iii) When John investigated the crime in the office *was last night* (time adjunct)


(iv) Where John investigated the crime last night was in the office (place adjunct)

মোবফিম্ অসি VP গি সরুক্ অম ওইন উবিব অসি খর হেন্‌ন লুথব লেভেল্ অমদ VP গি সবুক্ অম ওইন লৈব ঙম্‌দে হায়ব অসিনি। তেন্‌স মোরফিম্‌গ VP গ খাইদোক্‌নবগি প্রোসেসসিং অসিন তেন্‌স হায়ব অসি VP দগি হৌবক্‌ফম্ খেন্‌নব কেতেগোবি অম ওইন লৌব য়াহল্‌লী। মীৎয়েং অসিগি মতুং ইন্‌ন (৬৭) কি ব্রাহৈপবেংদ তেন্‌সন AUX গি নোংত বিএলাইজ তৌবিব মফম্ অসিদ তেনসকি হৌবক্‌ফম্ ওইন লৌব য়াগনি। অদু ওইববদি ঔজিলিযাবি য়াওব যাওদব থিদন ব্রাহৈপবেং পূম্‌নমক্‌ত তেন্‌স মোবফিম্ অসি তোঙানব নোং অমগি মখাদা লৈ হাযন লৌবগনি। অসিগুম্ব AUX গি মফম্ ওইবিব তবমিনেল্ নোং অসিবু INFL (=inflection) হাযব কেতেগোবি লেভেল্ অসিন মহুৎ সিন্দুন ইথোক্‌নৈ। AUX গি মফম্ অসি হৌজিক্‌তি INFL গি মফম্ ওইন লৌদুন AUX বু INFL ন মহুৎ সিন্দুন ইবগনি। ঔজিলিযাবি যাওব ব্রাহৈপবেং ওইববদি তেন্‌স যাওবব ঔজিলিযাবি (tensed auxiliary) অসি (৬৯a) গ অসিগুম্‌ন INFL ন দোমিনেৎ তৌদুন লৈগনি অদুগ ঔজিলিযাব যাওদব ওইববদি (৬৯b) গি অসিগুম্‌ন INFL ন তেন্‌স মোবফিম্ অদুতং দোমিনেৎ তৌদুন লৈগনি

৬৯a




৬৯b



(৬৯b) দ পাস তেন্‌স মোরফিম্‌ -ed অসি INFL ন দোমিনেৎ তৌদুন VP দগি তোঙান্‌ব মফম্‌ অমদ লৈ হায়ব খঙ্‌হল্লী। অসুম্‌ন তেন্‌সকি হৌরক্‌ফম্‌ অসি VP দগি তোঙান্‌ব অসিদগি VP ন তেন্‌স মোরফিম্‌গ খাইদোক্‌নব য়ারিবনি হায়ন লৌব য়াই। (৬৯b) দা ঔজিলিয়ারি য়াওদব অসিন পাস তেন্‌স মোরফোলোজি অাস ভাপ্‌ত পুথখিগনি অর্মদি ভারবেল্‌ এন্‌দিং ওইন রিএলাইজ তৌখিগনি। মনিপুরিগুম্‌ব মোদেল্‌ অর্মদি এসপেক্‌চুয়েল্‌ ঔজিলিয়ারিসিং সীজিন্‌নদব লোন্‌দদি (৬৯a অমসুং b) গি ইসত্রক্‌চরসিং অসি তোঙান্‌ তোঙান্‌ন লৈরোই। মনিপুরি লোন্‌দ সৈগদব ইসত্রক্‌চর অদু (৬৯c) দ পীরি -

৬৯c



(৬৯c) দ তেন্‌স মোরফিম্‌ অসি ভাপ্‌তগি তোঙান্‌ লৈ। মসিন তেন্‌স য়াওদব ক্লোজ (tenseless clause) গি মতাংদসু [± tense] হায়ব ফিচরসিং সীজিন্‌নদুন অনীগি খেন্‌নব অদু তাক্‌প য়াহল্লী। অসুম্‌ন তেন্‌সন ভাপ্‌তগি তোঙান্‌ন খাইদোক্‌তুন INFL গি পোৎসক্‌ (content) অম ওইন নৈনরক্‌প অসি পারসন্‌ অমসুং নম্বর খঙ্‌হন্‌ব ভারবেল্‌ মোরফোলোজিগি ব্রাফম্‌ অসিগসু মরী লৈনৈ। পারসন্‌, নম্বর খঙ্‌হন্‌ব ভারবেল্‌ ইলিমেন্‌সিং অসিবু এগ্রিমেন্‌ (agreement) কৌরী। এগ্রিমেন্‌ হায়ব অসিসু INFL দ য়াওব পোসক্‌ (content) অম ওইন

১. (৬৯c) গি মনিপুবিগি খুদম্‌ অসি ফিউচর মোরফিম্‌ অমন ফিউচর তেন্‌স তাক্‌পগি মওংনি। (৬৯a) দদি মোদেল্‌ ঔজিলিয়ারি (modal auxiliary) অমন প্রজেন্‌ তেন্‌স খঙ্‌হল্লী। মসিদদি প্রজেন্‌ তেন্‌সন ফিউচর তাইম্‌ (future time) তাক্‌পগি মওংনি।

মীওইবন ঙাঙ্নবিব লোন্ হায়ব অসিগি য়াম্ন মরু ওইব মওং অম ওইন লৌনৈ। ইতলিযান্ অমসুং ইসপেনিসকুম্ব প্রো-দ্রোপ্ তৌব লোন্সিং (pro-drop languages)[১] অসিদ এগ্রিমেন্ ফিচরসিং অসি যাম্ন মবাঙ্ কাযন সীজিন্নৈ। অসিগুম্ব নম্বব অমসুং পাবসন্ খঙ্হন্ব এগ্রিমেন্গি ইলিমেন্ মবাঙ্ কাযন লৈব অসি প্রো-দ্রোপ্ তৌব লোন্সিংগি থোইদোক্প মসক্ অমনি হাযন লৌনৈ। অদুবু ব্রাফম্ অসি মনিপুরি, চাইনিজ, জপানিজ, কোরিযান্গুম্ব লোন্সিংন অমুক্ চুমদে হাযব খঙ্হল্লী। অসিগুম্ব লোন্সিং অসিদি ঙাঙ্বদ যাওদব সপ্জেক্ প্রনাউন্ অদু খঙ্হন্ব ঙম্ব এগ্রিমেন্ ফিচব অমত সীজিন্নদন প্রো-দ্রোপ্ তৌব লোন্সিংনি। অমবোম্দ পাইতে, মিজো, তবাউ, আইমোল্নচিংব লোন্সিং অসিন ইসপেনিস অমসুং ইতলিযান্গুম্ন এগ্রিমেন্ তাক্প ভাববেল্ ইলিমেন্ মবাঙ্ কাযন সীজিন্নব লোন্সিংনি। খুদম্ ওইন প্রিফিক্স অমসুং পাবতিকল্সিংন নমবব অমসুং পাবসন্গি এগ্রিমেন্ ফিচর্বসিং ও ন পাইতে লোন্দ মবাঙ কাযন সীজিন্নৈ। মখাদা প্রোনোমিনেল্, প্রিফিক্স অমসুং পার্টিকল্সিংগি তোঙান্ব ফোর্মসিংগি খুদম্সিং পীবি -

৭০ a key kəpay 'ঐ চৎলী'

৭০ b key pay ɪŋ

৭১ a nɔŋ nəpay 'নঙ্ চৎলী'

৭১ b nɔŋ pay teʔ

৭২ a ɔmaʔ ɔpay 'মা চৎলী'

৭২ b ɔmaʔ pay hɪ

---

১. Subject pronoun যাওদন ঙাঙ্ব যাব লোন্সিংবু pro-drop language হাযন খঙ্নৈ। মনিপুরি, পাইতে, মিজো, তবাউ, মবিংনচিংব অরাং নোংপোক্ ভাবত্ত ঙাঙ্নবিব লোন্সিং অসিসু pro-drop language ঙাক্তনি। মসিদ নৎতন চাইনিজ, জপানিজ অমসুং কোবিয়ান্ লোন্সিং অসিসু pro-drop language সিংগি মনুং চল্লী।

৭৩ a kəw kəpay u? 'ঐখোয় চৎলী'

৭৩ b kəw pay uŋ

৭৪ a ey ipay 'ঐখোয় (তারিবদু যাওদব) চৎলী'

৭৪ b ey pay həŋ

৭৫ a nəw nəpay u? 'নখোয় চৎলী'

৭৫ b nəw pay ute?

৭৬ a əmaw əpay u? 'মখোয় চৎলী'

৭৬ b əmaw pay u? hi


[Note (৭৩b) গি uŋ অসি u? + iŋ গি পূন্সিন্নব মসর্ক্নি]

মথর্ক্কি খুদম্সিংদ (a) অমসুং (b) হায়ন পীরিবসিং অসি ৱাহৈপবেং অর্মাগি তোঙান্ তোঙান্ব মওংগি ৱাঙাঙ্ (discourse style) সিংনি। (a) গি খুদম্সিং অসিন ফোবমেল্ ইসতাইল্ অদুগ (b) গি খুদম্সিং অসিন কেজুযেল্ ইসতাইল্গি মওংনি। (a) গি খুদম্সিংদ ভার্প্কি মমাংদ তোঙান্ তোঙান্ব প্রোনোমিনেল্ প্রিফিক্সসিং সীজিন্নৈ অদুগ (b) গি খুদম্সিংদ তোঙান্ তোঙান্ব প্রোনোমিনেল্ পার্তিকল্সিং ভার্প্কি মতুংদ সীজিন্নৈ। তোঙান্ তোঙান্ব পাবসর্নাগি প্লুবেল্ খঙ্নন্নবগিদমক্ ভার্প্কি মতুংদ নম্বব পার্তিক্ল অমসু (a) অমসুং (b) অনীমক্তা সীজিন্নৈ। হায়রিবর্সি (৭৪ a অমসুং b) গি তাবিবদু যাওদব ফাবস পাবসর্নাগি প্লুবেল্দদি সীজিন্নদে। পাইতে লোন্দ প্রোনোমিনেল্ সপ্জেক্সিং অসি যাওদন ভাঙ্ব মতমদ মখোযগি এগ্রিমেন্ ফিচবসিং অসিন ঙাঙ্বদ যাওদব সপ্জেক্সিং (null subjects) অদু খঙ্ব ঙম্হল্লী। ইংলিসকুম্ব লোন্দদি অসিগুমব এগ্রিমেন মাবকাবসিং অসি মবাঙ্ কায়ন সীজিন্নদে। লোন্ অসিদ প্রজেন্ তেন্সত পাবসন্ অমসুং নম্বব তাক্প ফোম্ অনী অদুগ পাস তেন্সত ফোম্ অমখক্ সীজিন্নৈ। (৭৭) ত মখোযগি খুদম্সিং পীবি -

৭৭	প্রজেন্ তেন্স	পাস তেন্স
	I go	I went
	You go	You went
	He goes	He went
	We go	We went
	You go	You went
	They go	They went

মথক্কি খুদম্সিং অসিদ এগ্রিমেন্গি মসক্ অসি মোবফোলোজিকেল্লি বিএলাইজ তৌব নত্ৰগ তৌদবসু যাবগি মওং অদু উবে। অদুবু মাগি মোবফোলোজিকেল্ বিএলাইজেসন্ অসি তৌববসু তৌদ্রবসু এগ্রিমেন্ হায়ব এপসত্ত্রেক ইলিমেন্ অম AGR হায়ন কৌদুন লোন্ খুদিংদ লৈ হায়ন লৌনবক্লি। অসিগুম্বন মীৎয়েং অসিদগি INFL গি কন্তেন্সিং অসি তেন্স অমসুং AGR ন ওইগনি হায়ব বাফম্ অসি লাক্ই। অদু ওইববদি তেন্স ইসপিসিফিকেসন্ তাক্প INFL গি নোং অদুন AGR বুসু দোমিনেং তৌদুন (৭৮) গি মওং অসিগুম্বন AGR অসি INFL গি কন্তেন্ ওইবগনি।

৭৮




(৭৮) গি খুদম্ অসিদ তেন্স ক্লোজ অম হায়ব অসি [+Tense] অমসুং [+AGR] যাওব INFL অদুন খঙ্হল্লী। অদুগ ইন্‌ফিনিতাইভেল্ ক্লোজসিং অসিদি তেন্স অমসুং এগ্রিমেন্ যাওদব ক্লোজসিংনি। মরম্ অদুন মখোয়গি তেন্স অমসুং এগ্রিমেন্ ফিচবসিং অসি নেগেতিপ্ ভেলু ওই। অসিগুম্বব এগ্রিমেন্ যাওদব তেন্সলেস ক্লোজসিং অসিদদি INFL গি কন্‌তেন্‌সিং অসি [Tense] অমসুং [–AGR] ওইগনি। অসিগুম্ব [–Tense] অমসুং [–AGR] ওইব ক্লোর্জসিং অসি মবূ ওইন (৭৯) দ পীবিব ইন্‌ফিনিতাইভেল্ ক্লোজগি মওং অসিন ওই।

৭৯ I want *John to leave the place*

তেন্স ক্লোজ অমদ ঔজিলিযাবি নত্রগ ভাপ্ ইন্‌ফ্লেক্সনন্ ওইবদু ইন্‌ফিনিতাইভেল নত্রগ তেন্সলেস ক্লোজ অমদ to হায়ব অসিন ওই। মবম্ অসিদগি (৭৯) দ যাওবিব [John to leave the place] হায়ব ইন্‌ফিনিতাইভেল্ ক্লোজ অসিগি ইসত্রক্‌চব অসি (৮০) দ পীবিব অসি ওইগনি -


৮০



(৭৮) অমসুং (৮০) গি খুদম্‌সিং অসিদ খেন্নবিব অসি [± Tense], [± AGR] হায়ব INFL গি কন্‌তেন্ ওইনিব ফিচবসিং অসিদনি। ফিচবসিং অসি পোজিতিপ্ ভেলু ওইবগন [+Tense], [+AGR] হায়দুন তেন্স ক্লোজসিংগি মসক খঙ্হল্লী। নেগেতিপ্ ভেলু ওইবগন [-Tense], [-AGR] হায়দুন ইন্‌ফিনিতাইভেল্ ক্লোজসিংগি মসক্ তাক্প ইলিমেন্ ওই। সম্ন হায়ববদ ক্লোজ অমগি মখল (type of the clause) অসি কবি ওইগদগে হায়ব অসি INFL গি মখল্ অদুন লেপ্পী।


মীৎয়েং অসিদগি INFL ন ব্রাহৈপরেং অমগি হেৎনি হায়ন লৌব য়াই। ব্রাহৈপবেং অমগি হেৎ লৈরবদি ব্রাহৈপবেং অম হায়ব অসিসু হেৎ অদুগি প্রোজেক্সন্ ওইগনি। ফ্রেজেল্ কেতেগোবিসিংদ N, V, P নচিংব হেৎসিংগি প্রোজেক্সন্ অসি NP, VP, PP হাযবসিং অসিান। অসিগুম্ব মওং শগি ইল্লবদি ইন্ফ্লেক্সন্ন ব্রাহৈপবেং অমগি হেৎ ওইব হায়বসিদ হেৎ অসিগি প্রোজেক্সন্ অসি ইন্ফ্লেক্সন্নেল্ ফ্রেজ (=IP) হাযব অসি ওইগনি। মীৎযেং অসিদ ব্রাহেপবেং অম হাযব অসিসু মাগি ইন্তবনেল্ ইসত্রক্চব লৈব মেক্সিমেল্ প্রোজেক্সন্ অম ওইন লৌগনি। এক্স-বাব থিওবিদ ফ্রেজ ইসত্রক্চবগি ইসকিমাদ হেৎ অদুগ মাগি কমপ্লিমেন্ অদুগ পূল্লগ এক্স-বাব ($\bar{X}$) প্রোজেক্সন্ ওই। IP অমদদি X^0 নত্রগ হেৎ অদুগি কম্প্লিমেন্ কবিন ওইগনি। IP অমদ ইন্ফ্লেক্সন্ন দোমিনেৎ তৌব ইলিমেন্সিং অসি ঔর্জিলিযাবি, তেন্স এন্দিং, এগ্রেমেন্ অমদি ইন্ফিনিতাইভেল to অসিনি। মখোয লোইনমক্ অসিন ভাপ অম দিমান তৌবা। এগ্রেমেন্ অমসুং তেন্স এন্দিংন ভাপ্ অমগি ইন্ফ্লেক্সনেল মোবফোলোজি ওইন বিএলাইজেসন্ তৌব চঙ্ভী। মোদেল্ অমসুং এসপেক্চুযেল্ ঔজিলিযাবিসিং অমদি ইন্ফিনিতাইভেল্ to গি মতুংদসু ভাপ্ অম লাকই। অদুগ ভাপ হাযব অসিদি VP অমগি হেৎনি। VP ন মাগি মেক্সিমেল্ প্রোজেকসন্নি। মবম কযা অসিদাগ I ন VP অমবু মাগি কমপ্লিমেন্ ওইন লৌব যাই অদুগ I ন মাগি কম্প্লিমেন্ অসিগ পূললগ আই-বাব ($\bar{I}$) হাযব ইন্তবমেদিযেৎ প্রোজেক্সন্ অসি ওই। খ্বাইদগি মথক্ থংব $\bar{X}$ অদুগ ইসপিসিফাইযবগ পূললগ মেক্সিমেল্ প্রোজেকসন্ নত্রগ XP ওই হাযব ফ্রেজ ইসত্রক্চব ইসকিমাদ পীবিব অদুগ মতুং ইন্ন IP অমদসু ইসপিসিফাইযবগি মফম্ লৈগনি অমদি মদুগ $\bar{I}$ গ পূল্লগ IP ওইগনি। IP অমগি সপ্জেক্ অসি ইসপিসিফাইযবগি মফম্দ লৈ অমদি $\bar{I}$ গ মসিগ পূল্লগ IP ওই হাযন লৌদুন IP গি ইসত্রক্চব অসি মখাগি অসুম্ন পীনৈ -

৮১



(৮১) গি IP গি ইসত্ৰক্‌চর অসিদ কম্প্লিমেন্‌ন হেৎকি মতুং ইল্লী। অদুবু মনিপুরিগুম্ব লোন্দদি হেৎন কম্প্লিমেন্‌গি মতুং ইল্লী। (৮২) দ মনিপুরিগি IP গি ইসত্ৰক্‌চর অদু পীরি -

৮২



(৮১) অমসুং (৮২) গি ইসত্ৰকচরগি রিপ্রজেনতেন্‌সিং অসিন হেৎ অমসুং কম্‌প্লিমেন্‌গি মথং মনাউ অসি ক্রোস-লিংগুইসতিকেললি খেন্‌নৈ হায়ব উৎলি। মরম্ অদুন মখোয়গি ফ্রেজ ইসত্ৰক্‌চর রুল্ পীব মতম্‌দ কন্‌সতিতুয়েন্‌সিংগি মথং মনাউ অদুদি উৎতে। (৮১) অমসুং (৮২) গি বিপ্রজেন্‌তেসন্‌সিং অসিদগি (৮৩) গি ফ্রেজ ইসত্ৰক্‌চব রুল্‌সিং অসি ইথোক্‌প য়াই।

৮৩ IP ⟶ Spec ; $\bar{I}$

$\bar{I}$ ⟶ I : VP

(৮৩) দ IP অম হায়বসি হেৎ অমগি মেক্‌সিমেল্ প্রোজেক্‌সন্ ওইন লৌরে। অদুবু N, V, P নচিংবগি ফ্রেজেল্ প্রোজেক্‌সন্‌সিং অসিদি লেক্‌সিকেল্ হেৎ অমগি প্রোজেক্‌সন্‌সিংনি। মসিগি মবম্‌দি N, V নচিংবসিং অসি লেক্‌সিকেল্ কেতেগোরি ওাক্‌তনি। অসিগুম্ব লেক্‌সিকেল্ হেৎসিংগি প্রোজেক্‌সন্‌সিং অসিবু লেক্‌সিকেল্ প্রোজেক্‌সন্ কৌব্ৰী। অদুগ IP অমগি হেৎ অসিদি লেক্‌সিকেল্ কেতেগোরি নৎতে। IP গি হেৎ I অসিবু নন্-লেক্‌সিকেল্ কেতেগোবি কৌব্ৰী। নন্-লেক্‌সিকেল্ কেতেগোরিন হেৎ ওইব অসিবু ফংসনেল্ হেৎ হায়বগ খঙ্‌নৈ। ফংসনেল্ হেৎকি প্রোজেক্‌সন্ অদুবুন ফংসনেল্ প্রোজেক্‌সন্ কৌব্ৰী। খুদম্ ওইন IP অসি ফংসনেল্ প্রোজেক্‌সন্ অমনি।

৪.১৬ কম্‌প্লিমেন্ ক্লোজগি ইসত্ৰক্‌চর

কম্‌প্লিমেন্ ক্লোজ অম হায়ব অসি ক্লোজেল্ আবগুমেন্ হায়বগসু খঙ্‌নৈ। ক্লোজ অমন প্রেদিকেৎ অমগি আরগুমেন্ ওইরবদি ক্লোজ অদুবু কম্‌প্লিমেন্ ক্লোজ কৌব্ৰী। (৮৪) দ ক্লোজন্ আবগুমেন্ ওইবগি খুদম্ পীবি

৮৪a ঐ *নং* উই

৮৪b ঐ *নং চৎখিব* উই।

(৮৪) গি ব্ৰাহৈপরেংসিং অসিদ য়াওরিব *উই* হাযব প্রেদিকেৎ অসিগি আরগুমেন্ ইসত্ৰক্‌চর অসি (৮৫) দ পীরিব অসি ওইগনি -

৮৫ উই : verb

1 NP	2 NP/S

(৮৫) গি আরগুমেন্ ইসত্রক্চর অসিন *উই* হায়ব ভাপ্ অসিগি এক্সতরনেল্ আবগুমেন্ অসি NP নি হায়ব তাক্ই। অদুগ মাগি ইন্তরনেল্ আবগুমেন্ অসিদি NP নত্রগ S(=sentence) অমন ওই হায়ব খঙ্হল্লী। (৮৪a) দ ইন্তবনেল্ আরগুমেন্ অসি *নং* হায়ব NP অসিন ওই। (৮৪b) দদি *নং চৎখিব* হায়ব ক্লোজ অমন ওই। অসিগুম্ব আরগুমেন্ ওইন সীজিন্নব ক্লোজসিং অসিবু কম্প্লিমেন ক্লোজসিং হায়বনি। কম্প্লিমেন্ ক্লোজ অমদ কম্প্লিমেন্তাইজর হায়ব ইলিমেন্ অম য়াওরি। (৮৪b) গি খুদম্দ চৎখিব হায়ব প্রেদেকেৎ অসিদ য়াওবিব -ব হায়ব সফিক্স অসি মতাং অসিদ কম্প্লিমেন্তাইজবগি মথৌ তৌব্বী। কম্প্লিমেন্তাইজব অসি য়াওদ্রবদি (৮৪b) গি ৱাহৈপবেং অসি (৮৬) ত পীরিব অবান্ব অসি ওইগনি -

৮৬ *ঐ নং চৎখি উই।

(৮৪b) দ পীবিব সফিক্সেল্ কম্প্লিমেন্তাইজর অসি নৎতব ৱাহৈ ওইন লৈব কম্প্লিমেন্তাইজর অনী *-হায়ব* অমসুং *হায়ন* অদুগ প্রিফিক্স ওইন লৈব প্রিফিক্সেল্ কম্প্লিমেন্তাইজব অনী *খুৎ-* অমসুং *ম-* হায়ব অসিসু মনিপুরি লোন্দ সীজিন্নৈ। (৮৭) ত মখোয়গি খুদম্সিং পীবি -

৮৭a ঐ [নং চৎখি হায়ব] থাজে।
৮৭b ঐ [নং চৎখি হায়ন] খল্লী।
৮৭c ঐ [নংগি খুৎচৎ] খঙ্ভী।
৮৭d ঐ [নংগি মচৎ] খঙ্ভী।

(৮৭) কি খুদম্সিংদ য়াওবিব ওপ্জেক্ আরগুমেন্সিং অসি কম্প্লিমেন ক্লোজ ঙাক্তনি হায়ন লৌনৈ। *হায়ব* অমসুং *হায়ন* হায়রিব অনী অসিবুন তেন্স ক্লোজগি কম্প্লিমেন্তাইজরনি। প্রিফিক্সেল্ কম্প্লিমেন্তাইজর *খুৎ-* অমসুং *ম-*

অসিন তেন্‌সলেস ক্লোজসিংগি কম্‌প্লিমেন্‌তাইজরনি হায়ন লৌনৈ।[১] *হায়ব* অসিবুন *ফেক্‌তিপ্ কম্‌প্লিমেন্‌তাইজর* (ঙাঙ্‌ঙিব মীন অচুম্‌বনি হায়ন খন্‌ব) অদুগ *হায়ন* হায়ব অসিবুন *নন্-ফেক্‌তিপ্ কম্‌প্লিমেন্‌তাইজর* (ঙাঙ্‌ঙিব মীন থওইন্‌ অচুম্‌বনি হায়ন লৌরগ হায়ব নৎতব) মখল্ অদুনি (Bhat and Ningomba, 1997)। মতাং অসিদ পন্‌ব য়াব অর্মাদ (৮৭c অমসুং d) গি কম্‌প্লিমেন্ ক্লোজসিং অসি জিরন্‌দিপ্ নোমিনেল্ নত্রগ দিরাইপ্ নোমিনেল্ হায়ব অদুগি মওং ওইরিব অসিনি। মখোয়সিং অসিগ (৮৪b) গি কম্‌প্লিমেন্ ক্লোজ অসিগ খেন্‌নৈ। (৮৪b) গি ক্লোজ অসিদি ইন্‌ফিনিতাইভেল্ *-ব* হায়ব অসি কম্‌প্লিমেন্‌তাইজর ওইন সীজিন্‌নব ইন্‌ফিনিতাইভেল্ ক্লোজনি। হৌজিক্ ব্রাফম্ অম লাক্‌লিবদি (৮৭c অমসুং d) গি কম্‌প্লিমেন্ অসি জিবর্ন্‌দিপ্ নোমিনেল্ নত্রগ দিরাইপ্ নোমিনেল্ ওইগদ্র হায়ব অসিনি। লোন্‌মীৎলোন্‌গি সাহিত্যদ জিরন্‌দিপ্ নোমিনেল্ অমসুং দিরাইপ্ নোমিনেল্ হায়ব অসিগি তোঙান্ তোঙ ন্‌ব মীৎয়েং লৈরি। অনী অসি মান্‌নব মওংদ কম্‌প্লিমেন্ ক্লোজ ওইন লৌবগি মাৎয়েং (Lees, 1960) অদুগ মদুবু চুম্‌দে হায়ব মীৎয়েং (Chomsky, 1970) থোরক্‌পগি ব্রাফম্ অসি য়েংব য়াই। লিসকি মীৎয়েংদ *his refusing the offer, his criticising the book, his being eager to please* হায়ব জিবন্‌দিপ্ নোমিনেল্‌সিং অসি মোরফোলোজি, সিমান্‌তিক্‌স অমসুং সিন্‌তেক্‌সকি মীৎযেংদ মথংসিংন *his refusal of the offer, his criticism of the book, his eagerness to please* হায়ব দিরাইপ্ নোমিনেল্‌সিং অসিগ মান্‌নন লৌদুন মখোয় অসি ক্লোজেল্ ইসতেতসত নৈনৈ। অদুবু বাহৈপবেং খুদিংগি দিরাইপ্ নোমিনেল্ হায়ব অসি ফংব য়াদবন চোম্‌সকিন দিরাইপ্ নোমিনেল্‌সিং অসিদি লেকসিকেল্ ইসতেতসত নৈনগদবনি হায়ব উৎলি। মরম্ অসিদগি দিরাইপ্ নোমিনেল্‌সিং অসি NP গি ইসতেতসত নৈনবগি ব্রাফম্ লাক্‌ই। নৌন লাক্‌লিব ব্রাফম্ অমন ইংলিসকি

---

১. মনিপুরি কম্‌প্লিমেন্ ক্লোজ অমসুং কম্‌প্লিমেন্‌তাইজরসিংগি মতাং অসি Bhat and Nignomba, 1997 দ য়েংবিয়ু। মথক্‌ত পীরিব মনিপুরি কম্‌প্লিমেন্‌তাইজর মখল্‌সিং অসি Bhat and Ningomba ন ইহান্ হান্‌ন খায়দুন পুথোরক্‌পনি।

জিরনদিপ্ নোমিনেল্সিংদ য়াওরিব জিরনদিপ্ কম্প্লিমেন্তাইজর 's (possessive marker) + ing অসি ইংলিসকি কম্প্লিমেন্তাইজর অম ওইন লৌনরক্ত্রে। মসিন ভাক্লিবদি জিবনদিপ্ নোমিনেল্সিং অসিসু ক্লোজেল্ ইসতেতসত নৈনরক্ত্রে, NP গি ইসতেতসত নৈনরক্লে হাযব অসিনি। পৃম্নমক্ অসি যেংঙগ (৮৭c অমসুং d) গি মনিপুবি ওপজেক্ আবগুমেন্সিং [নংগি খৃৎচ°], [নংগি মচৎ] অসিসু ক্লোজেল্ কম্প্লিমেন্ ওইন লৌবাগ মহুৎত NP অমমম্ ওইন লৌবগি মাযগৈদ চঙ্সিন্ব চুম্মী। মীৎযেং অসিদ *খৃৎচৎ, মচৎ* হাযবসিং অসি লেক্সিকেল্ ইসতেতস্ত লৈবগনি। মবম্ অদুন *নংগি খৃৎচৎ, নংগি মচৎ* হাযবসিং অসি NP অমমম্নি।[১] মতৌ অসুম্ন প্রিফিক্সেল্ কম্প্লিমেন্তাইজবসিং অসি NP গি প্রোপবতি ওইন লৌখ্রবদি মনিপুবি কম্প্লিমেন্তাইজবসিং অসি (১) ফেক্তিপ্ কম্প্লিমেন্তাইজব *হাযব,* (২) নন্-ফেক্তিপ্ কম্প্লিমেন্তাইজব *হাযন* অমসুং ইন্ফিনিতাইভেল্ কম্প্লিমেন্তাইজব *-ব* হাযব অহুম্ অসি ওইবগনি। অসগুমব কম্প্লিমেন্তাইজবসিং অসিগি থোইদোক্প অমদি ক্লোজসংগি মখল্ অসি কম্প্লিমেন্তাইজবগি মখল্ অদুন লেপ্পী হাযব অসিনি। খুদম্ ওইন মনিপুবিগি ফেকতিপ্ নত্রগ নন্-ফেক্তিপ্ কম্প্লিমেন্তাইজবসিংন ত্রস ক্লোজ ওইগনি হাযব লেপ্পী। মসিদগি ঐখোযন C(=complementizer) হাযব অসিন কম্প্লিমেন্ ক্লোজ অমগি হেৎনি হাযন লৌব যাই। অদু ওইববদি কম্প্লিমেন্ ক্লজ অম হাযব অসি C গি মেক্সিমেল্ প্রোজেকসন CP ওইবগনি। CP অমদ যাওবিব C অসি বাহৈপবেংগি আবথদ কবিমত যাওদব ইসত্র কচব বাৎ নত্রগ ইলিমেন্ অমনি। সপজেক্ পোজিসন্দ লৈব ইংলিসকি এক্সপ্লিতিপ্ (expletive) *it* অমসুং *there* গুম্ববনি। মবম্সিং অসিদগি কম্প্লিমেন্তাইজব হাযব অসিসু ইনফ্লেকসনগি মতৌগুম্ন নন্-লেক্সিকেল্ নত্রগ ফংসনেল্ হেৎ অমনি। ফংসনেল্ হেৎ অমগি প্রোজেক্সনবু ফংসনেল্ প্রোজেক্সন্ কৌব মবম্ন


---

১. মনিপুবিগি জিবনদিপ্ নত্রগ দিবাইপ্ নোমিনেল্সিংবু NP ওইন লৌদুন নৈনব অমদি মসিদ যাওবিব পোসেসিপ্ কেস মাবকিং অসি পোসেসিপ্ নত্রগ জেনেতিপ্ কেসকি মতাং অম ওইন সরত্চন্দ্র (Saratchandra Singh, N. 2000 55-56) ত পল্লী।

CP অসিসু ফংসনেল্ প্রোজেক্সন্ অমনি। হৌজিক্ কম্প্লিমেন্ ক্লোজ অম হায়বসি CP হায়ব অসিন মতূৎ সিন্দুন এক্স-বার ফোরমেৎত উৎপগি মওং অদু মখাদ নৈনরি।

এক্স-বার ফোরমেৎত কম্প্লিমেন্ অমগ হেৎ অদুগ পূল্লগ অহান্ব বার প্রোজেক্সন্ অদু ওই। মনিপুরি CP অমদ *-ব, হায়ব* অমদি *হায়ন* হায়ব কম্প্লিমেন্তাইজরসিং অসিন ক্লোজ নত্রগ ৱাহৈপরেংগি মখল্ অদু খঙ্হল্লী। মরম্ অসিন মখোয়ন ৱাহৈপরেং নত্রগ IP অম সেলেক্ তৌৱী হায়ন লৌগনি। মসিবু C ন IP অম সেলেক্ তৌব কৌৱী। খুদম্ ওইন *-ব* ন ইন্ফিনিতাইভেল্ ক্লোজ অম অদুগ *হায়ব* অমদি *হায়ন* হায়বসিন ফাইনাইৎ ক্লোজ অম সেলেক্ তৌৱী হায়বসি (৮৭) ত পীরি -

৮৭



(৮৭a) গি খুদম্দ *-ব* হায়বসি সফিক্সেল্ কম্প্লিমেন্তাইজর ওইবন IP কম্প্লিমেন্ অদুগি ভারবেল্ মোরফোলোজিদ রিএলাইজ তৌখিগনি। (৮৭a) ন ইন্ফিনিতাইভেল্ IP অদুগ (৮৭b অমসুং c) দ ফাইনাইৎ IP অম তোঙান্ তোঙান্ব কম্প্লিমেন্তাইজরসিংন সেলেক্ তৌবগি মওং অদু উরে। ইংলিস লোন্গি কম্প্লিমেন্তাইজর মরি *that, if, whether, for* হায়বসিং অসিন সেলেক্ তৌরিব IP সিং অসিসু মনিপুরিগি মতৌগুম্ন ফাইনাইৎ অমসুং

ইন্‌ফিনিতাইভেল্ হায়দুন খায়দোক্‌প য়াই। *that* অমসুং *if* হায়বসিন ফাইনাইৎ IP অম মখোয়গি কম্‌প্লিমেন্ ওইন খল্লী। *for* ন ইন্‌ফিনিতাইভেল্ IP অম খল্লি অদুগ whether ন ফাইনাইৎ নত্ত্রগ ইন্‌ফিনিতাইভেল্ IP অম মাগি কম্‌প্লিমেন্ ওইন খল্লী। মনিপুরিগ ইংলিসক মান্নদব মওং অমন ইংলিস লোন্দদি ইন্তরোগেতিপ্ ক্লোজগ দিক্লারেতিপ্ ক্লোজগ খেন্নব অদুসু কম্‌প্লিমেন্তাইজরন লেপ্পী। মরম্ অদুন C অদুগি [±wh] হায়ব ফিচর অসিসু ক্লোজ মখল্ লেপ্পদ চঙ্‌ডী। (৮৮) অমসুং (৮৯) দ মখোয়গি খুদম্‌সিং পীরি -

৮৮

CP → Spec, C̄
C̄ → C, IP


	C	IP
(I think)	that	John stopped beating his wife
		*to stop
(I expect)	for	John to stop beating his wife
		*stopped

৮৯

CP → Spec, C̄
C̄ → C, IP
C → [+WH]


	C [+WH]	IP
(I wonder)	whether	John stopped beating his wife
		to stop beating his wife

মথক্কি খুদম্সিং অসিদ CP গি Spec পোজিসন্ অসিদ লৈগদব ইলিমেন্ অদু পীদ্রি। মসিগিদমক্ অহান্বদ কম্প্লিমেন্তাইজর য়াওদব IP অমগি Spec অমসুং C গি মফম্ অনীমক্ হাঙ্ডী হায়ন লৌগনি। মসিগি মতুং ইন্ন *John will read the letter at night* হায়ব IP অসিগি ইসত্রক্চর অসি (৯০) দ পীরিব অসি ওইগনি -



(৯০) দ C অমসুং Spec কি মফম্ অনীমক্ হাঙ্দুন লৈরে। মফম্ অনী অসি হাঙ্দুন লৈব মরম্ন (৯০) গি ৱাহৈপরেং অসিগি য়েস-নো কোইসন্ অমসুং কন্সতিতুয়েন্ কোইসন্দ AUV *will* অমসুং ইন্তরোগেতিপ্ কন্সতিতুয়েন্ *when* হায়বসিং অসিন IP গি মনুংদগি মথংসিৎন C অমসুং Spec কি মফম্দ লেঙ্ওক্প য়াহল্লী। অসুম্ন *will* অমসুং *when* ন C অমসুং Sepec কি মফম্দ লেংঙক্পগি মওং অদু (৯১) অমসুং (৯২) দ পীরি -

৯১



৯২

CP
Spec C̄
C IP
NP Ī
I VP
V̄
V̄
V NP PP
When will John – read the letter –

(৯১) অমসুং (৯২) গি ইসত্রক্চরসিং অসিবু দিরাইপ্ ইসত্রক্চর (derived structure) কৌৰী। মখোয়গি মনুংদ অন্দরলাইয়িং ইসত্রক্চর অমমম্ য়াওরি। (৯১) গি অন্দরলাইয়িং ইসত্র ক্চরদ ঔজিলিয়ারি will অসি ইন্‌ফ্লেক্সন্‌ন দোমিনেৎ তৌরিব মফম্ অসিদ লৈগনি অদুগ wh- কন্‌স্‌তিতুয়েন্ অসিন PP ন দোমিনেৎ তৌরিব মফম্ অসিদ লৈগনি। হৌজিক্ মবু ওইব ৰাফম্ অমদি দিবাইপ্ ইসত্রক্চরদ *will* ন C গি মফম্দ অদুগ *when* ন Spec কি মফম্দ লেঙ্‌ঙক্‌ই হায়বসিগি ইভিদেন্স করিনো হায়ব অসিনি। অহান্‌বদ *will* ন কম্প্লিমেন্তাইজরগি মফম্দ লেঙ্‌ঙক্‌ই হায়ন লৌবগি মবু ওইব মরম্ অমদি *will* গ কম্প্লিমেন্তাইজবগ পূন্‌ন লৈমিন্‌নব য়াদব অসিনি। C গি মফম্ অসিদ কম্প্লিমেন্তাইজর অম হান্‌ন লৈখ্রবদি *will* ন মফম্ অদুদ খুংভুব যাদে হায়ব অসি (৯৩b) গি অবান্‌ব ৰাহৈপবেং অসিন তাক্‌ই

৯৩a I wonder whether John will stop beating his wife

৯৩b *I wonder [whether will / will whether] John stop beating his wife.

মসিগ মান্‌নব মওংদ ঔজিলিয়াবি *will* অসি হান্‌ন লৈখ্রব (৯৪a) গি খুদম্দ কম্প্লিমেন্তাইজব অম অমুক্ হাপ্‌পুব যাদে হায়বাস (৯৪b) গি অবান্‌ব অসিন তাক্‌ই -

৯৪a When will John stop beating his wife ?


৯৪b *When [that will / will that] John stop beating his wife ?

(৯৩) অমসুং (৯৪) গি খুদম্‌সিং অসিদগি ঐখোযন পন্‌ব গাবদি মোদেল্ ঔজিলিয়ারি *will* ন অন্দরলাইয়িং ইসত্রক্চবদগি দিবাইপ্ ইসত্রক্চবদ লেঙ্‌ঙক্‌ইব মফম্ অসি C ন দোমিনেৎ তৌবিব অহাঙ্‌ব মফম্ অসিনি হায়ন লৌফম্ থোক্‌প অসিনি। (৯৪a) দ will ন C গি অহাঙ্‌ব মফম্ অসিদ থুংখ্রবদি অহংব খঙ্‌নব কন্‌সতিতুয়েন্ *when* হায়ব অসিন Spec কি মফম্দ লৈগনি হায়ন লৌব অসিসু

চুম্‌গনি। হৌজিক্ ইংলিসকি ইন্‌তরোগেতিপ্ খঙ্‌নব Wh-phrase সিং অসি মেন্ ক্লোজ ইন্‌তরোগেতিপ্‌ত [Spec, CP] দ থুংঙৈ হায়ন লৌরসি। মীৎয়েং অসিদগি (৯৫) গি মেন্ ক্লোজদ লৈব অহংব খঙ্‌নব ব্রাহৈপরেং অসিগি (৯৬) ত পীরিব ইসত্রকচর অসি লৈরগনি -

৯৫ Whom will John like ?

৯৬



অদুবু মতাং অসিদ লুরিবদি ঔজিলিয়ারিসু য়াওদব অদুগ কম্‌প্লিমেন্‌তাইজরসু লৈতব সবোবদিনেৎ ক্লোজদ লৈব ইংলিসকি অহংব খঙ্‌নব ব্রাহৈপরেংসিংদদি wh-phrase সিং অসিগি মফম্ অসি Spec কি মফম্‌দ ওইগদ্র নত্রগ C গি মফম্‌দ ওইগদ্র হায়ব ব্রাফম্ অসিনি। মসিগি মতাংদসু অহংব খঙ্‌নব

Wh-word অসি Spec কি মফম্দ লৈগনি হায়বসি মখাগি অঙনব মতম্গি ইংলিসকি খুদম্ অসিদগি য়েংব য়াই -

৯৭ Men shall know who that I am. (Lightfoot, 1979:322)

(৯৭) কি খুদম্ অসিদ অঙনব মতম্গি ইংলিসকি অহংব খঙনব সবোবদিনেৎ ক্লোজসিংদসু wh-phrase অমসুং কম্প্লিমেন্তাইজব সিক্কেন্স *who that* অসি সীজিন্নব যাই হাযব উৎলি। খুদম্ অসিন who ন লৈবিব মফম্ অসি C গি মফম্ নৎতে, Spec কি মফম্দনি হাযব খঙ্হল্লী। অদুবু হাযবিবসি হৌজিক্কি মতম্গি ইংলিসতদি চৎনদ্রে হাযব (৯৮) গি অবান্ব ব্রাহৈপবেং অসিন খঙ্হল্লী -


৯৮ *Men shall know who that I am

অদুবু কেবেক্ ফ্রেন্চকি[১] অহংব খঙনব সবোবদিনেৎ ক্লোজসিংদদি wh-element অমসুং কম্প্লিমেন্তাইজব সিক্কেন্স অসি লীসাংসীৎন সীজিন্নবি অমদি (৯৯) দ মদগি খুদম্ পীবি -

৯৯ Je me demande [quoi que tu fais]
I wonder what that you do
[Koopman, 1983 389]

(৯৯) গি খুদম্ অসিদ Wh-element অমসুং কম্প্লিমেন্তাইজব সিক্কেন্স quoi que অসিন quoi গি মফম্ অসি [Spec, CP] গি মফম্ অসি ওইগনি হাযব খঙ্হল্লী। (১০০) দ মসিগি ইসত্রক্চব অদু পীবি -

১. । Quebec French হাযবসি French লোন্গি মবু ওইব দাইলেক্ অমনি।



(১০০) গি quoi que সিক্কেন্‌কি মওং অসি ক্কেবেক্ ফ্রেন্‌চকি অহংব খঙ্‌নব মেন্ ক্লোজসিংদসু উব ফঙ্‌ঙী। (১০১) দ খুদম্ পীরি -

১০১ Quoi que tu as fait?
What that you have done
'What have you done ? (Quebec French) [Koopman, 1983 : 389]

মসিগ চপ্ মান্নব মওংদ ইতলিয়ান্ রোমাগ্নোলোদসু[১] chi che হায়ব সিকেন্স অসি সীজিন্নৈ। (১০২) দ খুদম্ পীরি -

১০২ Chi che t'e vest

who that you have seen

'Whom have you seen ? (Italian Romagnolo)


[Koopman, 1983 : 389]

(১০১) অমসুং (১০২) দ মথংসিংন que অমসুং che হায়ব কম্প্লিমেন্তাইজরসিং অসি য়াওদ্রবদি ঔজিলিয়ারিসিং অসিন মখোয়গি মফম্দ লাক্কনি। (৯৯), (১০১) অমসুং (১০২) গি খুদম্সিংন খঙ্হল্লিবদি অহংব খঙ্নব ইলিমেন্সিং quoi, chi অসি মতম্ পূম্নমক্ত [Spec, CP] গি মফম্দ লৈ হায়ব অসিনি। পূম্নমক্ অসি য়েংঙগ ঐখোয়ন পন্ব য়াবদি কম্প্লিমেন্তাইজর অমসুং ঔজিলিয়ারি লোয়নদব ইংলিসকি wh-element ন লৈরিব মফম্ অসিসু [Spec. CP] ওইগনি হায়ন লৌব য়াব অসিনি। খুদম্ ওইন *I wonder whom John will like* হায়ব ৱাহৈপরেং অসিদ য়াওরিব ঔজিলিয়ারি অমসুং কম্প্লিমেন্তাইজর অমত লোয়নদব *whom* হায়ব wh-phrase অসি মাগি অন্দরলাইয়িং ইসত্রক্চরগি মফম্দগি লেঙ্ঙক্তুন দিরাইপ্ ইসত্রক্চরদ Spec কি মফম্ অসিদ লাক্ই হায়ন লৌগনি। (১০৩) গি ত্রি -ইসত্রক্চরদ *whom* গি থুংফম্ (landing site) অসি [Spec, CP] গি মফম্নি হায়বদু পীরি -

---

১. Italian Romagnolo অসি মরু ওইব Italian dialect অমনি।

১০৩



মথক্কি খুদম্‌সিং অসিদ CP অমগি C, Spec অমদি IP কম্‌প্লিমেন্‌ লৈব উরে। মসিদগি CP অমগি ইসট্রক্‌চর অসিসি এক্স-বার ফোরমেৎত প্রোজেক্‌ তৌব্রী হায়ন লৌগনি। মসিন তাক্‌পদি CP অম হায়ব অসিসু হেৎ অমগি মরোল্‌ মরোল্‌ নাইব ইসট্রক্‌চর লৈব প্রোজেক্সন্‌ অম ওইগনি হায়ব অসিনি। C ন কম্‌প্লিমেন্‌তাইজর অমদি IP অমদগি লেঙ্ঙক্পা ঔজিলিয়ারি অদু দোমিনেৎ তৌব্রী। C অমসুং IP কম্‌প্লিমেন্‌কি অপূন্‌ব অদুন $\bar{C}$ ওই অদুগ $\bar{C}$ অমসুং Spec কি অপূন্‌ব অদুন C গি মেক্সিমেল্‌ প্রোজেক্সন্‌ CP ওই। [Spec, CP] হায়ব


মফম্ অসিদি মরু ওইন অহংব খঙ্নব কন্সতিতুয়েন্সিংগি থুংফম্ (landing site) অদুনি। CP গি ফ্রেজ ইসত্রক্চর রুল্ অসি (১০৪) গি রিরাইৎ রুল্সিং অসি ওইগনি।

১০৪a CP ⟶ Spec ; $\bar{C}$


১০৪b $\bar{C}$ ⟶ C ; IP

(১০৪) গি ফ্রেজ ইসত্রক্চর রুল্সিংদ পীরিব কন্সতিতুয়েন্সিংগি মথং মনাউ অসি অরেপ্প নৎতে। ইংলিস লোন্দ Spec ন C গি ওইদ লৈবদু মনিপুরিগুম্ব লোন্দ C গি য়েৎত Spec লৈব য়াই। মতৌ অসুম্ন Cগি য়েৎত IPলৈব ইংলিসকি খুদম্সিং অসি মনিপুরি লোন্দদি IPন Cগি ওইদ লৈগনি। মসিদসু নৎতন (১০৪) গি থোইদোক্প মসক্ অমদি IP হাযবসি CP গি প্রোজেক্সন্গি মনুং চল্লিব অসিনি। মরম্ অদুন IP খুদিংমক্ C গি কম্প্লিমেন্ ওইন উৎপ য়াই। (১০৫a) দ মনিপুরি IP বু CP গি প্রোজেক্সন্ ওইন উৎলি অদুগ (১০৫b) দ কম্প্লিমেন্ ক্লোজ ওইন লৈব CP গি ইসত্রক্চব অদুসু পীবি

১০৫a



১০৫b



৪.১৭ সি-কম্মান অমসুং গোরমেন্ (c-command and government)

মথক্ত ফ্রেজ, ক্লোজ অমদি ব্রাহ্হেপরেংগি ইসত্রুক্চরসিংগি মান্নব মতৌ অদু এক্স-বাব ফোবমেৎত উৎপ য়াই হায়ব নৈনখ্রে। ফ্রেজসিংবু XP (X-Phrase),

ৱাহৈপরেংসিংবু IP (Inflection Phrase) অমদি কম্প্লিমেন্ ক্লোজসিংবু CP (Complementiser Phrase) হায়না মখোয়গি অনৌব মমিংসিং পীগ্রে। অসুম্ন এক্স-বার ফোরমেৎ সীজিন্নরক্প মতাং অসিদ য়াম্ন মৱু ওইবিবদি ফ্রেজ ইসত্রক্চর ত্রি হায়ব অসিনি। অসিগুম্ব ত্রি অমগি থোইদোক্প মতৌ অমদি মাগি ইলিমেন্সিংগি মরক্ত লৈরিব ইসত্রক্চরেল্ রিলেসন্সিপ্ অসিনি। *সি-কমমান্* অমসুং *গোরমেন্* হায়ব অসি অসিগুম্ব ক্রুসিয়েল্ ইসত্রক্চবেল্ রিলেসন্ (crucial strucural relation) অমমম্গি মমিংনি। অনী অসি নৈনদ্রিঙৈদ *দোমিনেন্স* অমসুং *প্রিসিদেন্স* হায়ব মরী অনী অসি হান্ন খঙ্দব য়াদে। দোমিনেন্স হাযব অসিন ইলিমেন্সিংগি মরক্ত য়ুংন লৈব মৰী (vertical relation) অমবু খঙ্হল্লী। (১০৬) ত মরী অসি তাক্লি -

১০৬ দোমিনেন্স (dominence)


(i) ত্রি অমদ নোৎ A ন B দগি ৱাংন লৈরব ; অমদি

(ii) A দগি B তম্ন লৈয়ি অম লেপ্তন চিংথব য়ারব

অদু ওইরবদি নোৎ A ন নোৎ B বু দোমিনেৎ তৌব কৌৱী।

(১০৭) কি NP গি ত্রি অসিদ দোমিনেৎ তৌবগি মওং অদু তাক্লি।

১০৭



(১০৭) কি ইসত্রক্চর অসিদ Det, N̄, N অমসুং PP অসি NP ন দোমিনেৎ তৌব নোৎসিংনি। অদুগ N অমসুং PP ন Det দগি নেম্ন লৈরবসু Det ন মখোয়বু দোমিনেৎ তৌদে। মসিগি মরম্দি Det দগি N অমসুং PP তম্ন লৈয়ি

অম সাংন চিংথরক্প য়াদে। অদুগ দোমিনেৎ তৌবগি মওং অসিদ ইমিদিয়েৎ দোমিনেন্স (immediate dominance) হায়ব অমসু লৈরি। খুদম্ ওইন NP ন Det বু দোমিনেৎ তৌরিব মওং অসিনি। NP অমসুং Det গি মরক্তা মরক্ থৎপ নোৎ অমত লৈতে। অদুগ NP অমসুং N নত্রগ PP গি মরক্তদি N অসিন মরক্ থৎপ নোৎ (intervening node) ওইন লৈ। মরম্ অসিদগি NP ন N অমসুং PP বু দোমিনেৎ তৌরিব মওং অসি ইমিদিয়েৎ দোমিনেন্স নৎতে।

অতোপ্প দোমিনেন্স নৎতব মরী অমদি *প্রিসিদেন্স* (precedence) হায়ব অসিনি। মসিদি ইলিমেন্সিংগি মরক্তা ফৈন চৎপ মরী অমনি। (১০৮) দ মরী অসি তাক্লি -

১০৮ প্রিসিদেন্স


(i) নোৎ A ন নোৎ B গি ওইদ লৈরব

(ii) নোৎ A গ নোৎ B গ অমগ অমগ দোমিনেৎ তৌনদ্রব

অদু ওইরবদি নোৎ A ন B বু প্রিসিৎ (precede) তৌব কৌরী।

(১০৭) কি NP গি খুদম্ অসি (১০৯) দ প্রিসিদেন্সকি খুদম্ ওইন অমুক পীরি -


১০৯



(১০৯) দ Det ন N̄ গি ওইদ লৈ। মখোয় অনী অসি অমগ অমগ দোমিনেৎ তৌনদে। মরম্ অদুন Det ন N̄ বু প্রিসিৎ তৌরী। Det ন N অমসুং PP বুসু প্রিসিৎ তৌরী মরম্দি Det ন N নত্রগ PP গি ওইদ লৈ অদুগ মখোয়গি মরক্তা

দোমিনেন্স হায়ব মবী অসি লৈতে। Det ন N বু ইমিদিযেৎলি প্রিসিৎ তৌব্রী অদুগ Det ন PP বু প্রিসিৎ তৌববসু ইমিদিযেৎলি প্রিসিৎ তৌবদি নৎতে। Det অমসুং PP গি মবক্ত N ন ইন্তবভেনিং নোৎ ওইদুন লৈ। (১১০) গি IP গি ইসত্রক্চব অসিদ সি-কম্মান্‌গি মবী অসি অমুক্ যেংসি।

১১০



(১১০) দ IP দগি NP অমসুং Ī তম্‌ন মখাবোম্‌দ লৈযি অনী হাইথবক্ই। অদুগ NP অমসুং VP দগিসু মখাবোম্‌দ লৈযি অমমম্ হাইথবক্ই। লৈযি অমদগি হেন্‌ন মখাবোম্‌দ হাইথবিব IP অসিবু মসা লোঙ্‌ব নোৎ (branching node) কৌব্রী অদুগ মঙোন্দগি লৈযি অমতমক্ হাইথবক্প নোৎ NP নত্রগ VP অসিবুন মসা লোঙ্‌দব নোৎ (non-branching node) কৌবী। ব্রান্‌চিং নোৎ অমগি মখাদ লৈব ইলিমেন্‌সিংগ মবক্ত সি কম্মান্ (c-command) হাযব মবী অসি লৈ। (১১১) দ সি-কম্মান্‌গি মবী অসি পীবি

১১১ সি-কম্মান্


(i) নোৎ A ন নোৎ B বু দোমিনেৎ তৌদ্রব অমদি নোৎ B ন নোৎ A বুসু দোমিনেৎ তৌদ্রব ; অদুগ

(ii) A বু দোমিনেৎ তৌবিব অহান্‌ব মসা লোঙ্‌ব নোৎ (first branching node) অদুন B বুসু দোমিনেৎ তৌবব


অদু ওইববদি A ন B বু সি-কম্মান্ তৌব কৌব্রী।

(১১২) দ সি-কম্‌মানগি মরী অসি য়েংসি।


১১২a



১১২b



১১২c




(১১২a) দ Det গ $\bar{N}$ অমদি মান দোমিনেৎ তৌরিব নোৎসিং অসিগ দোমিনেৎ তৌনদে। খুদম্ ওইন Det গ PP গ দোমিনেৎ তৌনদে। অসিগিসু মথক্ত Det বু দোমিনেৎ তৌরিব অহান্ব মসা লোঙ্ব নোৎ (first branching node) NP অসিন N অমসুং মান দোমিনেৎ তৌরিব নোৎ পূম্নমক্ দোমিনেৎ তোৗ্বী। মরম্ অসিন Det ন $\bar{N}$, N অমসুং PP বু সি-কম্মান্ তৌৗ্বী। (১১২b) দসু সপ্জেক্ NP অসিন IP ন দোমিনেৎ তৌরিব নোৎ পূম্নমক্ সি-কম্মান্ তৌৗ্বী। (১১২c) দন C ন $\bar{C}$ ন দোমিনেৎ তৌরিব নোৎ পূম্নমক্ সি-কম্মান্ তৌৗ্বী। ইলিমেন্ অমন সি-কম্মান্ তৌরিব নোৎসিংগি অপূন্ব প্রোজেক্সন্ অদুবু ইলিমেন্ অদুগি সি-কম্মান দোমেন্ কৌৗ্বী। খুদম্ ওইন CP অমদ $\bar{C}$ অসি C ন সি-কম্মান্ তৌরিব নোৎ পূম্নমক্কি প্রোজেক্সন্নি। মরম্ অসিদগি $\bar{C}$ অসি C গি সি-কম্মান্ দোমেন্নি। (১১২a) দ NP অসি Det গি সি-কম্মান্ দোমেন্নি। (১১২b) দন IP অসি NP গি সি-কম্মান্ দোমেন্নি। অসিগুম্ব সি-কম্মান্ দোমেন্ অম হায়বসি কন্সতিতুয়েন্ অমনি। খুদম্ ওইন $\bar{C}$ অসি C দগি চাউখৎপ CP দগি পীক্থব মরক্কি কন্সতিতুয়েন্ অমনি। ইলিমেন্ অমন সি-কম্মান্ তৌবসি মাগি সি-কম্মান্ দোমেন্ ওইরিব কন্সতিতুয়েন্ অদুগি মনুংদনি। মরম্ অদুন সি-কম্মান্ হায়ব অসি কন্সতিতুয়েন্ কম্মান্ (constituent command) হায়বসিদগি লাক্পনি। সি-কম্মান্ তৌরব ইলিমেন্সিংগি মরক্তগি অকক্নব সি-কম্মান্ অমবু *গোরমেন্* (government) হায়ন খঙ্নৈ। (১১৩) দ গোরমেন্গি মরী অদু পীরি -

১১৩ গোরমেন্

(i) A ন গভনর ওইরব ; অদুগ

(ii) Aন Bবু সি-কম্মান্ তৌব অমসুং Bন Aবুসু সি-কম্মান্ তৌব অদু ওইরবদি A ন B বু গোভন্ তৌব কৌৗ্বী।

(১১৩) দ গভনর ওইব হায়বসি হেৎ ওইব হায়বনি। মরু ওইন A, N, P, V বু খঙ্নৈ। (১১৩) গি গোরমেন্ অসি (১১৪) গি ইসত্রক্চর অসিদ উৎলি -


১১৪ 


(১১৪) দ A গ B গ অমন অমবু সি-কম্মান তৌনৈ। A ন গভনর ওইরবদি A ন B বু গোভন্ তৌৱী নত্রগ B ন গভনর ওইরবদি B ন A বু গভন্ তৌৱী। করিগুম্বব হেৎ অসি ভাপ্ অমন ওইরবদি মাগি ইন্তরনেল্ আরগুমেন্ অদুদ থিতারোল্ এসাইন্ তৌবগ লোয়নন গোভন্সু তৌৱী। মসিবু থিতা-গোভন্ তৌব কৌৱী। খুদম্ ওইন *read the letter* হায়ব VP অসিদ *read* হায়ব ভাপ্ অসিন *the letter* হায়ব NP অসিদ থিম্ থিতারোল্ এসাইন্ তৌবগ লোয়নন গোভন্সু তৌৱী। মরম্ অসিন *read* ন *the letter* বু থিতা-গোভন্ তৌৱী।

১.১৮ এম্-কম্মান্ অমসুং গোরমেন্ (m-command and government)

অমগ অমগ সি-কম্মান্ তৌনব ইলিমেন্সিংগি মরী অদুবু গোবমেন্ হায়ন (১১৩) দ পীরিব অসি থায়নগি গ্রামারদ ভাপ্ নত্রগ প্রিপোজিসন্ন মাগি ওপ্জেক্ অদু গোভন্ তৌৱী হায়ব অসিগ মান্নন উই। মতৌ কবম্ন ইলিমেন্ অমন ইলিমেন্ অমবু গোভন্ তৌবগে হায়ব অদু (১১৫) দ পীরি -


সি-কম্মান্গি মওং অসিন চপ্ মান্নব ইলিমেন্সিংবু চাং মান্নন (uniformly) গোভন্ তৌব য়ারক্তে। অসিগুম্বব খুদম্সিং (১১৬) ত পীরি -

১১৫a 


১১৫b 

(১১৫a) দ *read* ন *the letter* বু অদুগ (১১৫b) দ to ন *him* বু গোভন্ তৌরী। রাফম্ অসি অমন অমবু সি-কম্মান্ তৌনবগী মরী (mutual c-command relationship) অদুন খঙ্হল্লি। (১১৫a) দ V বু দোমিনেৎ তৌব অহান্ব ব্রানচিং নোৎ অসি $\bar{V}$ নি। মসিন NP অসিবুসু দোমিনেৎ তৌরী। লোয়নন V অমসুং NP অনী অসি অমন অমবু সি-কম্মান্ তৌনৈ। অসুম্ন ব্রান্‌চিং নোৎ অমগি মখাদ সি-কম্মান্ তৌনব অসিন V ন NP বু গোভন্ তৌব ঙম্মী। (১১৫b) দসু $\bar{P}$ হায়ব অহান্ব ব্রান্‌চিং নোৎ অমগি মখাদ অমগ অমগ সি-কম্মান তৌনব অসিন P ন NP বু গোভন্ তৌব ঙম্মী। অদুবু অহান্ব ব্রান্‌চিং নোৎত য়েংদুন পীবিব সি কম্মান্‌গি মওং অসিন চপ্ মান্নব ইলিমেন্‌সিংবু চাং মান্নন (uniformly) গোভন্ তৌব য়াবক্তে। অসিগুম্ব খুদম্‌সিং (১১৬) ত পীবি -

১১৬a



১১৬b



(১১৬) কি VP সিং অসিদ *in the morning* হায়ব PP অসি মতম্ খঙ্‌হন্‌ব এৎজং ঙাক্‌তনি। অদুবু (১১৬a) দ V ন PP অসি গোভন্ তৌব ঙম্‌দে অদুগ (১১৬b) দদি V ন PP অসি গোভন্ তৌব্বী। (১১৬a) দ V ন PP বু সি-কম্‌মান্ তৌব ঙম্‌দে। মরম্‌দি মাবু দোমিনেৎ তৌরিব অহান্‌ব ব্রান্‌চিং নোৎ ওইরিব মখা থংব $\bar{V}$ অসিন PP বু দোমিনেৎ তৌদে। (১১৬a) দ V ন PP বু সি-কম্‌মান্ তৌব ঙম্‌দব অসিন গোভন্‌সু তৌব ঙম্‌দে। (১১৬b) দদি অহান্‌ব ব্রান্‌চিং নোৎ অমগি মখাদ V গ PP গ সি-কম্‌মান্ তৌনৈ। মরম্ অদুন V ন PP বু (১১৬b)দ গোভন্ তৌব ঙম্মী। অসুম্‌ন চপ্ মান্‌নব ইলিমেন্ অমবু (১১৬a) দ গোভন্ তৌব ঙম্‌দব অদুগ (১১৬b) দন গোভন্ অমুক্ তৌব অসিন য়াম্‌ন পাম্‌দব ফিভম্ অম তাহল্‌লে। ঐখোয়ন হায়্‌নিংবদি (১১৬a অমসুং b) দ V ন PP সিং অসিবু চপ্ মান্‌নন গোভন্ তৌব্বী হায়ব অসিনি। VP সিং অসিদ V অমসুং PP গি মরক্‌ত লৈরিব মরীসিং অসি চপ্ মান্‌নৈ হায়ব ঐখোয়ন পাম্মিব ৱাফম্ অসি উৎকে হায়রবদি (১১১) গি সি-কম্‌মান্ অমসুং (১১৩) গি গোরমেন্ অসি সেম্‌দোক্‌প তাই। (১১১) গি সি-কম্‌মান্ অসিবু য়াম্‌ন হক্‌চিন্‌ব সি-কম্‌মান্ (strict c-command) হায়দুন থমখ্রগ মেক্‌সিমেল্ প্রোজেক্‌সন্‌গি মীৎয়েংদ এম্-কম্‌মান্ (=maximal command) কৌদুন মখাগি অসুম্‌ন অমুক্ হন্‌ন সেম্‌দোক্‌প য়াই -

১১৭ *এম্-কম্‌মান্*

(i) A ন B বু দোমিনেৎ তৌদব ; অদুগ

(ii) A বু দোমিনেৎ তৌরিব মেক্‌সিমেল্ প্রোজেক্‌সন্ অদুন B বুসু দোমিনেৎ তৌরব

অদু ওইরবদি A ন B বু এম্-কম্‌মান্ তৌব কৌব্বী।

সি কম্‌মান্ অমসুং এম্-কম্‌মান্‌গি খেন্‌নব অসি অহান্‌ব মসা লোঙ্‌ব নোৎ অমসুং মেক্‌সিমেল্ প্রোজেক্‌সন্‌গি মীৎয়েং অসিদনি। (১১৬a) দ V ন মাগি ওপ্‌জেক্ NP *the letter* বু সি-কম্‌মান্ তৌব্বী অদুবু মতম্ তাক্‌প PP *in the morning*

বুদি সি-কম্‌মান্‌ তৌব ঙম্‌দে। অদুগ V ন NP *the letter* অমসুং PP in the *morning* অনীমক্‌ এম্‌-কম্‌মান্‌ তৌৱী। অদুগ (১১৬b) দদি V ন PP বু সি-কম্‌মান্‌সু তৌৱী অদুগ এম্‌-কম্‌মান্‌সু তৌৱী। ৱাহৈ অমরোম্‌দ হায়রগ (১১৬aঅমসুং b) দ V ন PP *in the morning* অসি চপ্‌ মান্‌নন এম্‌-কম্‌মান্‌ তৌৱী। মীৎয়েং অসিদগি গোরমেন্‌বু নৌন অমুক্‌ সেম্‌দোক্‌তুন চোম্‌সকিন (Chomsky, 1986b:8) (১১৮) গি অসুম্‌ন তাক্‌ই -

১১৮ *গোরমেন্‌*

(i) A ন গভনর ওইরব ; অমদি

(ii) A ন B বু এম্‌-কম্‌মান্‌ তৌরব ; অদুগ

(iii) A অমসুং B গি মরক্‌ত অপন্‌ব (barrier) অমত লৈত্রব


অদু ওইরবদি A ন B বু গোভন্‌ তৌব কৌৱী।

অপন্‌ব হায়বসি মেক্‌সিমেল্‌ প্রোজেক্‌সন্‌সিং অসিনি। *গভনর* হায়বন হেৎ (head) সিং অসিনি। (১১৮) দ গোরমেন্‌বু তাক্‌লিব অসিদ A ন এম্‌-কম্‌মান্‌ তৌব B খুদিংমক্‌ গোভন্‌ তৌব ঙম্‌দে হায়ব (iii) গি ৱারোল্‌ অসিন খঙ্‌হল্‌লি। মসিন খঙ্‌হল্‌লিবদি A অমসুং মান এম্‌-কম্‌মান্‌ তৌরিব B অদুগি মরক্‌ত মেক্‌সিমেল্‌ প্রোজেক্‌সন্‌ অম লৈরবদি মদুন অপন্‌ব (barrier) অম ওইদুন A ন B বু গোভন্‌ তৌব ঙম্‌দে হায়বনি। (১১৬a অমসুং b) দ য়াওরিব ভাপ্‌সিং *read* অমসুং *walk* অসিন PP *in the morning* অসি এম্‌-কম্‌মান্‌ তৌৱী অদুগ মখোয় অনীগি মরক্‌ত মেক্‌সিমেল্‌ প্রোজেক্‌সন্‌ অমন অপন্‌ব ওইদুন লৈতে। মরম্‌ অসিদগি ভাপ্‌সিং অসিন PP *in the morning* অসি চপ্‌ মান্‌নন গোভন্‌ তৌৱী। *read the letter at night* অমদি *walk after dinner* হায়ব VP সিং অসিদ য়াওরিব মতম্‌ খঙ্‌হন্‌ব PP সিং *at night* অমসুং *after dinner* অসিসু এম্‌-কম্‌মান্‌ন অৱ্‌লিব গোরমেন্‌ অসিগি মীৎয়েংদ চপ্‌ মান্‌নন লৌগনি। *read* ন *at night* বু গোভন্‌ তৌব অদুমুক্‌ন *walk* নসু *after dinner* বু গোভন্‌ তৌৱী।

১.১৯ কেস অমসুং গোরমেন্

মথক্ত ঐখোয়না ফ্রেজ ইসত্রক্চর ত্রি অমগি ইলিমেন্সিংগি মরক্ত লৈনব য়াম্না মরু ওইব মরী অমদি গোরমেন্ হায়ব অসিনি হায়না নৈনখ্রে। তোঙান্ তোঙান্ব গ্রামারগি সরুক্ (module) কয়াদ মসিগি মরু ওইব অসি উব ফঙ্‌ঙী। কেস হায়ব অসিগি মতাংদসু গোরমেন্ হায়ব অসি য়াম্না মরু ওইব অম ওইনা লৈ। মসিদ লৌনরিব মীৎয়েংদি কেস হায়ব অসি গোরমেন্গি মখাদ এসাইন্ তৌব ইসত্রক্চরেল্ প্রোপরতি অমনি অমসুং অকক্নব মফম্ অমদ লৈব NP সিং অদুনা মখোয়গি কেস এসাইনরসিং অদুগ গোরমেন্ রিলেসন্সিপ লৈরব মতম্দ অকক্নব কেস অম ফংঙী। মতৌ করম্না NP অমনা অকক্নব কেস ফংবগে হায়বদু (১১৯) গি খুদম্দ পীরি -

১১৯



(১১৯) দ V গ গোরমেন্ রিলেসন্সিপ্ লৈরিব NP *him* অসিনা একিযুজেতিপ্ হায়ব কেস অসি ফংঙী। মসিনা খঙ্‌হল্লিবদি V অসি একিযুজেতিপ্ কেস এসাইনরনি অমসুং মান গোভন্ তৌরিব NP অদুদ কেস অসি এসাইন্ তৌব্রী হায়ব অসিনি। V না গোভন্ তৌব NP অমনা একিযুজেতিপ্ নৎতব অতোপ্প কেস ফংব য়াদে হায়বসি (১২০) গি অরান্ব খুদম্ অসিনা খঙ্‌হল্লী।

১২০ *I know he.


অমরোম্দ V না গোভন্ তৌদব NP অমদি একিযুজেতিপ্ কেস এসাইন্ তৌরবসু অরান্ব ওই হায়বসু (১২১) গি অরান্ব ব্রাহৈপরেং অসিনা খঙ্‌হল্লী।

১২১a I know him.

১২১b *Me know him

(১২১b) গি খুদম্ অসিন লান্‌বগি মবম্‌দি know হাযব ভাপ্ অসিন একিযুজেতিপ্ কেস অনী এসাইন্ তৌবুব অসিনি। (১২১b) দ সপ্‌জেক্ NP অসিসু একিযুজেতিপ্ কেস-মাক্ তৌদুন লৈবে। মসিন খঙ্‌হল্লিবদি কেস হাযব অসি গোবমেন্‌গি মখাদ নত্ত্রবদি এসাইন্ তৌব যাদে, গোবমেন্‌গি মখাদদ কেস এসাইন্ তৌব্রী হাযব অসিনি। মীৎযেং অসিদ (১২১a) গি ৱাহৈপবেংদ যাওবিব [NP,IP] অসিগি কেস এসাইনব অসি কবিন ওইগনি হাযব ৱাহং অসি লাক্‌ই। ৱাফম্ অসি নৈননবগিদমক্ (১২১a) গি ৱাহৈপবেং অসিগি ইসত্ত্রক্‌চব অদু (১২২) দ পীবি -


১২২



(১২২) গি খুদম্‌দ *know* হাযব ভাপু অসিন VP মনুংগি NP অসি সি-কম্মান্ তৌব্রী অদুগ এম্-কম্মান্‌সু তৌব্রী। মবম্ অদুন মীৎযেং অনীমক্তগি V ন NP *him* অসিবু গোভন্ তৌব্রী। অদুবু V ন VP গি ৱাংমদ লৈব [NP, IP] অসিবুদি সি-কম্মান্ তৌদে অদুগ এম্-কম্মান্‌সু তৌদে। মবম্ অদুন V ন [NP, IP]

গি গভনর ওইব ঙম্দে। মথংদ [NP ,IP] অসিবু গোভন্ তৌব ঙম্ব হেৎ অমদি I(=inflection) অসিনি। I ন এম্-কম্মান্গি মীৎয়েংদ [NP, IP] বু গোভন্ তৌব ঙম্মী। V ন একিয়ুজেতিপ্ কেস এসাইন্ তৌব ঙম্ব হেৎ অম ওইব অদুগুম্ন I অসিসু কেস এসাইন্ তৌব ঙম্ব হেৎ অম ওইন লৌরবদি [NP, IP] দ নোমিনেতিপ্ কেস এসাইন্ তৌরিব অসি তেন্স ইন্ফ্লিক্সন্ অসি ওইরগনি। মীৎয়েং অসিদগি তেন্সন নোমিনেতিপ্ কেসকি এসাইনরনি হায়ন লৌরগনি। হৌজিক্ (১২৩) গি ইসট্রক্চর অসিদ করম্ কবম্ব ইলিমেন্সিংন কেস এসাইন্ ওইব ঙম্বগে হায়বদু য়েংসি -


১২৩



(১২৩) দ [NP, IP] অসি তেন্স ইন্ফ্লেক্সন্ অসিন গভনর ওইদুন নোমিনেতিপ্ কেস এসাইন্ তৌরী। মরম্ অদুন she হায়ব নোমিনেতিপ্ কেস ফোম্ অসি ওই। মথংদ VP মনুংগি একিয়ুজেতিপ্ কেসত লৈরিব NP me অসিগি কেস এসাইনব অসি কবিন ওইগনি হায়ব ৱাফম্ অসি লাক্ই। মথক্ত ঐখোয়ন V অসি একিয়ুজেতিপ্ কেস এসাইনরনি হায়ব খঙ্ংগ্রে। অদুবু (১২৩) গি খুদম্দি V ন [NP, $\bar{P}$] অসিবু এম্-কম্মান্ তৌরবসু গোভন্ তৌবদি ঙম্দে। V অমসুং NP

গি মরক্ত PP হায়ব মেক্সিমেল্ প্রোজেক্সন্ অসিন বেরিয়ার ওইদুন লৈ। মসিদগি V ন PP গি মনুংদ ফাওজিন্দুন গোভন্ তৌব য়াদ্রিবনি। অদু ওইরবদি [NP, $\bar{P}$] অসিবু গোভন্ তৌব ঙম্ব V নৎতব অতোপ্প হেৎ অম য়েংব তাই। মসিগি মরম্দি গোরমেন্গি মতাংদ গভনর হায়বসি অসি হেৎনি হায়ন পন্খিব অদুনি। হৌজিক্ V গি মথংদ [NP, $\bar{P}$] অসিবু গোভন্ তৌব ঙম্ব হেৎতি P অসিত ঙাইহৌরে। P ন [NP, $\bar{P}$] অসিবু সি-কম্মান্ অমসুং এম্-কম্মান্গি মীৎয়েং অনীমক্ত গোভন্ তৌব্রী। মরম্ অসিন [NP, $\bar{P}$] অসিগি একিয়ুজেতিপ্ কেস এসাইনর অসি P ওইরগনি। হৌজিক্ একিয়ুজেতিপ্ কেস এসাইনর অসি V অমসুং P অনী অসিনি হায়ব উরে।

মথক্ত পীখিব কেস এসাইনব অহুম্ I[=+Tense], V অমসুং P অসিদগি পন্ব য়ার্বদি ফাইনাইৎ ক্লোজগি সপ্জেক্ NP সিং অসি নোমিনেতিপ্ কেস এসাইন্ তৌব্রী অদুগ V অমসুং P গি ওপ্জেক্ NP সিং অসিদন একিয়ুজেতিপ্ কেস এসাইন্ তৌব্রী হায়ব তসিদনি। মসিদগি হংব যাবদি ইন্ফিনিতাভেল্ ক্লোর্জগি সপ্জেক্ NP সিংগি কেস এসাইনব অসি কবিন ওইগনি হায়ব অসিনি। মসি নৈননবগিদমক্ (১২৪) গি দাইযগ্রাম্ অসি পীবি -



(১২৪) গি খুদম্ অসিদ ইন্‌ফিনিতাইভেল্ ক্লোজগি সপ্‌জেক্ NP *him* অসি একিয়ুজেতিপ্ কেসত লৈ। করম্বু হেৎ অমন সপ্‌জেক্ NP অসিগি কেস এসাইনরনি হায়ন লৌগনি হায়ব ৱাহং অসি মতাং অসিদ অমুক্‌সু লাক্‌ই। অহান্‌বদ ঐখোয়ন য়েংব য়াবদি IP অসিগি মনুংদ [NP, IP] অসিবু গোভন্ তৌরিবদি ইন্‌ফিনিতাইভেল্ I অসিনি হায়ব ৱাফম্ অসিনি। গোভন্ তৌব হেৎ অমন কেস এসাইনর ওইব য়াই হায়ব ৱাফম্ অদু ইল্লবদি [NP, IP] গি একিয়ুজেতিপ্ কেস এসাইনর অসি ইন্‌ফিনিতাইভেল্ I অসি ওইগনি। অদুবু ৱাফম্ অসি অচুম্বনি হায়ন হাথু হাথু লৌব য়াদ্রি। খুদম্ ওইন (১২৪) গি ৱাহৈপরেং অসিদগি কম্‌প্লিমেন্‌তাইজর *for* অসি লৌথোক্‌খ্রবদি ৱাহৈপরেং অসি অরান্‌ব ওই (e.g.*Him to like her would be ridiculous) মসিগি মরম্‌দি *for* য়াওদব মতম্‌দ সপ্‌জেক্ প্রনাউন্ অসিগি কেস অসি মাঙ্‌খি অমদি কেস য়াওদব NP অসি ৱাহৈপরেংদ লৈব য়াদে, মদুন ৱাহৈপরেং অদু অরান্‌ব ওইহল্লি। (১২৫) দ কেস য়াওদব NP সিংগি খুদম্‌সিং অমুক্‌ক পীরি -

১২৫a *It is believed [John to be a doctor]

১২৫b *It seems [John to have pulled her leg]

(১২৫) গি ৱাহৈপরেংসিং অসিদ *John* হায়ব ইন্‌ফিনিতাইভেল্ ক্লোজসিংগি সপ্‌জেক্ NP অসি কেস য়াওদব NP সিংনি হায়ন লৌগনি। মখোয কেস লৈতব মফম্ (caseless position) সিংদ লৈরে। (১২৫) গি অরান্‌বসিং অসিন তাক্‌পদি ইন্‌ফিনিতাইভেল্ ক্লোজসিং অসিগি তেন্‌স য়াওদব I সিং অসিন [NP, IP] অসিদ কেস এসাইন্ তৌদে হায়ব অসিনি। করিগুম্বব তেন্‌স য়াওব ক্লোজগি সপ্‌জেক্ ওইরম্বব তারবদি John অসি কেস ফংদুন (১২৫) গি অরান্‌বসিং অসি (১২৬) কি অচুম্বসিং অসি ওইগনি।

